Manipuri/মণিপুৰী

सत्यमेव जयते

# লৈবাক্কী মহৈ-মশিংগী থৌশিল ২০২০

## মহৈ-মশিংগী পোংবশঙ

## ভাৰত লৈঙাক

| পন্দুপ | য়াওফম তাকপা | লামায় |
|---|---|---|
| | ৱাহৌদোক | 3 |
| | **শরুক I. স্কুল থাক্কী মহৈ-মশিং** | |
| 1 | নৌরিবা অঙাং ওইরিঙৈবু য়েংবীবা অমসুং মহৈ-মশিং: মহৈ-মশিংগী হৌফম | 8 |
| 2 | হৌগৎলকপগী ময়েক-চৎপা অমসুং মশীং-চৎপা :মহৈ তম্বদা অথুবগী হান্না তঙাইফদনা চঙগদবা | 9 |
| 3 | লাইরিক তম্বা তোকথিবগী চাং হন্থহনবা অমসুং থাক খুদিংমক্তা মীপূম তীংনা মহৈ-মশিং তম্বা য়াহনবা | 11 |
| 4 | স্কুলশিংদা তম্ন-হীরম) করিক্যুলম (শিংঅমসুং তম্বীরোল/পেডাগোজি: তম্বা হায়বসি মপূং ওইবা (হোলিষ্টিক), পূনশিল্লবা (ইন্টিগ্রেটেড(, নুংঙাইহনবা অমসুং য়াওশিনহনবা ওইগদৌবনি। | 13 |
| 5 | ওজাশিং | 23 |
| 6 | মান্নবা অমসুং পূন্নমকপু থোনবা মহৈ-মশিং: পূন্নমক্কী মহৈ | 29 |
| 7 | স্কুল কমপ্লেক্স/ক্লষ্টরশিংগী খুথাংদা স্কুলগী চঙগদৌবা মচাক-মথুমশিং হেনগৎহনবা অমসুং নীংথিনা থৌপাঙহনবা | 33 |
| 8 | স্কুল মহৈ-মশিংগীদমক চৎনগদৌবশিং লেপ্পা (ষ্টেণ্ডর্ড সেট্টিং) অমসুং মশেক তাকপা (এক্রেডিটেশন) | 36 |
| | **শরুক II. অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং** | |
| 9 | অফবা মগুন লৈবা তাইবং-মহৈকোলশিং অমসুং কলেজশিং :ভারতকী অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী লমদা অনৌবা অমসুং মাঙলোমদা য়েংবা মীৎয়েং | 39 |
| 10 | মহৈকোলশিং নৌনা শেমদোক-শাদোকপা অমসুং মরা চেৎশিনহনবা | 41 |
| 11 | মপূং ওইনা হেন্না তাশিন-থোমজিল্লবা অমসুং লৌশিংশা-য়াম্বা মহৈ-মশিংগী মায়কৈরোমদা | 44 |
| 12 | খ্বাইদগী ফবা মহৈ তম্বগী ফিভম অমসুং মহৈরোয়শিংবু তেংবাঙ পীবা | 47 |
| 13 | ইনোৎ পীবা ঙম্বা, মতীক লৈরবা অমসুং থবক ঙম্বা ওজাশিং | 50 |
| 14 | অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বীবগী থবক্তা মীচং-মীথায় নাইদনা চপ মান্ননা য়েংবা অমসুং পূন্নমকপু কোনশিনবা | 52 |
| 15 | ওজা ওইগদৌবা মীওইশিংগী মহৈ-মশিং তম্বগী থবক | 53 |
| 16 | মশিনগী ওইবা মহৈ তম্বগী থবকপু নৌনা ৱাথল শাগৎপা | 56 |
| 17 | অনৌবা লৈবাক্কী থিজিন-হুমজিনবগী য়ুম্ফম (নেশনেল রিসর্চ ফাউণ্ডেশন) গী খুথাংদা হীরম পূন্নমক্তা মগুন লৈবা মহৈগী ওইবা থিজিন-হুমজিনবগী থবক (ক্বালিটি একাডেমিক রিসর্চ) পু মতেং পাংবা | 57 |
| 18 | অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী চৎন-কাঙলোন ইলহনবগী মওং হোংদোকপা | 60 |
| 19 | অৱাংবা থাক্কী মহৈকোলশিংবু নীংথিনা মায়-পাক্লা থৌপাংবা অমসুং মতীক চাবা লুচিংবা | 63 |

| | | |
|---|---|---|
| **শরুক III. মীৎয়েং চঙগদবা অতোপ্পা মরু ওইবা হীরমশিং** | | |
| 20 | শিনফমগী ওইবা মহৈ-মশিং তম্বগী থবক | 65 |
| 21 | অহল ওইরবশিংবু মহৈ তম্বীবগী থবক অমসুং পুন্সি চূপ্পা মহৈ তম্বা | 66 |
| 22 | ভারতকী লোলশিং, ফিরেপলোনশিং (আর্টস) অমসুং নাৎ-চৎনবীবু য়োকথৎপা | 68 |
| 23 | শিনশালোন (টেক্নোলোজি) শীজিন্নবা অমসুং অমত্তা ওইনা পূনশিনবা | 73 |
| 24 | ওনলাইন অমসুং ডিজিটেল ইডুকেশন: মীচং-মীথায় নাইদনা চপ মান্ননা শিনশালোন (টেক্নোলোজি) শীজিন্নবা ফংহনবা | 76 |
| **শরুক IV. মসি ওইথোকহনবা** | | |
| 25 | সেন্ট্রেল এডভাইজরি বোর্ড ওফ ইডুকেশনবু মপাঙ্গল কনথৎহনবা | 78 |
| 26 | শেল-থুম থাদবা: পূন্নমক্কী ওইনা ঙমগদৌবা অমসুং মগুন লৈবা মহৈ-মশিং ফংবা | 79 |
| 27 | থবক্তা ওন্থোকপা | 81 |
| | **এব্রিভিএশনশিংগী লিষ্ট** | 82 |

## ৱাহৌদোক

মহৈ-মশিং হায়বসি মীওইবগী থৌঙমবু মপূং ফাবা ওইহন্নবগীদমক, থোং মান্নবা অমসুং অচুম্বা থুন্নাই অমা শাগৎপগীদমক, অমসুং লৈবাক্কী চাওথৎপবু থৌগৎনবগী মরু য়ুম্ফমনি। মীপূম তিংনা মতীং লৈবা মহৈ-মশিং ফংহনবনা শেল-থুমগী থাক ৱাংথৎহনবদা, থুন্নাইদা অচুম্বা তৌবদা অমসুং থোং মান্নহনবদা, চুল্লৌশিংবু য়াঙথৎহনবদা (সাইন্টিফিক এডভান্সমেন্ট), লৈবাক্কী অমত্তা ওইববু অমসুং চৎনবীবু ঙাকপদা ভারতনা মালেমগী থাক্তা মকোক থোংনা অমসুং লেপ্তনা হাইগৎলক্লিবসিগী থোঙ হাংনবা শোজৈদুনি। ঐখোয়গী লৈবাক্কী মরাং-কায়রবা পীথোরক্লবা তীঙশিং অমসুং মথোকশিং (রিসোর্সশিং) অসিবু চাওথৎহন্দুনা অমসুং মতোল লোমহন্দুনা লন্নাই মীওইশিংদা, থুন্নাইবু, লৈবাকপু অমসুং মালেম পূম্ববু অফবা ওইহনবা ঙম্নবা অথোইবা লম্বীদি মীপূম হুপ্পা অৱাংবা তীঙগী মহৈ-মশিংদা মায়ওনবা হায়বা লম্বীদুনি। লাক্কদৌরিবা থংনবা চহী তরাদা ভারতনা মালেমদা নহাগী মীকোক থ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাক ওইরগনি, অমসুং ঐখোয়না মখোয়বু অৱাংবা তীঙগী মহৈ-মশিং ফংহনবগী থুদোংচাবা পীবা ঙম্বদুনা ঐখোয়গী লৈবাক্কী তুংগী মরাইবক লেপকদৌরিবনি।

ভারতনা ইং ২০১৫দা তাখিবা তুংকোইনফাওবা চাওথৎনবগীদমক ইং ২০৩০গী গোল ৪ (এস ডি জি ৪) হায়বা থৌরমশিংনা উৎথোক্লিবা মালেমগী মহৈ-মশিং ৱাংথৎনবা থৌরমশিংনা তাল্লিবদি ২০৩০দদি “মী থুদিংমক য়াওহনবা অমসুং মান্নবা মহৈ-মশিং অমসুং পুন্সি চুপ্পা তম্বা য়ানবা থুদোংচাবা পীবা থৌগৎপবু শোয়হন্দবনি”। অসিগুম্বা অৱাংবা পান্দমগীদমক মহৈ-মশিং তম্বীবা অমসুং মসিবু য়োকথৎনবা লৈরিবা মহৈ-মশিংগী কাঙলোন পূম্নমক নৌহৌননা মায়ওন লেপ্পগী (রিকনফিগুরেশনগী) থৌ তারে, তৌবদি ইং ২০৩০গী তুংকোইনফাওবা চাওথৎহন্নবগীদমক হায়রিবা থৌরমশিংগী চিরবা পান্দমশিং অমসুং লমথূঙফমশিং (এস ডি জি শিং) পূম্নমক্তু শোয়দনা ফংবা ঙমগদৌবনি।

লৌশিংগী তাইবংদদি মালেমসি য়াঙনা হোংলি। অচৌ-অচৌবা অখোম-ৱারোলশিং/ডেটা থোক্লকপা, মেছিন লর্নিং, আর্টিফিশল ইন্টলিজেন্স অসিগুম্বা মথল-মথাগী চুল্লৌশিংগী (সাইন্টিফিক) অমসুং শিনশালোনগী (টেক্নোলোজিকেল) অঙকপা অমসুং অয়াঙবা চাওথৎ-থোঙথাংশিং অসিনা মালেম শীনবদা লৈরিবা হৈশিংফাত্তবশিংগী (অনস্কিল্ড) য়ামথ্রবা শিনফমশিংবু মেছিনশিংনা শিন্দোকখিবা য়াই, অমরোমদনা হৈশিংলবশিংগী থৌগায়রূপ (স্কিল্ড ৱর্কফোর্স), অকক্লবা অঙ্ক চঙবা চুল্লৌশিং (কম্প্যুটর সাইন্স), অমসুং অখোম-ৱারোলগী চুল্লৌশিং (ডেটা সাইন্স) অমসুং মখোয়গা থূৎশন্নবা চুল্লৌশিং কয়ামুক চঙবা মায়রোঙবা লৌশিংশাশিংদা (মল্টিডিসিপ্লিনরি) থূৎলোয়বা থুন্নাই-চুল্লৌশিং (সোশিয়ল সাইন্স) অমসুং তাইবংলোনদা (হ্যুমেনিটিজ) হৈ-শিংলবশিং অদুদি মথৌ তাবদগী হেন্না হেন্না তাল্লক্কনি। অঈং-অশা হোংলকপা, মোৎশিনবা হেনজিল্লকপা অমসুং হন্থরক্লিবা মহৌশাগী মথোকশিং অসিনা মালেমগী চঙলিবা মতীক (ইনর্জি), ঈশিং, চীঞ্জাক অমসুং লূ-নানবদা চঙবশিং করম্না ফংহনগদগে হায়বগী থৌওংদা চাউনা অহোংবা লৈরগনি, অমুক্কসু মখোয়না অনৌবা মথলগী থৌমীশিং অতম্নবা, হিংনলোন (বাইওলোজি) দা, মচাকলোন (কেমিষ্ট্রি) দা, পোৎতিকলোন (ফিজিক্স) দা, লৌউ-শিংউলোন (এগ্রিকলচরেল) দা, অঈং-অশাগী চুল্লৌশিং (ক্লাইমেট সাইন্স) দা অমসুং থুন্নাইগী চুল্লৌশিং (সোশিয়ল সাইন্স) দা হৈশিংলবা থৌমীশিংগী মথৌ তাবদু ওইহল্লক্কনি। লাইচৎশিং অমসুং মালেম শীন্থুংবা লাইচৎশিং থোকপা হেনগৎলকপশিং অসিনা লৌনগনবা লায়নাশিং থেংনবা অমসুং মখোয়গী তিকা শেম-শানবগীদমক থূৎশেন্না থিজিনমিন্নবা তাহল্লক্কনি অমসুং মদুদা থোক্লকপা থুন্নাইগী ৱাহৌশিংনা মায়োঙ য়াবা লৌশিংশাশিং তম্বগী (মল্টিডিসিপ্লিনরি লর্নিং) মথৌ তাবদু হেনগৎহনগনি। ভারতনা চাওথৎলবা লৈবাক অমা ওইবরোমদা চঙশিল্লক্লিবনিনা অমসুং মালেমগী মচাওরবা শেন্মীৎলোন লৈবা লৈবাক অহুমগী মনুংদা অমা ওইবনিনা তাইবংলোন (হ্যুমেনিটিজ) অমসুং ফিরেপলোন (আর্ট) পাম্নবা হেনগৎলক্কনি।

তশেংনমক, য়াঙনা হেনগৎলক্লিবা শীনৱানবগী তাইবং (ইমপ্লোয়মেন্ট লেণ্ডস্কেপ) অমসুং মালেমগী হিংনশাইগোন (ইকোসিষ্টেম) গা ইরোয়ননা অঙাংশিংগীদমক্তদি তম্বতা নত্তনা, হেন্না মরু ওইনা, কমদৌনা তমগদগে হায়বদু থঙবনা হেন্না হেন্না লূমশীল্লক্লি। অসুম্না মহৈ-মশিং হায়বসিনা য়ামদবা হীরমশিংদা অমসুং কমদৌনা হেন্না কূপথনা থনবা তমগদগে, কমদৌনা ৱারু (প্রোব্লম) শিংবু ৱাহন (সোল্যুশন) তৌগদগে, কমদৌনা ৱাথল থোকপা অমসুং মায়রোঙবা লৌশিংশা (মল্টিডিসিপ্লিনরি) ওইহনগদগে, অনৌবা অমসুং হোংলক্লিবা থৌফমশিংদা অনৌবা মচাকশিং কমদৌনা ঈথিল পীগদগে, শেমদোক-শাদোক্কদগে অমসুং লৌশিনগদগে হায়বরোমদা চঙশিনবা তাই। তম্বীরোল (পেডাগোজি) অসিমক মহৈ-মশিংবু হেন্নদুম থেংনবদগী তম্বরোমদা (এক্সপরিমেন্টেল), মপূং ওইনা থঙহনবা (হোলিষ্টিক), পূনহল্লবা (ইন্টিগ্রেটেড), থঙনীংবনা ঈনবা (ইনক্কাইরি ড্রিভন), মশানা পুথোকচবা (ডিস্কভরি ওরিএন্টেড), মহৈরোয়গীদমক য়েংবা (লর্নর-সেন্টর্ড), থন্ন-নৈনবদা তোংবা (ডিসকশন-বেজ), শেমদোকপা য়াবা, অমসুং শোয়দনমক, তম্বদা নুংঙাইবা ওইনবা শক্লোন হোংগদৌবনি। তম্ন-হীরম (করিক্যুলম) শিং অদুদা মরুয়ুম্ফমগী ফিরেপলোন (বেসিক আর্টস), থূৎহৈলোন (ক্রাফ্টস), তাইবংলোন (হ্যুমেনিটিজ), শান্নরোল (গেম্স), শাজেল্লোন অমসুং শাথীংলোন (স্পোর্টস এণ্ড ফিটনেস), লোলশিং, থোরারীরোল, চৎনবী, চুল্লৌশিং (সাইন্স)

অমসুং অঙ্কগী মথক্তা হিংবগী মহাও, মহৈরোয়শিংগী মায়ওন পূন্নমক্তা অমসুং মখোয়না হৈজবা পূন্নমকপু শেমগৎপীবা অমসুং মহৈ-মশিংবু মায়কৈ পূন্নক্তা ফজনা শোকহনবা, কান্নহনবা অমসুং মহৈরোয়শিংদা মনীং থুংহনবা হায়বশিংসি য়াওগদৌবনি। মহৈ-মশিংনা লমচৎ শেমগদৌবনি, অচুম-অরান থঙবা, থোংগুন তাবা, মীনুংশি চেনবা অমসুং অতোপ্পবু য়েংবীবা তম্বীগদৌবনি, অমরোমদা মখোয়বু কান্নবা অমসুং অনীংবা থুংগদৌবা শিনফমগীদমকসু শেম-শাহনগদৌবনি।

হোজিক্কী মতমদা মহৈ তম্লুরগা ওইরক্লিবসিগা ওইহন্নিংলিবগা অনীগী মরক্কী অহোবসি মহৈ-মশিংগী পরীংদা থ্বাইদগী অৱাংবা মথলগী মতীং লৈবা, মান্নবা অমসুং অৱাংবা লমচৎ-শাজৎ অসি পীক্লিবা অঙাংশিং য়েংশিনবা অমসুং মহৈ ফংহনবদগী হৌরগা অৱাংবা মহৈ-মশিং তম্বা ফাওদুনা পুরক্কদৌবা অচৌবা শেমদোকপশিং (মেজর রিফোর্মস) পায়থত্তুনা মেনশিনগদৌবনি।

পান্দমসি, ইং ২০৪০ দদি ভারতকীদমক কনাগীসু মথাদা অনীশুবা ওইদবা মহৈ-মশিংগী কাঙলোন (ইডুকেশন সিষ্টেম) অমা লৈবনি, মদুদা মতীং লৈবা থ্বাইদগী ৱাংলবা থাক্কী মহৈ-মশিংদা মহৈরোয় পূন্নমক মখোয় মখোয়গী থুন্নাইগী নৎত্রগা শেন্মীৎলোনগী থেন্নবা য়েংদনা মান্ননা চঙবা য়াগদৌবনি।

লৈবাক্কী মহৈ-মশিংগী থৌশিল ২০২০ (নেশনেল ইডুকেশন পোলিসি ২০২০) হায়বসি ২১শুবা চহীচাগী অহানবা মহৈ-মশিংগী থৌশিলনি অমসুং মসিনা ঐখোয়গী লৈবাক্কী য়াম্বা অসুম হেনগৎলক্লিবা চাওখৎ-থৌরাংগী তঙাইফদবশিংদা মায়রোঙ য়াববু পান্দম ওইনা থল্লি। ভারতকী চৎন-লীক্লম (ট্রেডিশন) অমসুং অফ-নুংঙাইগী চৎনবীশিং (ভেল্যু সিষ্টেমশিং) য়েংদুনা শাগৎপা এস ডি জি এ য়াওবা ২১শুবা চহীচাদা মহৈ-মশিংদগী ফংনীংলিবা পান্দমশিংগা চানবা অনৌবা কাঙলোন (সিষ্টেম) অমা শেন্নবা মহৈ-মশিংগী লৈরিবা শক্তমবু মসিগী চৎন-কাঙলোন অমসুং ঙাক্লেলোন (গভর্নান্স) য়াওনা থৌমায় পূন্নমক্তা হন্না য়েংশিনবা অমসুং নৌহৌনা কনখৎহনববু থৌরাং অসিনা হৌদোক্লি। লৈবাক্কী মহৈ-মশিংগী থৌশিলসিনা মীপূম খুদিংদা লৈরিবা ৱাখল থোকপা থৌঙমবু চাওখৎহন্নবগীদমক অখন্ননা তকশিল্লি। মসিমক্তি, মহৈ-মশিংনা কোক্কী ওইবা থঙবা থম্বগী থৌঙমশিং — ‘ময়েক-চৎপা অমসুং মশীং-চৎপগী থৌফমগী ওইবা থৌঙমশিং (ফাউণ্ডেশনেল কেপাসিটিজ ওফ লিটরেসি এণ্ড ন্যুমরেসি) ’ অমসুং কূপথনা খনবা অমসুং ৱারু লোইশিনবা (প্রোব্লম সোলভিং) গুম্বা ‘থাক ৱাংবা’ ৱাখল থোকপা থৌঙমশিং হায়রিবা অনীসিথক্তা নত্তনা - থুন্নাইগী, অচুম-অরানগী অমসুং পূক্নিং-ৱাখলগী থৌঙমশিং অমসুং অফবা লমচৎ চাওখৎহনবা হায়বা মহৈ-মশিংগী পরীং-পথাপতা (প্রিন্সিপলদা) য়ুম্ফম ওইবনি।

ইনাক খুল্লবা অরিবা পাথাঙ-পূথাঙ অমসুং লেঙদ্রবা ভারতকী লৌশিং অমসুং ৱাখলনা থৌশিল অসিগী লমজীং মৈরা ওইরি। লৌশিং, কোক-লৈবা (প্রগ্যা) অমসুং অচুম্বা তানবা হায়বসি ভারতকী ৱাখল্লোন অমসুং ৱাংঙুরোলদা মীওইবগী থ্বাইদগী ৱাংবা পান্দম্নি হায়না মতম পূম্বদা খন্নরম্মী। অরিবা মতমগী ভারত্তা মহৈ-মশিংগী পান্দমসি তাইবংসিদা হিংনবা থৌরাং তৌবা ওইনা নৎত্রগা তম্লিঙৈ মতমগী ৱাংমদসু ওইনবা লৌশিং তানশিনবতা নত্তনা মশাবু থঙজবা অমসুং অরান-খুভম মপূং ফানা ফংনবা ওইরম্মী। টক্ষশিলা, নালন্দা, বিক্রমসিলা, বল্লভিগুম্বা অরিবা ভারতকী মালেম-থাক্কী মহৈ-লোয়শঙশিংনা মায়ওঙ য়াম্বা লৌশিংশাশিং তাকপা (মল্টিডিসিপ্লিনরি টিচিং) অমসুং থিজিনবগী খুভম উৎলম্মী অমসুং তোঙান তোঙানবা শাহৌফম (বেকগ্রাউণ্ড) গী অমসুং লৈবাক কয়া শীনবদগী মহৈরোয়শিং অমসুং মায়চৌশিংবু মীওক-মীচান পীরম্মী। ভারতকী মহৈ-মশিংগী কাঙলোন্না মশীং য়াম্লবা অতৈ কয়াগী মরক্তগী চরকা, সুস্রুতা, আর্য্যভটা, বরহমিহিরা, ভাস্করচার্য্য, ব্রহ্মগুলাতা, চানক্যা, চক্রপানি ডত্তা, মাধব, পানিনি, পতঞ্জলি, নাগার্জুনা, গৌতমা, পিঙ্গলা, সঙ্করদেব, মৈত্রেয়ি. গার্গি অমসুং টিরুৱল্লুৱরগুম্বা অচৌবা মায়চৌশিং পুথোকখি অমসুং মখোয়না অঙ্ক, এষ্ট্রোনোমি, মেটাল্লর্জি, মেডিকেল সাইন্স অমসুং সর্জরি, সিভিল ইঞ্জিনিয়রিং, আর্কিটেকচর, শিপ বিল্ডিং অমসুং নেভিগেশন, য়োগা, ফাইন আর্টস, ছত্রংকুম্বা অমসুং অতৈ অহেনবা তোঙান তোঙানবা থৌফম (ফিল্ড) কয়াদা মালেমগী ওইবা লৌশিংগী হৌরকফম কয়া পুথোকপদা থৌদাং লৌরম্মী। ভারতকী নাৎ/হিংনলোন অমসুং ৱাংঙুরোল (ফিলোসোফি) না মালেম পূম্বদা অকনবা ইথিল পীরম্মী। অসিগুম্বা মালেমগী পাথাঙ-পুথাঙদা খূদোল ওইনা থম্মীরম্বা ইনাক খুল্লবা লনশিংসি তুংগীদমক ঙাক-শেনবা অমসুং য়োকপদা নত্তনা থিজিনগদৌবনি অমসুং চাউথোকহনগদৌবনি অমসুং ঐখোয়গী মহৈ-মশিংগী কাঙলোন অসিনা মখোয়বু অনৌবা চন্নফমদা থাজিনগদৌবনি।

মহৈ-মশিংগী কাঙলোনদা মরুদগী হৌনা শেমদোক্কদৌবা অসিদা ওজানা য়ায়তোম (সেন্টর) দা লৈগদৌবনি। মহৈ-মশিংগী অনৌবা থৌশিল অসিনা থাক পূন্নমক্কী ওজাশিংবু থ্বাইদগী ইকায়খুন্নফম ওইবা অমসুং য়াওদবা য়াদ্রবা ঐখোয়গী থুন্নাইগী মীশকশিংনি হায়বসি নৌহৌনা শাগৎপদা মতেং পাংগদৌবনি, মরমদি মখোয়না ঐখোয়গী লৈবাকচাশিংগী মীরোলবু তশেংনমক ফীগৈ তাকই। ওজাশিংনা মখোয়গী মথৌবু হেক ঙম্বমথৈ থৌপাঙনা লোইশিনবদা মতেং পাংনবা মখোয়বু মঙল হাপ্পদা থৌতাবা খুদিংমক অনৌবা থৌশিলসিনা তৌগদৌবনি। অনৌবা মহৈ-মশিংগী থৌরাং অসিনা থ্বাইদগী ফবা অমসুং

***<u>লৈবাক্কী মহৈ-মশিংগী থৌশিল ২০২০</u>***

অরিংবশিংদু থাক পূম্নমক্কী ওজা ওইবগী শিনফমদা চঙহন্নবা মতেং পাংগদৌবনি, তৌবদি মথোয়বু হিংবা, ইকায়খুম্নবা ফংবা, চীংলেম্বা অমসুং মদোম লেপচবা ঙমহনগদৌবনি, অমরোমদসু থৌশিলসিদা মতীং লৈবা অমসুং থাজবা য়াবা ওইহনবা হায়বা মরু-য়ুম্ফমগী থৌওঙদু হাপচিনগদৌবনি।

অনৌবা মহৈ-মশিংগী থৌশিল অসিনা মহৈরোয় পূম্নমক্তা মথোয়গী লৈফম য়েংদনা, অতম্নবা পুৱারীদগী মতাইথোক ওইহনবীরবা (মার্জিনেলাইজ তৌবীরবা), খুদোংচাদ্রবা, কনাসু লৈজদ্রবা কাঙবুশিংদা মায়পূননা য়েংবীদুনা মতীং লৈবা মহৈ-মশিংগী কাঙলোন অমা ফংহনগদৌবনি। মহৈ-মশিং হায়বসি অচৌবা তেমথোক্ললাং (লেভেলর) অমনি অমসুং মসি শেল-থুমগীদমক অমসুং খুন্নাইগী মরক্তা তোঙানবা য়াহন্নবা, য়াওমিন্ননবা, অমসুং মান্নহন্নবা খ্বাইদগী ফরবা থূৎলাইনি। অসিগুম্বা কাঙবুশিংসিদগী মহৈরোয় পূম্নমক মথোয়দা থাংলিবা খুরৌশিংদু লৈদুনসু মহৈ-মশিংগী থৌশিলসিদা চঙনবা অমসুং মীথোই-মীহেল্লক্কবা পান্দম ওইনা লৈরিবা মথল কয়াগী খুদোংচাবশিংসি ফংহন্নবা ৱাহৌশিং লৈগদৌবনি।

মথক্কী মচাকশিংসি মফম মফমদুগী অমসুং অপূনবা লৈবাকসিগী চঙগদৌবশিং য়েংদুনা অমসুং মসিগী মরাং কায়রবা শক-চুশিং অমসুং চৎনবীবু ইকায়খুম্নবা হাপচিনগদৌবনি। ভারতপু থঙবা অমসুং মসিগী মওং য়াম্লবা খুন্নাইগী, গী অমসুং শিনশালোনগী থৌতাবশিং (টেক্নোলোজিকেল নীডস), মসিগী মতৌ তম্বা ঙম্লোইদৌবা ফিরেপলোনগী (আর্টিষ্টিক), লোল অমসুং লৌশিংগী চৎন-লীক্লম (ট্রেডিশন), অমসুং ভারতকী নহাশিংবু অকনবা অচুম-অরানগী ৱাখল চেলহনববু লৈবাক্কী মায় ওইহন্নবা, ইশাবু থাজবা, ইশাবু খঙজবা, মশেল মতেং পাংনবা অমসুং অপূনবা ওইনা শাগৎপগীদমক য়াম্না হকচিন্না মরুওই হায়না থন্নে।

## হান্নগী থৌশিলশিং

মহৈ-মশিংগী হান্নগী থৌশিলশিংবু পাঙথোকপদা চঙবা য়াবা অমসুং থোং মান্নবগী ৱাহৌশিংদা চাউনা মীৎয়েং থম্মী। ইং ১৯৯২ দা শেমদোকখিবা (এন ই পি ১৯৮৬/৯১) লৈবাক্কী মহৈ-মশিংগী থৌশিল ১৯৮৬ কী লোইহৌদবা থৌরম-পরেংশিং (প্রোগ্রামশিং) দু থৌশিলসিদা মতীক কোন্নবা চপচানা নৈনরে। ১৯৮৬/৯২গী মমাংগী থৌশিলদগী চাউনা হেনগৎলক্লিবদি শেল তিংদনা লেম্না অমসুং শুংশোয় শোয়দনা অঙাংশিংবু মহৈ-মশিং ফংহনবগী এক্ট ২০০৯ অসিনি অমসুং মসিনা মীপূম তিংনা অহৌবগী মহৈ-মশিং (য়ুনিভর্সেল ইলিমেন্টরি ইডুকেশন) বু ফংহন্নবগী আইনগী ওইনা ঙাক্লৌশিং পীদুনা শৌগৎলি।

## থৌশিল অসিগী পরীং-পথাপশিং (প্রিন্সিপলশিং )

মহৈ-মশিংগী কাঙলোন অসিগী পান্দমদি থোংগুন তাবা ৱাথল্লোন চেনবা অমসুং থবক ঙম্বা, মীনুংশি লৈবা অমসুং মীগী অৱাবা উবীবা, থৌনাফবা অমসুং উঈবা (রেসিলিএন্ট), চুম্লৌশিংগী মিহুল য়াওবা (সাইন্টিফিক টেম্পর) অমসুং পূক্লিং-ৱাথল থোকপা অদুগা লোয়ন-লোয়ননা অচুম-অরান খঙনা চৎপা অমসুং হিংবগী মহাও নীংখিজনা খঙবা অফবা মীওইশিংবু শেমগৎপনি। মসিনা ঐথোয়গী লৈবাক-ঙাক্লোন (কন্সটিট্যুশন) না ফংনবগী মঙলিবগুম্না মান্নবা, পূম্নমক য়াওবা অমসুং অপূনবা খুন্নাই অমা শাগৎনবগীদমক মথৌ চিনবা, মথোক লৈবা, অমসুং শরুক য়াগদৌবা লৈবাকচাশিং পুথোক্লবা পান্দম থম্লি।

অফবা মহৈকোল অমা হায়বসি মহৈরোয় খুদিংমক্না মফমদুদা মহাকপু তরাম্না কৌশিনবীরি অমসুং য়েংশিন-থোৎচিনবীরি থনবা, মফমদুদা মহৈ তম্বদা শাফবা অমসুং পূক্লিং থৌগৎপীবা মহৈকোল অমা ওইবা, অমসুং মফমদুদা মশা মশানা থেংনদুনা তমজবা য়াবশিংদু পাক-চাউনা ফংহনবা অমসুং অফবা শেমগৎ-শাগৎপগী চঙগদৌবা মচাক-মথুম (ফিজিকেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর) অমসুং তম্বদা খুৎলোয়হনবা চানবা মচাকশিং (রিসোর্সশিং) হায়রিবশিং অসিবু মহৈরোয় পূম্নমক্তা ফংহনবদুনি। অসিগুম্বা মগুনশিংসি ফংবা হায়বসি মহৈকোল খুদিংমক্কী পান্দম ওইগদৌবনি। অদুম্ ওইনমক, ইরোয়ননা, মহৈকোল পূম্নমক অমসুং তম্বীবগী তাঙ্কক পূম্নমক শীন্না মচৌ-মচা নাইদনা পূনশিনবা (সিম্লেস ইন্টিগ্রেশন) অমসুং তাথোক-তাশিন তৌনবা (কোওর্ডিনেশন) হায়বসু লৈগদবনি।

চাউয়েংদা মহৈ-মশিংগী কাঙলোন, অমসুং মসিদা লৈবা অকক্লবা মহৈকোল অমবু লমজিং পীগদৌবা মরু-য়ুম্ফমগী পরীং-পথাপশিং মথাদা লৈরে:

- মহৈরোয় খুদিংমক্না লাইরিক-লাইশুগী অমসুং লাইরিক-লাইশুগী নত্তবা লমশিংদা মপূং ওইনা চাউখৎপবু থৌগৎনবা মমা-মপাশিং অমসুং ওজাশিংবু মীৎশিং-নাশিংহন্দুনা **মহৈরোয় খুদিংগী তোমথিন ওইবা থৌঙমশিংবু খঙবা, খন্দোকপা অমসুং য়োকখৎপা;**

- থাক/গ্রেড ৩ য়ৌরকপদা মহৈরোয় খুদিংমকপু **হৌফম ওইরিবা ময়েক-চৎপা অমসুং মশীং-চৎপা ঙমহন্নবা** খ্বাইদগী হান্না **পূক্লিং থাদবা;**
- মহৈরোয়শিংনা মানা মানা পামজবা তম্বগী লম্বীশিং অমসুং থৌরমশিংদু খনজবা য়ানবা অমসুং মসিনা মখোয়গী পীথোরকপা অমসুং পামজবগী মতূং ইন্না পুন্সিদা অপাম্বা লম্বী খনজনবা **হন্দোক-হনজিন য়াবা**;
- মহৈগী মশা অমগা অমগগী অমসুং মখোয়গী মথোঙশিংগী (সিলোস) মরক্তা লৈরিবা ফৎত্রবা অনেম-অৱাংসি মুথৎনবা ফিরেপলোনশিং (আর্টস) অমসুং চুল্লোৌশিং (সাইন্স) অনীগী মরক, তম্ন-হীরম (করিকুল্যম) শিং অমসুং তম্ন-হীরমশিংগী ৱাংমা অনীগী মরক, শিনফমগী (ভোকেশনেল) অমসুং মহৈগী (একাডেমিক) ষ্ট্রিম অনীগী মরক অসিনচিংবদা **হকচিন্না থাইদোক্লবশিং লৈরোই**;
- লৌশিং পূম্নমক পূনবা অমসুং মপূং ওইবদু ঙাক্লবগীদমক চুল্লোৌশিং (সাইন্সেস), খুন্নাইগী চুল্লোৌশিং (সোশিয়ল সাইন্সেস), ফিরেপলোনশিং (আর্টস), তাইবংলোনশিং (হ্যুমেনিটিজ) অমসুং শাজেল্লোন (স্পোর্টস) পূম্নমক শীনবা মায়োঙ য়াম্বা লৌশিংশাশিং (মল্টিডিসিপ্লিনরি) গী মালেম অমগীদমক **মায়োঙ য়াম্বা লৌশিংশা** অমসুং **মপূংগী মহৈ-মশিং** অমা;
- চীনফা পুবা অমসুং পরিক্ষা (ইগজামিনেশন) গীদমক লাইরিক তম্বা নত্তনা **নুংলোন (কন্সেপচুএল) খঙনবগীদা ওইনা মরুওইবা পীবা**;
- খনলোন (লোজিকেল) ওইনা ৱারেপ্পা ঙম্নবা অমসুং হৌদোকলম (ইন্নোভেশন) থৌগৎননবা **ৱাখল থোকপা (ক্রিএটিভিটি) অমসুং কূপখনা খনবা (ক্রিটিকেল থিঙ্কিং)** ;
- মীগীদমক খনবীবা, অতোপ্পবু ইকায়খুম্নবা, তনান-তনানবা, নোল্লুকপা, মীয়ামগী ৱা তাবা, থৌপাঙনীংবগী লীচিং, মীয়ামগী লনবু লুনা খনবা, চুল্লোৌশিংগী মিহুল (সাইন্টিফিক টেম্পর), নীংতম্বা, হোয়াবা, য়ামহনবা, মান্নবা অমসুং অচুম্বগুম্বা **অচুম-অরানগী ৱাখল, তাইবংগী অমসুং লৈবাক-ঙাক্লোনগী মহাও** পীবা;
- তম্বীবা অমসুং তম্বদা **লোল য়ামহনবা অমসুং লোলগী মঙলবু থৌগৎপা;**
- পাউ ফাওনবা, তেংবাঙনবা, পূন্না তৌমিন্নবা অমসুং উঈবগুম্বা **হিংনলোনশিং (লাইফ স্কিল্স) ;**
- হৌজিক্কী মতমগী ‘কোচিংগী চৎনবী’বু থৌগৎপা সম্মেটিভ এসেসমেন্ট হায়বদি হৈরব্রা য়েংনবা পূনশিল্লগা হৈলেপ্পা অদুগী **মহুত্তা তম্বীরিঙৈ মনুংদা চাং নাইনা হৈলেপ্পা (ফোর্মেটিভ এসেসমেন্ট) অদুদা পূক্লিং থাদবা;**
- তাকপদা অমসুং তম্বদা, লোলগী অথিংবা লৌথোকপদা, শোইনায়রবা/দিব্যাং মহৈরোয়শিংনা চঙবা হেনগৎহন্নবা, অমসুং মহৈ-মশিংগীদমক শেম-শাবা অমসুং শীনবদা **শিনশালোন (টেক্নোলোজি) য়াম্না শীজিন্নবা;**
- তম্ন-হীরম (করিকুল্যম) শিং পূম্নমক্তা, তম্বীরোলদা (পেডাগোজি) অমসুং থৌরাংদা, মতম চূপ্পদা মহৈ-মশিংসি কনকরেন্ট সবজেক্টনি হায়বসি নীংশিংদুনা **শকওং য়াম্ববু ইকায়খুম্নবা অমসুং মফম মফমদুগী মতাংশিংবু ইকায়খুম্নবা;**
- মহৈ-মশিংগী কাঙলোন অসিদা মহৈরোয় পূম্নমক মপোপ চাউনা হিংবা হায়বসি ওইহন্নবা মহৈ-মশিংগী ৱারেপ পূম্নমক লৌবদা হৌফম ওইগদৌবদি **মপূংফানা মান্নবা অমসুং পূম্নমক য়ৌহনবা;**
- নৌরিবা অঙাং ওইরিঙৈবু য়েংবীবা অমসুং মহৈ-মশিং তম্বীবদগী হৌরগা স্কুলদা তম্বীবা ফাওবা অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বীবা ফাওবদা **মহৈ-মশিংগী থাক পূম্নমক শীন্না তম্ন-হীরমশিংদা পূনশিনবা;**
- **ওজাশিং অমসুং ফেকল্টিনা তম্নবগী থৌরম পূম্নমক্কী মপূংয়ায়নি-** মখোয়বু খবক হাপ্পা, শিনফমদুদা লেপ্তনা চাওখৎহনবা, খবক তৌবদা মাঙ কানবা ফিভম অমসুং খবক তৌবদা ওইগদৌবশিং (সর্ভিস কণ্ডিশনশিং) ;
- মহৈ-মশিংগী কাঙলোন অসিদা **পূকচেল তিংবা, মনূং ফাওনা উবা অমসুং থৌঙম্বা মথোক** ওইহন্নবা শেন-থুম য়েংশিনবা অমসুং ময়ামদা খঙহন্নবা **‘অয়াংবা অমসুং অচেৎপা’ চৎনগদৌবা থৌয়াৎৱা (ফ্রেমৱর্ক** অমা, অমরোমদনা **মনীংতম্বা, অফবা থৌদা অমসুং মঙল হাপ্পা** অনৌবা থৌদৌ অমসুং হান্নগী নত্তবা ৱাখলবু শৌগৎপা;
- থোইদোক-হেন্দোকপা মহৈ-মশিং অমসুং চাওখৎহনবগা পূন্না মতম অমত্তদা **থোইদোক-হেন্দোকপা থীজিনবগী খবক পায়খৎপা;**
- মহৈ-মশিংদা হৈথোইরবশিংনা লেপ্তবা খিজিনবগী থোঙয়াঙ অমসুং চাং নাইবা হৈলেপ্পা (এসেসমেন্ট) অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা **লেপ্তনা অফ-ফত্তা য়েংবা (রিভিউ তৌবা) ;**
- **মরা তারবা অমসুং ভারতকীনি হায়বগী চাউথোকচবা,** অমসুং মসিগী মরল চেল্লবা, শক-চু য়াল্লবা, থায়নগী অমসুং হৌজিক মতমগী হিংনলোন অমসুং লৌশিংগী পরীং অমসুং চৎন-লীক্লম (ট্রেডিশন) ;
- **মহৈ-মশিং হায়বসি মীয়ামগী খবক অমনি;** মতীং লৈবা মহৈ-মশিং ফংবা হায়বসি অঙাং খুদিংমক্কী তঙাইফদনা ফংফম থোকপনি হায়না খনগদৌবনি;


- **অকনবা অমসুং মশা থীংবা মীয়ামগী মহৈ-মশিংগী কাঙলোন অমদা মতীক চানা থাদবগা** লোয়ন লোয়ননা তশেংনমক মীয়ামবু নুংশিবা লন্নাই মীওই অমসুং মীয়াম কোল্লুপ য়াওরকপবু থৌগৎপা অমসুং খুদোংচাহনবা।

## থৌশিল অসিগী মিতম (ভিজন)

লৈবাক্কী মহৈ-মশিংগী থৌশিলসিনা মঙলিবদি ভারতকী চৎনলোনদা মরা তারবা অমসুং ইন্দিয়া, হায়বদি ভারত্তা তুংকোইনা চৎকদৌবা, মীপূম খুদিংবু অৰাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং পীবা অমসুং মদুনা লৈবাকসিবু মালেমদা লৌশিংগী তূংনফম অমা ওইহনবা, মান্নবা অমসুং মশা থীংবা লৌশিংগী থুন্নাই অমদা ভারতপু শকহোংহনবদা অপাননা থৌদাং লৌবা মহৈ-মশিংগী পরীং অমনি। থৌশিল অসিনা মঙলিবদি ঐথোয়গী মহৈকোলশিংগী তম্ন-হীরম (করিক্যুলম) শিং অমসুং তম্বীরোলনা (পেডাগোজি) মহৈরোয়শিংগী মরক্তা শায়ফদ্রবা থৌদাংশিং অমসুং লৈবাক-ঙাক্লোনগী মমলশিং (কন্সটিট্যুশনেল ভেল্যুজ), মশাগী লৈবাক্তা শাগোন্নবা, অমসুং হোংলক্লিবা মালেম অমদা মীওই অমনা লৌগদৌবা থৌদাংশিং অমসুং হোয়াশিংবু ৱাথল তানা থঙহনবদু য়াম্না তশেংনা ইকায়থুম্ননীংবা ফাওহনগদৌবনি হায়বসিনি। থৌশিলসিনা মিতল্লিবদি মহৈরোয়শিংগী মরক্তা ৱাথলদা নত্তনা থৌনাদসু, লৌশিংদসু, থবক্তসু, লোয়ন-লোয়ননা লৌশিং শাগৎপদা, হৈশিংবা, মমল থঙবা অমসুং মীওইবগী হক ঙাকপদা মথৌ থঙনা য়াওশিনবদা শৌগৎপগী পূক্নিং-ৱাথল চেনবা, তুংকোইনা চৎকদবা চাওথৎপা অমসুং হিংবা অমসুং মালেমগী অফ-নুংঙাইদা, মদুনা মালেমগী লৈবাকচা অমা ওইববু তশেংনা উথোকপা ভারতকী মী অমা ওইবগী তশেংনা চাউথোকচবগী ৱাথল চেলহনবনি।

## শরুক I: স্কুল থাক্কী মহৈ-মশিং

থৌশিল অসিনা মঙলিবদি স্কুলগী মহৈ-মশিংদা ১০+২ হায়বা হৌজিক চৎনরিবা শাওঙসিবু চহী মতাং ৩-১৮বু কোনশিনবা তম্বীরোলগী (পেডাগোজিকেল) অমসুং তম্ন-হীরম (করিক্যুলম) শিংগী ৫+৩+৩+৪ হায়বা অনৌবা মওংদা শেমদোকপনি, মসিমক মহুৎ শিল্লিবা শক্তমদা অমসুং মতূংগী পন্দুপ ৪দা শন্দোক্লা অমসুং কূপথনা উৎলি।




ক্লাস ১ তম্বসি চহী ৬ তগী হৌবনিনা, হৌজিকমক্তি চহী মতাং ৩-৬কী অঙাংশিংসি ১০+২ হায়বা শাওঙসিদা য়াওদে। অনৌবা শাওঙ ৫+৩+৩+৪ অসিদা, চহী ৩ দগী হৌরগা নৌরিবা অঙাং ওইরিঙৈবু য়েংবীবা অমসুং মহৈ-মশিং (আর্লি চাইল্ড কেয়ার এণ্ড

ইডুকেশন, ই সি সি ই) হায়বসিসু হকচিন্না তঙাইফদবা ওইনা য়াওরে; মসিনা হেন্না ফবা মওংদা তম্বা, চাউথৎপা অমসুং অফ-নুংঙাইবু থৌগৎপদা পান্দম্বনি।

## 1. নৌরিবা অঙাং ওইরিঙৈবু য়েংবীবা অমসুং মহৈ-মশিং: মহৈ-মশিংগী হৌফম

**1.1.** অঙাং অমগী থোপনা অপূনবগী ওইনা চাউথৎপগী ৮৫%গী মথক্তি চহী ৬ য়ৌদ্রিঙৈদা ওই, মসিনা তাক্লিবদি থোপপু চাউথৎহনবা অমসুং মশা ফবা ওইহন্নবগীদমক চহী ঙল্লিঙৈদা মতীক চানা চেকশীনবা অমসুং য়াকায়হনবা হায়বসিগী য়াম্না হকচিন্না মরুওইবদু উৎলি। হৌজিকমক্তি, মতীং লৈবা ই সি সি ই অসি নৌরিবা অঙাং ক্রোর কয়াদা, অকক্লনা শেল-থুমগী অমসুং থুন্নাইগী ওইনা থুদোংচাদবা হৌরকফমদগী লাকপা অঙাংশিংদা ফংদ্রি। ই সি সি দা কন্না মীৎয়েং থাদবনা নৌরিবা অঙাং পূন্নমক অসিগুম্বদা চঙবা ঙম্নবগী মঙল লৈ, মসিনা মথোয়বু পুন্সি চুপ্পা মহৈ-মশিংগী কাঙলোনদা শরুক য়াবা অমসুং ফগৎলকপা ঙমহনগনি। অসুম্না, পূন্নমক্কী ওইনা নৌরিবা অঙাংবু মতীং লৈনা শেমগৎপীবা, চেকশিন্না য়েংবীবা, অমসুং মহৈ-মশিং তম্বীনবা থৌরাংবসি থাক/গ্রেড ১দা চঙলক্লিবা মহৈরোয় পূন্নমক স্কুলগীদমক শেম-শাবদু শোয়দনবা য়ারিবমথৈ থুনা, ইং ২০৩০ দগী থেঙথদনা, ফংনগদৌবনি।

**1.2.** ই সি সি ই গা চূননা য়াওরিবশিংদি হন্দোক-হনজিন য়াবা, মায়ওঙ য়াম্বা, থাক য়াম্বা, শান্ন-শান্ননা তৌবা, থবক ওইনা তৌবা অমসুং হংবদা তাকপীবগী মওংদা তম্বীবা, ময়েকশিং, লোলশিং, মশীংশিং, মশীং থীবা, মচুশিং, কা মনুং অমসুং মপান্দা শান্নবা, পাথোঙশিং অমসুং চুপ্পা থনবা, ৱারুশিং (প্রাব্লমশিং) অমসুং ৱাহন তৌবা, লাই য়েকপা, মচু শঙবা অমসুং অতৈ য়েংনবা মশকশিং, থূৎহৈলোন (ক্রাফ্ট), কূশ্মৈ অমসুং লাইধী শাবা, ঈশৈ অমসুং শাথেক তম্বা। মসিনা থুন্নাইগী থৌদাংশিং শেমগৎপদা মীৎয়েং চঙবা, মীনা করি থনখিগদগে থঙবা, অফবা শাজৎ, নোল্লুকপা, অচুম-অরান থঙবা, ইশাগী অমসুং ময়ামগীদমক লূ-নানবা, পূন্না তৌমিন্নবা অমসুং মতেং পাংনবসু য়াওগদৌবনি। ই সি সি ই গী অপূনবা পান্দমদি হকচাং লেঙ-ওৎপা হেনগৎহনবা, থঙবা হেনগৎহনবা, থুন্নাইগী-পূক্নিংগী-অচূম-অরানগী ৱাখল চাওথৎহনবা, চৎনবী/ য়েক-থোৎপদা চাওথৎহনবা অমসুং পাউ ফাওদোক্নবা অমসুং অহানবা লোল, থোরীরোল অমসুং মশীং-চৎপা হায়বা লমশিংদা (ডোমেনশিংদা) থ্বাইদগী ফরবা পোলোইগী মহৈ পুথোকপনি।

**1.3.** চহী ৮ ফাওবগী নৌরিবা অঙাং ওইরিঙৈবু য়েংবীবা অমসুং মথোয়গী মহৈ-মশিংগীদমক লৈবাক্কী তম্ন-হীরমশিং অমসুং তম্বীরোলগী থৌয়াৎৱা (এ নেশনেল করিকুলর এণ্ড পেডাগোজিকেল ফ্রেমৱর্ক – এন সি পি এফ ই সি সি ই) অমা এন সি ই আর টি না, মথক্কী লমজিংৱাশিং, ই সি সি ই গী মরমদা থিজিনবদা ফংবশিং অমসুং লৈবাকসিগী অমসুং মালেমগী থ্বাইদগী ফবা চৎনলোনগা চান্ননা, শরুক অনী থোক্না পুথোক্লগনি, মীং ওইনা পল্লবদা, চহী ০-৩ ফারবশিংগী থৌয়াৎৱা-মচা অমা অমসুং চহী ৩-৮ ফারবশিংগী থৌয়াৎৱা-মচা অমা। অকক্লনা, ফিরেপলোনশিং (আর্টস), ৱারীশিং, শৈরেংশিং, মশান্নশিং, ঈশৈশিং অমসুং মসিদগী হেনবশিং য়াওবা ই সি সি ই গী লীশিং কয়াদা শাগৎলকপা মফম মফমগী মশীং য়াম্লবা, ইনাকথুল্লবা ভারতকী থুন্নাইরোলবু মতাং চানা হাপচিনগনি। থৌয়াৎৱা অসিনা মমা-মপাশিং অমসুং নৌরিবা অঙাং ওইরিঙৈবু য়েংবীবা অমসুং মথোয়গী মহৈ-মশিংগী লৈরিবা মহৈকোলশিংবু লমজীংবা অমা ওইগনি।

**1.4.** পূন্নমক কোনশিল্লবা পান্দমদি অৱাংবা তীঙগী ই সি সি ই দা মী পূন্নমকপু লৈবাক শীন্নুংনা, তাঙ্কক নাইনা চঙফম পীববু শোয়হন্দবদুনা ওইগনি। অথন্নবা মীৎয়েং অমসুং অহান-অকোন অদুদি মরুওইনা থুন্নাই-শেন্মীৎলোনগী ওইনা শোথরবা পানাশিং অমসুং মফমশিংদা অতম্ননা পীগনি। ই সি সি ই অসি (অ) মতোমতা লৈবা অঙ্গনৱাদিশিং; (আ) প্রাইমরি মহৈকোলশিংগা মফম অমত্তদা লৈমিন্নবা অঙ্গনৱাদিশিং (ই) হৌজিক লৈরিবা প্রি-প্রাইমরি মহৈকোলশিংগা লৈমিন্নরিবা য়ামদ্রবদা চহী ৫দগী ৬ ফাওবগী অঙাংশিং য়াওবা প্রি-প্রাইমরি মহৈকোলশিং অমসুং (ঈ) মতমতা লৈবা প্রি-প্রাইমরি মহৈকোলশিং য়াওবা নৌরিবা অঙাং ওইরিঙৈবু য়েংবীবা অমসুং মহৈ-মশিংগী মহৈকোলশিংগী মশক থোক্না চাউথোকহল্লবা অমসুং মপাঙ্গল কনথৎহল্লবা কাঙলোন অমবু পীহনগনি - মথোয় পূন্নমক্না ই সি সি ই গী তম্ন-হীরমশিং অমসুং তম্বীরোলদা অথন্ননা তম্লুরবা ওজাশিংবু/থৌমীশিংবু থবক হাপকনি।

**1.5.** পূন্নমক্কী ওইনা ই সি সি ই দা চঙবা য়ানবগীদমক, অঙ্গনৱাদি মফমশিংবু মতীং লৈবা মচাক-মথুমশিং, শান্নবগী মচাকশিং অমসুং নীংথিনা তম্লুরবা অঙ্গনৱাদি থৌমীশিং/ওজাশিংনা মপাঙ্গল কনথৎহনগনি। অঙ্গনৱাদি থুদিংমক্কী নীংথিনা নুংশিৎ-নুংশা চঙবা, নীংথিনা মওং নাইবা, অঙাংনা হৈনজবা অমসুং মহৈ তম্বদা নুংঙাইবা য়ুম লৈগনি। অঙ্গনৱাদি মফমশিংগী অঙাংশিংনা মশা থীংনা চথোক-থোত্তোকনি অমসুং মথোয়না মফমদুগী প্রাইমরি মহৈকোলশিংগী ওজাশিং অমসুং মহৈরোয়শিংগা উনগনি, মশানা মথোয়না অঙ্গনৱাদিগী মফমশিংদগী প্রাইমরি মহৈকোলশিংদা হোংবদা কোমহনগনি।

অঙ্গনৱাদিশিংবু স্কুলশিং/মখোয়গী লূপশিং ওইহন্নবা মপূং ফানা পূনশিনগনি, অমসুং অঙ্গনৱাদিগী অঙাংশিং, মমা-মপাশিং অমসুং ওজাশিংবু মহৈকোলগী/মহৈকোল লূপশিংগী থৌরমশিংদা বার্তোন তৌগনি অমসুং ওন্থোক্কবা থৌরমশিংদসু তৌগনি।

**1.6.** অঙাং থুদিংমক্না চহী ৫ ফাদ্রিঙৈদা ই সি সি ই গী মতীক চারবা ওজা অমা লৈবা “শেম-শানবা থাক (প্রিপরেটরি ক্লাস) ” নৎত্রগা “বালাভাটিকা” (হায়বদি, ক্লাস ১গী মমাঙ) দা য়ৌগনি হায়না মঙলি। শেম-শানবা থাক্তা তম্নবশিংদু অয়াম্বনা খঙবগী, পূক্নিং-ৱাখলগী, অমসুং খঙন-লেঙ-ওৎপগী থৌঙমশিং (কোগ্নিটিভ, এফেক্টিভ এণ্ড সাইকো-মোটোর এবিলিটিজ) অমসুং অহৌবগী ময়েক-চৎনবগী অমসুং মশীং-চৎনবগী পান্দমদা শান্ন-শান্ননা তম্বদা মায় ওনশিনবা ওইনা হৌগনি। প্রাইমরি স্কুলশিংদা লৈবা প্রিপরেটরি ক্লাসশিংদা নুংথিল-চরা পীনবগী থৌরমসু য়াওগনি। অঙ্গনৱাদি কাঙলোন্দা ফংবা হকশেলগী ফিভম চাং নাইনা য়েংবা অমসুং চাউ-শাংবা য়েংশিনবগী থবক্কু অঙ্গনৱাদিগী প্রিপরেটরি ক্লাসকী মহৈরোয়শিং অমসুং প্রাইমরি স্কুলশিংগীদসু ফংহনগনি।

**1.7.** অঙ্গনৱাদিশিংদা য়াম্না মতীং লৈবা ই সি সি ই ওজাশিংগী অহানবা মরোল (কাডর) অমা শেমগৎনবা এন সি ই আর টি না শেম্বা তম্ন-হীরমশিং/তম্বীরোলগী থৌয়াৎৱা অদু ইন্দুনা হৌজিক লৈরিবা অঙ্গনৱাদি থৌমীশিং/ওজাশিংবু মওং-মরীল তাবা থৌরাং অমগী মখাদা তাকপী-তম্বীগনি। ১০+২ অমসুং মসিগী মথক্কী মহৈগী থাক লৈবা অঙ্গনৱাদি থৌমীশিং/ওজাশিংবু থা ৬কী হৈতাকচে প্রোগ্রাম (সর্টিফিকেৎ প্রোগ্রাম) অমা পীগনি; অমসুং মহৈ থাক অসিগী মখাদা লৈবশিংবু নৌনা ময়েক-চৎপা, মশীং-চৎপা অমসুং ই সি সি ই গী অত�ৈ মরী লৈনবা মায়ওনশিং থুংনা য়াওবা চহী অমগী ডিপ্লোমা প্রোগ্রাম অমা পীগনি। থৌরমশিংসি DTH চেনেলশিং অমসুং স্মার্টফোনশিং শীজিন্নদুনা ডিজিটেল/ডিষ্টেন্স মোডনা চত্থবা য়াই; মসিনা ওজাশিংবু মখোয়না তৌরিবা মথৌশিংদা য়ারিমথৈ য়েত্তনা ই সি সি ই মহৈ-থাকশিং অদু ফংহনবা য়াই। অঙ্গনৱাদি থৌমীশিং/ওজাশিংবু ই সি সি ই তাকপীবদু স্কুল ইডুকেশন ডিপার্টমেন্টকী ক্লষ্টর রিসোর্স সেন্টরশিংনা শেন্নগনি, মখোয়দুনা হৈলেপ্পবগীদমক (এসেসমেন্টকীদমক) লেপ্তনা থা থুদিংগী য়ামদ্রবদা অমুরক উনদুনা কন্টেক্ট ক্লাস লৌগনি। অশাংবা মতমগী ওইনদি, ষ্টেট লৈঙাক্না নৌরিবা অঙাং ওইরিঙৈবু য়েংবীনবগী অমসুং মহৈ-মশিংগীদমক শিনফমসিদা হৈরবা তম্বীরোয়শিংগী মরোলশিং (কাডর্স ওফ এজুকেটর্স) শেমগনি, মসি মতাং-মতাংগা চান্ননা শিনফমদুগী ওইনা তম্বীদুনা, শেমগৎপীনবা থৌপাঙশিং ফংহন্দুনা, অমসুং কাজখিবা য়ানবা লম্বী শেম্বীদুনা তৌগনি। হায়রিবা তম্বীরোয়শিং অসিনা শিনফমসিগীদমক অহানবগী শেম-শাবদা চঙবা মথৌ তাবশিং অমসুং মখোয়না শিনফমসিদা লিরিননা চাওখৎনবা থুদোংচাবশিং (কন্টিন্যুঅস প্রোফেশনেল ডিভেলপমেন্ট, সি পি ডি) শেমগনি।

**1.8.** ই সি সি ই অসি য়েলহৌমীনা নম্না তাবা মফমশিংদা লৈবা আশ্রমশালাশিংদসু হৌদোক্কনি অমসুং মদুদা মহৈ তম্বগী অতোপ্পা মওং পূম্নমক্তা তাঙ্কক-তাঙ্কক নাইনা পায়খৎকনি। আশ্রমশালাশিং অমসুং অতোপ্পা মওংগী মহৈ-তম্ফমশিংদা ই সি সি ই পূনশিনবা অমসুং চৎনহনবগী থৌওংদু মথক্তা শন্দোক্লা হায়খিবশিংদুগা মান্নগনি।

**1.9.** ই সি সি ই তম্ন-হীরমশিং অমসুং তম্বীরোলগী থৌদাংদি এম ঐচ আর ডি দা লৈগনি, মসি মাগী প্রাইমরি স্কুলদগী য়েংদুনা প্রি-প্রাইমরি স্কুলগা মরী তৎনদবদু শোয়হন্দনবনি অমসুং মহৈ-মশিংগী হৌরকফমগী মায়ওন্দা লৌফম থোকপা পূক্নিং চঙবদুসু শোয়হন্দনবনি। নৌরিবা অঙাং ওইরিঙৈবু য়েংবীবা অমসুং মহৈ-মশিংগী তম্ন-হীরমশিংগী থৌরাং-শীনবা অমসুং চৎনহনবদি ঐচ আর ডি, ৱিমন এণ্ড চাইল্ড ডিভেলপমেন্ট (ডব্লিউ সি ডি), হেল্থ এণ্ড ফেমিলি ৱেলফেয়র (ঐচ এফ ডব্লিউ), অমসুং ট্রাইবেল এফেয়রশিং (টি এ) গী পোংবশঙ (মিনিষ্ট্রি) শিংনা পূন্না পাঙথোকমিন্নগনি। নৌরিবা অঙাং ওইরিঙৈবু য়েংবীবা অমসুং মহৈ-মশিংবু স্কুলদা পূনশিনবগী থবক্কু তনান-তনান তৌবদা লেপ্তনা পাউতাক পীনবা অথন্নবা থবক্কী থৌরূপ (স্পেশল টাস্ক ফোর্স) অমা শেমগনি।

## 2. হৌগৎলকপগী ময়েক-চৎপা অমসুং মশীং-চৎপা: মহৈ তম্বদা অথুবগী হান্না তঙাইফদনা চঙগদবা

**2.1.** ইবা অমসুং পাবা অমসুং মশীংশিংগী অহৌবগী থৌশিং হৈবা হায়বসি মতুং স্কুল তম্বা অমসুং পুন্সি চুপ্পা তম্বদা চঙবা অমসুং থাবা য়াদ্রবা মাঙজৌননা খঙগদৌবা য়ুম্ফম অদুনি। অদুম ওইনমক, লৈঙাক্না অমসুং লৈঙাক্কী নত্তবনা খিজিল্লুবনা তাক্লিবদি ঐখোয় হৌজিকমক মহৈ তম্বদা থুদোংথীবা অমা মায়োক্নরি হায়বসিনি: হৌজিকমক ইলিমেন্টরি স্কুলশিংদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগী অচৌবা শরুক অমদি – মশীংনা ক্রোর ৫গী মথক্তা, হৌরকপগী ময়েক-চৎপা অমসুং মশীং-চৎপা হায়বদু ফংবা ঙমদ্রি, হায়বদি, পাবা অমসুং অহৌবগী লাইরিকশিং খঙবা অমসুং ভারতকী শীংশকশিংদা (ন্যুমরেল্স) অহৌবগী তিনশিনবা অমসুং থাইদোকপা হৈদ্রি।

**2.2.** অঙাং পূম্নমক্না হৌরকপগী ময়েক-চৎপা অমসুং মশীং-চৎপা অসুম্না ঙম্লকপা হায়বসি মায়কৈ কয়াদা তশেং-তশেংবা পান্দমগা লোয়নননা অতেনবা মতমদা ফংহন্নবা (থাক/গ্রেড ৩ য়ৌরকপদা মহৈরোয় থুদিংমক্না হৌরকপগী ময়েক-চৎপা অমসুং মশীং-চৎপা য়াওনা) থুনমক লৌথৎকদৌবা লৈবাক্কী থৌদাং ওইরগনি। ইং ২০২৫ য়ৌরকপদা প্রাইমরি স্কুলশিংদা অপূনবগী ওইনা হৌরকপগী ময়েক-চৎপা অমসুং মশীং-চৎপা হায়বসি ফংবনা মহৈ-মশিংগী কাঙলোন অসিগী থ্বাইদগী হানগদৌবদুনি। মহৈ-মশিংগী থ্বাইদগী হৌফম ওইরিবা অহানবদা চঙগদৌবা (হায়বদি পাবা, ইবা, হৌরকপা থাক্কী চৈশিংলোন/এরিথমেটিক) অসি হান্না ফংলবতদা থৌশিল অসিগী অতৈ শরুক্তুদি ঐথোয়গী মহৈরোয়শিংগা শম্নবা ঙমগনি। মসি তানবা, হৌরকপগী ময়েক-চৎপা অমসুং মশীং-চৎপা ঙম্নবা লৈবাক্কী থৌদা অমা (এ নেশনেল মিশন ওন ফাউণ্ডেশনেল লিটরেসি এণ্ড ন্যুমরেসি) মীওইবগী লৌশিংথোক চাওখৎনবা পোংবশঙ (মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্স ডিভেলপমেন্ট) না হান্না পায়খৎকদৌবা ওইনা লিংখৎলগনি। মসিগী মতুংইন্না, তাঙ্কক, তাঙ্কক্কী পান্দমশিং অমসুং পন্থুংশিং থঙদোক্তুনা অমসুং তৌরিবা থবকশিংদু কূপ্না থিদোক্তুনা অমসুং কয়া য়াম্না য়াঙশিল্লিবগে হায়বদু পান্নদুনা মীপূম তিংবনা হৌরকপগী ময়েক-চৎপা অমসুং মশীং-চৎপা অসি প্রাইমরি স্কুল পূম্নমক্তা ফংহন্নবা ষ্টেট/য়ু টি লৈঙাকশিংনা থূদক্তা পায়খৎনবা থৌরাং অমা তৌরগনি।

**2.3.** অহানবদা, ওজাগী অহাঙবা ফমশিংবু - অথন্ননা থুদোংচাদবা শোথরবা মফমশিংদা অমসুং মহৈরোয়-গা-ওজাগগী শেনচাং (রেশিও) চাউবা নৎত্রগা লাইরিক হৈতবগী চাং ৱাংবা মফমশিংদা - অকক্নবা মতমগী মনুংদা থ্বাইদগী থুনা মেনশিল্লগনি। মফম মফমদুগী ওজাশিং নৎত্রগা মফমদুগী লোল থঙবশিংদু হাপ্পনবা অথন্নবা পূক্নিং চঙগনি। স্কুল থুদিংগী থাক্তা ৩০:১ গী মথাদা লৈবা মহৈরোয়-গা-ওজাগগী শেনচাং (পুপিল-টিচর রেশিও, পি আর টি) অমা শোয়হন্দনবা তৌগনি; থুন্নাই-শেন্মীৎলোন থুদোংচাদবা মহৈরোয়শিং য়াম্না লৈবা মফমশিংনা পি আর টি অদু ২৫:১গী মথাদা লৈহন্নবা পান্দমগনি। হৌগৎলকপগী ময়েক-চৎপা অমসুং মশীং-চৎপা ঙমহন্নবা শিনফমসিগী লেপ্তনা চাওথৎলক্লিবশিং শীজিন্নদুনা ওজাশিংবু অথন্ননা তম্বীগনি, থৌগৎপীগনি অমসুং শৌগৎপীগনি।

**2.4.** তম্ন-হীরমশিংগী ৱাফমদদি, হৌগৎলকপগী ময়েক-চৎপা অমসুং মশীং-চৎপদা - অদুগা অপূনবগীনা, পাবা, ইবা, ঙাংবা, মশীং থীবা, চৈশীংলোন/এরিথমেটিক, অমসুং অঙ্কগী ৱাথল চেলহন্নবা - শেম-শানবা থাক (প্রিপরেটরি ক্লাস) অমসুং মিডল স্কুলগী তম্ন-হীরমশিং পূম্নমক্তা হেন্না পূক্নিং থিংজিনগনি, মসিদা অকনবা, লীশাং শীৎনা চথবা তম্বীরিঙৈ মনুংদা চাং নাইনা হৈলেপ্পা/লৌশিল্লকপা হৈলেপ্পগী (ফোর্মেটিভ/এডাপ্টিব এসেসমেন্ট) কাঙলোন অমনা শীন্থুংনা মহৈরোয় থুদিংমকপু য়েংনবা অমসুং মথোয় অমমমগী হৈজবদু খঙদোক্নবা থিগনি। মহৈরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎনবা অমসুং থৱায় য়াওহন্নবগীদমক নুমিৎ থুদিংগী পূং খরা অমসুং চহী চূপ্পগীনা মতম নাইনা হীরমশিংসি য়াওবা থৌপাঙশিংদা কৎথোক্কনি। ওজাশিংগী মহৈ-মশিং অমসুং হৌরকপা থাক্কী তম্ন-হীরমশিং অনীমক হৌগৎলকপগী ময়েক-চৎপা অমসুং মশীং-চৎপদা নৌহৌননা মায়পুননবা অমুক হন্না শকলেপকনি।

**2.5.** হৌজিক্কিদি, মীপূম তিংনা ই সি সি ই দা চঙবা য়াদ্রিবনিনা অঙাংশিংগী য়াম্লবা শরুক অমদি থাক/গ্রেড ১গী অহানবা চয়োল থরদা হৈগদৌবা অদুগী মথাদা হান্ননা তাদুনা লৈরে। অদুনা, মহৈরোয় পূম্নমক স্কুলগীদমক শেম-শারে হায়বসি শোয়হন্দনবা মতম থরগী ওইবা থাক/গ্রেড ১গী মহৈরোয় পূম্নমক্কীদমক য়েকলূপশিং (এল্ফাবেটস), মথোলশিং, ৱাহৈশিং, মচুশিং, মওংশিং অমসুং মশীংশিং হৈবগা শাগোন্নবা থৌপাঙশিং ওইনা অমসুং থৌপাঙ-লাইরিকশিং (ৱর্কবূক্স) ওইনা থা-থাগী শান্ন-শান্ননা তৌগদৌবা "স্কুলগীদমক শেম-শানবা পান্দোঙ (স্কুল প্রিপরেশন মোড্যুল) " হায়বা অমা লেংমান্নবশিং অমসুং মমা-মপাশিংগা তান্ন-তীক্নদুনা এন সি ই আর টি অমসুং এস সি ই আর টি শিংনা পুথোক্কনি।

**2.6.** হৌরকপগী ময়েক-চৎপা অমসুং মশীং-চৎপগী ওইনা অৱাংবা তীঙগী মথোকশিংগী ওইবা লৈবাক্কী ওইবা ঙাথফম (নেশনেল রিপোজিটরি ওফ হাই-ক্বালিটি রিসোর্সেস) অমা ডিজিটেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফোর নোলেজ শ্যেরিং (ডি আই কে এস ঐচ এ/DIKSHA) দা ফংহনগনি। ওজাশিংদা মতেং ওইনা মথৌ তৌনবা অমসুং ওজাশিং অমসুং মহৈরোয়শিংগী মরক্তা লৈবা য়াবা লোলগী পনশিংদু লান্দুনা শম্নবদা মতেং পাংনবা শিনশালোনগী থূৎ চঙবশিং (টেক্নোলোজিকেল ইন্টরভেনশন্স) অদু মায়োঙ লেপকনি অমসুং পাঙথোক্কনি।

**2.7.** হৌজিক লৈরিবা মহৈ তম্বদা থুদোংথীরিবগী থাকসিনা মরম ওইদুনা, হৌরকপগী ময়েক-চৎপা অমসুং মশীং-চৎপবু মীপূম তিংনা ফংবা হায়বা থৌদাসি পাঙথোক্লিবা ওজাশিংবু তেংবাঙনবা ফংবা য়াবা থৌওং পূম্নমক থিদোক্কনি। মালেম শীনবদা নৈনবদা ফংলকপনা উৎলিবদি অমনা-অমদা-লেংগা মশেল তাক্নবা (ৱান-টু-ৱান পিয়র ট্যুটরিং) অদুনা তম্লিবদু খঙ-হৈহনবতা নত্তনা তাক্লিবদুসু হৈবদা য়াম্না কান্নে হায়বসিনি। অসুম্না, অথন্ননা তম্লুরবা ওজাশিংগী মথাদা অমসুং শোয়দ-ঙামদনবা হায়বগীসু য়েংলগা লেংগা মশেল তাক্নবা হায়বসি মমান্নবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা মশানা য়াজনা অমসুং নুংঙাইবা

মওংগী থৌপাঙ অমা ওইনা লৌখৎপা য়াই। অসিগী মথক্তা, অচৌবা থৌদৌসি পাঙথোকপদা - মফমদুগী কোল্লুপ্তগী অমসুং মদুগী ৱাংমদগী - অথন্ননা তম্লুরবা মশানা থাক্লকপা থৌরোয়শিং (ট্রেইণ্ড ভোলুন্টিয়র্স) য়াওহনবসু য়াম্না হেন্না লায়হনগনি। মীয়াম কোল্লুপ অদুগী ময়েক-চৎপা মীওই খুদিংমক্না মহৈরোয়/মীশক অমবু কমদৌনা পাগদগে হায়বদু তম্বীবদা য়াওশিনবা য়াই, মসিনা লৈবাকসিগী তাইবং (লেণ্ডস্কেপ) বু য়াম্না থুনা হোংহনগনি। ষ্টেটশিংনা অসিগুম্বা লেংগা মশেল তাক্লবা অমসুং মশানা থাক্লকপা থৌরোয়শিং য়োকখৎনবা অনৌ অনৌবা হৌদোক্লমগী ওংতমশিং (ইন্নোভেটিভ মোডেলশিং) লিংখৎনবগী খন্নবা য়াই, লোয়ননা, হৌরকপগী ময়েক-চৎপা অমসুং মশীং-চৎপবু থৌগৎনবা তৌরিবা লৈবাক শীনবা থৌদাসিদা মহৈরোয়শিংবু শৌগৎনবা অতৈ থৌরমশিং লৌখৎপা য়াই।

**2.8.** থাক পূম্নমক্কী মহৈরোয়শিংনা পাবা নুংঙাইবা অমসুং পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওইবা লাইরিকশিং, ভারতকী লম লমগী লোলশিংদা তীঙ ৱাংনা হন্দোকপশিং (মথৌ তারবদি শিনশালোন শীজিন্নবা) য়াওনা, পুথোক্কনি অমসুং স্কুলশিংদা অমসুং মীয়ামগী লাইরিকশঙশিংদা মরাং কায়না ফংহনগনি। লৈবাক শীন্থুংবদা লাইরিক পাবগী হৈনবী অমা শাগৎনবা মীয়ামগী অমসুং স্কুলগী লাইরিকশঙশিং মশক থোক্লা চাউথোক্কনি। ডিজিটেল লাইরিকশঙশিংসু লিংখৎকনি। স্কুল মতম নত্তবদা মীয়াম কোল্লুপ অদুনা শীজিন্নবা য়ানবা স্কুলগী লাইরিকশঙশিং - অথন্ননা খুঙ্গঙশিংদা - লিংখৎকনি, অমসুং মীয়াম হুপ্না মথা তানা লাইরিক পাবগী হৈনবী শন্দোক্লবা অমসুং খুদোংচাহন্নবা বূক ক্লবশিংনা মীয়ামগী/স্কুলগী লাইরিকশঙশিংদা উনবা য়াই। লৈবাক পূম্বগী লাইরিকপু থৌগৎপা থৌশিল অমা (এ নেশনেল বূক প্রোমোশন পোলিসি) শেমগনি, অমসুং লম পূম্নমক, লোল পূম্নমক, থাক পূম্নমক অমসুং খোরীরোলগী মখল পূম্নমক শীন্না ফংহনবা, চঙবা য়াবা, তীঙ লৈবা, অমসুং লাইরিক পাবা মী হেনগৎহনবা হায়বশিংসি শোয়হন্দনবা পাক-শনবা থৌহৌশিং লৌখৎকনি।

**2.9.** অঙাংশিংনা নীংথিনা চাদ্রবা নৎত্রগা মশা-মউ ফত্রবদি মখোয়না হৈবা য়াবা থাক্তু য়ৌনা হৈবা ঙমদে। মরম অদুনা, মশা ফগদৌবা চরাশিং অমসুং নীংথিনা তম্লুরবা থুন্নাইগী থৌমীশিং, লমজীংবশিং, অমসুং থুন্নাইদুমক স্কুলগী কাঙলোনসিদা পুশিল্লক্তুনা অঙাংশিংবু পীজ-পীথকপা অমসুং মশা-মউ ফহনবগী থবক (ৱাথলগী য়াওনা) সি য়েংশিনগনি। অসিগী মথক্তা, থিজিনবনা উৎলে মদুদি মচি ওইগদবা চীঞাক্তু চরা ৱাল্লবা মতুংদা অয়ুক্কী পূংজাশিংসি অকক্লনা হেন্না কূপথনা থঙবগী মথৌ তাবা হীরমশিং নৈনবগীদমক ৱাখল থোকই হায়বসিনি, অদুনা নুংথিলগী চরা (মিডডে মীল) গী মথক্তা অচম্বা অদুবু মশা কনখৎহনগদৌবা চীঞাক্লা চরা ৱালহন্দুনা অয়ুক্কী পূংজাশিংগী কান্নবদু লৌবা য়াই। অশাবা চরা ফংদবা মফমশিংদা, অচম্বদি ওইবা অদুবু মশা কনখৎকদৌবা চরাশিং, খূদম ওইনা, চিনি অঙাংবা তোৎলবা লৈবাক-হৱাই/চানা অমসুং/নৎত্রগা মফমদুগী উহৈশিং পীজবা য়াই। অকক্লনা স্কুলশিংদা ১০০% তিকা থাদোক্লবগীদমক স্কুলগী অঙাং পূম্নমক মতম নাইনা মশা-মউগী ফিভম য়েংথোকপগী থবকশিং পায়খৎকদৌবনি, অমসুং মদু শেন্ননবা হকচাংগী ফিভম তাকপা চে (হেল্থ কার্ডস) পীগদবনি।

## 3. লাইরিক তম্বা তোকখিবগী চাং হন্থহনবা অমসুং থাক খুদিংমক্তা মীপূম তীংনা মহৈ-মশিং তম্বা য়াহনবা

**3.1.** স্কুলশিংগী কাঙলোন অমা লৈবগী অহানবা পান্দমশিংগী মনুংদা অমদি অঙাংশিংবু মীং চলহনবা অমসুং মখোয়না স্কুল কাববু শোয়হন্দবনা ওইগদৌবনি। সর্ব শিক্ষা অভিয়ান (হৌজিক্লা সামাগ্র শিক্ষা কৌবা) অমসুং ডি রাইট টু ইডুকেশন এক্ট, ইন্দিয়া অসিগুম্বা থৌহৌশিংনা কুইদ্রিবা চহীশিংদা ভারতনা মীপূম তিংবা মান্না হৌরকপগী মহৈ-মশিং (ইলিমেন্টরি ইডুকেশন) গীদমক মীং চনবগী পান্দম ফংবদা শকখঙবা য়াবা থোঙথাংশিং লৌখৎখ্রে। অদুম ওইনমক, মথংগী থাকশিংগী অথোম-ৱারোল (ডেটা) না স্কুলগী কাঙলোনসিদা অঙাং লৈহনবদা অরুবা ৱাহৌশিং লৈ হায়বা উৎলি। থাক ৬-৮ গী জি ই আর অদু ৯০.৯%নি, অমরোমদনা, থাক ৯-১০ অমসুং ১১-১২ গীনা মথংশীৎনা ৭৯.৩% অমসুং ৫৬.৫% থক্তনি - মসিনা তাক্লিবদি মীং চল্লবা মহৈরোয়শিংগী থন্ননীংঙাই ওইবা শরূক অমদি থাক ৫গী মতুংদা অমসুং মরুওইনা থাক ৮গী মতুংদা লাইরিক তম্বা তোকখি। এন এস এস ও না ২০১৭-১৮দা পাঙথোকপা ৭৫শুবগী য়ুমথোঙ য়ুমথোঙ চঙদুনা থীবগী মতুংইন্না, চহী ৬তগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা লৈবা স্কুল কাদবা অঙাংগী মশীংসি ক্রোর ৩.২২নি। হায়রিবা অঙাংশিংসি মহৈ-মশিংগী লম্বীদা য়ারিবথৈ থুনা অমুক পুশিল্লক্লবা, অমসুং ইং ২০৩০দা স্কুল তমদ্রিঙৈ (প্রিস্কুল) দগী সেকেণ্ডরি থাক ফাওবদা গ্রোস এনরোলমেন্ট রেশিও ১০০%গী পান্দম ফংহন্দুনা মথা তানা অঙাংশিংনা মহৈ তম্বা তোকখিবা থিংনবা ইহান হান্না তৌগদৌবা থবক অমনি। স্কুল তমদ্রিঙৈ (প্রি-স্কুল) দগীনা থাক ১২ ফাওবগী লৈবাকসিগী অঙাং পূম্নমক্তা মপূং ওইনা তীঙলৈবা মহৈ-মশিং -শিনফমগী মহৈ-মশিং (ভোকেশনেল ইডুকেশন) য়াওনা - ফংনবগী খুদোংচাবদুদা মীপূম তীংনা চঙবা অমসুং তম্ববু শোয়হন্দনবা লৈবাক্কী ওইবা অপূনবা থোঙজং অমা শীনগনি।

**3.2.** স্কুল থাদোকখ্রবা অঙাংশিংবু স্কুলদা অমুক হন্না পুশিল্লক্লবা অমসুং মথা তানা স্কুল থাদোকখিদনবা পূন্না য়েংবদা লৌখৎকদৌবা থৌহৌ অনী লৈ। অহানবদা, প্রি-প্রাইমরিদগী থাক-১২ ফাওবগী মহৈরোয় পূম্নমক শোয়নীংঙাই লৈতবা অমসুং

মথৌ চিনবা স্কুলগী মহৈ-মশিং (স্কুল ইডুকেশন) দা চঙবা য়ানবা থৌপাঙগদৌবা অমসুং কোন্নগদৌবা মচাক-মথুম পীবনি। তাঙ্কক খুদিংদা চাং নাইনা অথন্ননা তন্নুরবা ওজাশিং পীবগী মথক্তা, স্কুল অমত্তদা মচাক-মথুমগী মতেংশিং ৱাত্তুনা লৈতবদু শোয়দনবা অথন্নবা চেকশিন-থৌরাং লৌথৎকনি। লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মীয়ামগী থাজবদু নৌনা শাগৎকনি অমসুং হায়রিবসি ফংগদৌবদি হান্না লৈরবা স্কুলশিংবু থাক ৱাংথৎহনবা অমসুং চাউথোকহনবা, হান্না স্কুল লৈরমদবা মফমশিংদা মতীঙ লৈবা অহেনবা স্কুলশিং শাবা অমসুং শোয়দ-ঙাল্লোইদৌবা অমসুং ওইগদৌবা মওংদা থিন্দোক-থিনজিন তৌবা, অমসুং/নৎত্রগা য়ুমশকশিং (হোষ্টেলশিং), অথন্ননা নুপীমচাশিংগীদমক পীবনি অমসুং মসি অঙাং পূন্নমকপু চান-চানবা থাকশিংদা মতীঙ লৈবা স্কুলদা কাবা অমসুং মহৈ তম্বা ফংনবগীনি। থুল হোংলকপা শিন্মীশিংগী অঙাংশিং অমসুং মরম কয়ামুক্তগী স্কুল থাদোকখ্রবা অঙাংশিংবু মহৈ-মশিংগী মরুওইরিবা ঈচেলসিদা পুশিল্লকপদু শোয়হন্দনবা মীচম থুন্নাইগা মতেং পাংনদুনা অতোপ্পা অমসুং অনৌবা মথলগী মহৈ-মশিংগী মফমশিং লৈহনগনি।

**3.3.** অনীশুবদুদি, মহৈরোয়শিংবু (অ) মমীং চলহনবা অমসুং স্কুল কাহনবা, অমসুং (আ) মথোয়না শোথহৌবশিংদু মেনথৎহনবা অমসুং মথোয়না স্কুল থাদোকখ্রবা ওইরগনা অমুক হন্না চঙবা য়ানবা চান-চূনবা খুদোংচাবশিংদু ফংহনবা হায়বশিংসি শোয়হন্দনবা মহৈরোয়শিংবু চেকশিন্না থিদোক্তুনা অমসুং মথোয়না হৈবগী থাকশিংদু খঙদোক্তুনা স্কুলদা মীপূম তিংনা শরুক য়াহনবগী পান্দমদু ফংবনি। চহী ১৮ ফাওবগী অঙাং পূন্নমক্তা হৌরকপা মতাং (ফাউণ্ডেশনেল ষ্টেজ) দগী থাক ১২ ফাওবগী মান্নবা মতীঙ লৈবা মহৈ-মশিং পীনবগীদমক চান-চূনবা খুদোংচাহনগদৌবা কাঙলোন অমা লৈহনগনি। লমজীংবশিং নৎত্রগা স্কুলশিং/স্কুলগা মরী লৈনবা কমপ্লেক্সশিংদা অথন্ননা তন্নুরবা থুন্নাইগী থৌমীশিং অমসুং ওজাশিংগা মহৈরোয়শিং অমসুং মথোয়গী মমা-মপাশিংগা লেপ্পা লৈতনা থবক তৌগনি অমসুং মীয়াম কোল্লুপ কয়ামুক থুংনা চৎকনি অমসুং মথোয়গা থূৎশন্নদুনা স্কুল কাবা য়াবা চহী মতাংগী অঙাং পূন্নমক স্কুল কারি অমসুং মহৈ তম্লি হায়বদু শোয়হল্লোইদবনি। সোশিয়ল জষ্টিস এণ্ড ইম্পৱর্মেন্টকী মীচম থুন্নাইগী লূপশিং/ লোয়শঙশিংদগী লাকপা, অমসুং ষ্টেট অমসুং পানাগী থাক্তা শোইনায়রবশিংবু কোনশিনবা লৈঙাক্কী থবক তৌরিবশিংদগী লাকপা অথন্ননা তন্নুরবা অমসুং মতীক চারবা থুন্নাইগী থৌমীশিংবু ষ্টেট/য়ু টি গী লৈঙাক্না লৌথৎপা অনৌবা শীনপাঙলমশিংগী মতেং পীদুনা, মরুওইরবা থবকসি পাঙথোকপদা মতেং পীনবা, স্কুলশিংগা শন্নবা য়াই।

**3.4.** স্কুল অমগী মতীক চাবা মচাক-মথুম অমসুং মদুগী থৌপাঙশিংদা য়াওবা হায়বসিবু অমুক্তং লৈখ্রবদি থৌপাঙশিংদু মতীঙ লৈহনবনা মহৈরোয়শিংদু লৈথহনবা ঙম্নবগী থোঙ হাংনবা শোজৈদু ওইগনি, অদুনা মথোয়না (অকক্লনা, থুন্নাইগী অমসুং শেল-থুমগী খুদোংচাদবা কাঙবুগী নুপীমচাশিং অমসুং মহৈরোয়শিংনা) স্কুল কাবদা পূক্নিং থৌগৎনবা কাঙলোন অমগী মথৌ তাগনি, মসিগা লোয়ননা হেন্না থবক তৌহন্নবা অমসুং কান্নবা পীনবা তম্ন-হীরমশিং অদু পূমশেম-শেমদোকপগী মথৌসু তাগনি।

**3.5.** থুন্নাই-শেন্মীৎলোনদা খুদোংচাদবা কাঙবুশিং (সোসিও-ইকোনোমিকেল্লি ডিসএডভান্টেজ গ্রূপস – এস ই ডি জিস) দা অথন্নবা পূক্নিং চঙদুনা, মহৈরোয় পূন্নমক্না তম্বদা খুদোংচাহন্নবা, চৎনবী-ইনবা (ফোর্মেল) অমসুং চৎনবী-ইন্দবা (নন-ফোর্মেল) মহৈ-মশিংগী মওং অনীসি য়াওবা মথল য়াম্বা মতৌশিংদা তম্বা য়াহন্নবা স্কুলগী মহৈ-মশিংগী মীৎয়েংসি পাকথোকহল্লগনি। মশানা স্কুল কাবা ঙমজদবা ভারতকী নহাশিংগী মহৈ তম্বদা চঙবশিংদু ফংহন্নবা নেশনেল ইন্সটিট্যুৎ ওফ ওপন স্কুলিং (এন আই ও এস) না পীবা ওপন এণ্ড ডিষ্টেন্স লর্নিং (ও ডি এল) অমসুং ষ্টেট ওপন স্কুলশিংনা হৌজিকমক চথরিবা থৌরমশিংগী মথক্তা মথাগী থৌরমশিংসিসু ফংহনগনি: চৎনবী ইনবা স্কুল কাঙলোন (ফোর্মেল স্কুল সিষ্টেম) গী ৩, ৫ অমসুং ৮ হায়বা থাকশিংগা থৌমান্নবা (ইক্বিভেলেন্ট) A, B অমসুং C হায়বা থাকশিং; ১০ অমসুং ১২ হায়বা থাকশিংগা থৌমান্নবা সেকেণ্ডরি মহৈ-মশিংগী থৌরমশিং (সেকেণ্ডরি ইডুকেশন প্রোগ্রামশিং) ; শিনফমগী মহৈ লম্বীশিং/থৌরমশিং; অমসুং অহলশিংবু ময়েক-চৎহন্নবা অমসুং হিংন-লম্বী ফগৎহন্নবা থৌরমশিং। ষ্টেট ইন্সটিট্যুৎস ওফ ওপন স্কুলশিং (এস আই ও এস) শিং নৌনা লিংথত্তুনা/হৌজিক লৈরিবসিসু মতীঙ হেনগৎহন্দুনা লম-লমগী লোলশিংদা মথক্তা পীরিবশিংসি শেমগৎনবা ষ্টেটশিংবু থৌগৎকনি।

**3.6.** লৈঙাকশিংগী অমসুং লৈঙাক্কী নত্তবা মীনুংশি লৈবশিংগী লূপশিংনা স্কুলশঙ শাবদা লায়থোক্লবা নাৎ/হিংনলোননা, লৈফম্না, অমসুং লৈরিবা মীওইশিংদুগী মান্নদবা মীরোলশিংনা মরম ওইদুনা মফম মফমগী থেন্নবশিংদু থৌগৎনবা, অমসুং মহৈ তম্বগী অতোপ্পা মওংশিংদু য়াহন্নবা স্কুলশিংগী চঙগদৌবশিংদা অথিংবশিংদু হন্থহনগনি। মহৈ তম্লগা ওইরক্কদৌবা অপাম্বশিংদুগীদমক মহৈ তম্ফমদা চঙলকপদা ওইগদৌবা মঙলদা ৱাৎনা অমসুং থোকখিবদা লৈগদৌবদুদনা হেন্না মীৎয়েং চঙগনি। পন্দুপ ৮দা হায়রিবা অদুগুম্না চঙলকপদা ওইগদৌবশিংদুগী কাঙলোনশিংদু মফম থরথক্তদা ওইগনি। লৈঙাক্না মীনুংশি লৈবশিংগা পূন্না শীনবগুম্বা (পব্লিক ফিলানেথ্রাপিক পার্টনরশিপ্স) স্কুলগী অতোপ্পা ওংতমশিং/মোডেলশিংসু মায়ওঙ লেপতুনা লৌথৎকনি।

**3.7.** মীয়াম কোল্লুপশিং অমসুং স্কুলশিংদুদগী হৌথিবা মহৈরোয়শিংনা মশা মশানা থোরক্তুনা স্কুলশিংসিদা অমনা-অমদা তাক্নবা; ময়েক চৎনবা তম্বীবা অমসুং অহেনবা মতেংগী মীফমশিং, মহৈ তাকপীরিবশিং অদুবু শৌগৎপীবা অমসুং লমতাকপীবা; শিনফমগীদমক লমতাকপীবা অমসুং মহৈরোয়শিংবু য়েংশিনবীবনচিংবা তৌদুনা মহৈ-মশিং তম্বদা থৄমাং চাওশিন্নবা হোৎনবদা য়াওশিনবীরক্নবা হোৎনগনি। মসিগী মতাংদা মশা-মউ ফরিবা অমসুং তীক তীক লাউরিবা অহল-লমনশিং (সিনিয়র সিটিজেন্স), স্কুলশিংদুদগী হৌথিবশিং, মীয়াম কোল্লুপতুগী মীশকশিংনা শৌগৎপীবদু মফম চানা লৌগনি। ময়েক-চৎলবা য়াওবীরকলোয়শিং (লিটরেট ভোলুন্টিয়রশিং), থৌথারবা চুপ্লৌশিংলোয়শিং (রিটায়র্ড সাইন্টিষ্টশিং) /লৈঙাক্কী/লৈঙাক-তংথায়গী থৌদারোয়শিং, তম্লম্বশিং (এলুম্নি), অমসুং তাকপী-তম্বীরোয়শিং (এজুকেটরশিং) গী অথোম-ৱারোল লৌফমশিং (ডেটাবেজশিং) বু থৌরেপ অসিগীদমক শেমগনি।

# 4. স্কুলশিংদা তম্ন-হীরমশিং অমসুং তম্বীরোল: তম্বা হায়বসি মপূং ওইবা, পূনশিল্লবা, নুংঙাইহনবা অমসুং য়াওশিনহনবা ওইগদৌবনি।

## ৫+৩+৩+৪ হায়বা অনৌবা শকলেপ অমদা স্কুল তম্ন-হীরমশিং অমসুং তম্বীরোলবু হন্না শেমদোক-শাদোকপা

**4.1.** স্কুল মহৈ-মশিংগী তম্ন-হীরমশিংগী অমসুং তম্বীরোলগী মওংসি মহৈরোয়শিংগী চহী মতাং হায়বদি মথংশীৎনা চহী ৩-৮, ৮-১১, ১১-১৪ অমসুং ১৪-১৮ হায়বসিগা চাননা মথোয়গী চাউথৎলকপগী তোঙান তোঙানবা মতাংশিংগা মরী লৈননা মহৌরোয়শিংগী মথৌ তাবশিং অমসুং অপাম্বশিংগা লোন্দিন্ননা অমসুং চূশিন্ননা অমুক হন্না মাইওন লেপকনি। স্কুল মহৈ-মশিংগী তম্ন-হীরমশিংগী অমসুং তম্বীরোলগী শাওঙ অমসুং তম্ন-হীরমশিংগী থৌয়াৎৱা (ফ্রেমৱর্ক) বু, মরম অসিনা, শাগৎপগী তাঙ্কক/ফাউণ্ডেশন ষ্টেজ (অনীথোক্লা, হায়বদি, অঙ্গনৱাডি/প্রি-স্কুলগী চহী ৩ + থাক/গ্রেড ১-২ গী চহী ২; অনীসিনা পূল্লগা চহী মতাং ৩-৮ কোনশিনবা, শেম-শাবগী মতাং/প্রিপরেটরি ষ্টেজ (থাক ৩-৫, চহী মতাং ৮-১১ কোনশিনবা), ময়ায়গী মতাং (মিডল ষ্টেজ) (৬-৮ থাকশিং, চহী মতাং ১১-১৪ কোনশিনবা), অমসুং সেকেণ্ডরি মতাং/ষ্টেজ (থাক ৯-১২সি মথাং অনী থোক্লা, হায়বদি, অহানবদা ৯ অমসুং ১০, অমসুং অনীশুবদা ১১ অমসুং ১২, চহী মতাং ১৪-১৮ কোনশিনবা) হায়বশিংসি য়াওবা ৫+৩+৩+৪ হায়বা শকলেপ অমনা লমজীংগনি।

**4.2.** হৌগৎলকপগী তাঙ্ককসিদা, পারা ১.২দা পনথিবগুম্না, হন্দোক-হনজিন য়াবা, থাক য়াম্বা, শান্ন-শান্ননা/থৌপাঙবদা য়েংবা মতম্বী অমসুং ই সি সি ই গী তম্ন-হীরমশিং অমসুং তম্বীরোলদু য়াওনা চহী মঙানা শাগনি। শেম-শাবগী তাঙ্ককসি (প্রিপরেটরি ষ্টেজ) শান্নবগী মহৈ-মশিং তম্বা, মশানা পুথোকচবা অমসুং হৌগৎলকপা তাঙ্কক্কী থৌপাঙবদা য়েংবা তম্বীরোলগী অমসুং তম্ন-হীরমশিংগী ওংদাদা চহী অহুম য়াওগনি, অমসুং পাবা, ইবা, ঙাঙবা, শাজেলগী মহৈ (ফিজিকেল ইডুকেশন), লাইয়েকপা (আর্ট), লোলশিং, চুপ্লৌশিং (সাইন্স) অমসুং অঙ্কগুম্বা নৈনচলশিং/ সবজেক্টশিং পূন্নমক কোনশিনবা থোঙফম চেৎপা য়ুম্ফম অমা থোন্নবা হেন্না চৎনবী ইনবা অদুবু তম্বীরিঙৈ মনুংদা তাথোক-তাশিন তৌবদা হেনবা মতম্বীগী মায়ওন্দা অরায়বা তম্ন-লাইরিকশিং (টেক্সবুকশিং) হাপচিনবা হৌরগনি। ময়ায়গী তাঙ্কক (মিডল ষ্টেজ) তা শেম- শাবগী তাঙ্কক্কী তম্বীরোল অমসুং তম্ন-হীরমশিংগী মওংদা শাগৎপা মহৈ-মশিংগী চহী অহুম য়াওগনি, অদুবু নৈনচল থুদিংদা ৱাখলগী নুংলোন (এবষ্ট্রেক্ট কন্সেপ্ট) দা হেন্না তম্বা অমসুং থন্ননবা নৈনচলশিংদুগী ওজাশিংগা শকথঙ-মায়থঙনহনগনি, মদুনা মহৈরোয়শিংবু তাঙ্ককসিদা চুপ্লৌশিং (সাইন্সেস), অঙ্ক (মেথমেটিক্স), ফিরেপলোন (আর্টস), থুন্নাইগী চুপ্লৌশিং (সোশিয়ল সাইন্স) অমসুং তাইবংলোন (হ্যুমেনিটিজ) দা চঙনবা শেম-শাহনগনি। হেন্না অথন্নবা নৈনচলশিং অমসুং মথোয়গী ওজাশিং পুশিল্লক্তুনসু নৈনচল থুদিংগী মনুংদা থেংনবদগী হৈরকপা অমসুং তোঙান তোঙানবা নৈনচলশিংগী মরক্তা লৈনবা মরীশিং পুথোকপবু থৌগৎকনি অমসুং কনশিলহনগনি। সেকেণ্ডরিগী তাঙ্কক্তি ময়ায়গী তাঙ্কক্কী নৈনচলনা ঈনবা (সবজেক্ট ওরিএন্টেড) তম্বীরোলগী অমসুং তম্ন-হীরমশিংগী মওংদা শাগৎপা অদুবু, হেন্না লুথনা, হেন্না হন্দোক-হনজিন য়ানা অমসুং মহৈরোয়গী অপাম্বা থনফম য়াম্না পীদুনা লৌশিংশা য়াম্ববু (মল্টিডিসিপ্লিনরি) নৈনবা চহী মরিনা শাগনি। অতম্নবা মহৈরোয়শিংনা থাক ১০গী মতুংদা থাদোকপা অমসুং মথংগী মথাং (ফেজ) দা থাক ১১-১২দা লৈরিবা শিনফমগী নৎত্রগা পাম্লবদি হেন্না তোঙাল্লবা (স্পেসিএলাইজড) স্কুলদা ফাওবা য়াওনা অমুক হন্না চঙবা য়াবগী থনবা য়াবদু অদুমক চথখিগনি।

**4.3.** মথক্তা হায়খ্রিবা তাঙ্ককশিংসিদি তশেংনগী তম্ন-হীরমশিংগী অমসুং তম্বীরোলগী ওই অমসুং মসি অঙাংশিংগী থঙবা ঙম্বা হেনগৎলকপগী মথা পোন্না ফংলিবা মহৈ-মশিংদু মফরবা ওইহন্নবা শকলেপ্পনি। মথোয়না মতাং থুদিংদা নেশনেল অমসুং ষ্টেটকী তম্ন-হীরমশিং অমসুং তাকপা-তম্বগী পোরমশিং ফগৎলকপদুগী পাউ পীগনি, অদুবু মপান্থোংগী মচাক-মথুমগী পরীংননা লাকপা অহোংবশিংদি মথৌ তারোই।

## তম্লিবশিংনা মপূংদা ফাগৎলকপা

**4.4.** তাঙ্কক পূন্নমক্তা তম্ন-হীরমশিং অমসু তম্বীরোল শেমদোকপগী শাফূদুগী মচঙদি মহৈ-মশিংগী কাঙলোনদু তশেংনা থঙবরোমদা অমসুং কমদৌনা তমগদগে হায়বরোমদা ঈনবদু ওইগনি অমসুং ঙসিমক অয়াম্বনা তৌনরিবা চীনফা পুবগী চৎনবীসিদগী লাপথোকপনি। মহৈ-মশিংগী পান্দমদি থঙবা হেনগৎহনবদা নত্তনা লমচৎ-শাজৎ শেমগৎপা অমসুং অপূনবদা ২১শুবা চহীচাগী হৈশিংবগা লোয়নরবা নাকল শুনা হৈরবা মীওইশিং শেম্বনা ওইগনি। লোইশিল্লকপদদি, লৌশিং হায়বসি লুথনা লৈরবা লন অমনি অমসুং মহৈ-মশিংনা মীশক্তুদা হান্ননা য়াওজরবা লন অদু মপূং ফানা উথোকপদা মতেং পাংবনি। তম্ন-হীরমশিং অমসুং তম্বীরোলগী মায়ওন পূন্নমক মসিগী চিরবা পান্দমশিংসি ফংনবা নৌনা মায়রেপকনি অমসুং নৌনা কনথৎহনগনি। স্কুল তমদ্রিঙৈদগীনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং ফাওবদা মহৈ তম্বগী তাঙ্কক থুদিংদা পূনশিনথিনবা অমসুং হাপচিন্নবা হৈশিংলোনশিংগী (স্কিলশিংগী) অমসুং নৈনফম (ডোমেইন) কয়ামুক শীনবা মহাও (ভেল্যু) শিংগী অকক্লবা মপুনশিং (সেটশিং) মশক থঙদোক্কনি। তম্ন-হীরমশিংগী থৌয়াৎৱাশিং (করিক্যুলম ফ্রেমৱর্কশিং) অমসুং মথোয়বু শিন্নবগী কাঙলমশিং (ট্রাঞ্জেক্সন মেকানিজমস) দু হায়রিবা হৈশিংলোনশিং অমসুং মহাও (ভেল্যু) শিংসি তম্বীবদা অমসুং তম্বদা য়াওহনবগী থৌশিলদা মহৈরোয়শিংনা থঙখ্রে হায়বদু শোয়হন্দনা শেমগনি। এন সি ই আর টি না অসিগুম্বা হৈশিংলোনগী মপুনশিং (স্কিল সেটশিং) মশক থঙদোক্কনি অমসুং মথোয়বু শিন্নবগী থৌপাঙলোনশিংদু নৌরিবা অঙাং ওইরিঙৈ অমসুং স্কুল মহৈ-মশিংগীদমক লৈবাক্কী তম্ন-হীরম অমসুং থৌয়াৎৱা (নেশনেল করিক্যুলম ফ্রেমৱর্ক) দা য়াওহনগনি।

## চঙদবা য়াদ্রবা মহৈ অমসুং কূপথনা থন্থবা হেনগৎনবা তম্ন-হীরমশিংদা য়াওরিবশিংদু হন্থহল্লু

**4.5.** তম্ন-হীরমশিংদা য়াওরিবশিংদু কূপথনা থন্থবা (ক্রিটিকেল থিঙ্কিং) অমসুং মপূং ওইবনা হেলহনবা, অহংবদা-তোংবা (ইনক্বাইরি বেজ), পুথোকপদা-তোংবা (ডিসকভরি বেজ), থন্ন-নৈনবদা তোংবা (ডিসকশন বেজ) অমসুং কূপশুরোল (এনালিসিস) দা তোংবা মহৈ তম্বদা মফম পীনবা নৈনচল (সবজেক্ট) খুদিংমক্কী ময়োলগী তঙাইফদবশিং অদুথক্তদা হন্থগনি। চৎনহনগদৌবা য়াওরিবশিংদুনা মচং ওইবা নুংলোন (কি কন্সেপ্ট) শিংদা, ৱাথল্লোনশিংদা, চন্নফমশিংদা অমসুং ৱারু লোইশিননবদা (প্রোব্লম সোলভিং) পূক্লিং চঙগনি। কা মনুংদা থন্ন-নৈনবদদি মতম অয়াম্বদা নুংঙাইবা, ৱাথল থোকপা, তাথোক-তাশিন্নবা অমসুং মহৈরোয়শিংনা লুথনা অমসুং থেংনবদগী তম্বা ওইনবা মশানা পুথোকচবশিং হেন্না য়াওগনি।

## মশানা থেংনবদগী তম্বা

**4.6.** তাঙ্কক পূন্নমক্তা, থেংনবদগী তম্বগী মওংসি অতৈ ময়ামগী মরক্তা নৈনচল (সবজেক্ট) খুদিংগী মনুংদা থূৎ-শা চঙবা, য়েকথোৎপা চঙবা অমসুং শান্ন-থোৎনবা চঙবা মহৈ-মশিং, ৱারী লীবদা তোংবা তম্বীরোল, অমসুং থেন্নবা নৈনচলশিংগী মরক্তা লৈনবা মরীশিংদু পুথোকপগা লোয়ননা থেংনরকপদগী তম্ববু চৎনরবা তম্বীরোল (ষ্টেগুর্ড পোডাগেজি) নি হায়না লৌগনি। তম্বদা হৈবা মান্নদবগী অহোবদু মেনশিন্নবা কা মনুংগী নৈনবদু মতীঙ লৈবদা তোংবা (কম্পিটেন্সি বেজ) তম্বা অমসুং মহৈ-মশিংদা য়েংদুনা হোংগনি। অপীবা থাক (ক্লাস) অমগী নৈনচল খুদিংমক্কীদমক লেপ্লিবা অদুগুম্না, হৈলেপ্পগী থূৎলায়শিং (এসেসমেন্ট টূল্স) অদু তম্বদগী হৈরকপশিং, ঙমজবশিং অমসুং পূক্লিং-পুকচেল হায়বশিংসিগা (‘এস’, ‘ওফ’, ‘ফোর’ হায়বা তম্বগী হৈলেপ্পা য়াওনা) মরী লৈনহনগনি।

**4.7.** য়েকথোৎপা-পূনশিনবা (আর্ট ইন্টিগ্রেশন) হায়বসি নৈনচল (সবজেক্ট) কয়ামুক তম্বগী নুংলোনগী থোঙহৌফম (কন্সেপ্ট বেসিস) ওইরিবা য়েকথোৎপা অমসুং নাৎকী/হিংনলোনগী (আর্ট এণ্ড কলচর) মথল য়াম্বা মায়ওন অমসুং মওংবু শীজিন্নবা তম্ন-হীরমশিং কয়ামুক শীনবা তম্বীরোলগী থোঙজঙ অমনি। থেংনবদগী তম্বদা শাফূ পীবগী শরুক অমা ওইনা য়েকথোৎপা পূনশিল্লবা মহৈ-মশিংবু কা মনুংগী নৈনবদা ফুমদুনা য়াওশিনথিগনি, মসিনা কা মনুংবু নুংঙাইহন্নবতা নত্তনা ভারতকী চৎনলোনবু থাক খুদিংমক্তা তম্বীবা অমসুং তম্বগী থৌশিলদা ভারতকী য়েকথোৎপা অমসুং চৎনবী (আর্ট এণ্ড কলচর) বু পূনশিন্দুনা মহৈরোয়শিংনা লৌশীনহন্নবনি| য়েকথোৎপা পূনশিল্লবা থোঙজং (আর্ট ইন্টিগ্রেটেড এপ্রোচ) সিনা মহৈ-মশিং অমসুং নাৎগী মরীদু কনথৎহনগনি।

**4.8.** শাজেল্লোন পূনশিনবা (স্পোর্ট ইন্টিগ্রেশন) হায়বসি য়েল্হৌ-শাজেলশিং (ইণ্ডিজিনস স্পোর্টস) য়াওনা শাজেলগী থবকশিংবু শীজিন্নবা, পাংনবা (কোল্লাবোরেশন), মশানা থৌহৌবা (সেল্ফ ইনিসিএটিভ), মশানা-লমজীংজবা, মশানা ৱারকচবা, পূন্না তৌমিন্নবা, হোয়াবা, লৈবাকচা ওইবা (সিটিজেনশিপ) হায়বগুম্বা হৈশিংবা শাগৎপদা মতেং পাংবা তম্বীরোলগী চৎনওংশিং (প্রেক্টিসশিং) শীজিন্নবা তম্ন-হীরমশিং কয়ামুক শীনবা তম্বীরোলগী অতোপ্পা থোঙজং অমনি। শাজেল্লোন পূনশিহল্লবা তম্বগী মওংসি শাথীংবা ভারতকী থোঙচৎ (ফিট ইন্দিয়া মূবমেন্ট) না মঙলিবগুম্না মহৈরোয়শিংনা শাথীংববু পুন্সি চুপ্পগী শাজৎ ওইনা লৌনবা অমসুং মরী লৈনবা হিংনবা হৈশিংবশিং (লাইফ স্কিলশিং) বু শাথীংবগী থাকশিংগা চাননা ফংনবা তানশিনবদা

মতেং পাংনবা কা মনুংগী নৈনবদা লৌথৎকনি। শাজেল্লোনবু মহৈ-মশিংদা পূনশিনবগী থৌতাবদু ফজনা থঙনরবনি, মরমদি মসিনা হকচাংগী অমসুং ৱাথলগী অফ-নুংঙাইবু থৌগত্তুনা, লোয়ননা থঙবগী পাঙ্গলসু হেনগৎহন্দুনা অপূনবগী ওইনা চাওথৎহনবগী থবক তৌই।

## তম্নবগী পামজবা লম থনবদা হোংদোক-হোংজিন য়াহন্দুনা মহৈরোয়শিংবু মঙল হাপ্পু

**4.9.** মহৈরোয়শিংবু মথোয়গী তম্বগী লম্বী অমসুং পুন্সিগী থৌরাংশিং য়াৎচনবা, অকক্লনা সেকেণ্ডরি স্কুলদা তমগদৌবা নৈনচলশিং/সবজেক্টস, শাজেলগী মহৈ-মশিং (ফিজিকেল ইডুকেশন), য়েকথোৎপা অমসুং থূৎশেমলোন (আর্টস এণ্ড ক্রাফ্টস) গী অমসুং শিনফমগী হৈশিংবশিং (ভোকেশনেল স্কিলশিং) য়াওনা তমগদৌবা নৈনচলশিং থনবা অমসুং অহেনবা হোংদোক-হোংজিন য়াহনগনি। অপূনবগী ওইনা চাওথৎপা অমসুং চহী চহীগী ওইনা নৈনচলশিং অমসুং লমশিংগী অপাকপা থনফম অমা লৈবসিনা সেকেণ্ডরি স্কুল মহৈ-মশিংগী অনৌবা তোপ-তোপ্পা শক্তাক্লবা মচৎ অদু ওইগনি। 'তম্ন-হীরমশিংগী', 'তম্ন-হীরমশিংদগী হেন্দোকপা', নৎত্রগা 'কো-করিকুলর'গী মরক্তা, 'য়েকথোৎপশিংগী', 'তাইবংলোনশিংগী (হ্যুমেনিটিজ) ' অমসুং 'চুল্লৌশিংগী (সাইন্সেস) ' মরক্তা, নৎত্রগা 'শিনফমগী (ভোকেশনেল) ' নৎত্রগা 'মহৈগী (একাডেমিক) ' মরক্তা হকচিন্না থাইদোক্লবা লৈররোই। চুল্লৌশিং (সাইন্স), 'তাইবংলোনশিং, অমসুং অঙ্কগী মথক্তা হকচাংগী মহৈ-মশিং (ফিজিকেল ইডুকেশন), য়েকথোৎপা অমসুং থূৎশালোন (আর্টস এণ্ড ক্রাফ্টস), অমসুং শিনফমগী হৈশিংবশিং (ভোকেশনেল স্কিল্স) হায়বা নৈনচলশিং (সবজেক্টশিং) অসি, চহীগী মতাং থুদিংদা নুংঙাইগদৌবা অমসুং শোয়দ-ঙাল্লোইদৌবশিং য়েংদুনা, স্কুল তম্ন-হীরমশিং শীনবদা হাপচিনগনি।

**4.10.** তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ওইথোকপা য়াবা মতুং ইন্না, স্কুল মহৈ-মশিংগী তাঙ্কক মরিমক্কী অমমমবু, থুদিংমক্না য়ারিবমথৈ অয়াম্বা নৈনচলশিং (সবজেক্টশিং) দা পুথোকপীবা অমসুং হেন্না হন্দোক-হনজিন য়ানবা তংথায়-তংথায়গী (সিমিষ্টর) মওংদা নৎত্রগা অতোপ্পা অতেনবা পান্দোঙশিং (মোড্যুলশিং) য়াওবা কাঙলোন অমদা নৎত্রগা নোংমা লেপ্পগা নোংমা তম্বীবগী মওংদা চঙশিন্নবা থন্নবা য়াই। ফিরেপলোনশিং (আর্টস), চুল্লৌশিং (সাইন্সেস), তাইবংলোনশিং (হ্যুমেনিটিজ), লোলশিং, শাজেল্লোন (স্পোর্টস) অমসুং শিনফমগী নৈনচলশিং (ভোকেশনেল সবজেক্টশিং) য়াওনা হেন্না চাউনা কোনশিল্লবা নৈনচলশিংগী হোংদোক-হোংজিন হেন্না য়াহন্নবা অমসুং অপাম-অপাম্বা লৌবা য়াহন্দুনা নুংঙাইবগী পান্দমশিংদু ফংনবা ষ্টেটশিংনা নৌনা হৌদোকপা থৌওঙশিং য়েংবা য়াই।

## লোলয়াম ঙাঙবা অমসুং লোলগী মঙল

**4.11.** নৌরিবা অঙাংশিংনা ইচম চমদবা নুংলোনশিং (কন্সেপ্টশিং) বু মথোয়গী য়ুমগী লোনদা/ মমালোনদা হেন্না থুনা তম্মী অমসুং থঙবা ঙম্মী হায়বসি নীংথিনা থঙনরবা ৱানি। য়ুমগী লোল হায়বসি অনম্বনা, মমালোনগা অমত্তনি নৎত্রগা মফমদুগী মীয়াম কোল্লুপশিং অদুনা ঙাঙনবদুনি। অদুম ওইনমক, করিগুম্বদা লোল ময়াম ঙাঙনবা ঈমুংশিংদদি মমালোল নৎত্রগা মফমদুগী লোনদুগা মান্নদবা ঈমুংদুগী অতোপ্পা মীশিংনা ঙাঙনবা লোনদুনা য়ুমগী লোল ওইবা য়াই। হেক য়াবা মফমদা, য়ামদ্রবদা থাক/গ্রেড ৫ ফাওবদি, অদুবু হেন্না ফবদি থাক/গ্রেড ৮ ফাওবদি অমসুং মদুগী মথক ফাওবা তম্বীবগী মরকথন (মেডিয়ম ওফ ইন্সট্রক্সন) অদু য়ুমগী লোল/ মমালোন/অদুৱাইগী লোল/মফমদুগী লোননা ওইগনি। অদুগী মতুংদদি, হেক য়াবা মফমদা, য়ুমগী লোল/অদুৱাইগী লোনদু লোল অমা ওইনা তম্বীবদু চৎথগনি। হায়রিবসি লৈবাক্কী অমসুং লন্নাইগী ওইবা স্কুলশিংনা ইনগনি। চুল্লৌশিং (সাইন্স) গী য়াওনা, য়ুমগী লোনদা/মমালোনদা ইবা অৱাংবা তীঙগী তম্ন-লাইরিক (টেক্সবুক) শিং ফংহনগনি৷ অঙাংদুনা ঙাঙলিবা লোনদুগা তম্বীবগী মরকথন অদুগগী মরক্তা লৈবা য়াবা অহোবশিং শম্নহনবদু শোয়হন্দনবা হোৎনগনি। য়ুমগী লোনদা/ মমালোনদা ইবা তম্ন-লাইরিক (টেক্সবুক) শিং ফংদবা তারগদি, হেক য়ারিবমথৈ ওজাশিংগা মহৈরোয়শিংগা ঙাঙনবদু য়ুমগী লোনদা/মমালোনদা অদুমক ওইহনগনি৷ য়ুমগী লোলগা তম্বীবগী মরকথন (মেডিয়ম ওফ ইন্সট্রক্সন) দুগা থেন্নবা মহৈরোয়শিংবু তাকপদা, লোল অনীদা তাকপীবগী মওংদা, লোল অনীদা তাকপা-তম্নবা মচাকশিং য়াওনা, তৌনবা ওজাশিংবু পূক্নিং থৌগৎকনি৷ লোল পূম্নমক অৱাংবা তীঙদা মহৈরোয় পূম্নমক্তা তাক্কনি; লোল অমা নীংথিনা তম্বীনবা অমসুং তম্নবগীদমক লোনদুনা তম্বীবগী মরকথন ওইগদৌবনি হায়বা লৈতে।

**4.12.** অঙাংশিংনা চহী ২ অমসুং ৪গী মনুংদা লোলশিং য়াম্না থুনা লৌশিনবা ঙম্মী অমসুং লোল য়াম্না শীজিন্নবনা নৌরিবা মহৈরোয়শিংদা থঙবা ঙম্বগী চাউনা কান্নবা পী হায়বসি থিজিনবদগী ফংবনা শেংনা উৎপনা, অঙাংশিংবু য়াম্না নৌরিঙৈদা হৌগৎলকপা থাক (ফাউণ্ডেশনেল ষ্টেজ) তগী হৌরগা তোঙান-তোঙানবা লোলশিংগী মরক্তা (অদুবু মমালোনদা অথন্নবা মীৎয়েং থমদুনা) পুথোকপী৷ লোল পূম্নমকপু নুংঙাইনা অমসুং ৱারী-ৱাতায় কয়া শানদুনা পাউ ফাওদোক্লবা য়াবগী মওংদা তম্বীগনি, অমসুং মসি য়াম্না নৌরিঙৈদনা পাদুনা অমসুং মথা তারকপগী নৌরিঙৈ চহীদদি মমালোনদা ইদুনা, অমসুং

থাক/গ্রেড ৩ অমসুং মথক্কীদি অতোপ্পা লোলশিংদা পাবা অমসুং ইবগী হৈশিংবদু শীজিন্নরগা তাক্তুনা তম্বীগনি। ময়ায়গী অমসুং স্টেট লৈঙাক অনীমক্না লম লমগী লোল খুদিংমক্তা লৈবাক শীন্না মশীং য়াম্লবা লোলগী, অকক্না ভারতকী লৈঙাক্লোন (কন্সটিট্যুশন) গী নিপানশুবা সেড্যুলদা চন্লবা লোল পূন্নমক্কী ওজাশিংদা শেল থাদনবা অচৌবা থোঙথাং অমা পায়থৎকনি। স্টেটশিংনা, অকক্না ভারতকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা স্টেটশিংনা, মাগী মাগী স্টেটশিংদা লোল অহুমগী শুপ্তাক (থ্রি লেঙ্গুৱেজ ফার্ম্যুলা) ঙাক্লবা, অমসুং লৈবাক শীন্না ভারতকী লোলশিং তম্ববু থৌগৎনবা, স্টেট অনী অনীগী মরক্তা অমনা অমদগী মশীং য়াম্লবা ওজাশিং নেক্লবা নাকল অনীগী য়ানবশিং লৌথৎপা য়াই। তোঙান-তোঙানবা লোলশিং তম্বীনবা অমসুং তম্নবা, অমসুং লোল তম্ববু পামহন্নবা শিনশালোন (টেক্নোলোজি) বু পাকশন্না শীজিন্নহনগনি।

**4.13.** লৈঙাকলোনগী কায়দোঙশিং (কন্সটিট্যুশনেল প্রোভিজন্স), মীয়ামগী অপাম্বশিং, লমদমশিং অমসুং অপূনবা লৈবাক (ডি য়ুনিয়ন), অমসুং লোল য়াম্না ঙাঙবগী মথৌ তাবা, লোয়ননা লৈবাক্কী অপূনববু থৌগৎপা হায়বশিংসি ৱাথলদা থম্লগা লোল অহুমগী শুপ্তাক (থ্রি লেঙ্গুৱেজ ফার্ম্যুলা) পু চৎনহনবসি মথা তানা অদুমক চথখিগনি। অদুম ওইনমক, লোল অহুমগী শুপ্তাক্তা অহেনবা হোংদোক-হোংজিন য়াবা অমা লৈগনি, স্টেট অমত্তদা লোল অমফাওবা তম্নবা নমসিল্লোই। অঙাংশিংনা তম্বা লোল অহুমদু, লোল অহুমদুগী মনুংদা য়ামদ্রবদা অনীনা ভারতকী ওইরিবমথৈদি, স্টেটশিংদুগী, লমদমশিংদুগী, অমসুং তশেংনগীদি মহৈরোয় মশামক্কী অপাম্বশিং ওইগনি। অকক্না, মহৈরোয়শিংনা মখোয়না তম্লীবা লোল অহুমদুগী মনুংদগী অমা নৎত্রগা অমদগী হেন্না হোংদোকপা পাম্লবদি থাক ৬ নৎত্রগা ৭ তা তৌবা য়াগনি, অমসুং মসি মখোয়না লোল অহুমদা (খোরীরোলগী থাক্তা ভারতকী ওইবা লোল অমা য়াওনা) থঙহৈবদু উৎপা ঙম্লিবমথৈদি হোংবা য়াগনি।

**4.14.** মহৈরোয়শিংবু নৈনচল (সবজেক্ট) অনীদা য়ুমগী লোনদা/মমালোনদা অমসুং ইংরাজীদা থনবা অমসুং ঙাঙবা ঙমহন্নবা, অৱাংবা তীঙগী লোল অনীগী তম্ন-লাইরিকশিং (টেক্সবুক্স) অমসুং চুম্লৌশিং (সাইন্স) অমসুং অঙ্ক তাকপা-তম্বগী মচাকশিং শেম-শানবা হোৎনবা পূন্নমক পায়থৎকনি।

**4.15.** মালেম পূম্বগী চাওথৎলবা লৈবাক কয়ামক্না ফজনা উৎলিবগুম্না, কনাগুম্বা মী অমনা মশাগী লোনদা, নাৎতা/হিংনলোনদা অমসুং চৎন-লীক্লমদা নীংথিনা মহৈ-মশিং হৈবা হায়বসি শোথহন্নবা নত্তে, অমরোমদা তশেংনমক্কীদি মসি মহৈ-মশিংদা, থুন্নাইদা, শিনশালোন (টেক্নোলোজি) চাওথৎপদা য়াম্না চাউনা কান্নবা অমনি। লোলশিং অসিদা ইবা ভারতকী মশক অমসুং মরল তাকপদা মতেং পীরিবা থায়নগী অমসুং মতমসিগী খোরীরোলশিং (ৱারেংসু, শৈরেংসু), মমিগী তাইবংশিং (ফিল্মশিং) অমসুং ঈশৈ-নোংমাইগী চাউরবা শকওঙ অমনা ভারতকী লোলশিংসি মালেমদা থ্বাইদগী মরল লৈবা, থ্বাইদগী চুম্লৌশিংগী ওইবা (সাইন্টিফিক), থ্বাইদগী ফবা অমসুং থ্বাইদগী ফোঙদোকপা ঙম্বশিংগী মনুংদা য়াওরিবনি। নাৎ-চৎনবীবু ফজহন্নবগী অমসুং লৈবাকসিবু পূনশিন্নবগীদমক নহা ওইরিবা ভারত মচাশিংনা মখোয়গী লৈবাক অসিগী লৈরিবা মরাং কায়রবা অমসুং পাক-চাউরবা লোলশিংগী মরমদা অমসুং মখোয়গী অমসুং মখোয়গী খোরীরোলশিংদা য়াওরিবা মরলশিংবু নীংথিজনা থঙবা চঙই।

**4.16.** অসুম্না, লৈবাকসিদা লৈরিবা মহৈরোয় খুদিংমক্না *‘এক ভারট শ্রেস্থ ভারত’* কুম্বা থৌহৌ (ইনিসিএটিভ) মথাদা, থাক ৬-৮ অদুৱাইদা, ‘ভারতকী লোলশিং’গী মরমদা তৌবা কূম্মৈ-থৌয়েং/থৌপাঙ (ফন প্রোজেক্ট/এক্টিভিটি) অমদা শরুক য়াগদবনি। মসিগী থৌয়েং/থৌপাঙসিদা, মহৈরোয়শিংনা ভারতকী অচৌবা লোল অয়াম্বগী মরক্তা চাউনা মান্নবা লৈরিবদু তমগনি; মসিদা ফোনেটিক্স (লোন্মীৎলোন/লিঙ্গুইষ্টিক্সতা খোন্থোক পুথোকপগী ওইবা) অমসুং চুম্লৌশিং য়াওনা শীল্লবা য়েকলুপশিং অমসুং ময়েকশিং (সাইন্টিফিকেল্লি এরেঞ্জড এল্ফাবেটস এণ্ড স্ক্রিপ্টস) মান্নবদগী হৌরগা, মখোয়গী মান্নবা লোন্মীৎকী শাওঙশিং (গ্রামাটিকেল ষ্ট্রকচর), মখোয়গী হৌরকফমশিং অমসুং সংস্কৃত অমসুং অতৈ লীশৈ লোলশিং (ক্লাসিকেল লেঙ্গুৱেজশিং) দগী লাকপা ৱাহৈশিংগী হৌফম-মরুশিং, লোয়ননা মখোয় মশেলগী ইথিলশিং য়াম্না লৈনবা অমসুং খেন্নবশিংগী মরমদা মান্নবা কয়া তমগনি। মখোয়না করম্বা লমদা করম্বা লোল ঙাঙই, য়েলহৌমীশিংগী লোলশিংগী হৌনশা অমসুং শাওঙ (নেচর এণ্ড ষ্ট্রকচর) গী ইহুল অমা ফংগনি অমসুং ভারতকী অচৌবা লোলশিংদা লৈবা ময়াম্না ঙাঙনবা ৱাহৈ-চবূলশিং অমসুং ৱাহৈ-পরেংশিং হায়বা হৈগনি অমসুং লোলশিংদুগী খুদিংমক্কী মরল লৈরবা অমসুং ৱাথল চাওথৎনীংঙাই ওইরবা খোরীরোলগী (মথৌ তারবদি হন্দোক্তুনা) থর-থরদি তম্বা ঙমগনি। অসিগুম্বা থৌপাঙশিংসিনা মখোয়দা অমত্তা ওইবা অমসুং ফজরবা নাৎকী/হিংনলোনগী পাথাঙ-পুথাঙ অমসুং ভারতকী মথল-মথা য়াম্বা মওংগী ৱাথল পীগনি অমসুং মসিনা মখোয়গী পুন্সি চূপ্পদা ভারতকী অতোপ্পা মফমশিংদগী লাকপা মীশিংগা মখোয়না থেংনবদা থঙনবা অমসুং ৱারী-ৱাতায় হৌদোক্লবগী অঙকপা হৌনৱা অমা ওইগনি। মসিগী থৌয়েং/থৌপাঙ অসি নুংঙাইরবা থৌপাঙ অমা ওইগনি অমসুং মসিদা করিগুম্বা মথলগী হৈলেপ্পা (এসেসমেন্ট) অমত্তা য়াওরোই।

**4.17.** ভারতকী লীশৈ লোল (ক্লাসিকেল লেঙ্গুৱেজ) শিংগী অমসুং খোরীরোলগী মরু ওইবা, চানবা অমসুং ফজবসিবুসু য়েংদবা

য়ারোই। সংস্কৃতসিসু ভারতকী লৈঙাক্লোনগী নিপানশুবা সেডুল্যদা মরুওইবা মতমসিগী লোল অমা ওইনা পল্লি অমসুং লোলসিগী চাউবদা য়েংলুরবদি মসিনা লেটিন অমসুং গ্রীক অনীমক পূনবদগীসু হেল্লি, মসিদা অঙ্ক, ৱাংঙুরোল, লোন্মীৎ, ঈশৈ-নোংমাই, লৈবাকলোন, হীদাকলোন, য়ুমশারোল, কোনচাকলোন, ফম্বাক-লীলা, শৈরেং, ৱারী লীবা অমসুং মসিদগী হেনবা লাইশোনগী অমসুং লাইশোনগী নত্তবা মী কয়ামুক্লা ইবা, পুন্সিগী লম পূন্নমক্কী মীশিংনা ইবা অমসুং চহী লীশিং কয়াসিদা থুন্নাই-শেন্মীৎলোনগী অপাকপা মকাপ (রেঞ্জ) অমগী হৌরকফমদগী মীশিংনা ইবা ('সংস্কৃত লৌশিংগী কাঙলোনশিং' হায়না খঙনবা) পাক- চাউরবা লনশিংগী লীশা খোরীরোল (ক্লাসিকেল লিটরেচর) অমা য়াওই। অসুন্না সংস্কৃতপু স্কুলগী থাক পূন্নমক্তা অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংদা মহৈরোয়শিংগী মরুওইবা, ৱাথল চাওথৎনীংঙাই ওইবা থন্নলম (ওপশন), লোল অহুমগী শুপ্তাক্কী (থ্রি লেঙ্গুৱেজ ফোর্ম্যুলাগী) থন্নলম য়াওনা, অমা ওইনা পীগনি। মসিবু নুংঙাইনা অমসুং থেংনবদগী তম্বগী মওংশিংদা অমসুং মতমসিগা চানবা মওংদা 'সংস্কৃত লৌশিংগী কাঙলোনশিং' শীজিন্নদুনা অমসুং অকক্লনা ফোনেটিক্স (লোন্মীৎলোনদা/লিঙ্গুইষ্টিক্সতা থোন্থোক পুথোকপগী ওইবা) অমসুং থোন্থোক্কা লোয়ননা তম্বীগনি। সংস্কৃতপু সংস্কৃততা (সংস্কৃত থ্রু সংস্কৃত, এস টি এস) তম্বীনবা অমসুং মসিবু তম্বসি তশেংনা নুংঙাইনবগী ওইনা হৌগৎলকপগী অমসুং মিডল স্কুল থাক্কী তম্ন-লাইরিকশিংদু অচম্বা চৎনরবা সংস্কৃত (সিম্পল ষ্টেণ্ডর্ড সংস্কৃত, এস এস এস) তাইগনি।

**4.18.** লীশৈ (ক্লাসিকেল) ওইবা টমিল, টেলুগু, কন্নড়, মলয়ালম, ওডিয়া য়াওনা ভারতকী অতোপ্পা লীশৈ লোল (ক্লাসিকেল লেঙ্গুৱেজ) শিংদা য়াম্না মরল লৈরবা খোরীরোল লৈ। লীশৈ লোলশিংসিগী মথক্তা পালি, পর্সিয়ন অমসুং প্রাকৃট, অমসুং মখোয়গী খোরীরোলগী মথোকশিংদুসু মখোয়গী মরলশিংদুগী অমসুং মখোয়গী তুংলমচৎপু নুংঙাইহন্নবা অমসুং চাওখৎহন্নবগীদমক য়েংদুনা ঙাক-শেন্দুনা থমগদৌবনি। ভারতনা মপূং ফানা চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইরকপগা, মথংগী মীরোলনা ভারতকী পাক-চাউরবা অমসুং ফজরবা লীশৈ খোরীরোল (ক্লাসিকেল লিটরেচর) দা শরুক য়াবা অমসুং মশাবু চাওখৎহনবা পামগনি। সংস্কৃতকী মথক্তা টমিল, টেলুগু, কন্নড়, মলয়ালম, ওডিয়া, পালি, পর্সিয়ন অমসুং প্রাকৃট য়াওনা ভারতকী অতৈ লীশৈ লোলশিং অমসুং মখোয়গী খোরীরোলশিংবু স্কুলদা মহৈরোয়শিংগী থন্নলমশিং ওইনা পাক-শন্না, মসিগী লোলশিং অমসুং খোরীরোলশিংসি হিংলি অমসুং মতীক লৈরি হায়বদু শোয়হন্দনবা, মশানা থেংনবদগী তম্বা অমসুং নৌনা হৌদোকপগী মওংদা, ওনলাইনগী পান্দোঙশিং (মোডুল্যশিং) দা ফংহনগনি। মসিগা মান্নবা থবকশিংবু চীনবুংগী অমসুং অইবা খোরীরোলশিংগী মচাক-মরল মরাং কায়জরবা, নাৎকী/হিংনলোনগী চৎন-লীক্লমশিং, অমসুং লৌশিংগী-পূক্কৈ ওইবা ভারতকী লোল পূন্নমক্কী ওইনসু পায়থৎকনি।

**4.19.** অঙাংশিংবু ফগৎহন্নবগীদমক, অমসুং মচাক-মরল লৈরবা লোলশিং অমসুং মখোয়গী মচু তারবা মরলশিংসি ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক, ময়ামগী নৎত্রগা লন্নাইগী স্কুলশিংগী মহৈরোয় পূন্নমক্লা ভারতকী লীশৈ লোল (ক্লাসিকেল লেঙ্গুৱেজ) অমা অমসুং মদুগা লোয়নবা খোরীরোলবু থাক ৬-১২দা, মশানা হকথেংনদুনা অমসুং অনৌবা তম্বগী মওংদা শিনশালোন (টেক্নোলোজি) পূনশিনবগী মতেংনা, য়ামদ্রবদা অনী তম্নবগী থন্নলম লৈগনি; মসিগীদমক ময়ায় থাক্তগী চথরগা সেকেণ্ডরি থাক অমসুং মথক্কী ফাওবদা তম্নবগী থন্নলম লৈগনি।

**4.20.** ভারতকী লোলশিং অমসুং ইংরাজীদা অফবা তীঙগী থুদোংচাবশিং পীবগী মথক্তা, কোরিয়ন, জপানিজ, থাই, ফ্রেঞ্চ, জর্মন, স্পেনিশ, পোর্চুগীস অমসুং রসিয়নগুম্বা মীরমগী লোলশিংসু মহৈরোয়শিংনা মালেমগী নাৎশিং/হিংনলোনশিং তম্নবা অমসুং মখোয়গী পূক্নিং তাবা অমসুং পামজবগী মতুং ইন্না মখোয়না মালেমবু খঙবা অমসুং লম চৎপা হেনগৎনবা সেকেণ্ডরি থাক্তা তম্বা ফংহনগনি।

**4.21.** লোল পূন্নমক তম্ববু নৌনা হৌদোকপা অমসুং থেংনবদগী তম্বা থৌওঙগী মতেংনা হেনগৎহনগনি; তৌবদবু মওংদু শান্ন-খোৎনবদা ওন্থোকপা অমসুং এপ্সশিংগী মতেংনা, লোলগী নাৎকী/হিংনলোনগী মায়ওঙশিং হায়বদি - মমি-কূম্মৈশিং (ফিল্মশিং), ফম্বাক-লীলা (থিএটর), ৱারী লীবা, শৈরেং অমসুং ঈশৈ-নোংমাইনচিংবা - অসিবু ফেনজিন্দুনা অমসুং মথল-মথাগী চানবা নৈনচলশিং (সবজেক্টশিং) গা অমসুং তশেংবা পুন্সিগী থৌদোকশিংগা মরী লৈনহন্দুনা তৌগদৌবনি। অসুন্না, লোল তম্বীবসু থেংনবদগী তম্বগী তম্বীরোলদা তোংগনি।

**4.22.** ভারতকী থূদমগী লোলবু (ইন্দিয়ন সাইন লেঙ্গুৱেজ, আই এস এল) লৈবাক শীনবদা চৎনবা য়াবা ওইহনগনি, অমসুং না তাথীরবা/তাবগী পাঙ্গল ৱাৎপা মহৈরোয়শিংনা শীজিন্ননবা লৈবাকসিগী অমসুং ষ্টেটকী ওইনা তম্ন-হীরমশিংগী মচাকশিং শেমগনি। মফম মফমগী থূদমগী লোলশিংবু ইকায়থুম্নগনি অমসুং য়াবা অমসুং চানবা মফমদা তমসু-তম্বীগনি।

## চঙদবা য়াদ্রবা নৈনচলশিং (সবজেক্টশিং), হৈশিংবশিং অমসুং থৌঙমশিংগী তম্ন-হীরম (করিক্যুলম) শিং পূনশিনবা

**4.23.** মহৈরোয়শিংদা মানা মানা পাম্বা তম্ন-হীরম (করিকুলম) শিং থনবদা চাউনা হোংদোক-হোংজিনগী অয়াবা লৈহনবা তারগসু, ঙসিগী য়াঙনা হোংলিবা মালেমসিদা অফবা, মায়পাকপা, অনৌবা হৌদোকঙম্বা, লৌশীনঙম্বা অমসুং মথোকলৈবা মীশকশিং ওইহন্নবা নৈনচল (সবজেক্ট) থরা, হৈশিংবা, অমসুং থৌঙম্বশিংদি মহৈরোয় পূম্নমক্না হৈগদৌবনি। লোলশিংদা হৈথোইবতা নত্তনা, হৈশিংবশিংসিদা য়াওরিবশিংদুদি: চুম্লৌশিংগী মিহুল (সাইন্টিফিক টেম্পর) অমসুং থাজয়াৱাদা তোংবা ৱাথল্লোন; ৱাথল থোকপা অমসুং অনৌবা হৌদোকঙম্বা, ফজবগী ৱাথল অমসুং য়েকথোৎপা; চীনবুং অমসুং অইবা ওইনা পাউ ফাওনবা; হকচাং ফবা অমসুং মচি ওইবা চীঞাক; হকচাংগী মহৈ-মশিং; শাথীংবা, অফ-নুংঙাইবা অমসুং শাজেল্লোন; মতেং পাংনবা অমসুং পূন্না শুমিন্নবা; ৱারু লোইশিনবা (প্রোব্লম সোলভিং) অমসুং মরম চানা থনবা; শিনফমশিংদা পুথোকপীবা অমসুং হৈশিংবা; ডিজিটেলদা ময়েক চৎপা; কোডিং, অমসুং অঙ্ক থোৎপগী ৱাথল; অচুম-অরানগী অমসুং লমচৎ-শাজৎকী ৱাথল; মীওইবগী অমসুং লৈঙাকলোনগী মহাওশিংগী লৌশিং অমসুং থৌপাঙ; নুপী-নুপাগী মীতেক-মীরৌ; শোয়ফদ্রবা থৌশিং; লৈবাকমচা ওইবগী হৈশিংবা অমসুং মহাওশিং; ভারতপু থঙবা; ঈশিং অমসুং পোথোকশিং ঙাকপা য়াওনা অকোয়ববু থঙবা, লূ-নানবা অমসুং হকশেল; অমসুং হৌজিক থোক্লিবা অমসুং লৈকায় অদুৱাইগী মীয়াম কোল্লুপশিংনা, ষ্টেটনা, লৈবাকসিনা অমসুং মালেম্না থেংনরিবা চিরবা ৱাহৌশিং অসিনি।

**4.24.** থাক পূম্নমক্তা মহৈরোয়শিংদা মতাং চানবা তাঙ্ককশিংদা আর্টিফিশল ইন্টলিজেন্স, ডিজাইন থিঙ্কিং, হোলিষ্টিক হেল্থ, ওর্গানিক লিভিং, ইনভাইরনমেন্টেল ইডুকেশন, গ্লোবেল সিটিজেনশিপ ইডুকেশন (জি সি ই ডি) অসিনচিংবা মতমগী নৈনচলশিংসিদা হৌদোকপা য়াওনা মথল মথাগী মরুওইরবা হৈশিংবশিংসি শাগৎনবা পূনশিল্লবা তম্ন-হীরমশিংগী অমসুং তম্বীরোলগী থৌহৌশিং পায়থৎকনি।

**4.25.** আর্টিফিশল ইন্টলিজেন্স, মেছিন লর্নিং অমসুং অথোম-ৱারোলগী চুম্লৌশিং (ডেটা সাইন্স) অসিনচিংবশিংসি চঙগদৌবা মশীং য়াম্লবা তুংদা থোক্লকদৌরিবা থৌফমশিং (ফিল্ডশিং) অমসুং শিনফমশিংদা ভারতকী তুংলমচৎ অমসুং ভারতনা মাঙচিংবগী থৌদাং লৌনবগীদমক অঙ্ক অমসুং অঙ্ক থূৎথন (কম্প্যুটেশনেল থিঙ্কিং) সি য়াম্না মরুওই হায়বসি থঙনরবনি। অসুম্না, হৌগৎলকপা থাক্তগী হৌদুনা স্কুলদা লৈরিঙৈ চহীশিং চূপ্পদা অঙ্ক অমসুং অঙ্ক থূৎথন (কম্প্যুটেশনেল থিঙ্কিং) দা অহেনবা মীৎয়েং চঙগনি, মসি অঙ্ক থোৎপগী ৱাথল থূৎথনবু হেন্না নুংঙাইহনবা অমসুং কোক শীজিন্নহনবা মওংদা চাং নাইনা পাথোঙ চনবা অমসুং শান্নবা (গেম্স) য়াওনা মথল কয়াগী অনৌবা থৌওঙশিংগী মতেংনা পাঙথোক্কনি। কোডিং য়াওবা থৌপাঙশিংদি ময়ায়গী তাঙ্কক (মিডল ষ্টেজ) তা হৌদোক্কনি।

**4.26.** ষ্টেটশিং অমসুং মফমদুগী মীয়াম কোল্লুপশিংনা লেপ্পা অমসুং মফমদুগী থূৎশাহৈবা চঙলিবশিংদু য়েংলগা, উ শুবা, ইলেক্ট্রিক্কী থবক তৌবা, কোনচাক্কী থবক, ইংথোল কোইবা, চফূ শাবা, অসিনচিংবা মরুওইবা শিনফমগী থূৎহৈলোন (ক্রাফ্টস) গী ওংতাক (সেম্পল) লৌবদা য়াওবা অমসুং থিদোকপগী থবক (সর্ভে) পু থঙহৌনবা থাক ৬-৮ গী মনুংদা মহৈরোয় থুদিংমক্না নুংঙাইরবা কোর্স অমা তমগনি। এন সি এফ এস সি ২০২০-২১ (NCFSE 2020-21) শেম্বদা এন সি ই আর টি না থাক ৬-৮ গীদমক পাঙথোকপদা তোংবা তম্ন-হীরমশিং ( (প্রেক্টিস-বেজ করিকুলম) অমা চানবা য়েংদুনা শকলেপ পীগনি। মহৈরোয় পূম্নমক্না থাক ৬-৮ গী মতম অমদা নুমিৎ ১০নিগী লাইরিকথাউ য়াওদনা মফম অদুৱাইগী উ-শুবশিং, হৈ-লৈ থাবশিং, চফূ শাবশিং, লাইয়েকপশিং অসিনচিংবা শিনফমশিং পায়বা অহৈবশিংগা লোয়নদুনা মহৈ তম্বদা শরুক য়াগনি। অসিগুম্বা লোয়নদুনা শিনফমগী নৈনচলশিং/সবজেক্টশিং তম্নবা খুদোংচাবাশিংসি স্কুল তমদবা নুমিৎশিং য়াওনা, থাক ৬-১২ শীন্না মহৈরোয়শিংদা ফংহনগনি। শিনফম তম্নবা কোর্সশিং ওনলাইনগী মওংদসু ফংহনগনি। ফিরেপলোনশিং (আর্টস), পাউথোঙশিং (কুইজেস), শাজেল্লোন (স্পোর্টস) অমসুং শিনফমগী থূৎহৈলোন (ক্রাফ্টস) য়াওবা মথল কয়াগী ফগৎনবা থৌপাঙশিংগীদমক চহী চূপ্পগী মনুংদা লাইরিকথাউ য়াওদবা নুমিৎশিং থৌগৎকনি। অঙাংশিংবু মতম নাইনা পুৱারীগী, নাৎকী/হিংনলোনগী অমসুং লমকোয়বশিংগী মরুওইবা মফমশিং/খুভমশিংদা কোয়বা, মফমদুগী ঈশৈ-নোংমাই তৌবশিং অমসুং থূৎহৈবশিংগা উনবা অমসুং খুলদুদা/পানাদুদা/ষ্টেটতুদা লৈবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-তম্ফমশিংদা চত্তুনা স্কুলগী মপানগী থৌপাঙশিংদা পুথোকপীগনি।

**4.27.**"ভারতকী লৌশিং (নোলেজ ওফ ইন্দিয়া) "দা য়াওগদবশিংদি ভারতকী অরিবা মতমগী লৌশিং অমসুং মসিনা অনৌবা ভারত্তা পীরিবা থৌদাংশিং অমসুং মসিগী মায়পাকপশিং অমসুং মসিবু শীংনরকপশিং, অমসুং মহৈ-মশিং, হকশেল, অকোয়বগী ফিভমশিং অসিনচিংবা ভারতকী তুংলমচৎকী অপাম্বশিংগী তশেং-তশেংবা ৱাথল লৈবা অসিনি। হায়রিবা মচাকশিংসি চপচাবা অমসুং চুম্লৌশিংগী ওইবা মওং অমদা মতাং হেক চাবা মফমদা স্কুলগী তম্ন-হীরম পূম্বদা হাপচিনগনি; অকক্না, য়েলহৌমীশিংগী লৌশিং অমসুং য়েলহৌগী অমসুং থুন্নাইরোল তম্বগী মওং য়াওনা ভারতকী লৌশিংগী কাঙলোনশিং থুংনা শোক্কনি অমসুং মথোয়বু অঙ্ক, এষ্ট্রোনোমি, ৱাংঙুরোল (ফিলোসোফি), য়োগা, য়ুমশারোল (আর্কিটেকচর), হীদাকলোন

(মেডিসিন), লৌউ-শিংউলোন (এগ্রিকলচর), ইঞ্জিনিয়রিং, লোন্মীৎলোন (লিঙ্গুইষ্টিক্স), খোৱারীরোল, শাজেল্লোন (স্পোর্টস), শান্নরোল (গেম্স), লোয়ননা ঙাক্লোন (গভর্নান্স), পোলিটি অমসুং কনজর্ভেশন অসিদা য়াওশিনগনি। য়েলহৌমীশিংগী কান্ন-হীদাক থূৎশীজিন্না, উমং শেন্নলোন, থুন্নাইরোলগী মহৈ-মরোং (ওর্গানিক) থাবা, মহৌশাগী লৌউ-শিংউলোন অসিনচিংবা অককন্নবা তম্বগী কোর্সশিংসু ফংহনগনি। ভারতকী লৌশিংগী কাঙলোনশিং (ইন্দিয়ন নোলেজ সিষ্টেমশিং) গী মহৈরোয় মশামক য়াওগদৌবা কোর্স অমা সেকেণ্ডরি স্কুলগী মহৈরোয়শিংদা থনবা য়াবা নৈনচল (ইলেক্টিভ সবজেক্ট) অমা ওইনা ফংহনগনি। কূম্মৈ অমসুং য়েলহৌগী শান্নরোল ওইনা মথল কয়াগী ৱারোলশিং/ টোপিকশিং অমসুং নৈনচলশিং/সবজেক্টশিং তম্নবা স্কুলশিংদা হৈবা তান্নবগী থৌরমশিং পাঙথোকপা য়াই। চুল্লৌশিং অমসুং মসিগী ৱাংমদসু, থায়নগী অমসুং মতমসিগী ভারতকী পূক্নিং-লৌশিং চাওথৎনীংঙাই ওইবা, অচৌবা মীওইশিংগী অচুম্বা থৌদোকশিংগী ভিডিও ডোকুমেন্টরিশিংবু স্কুল তম্ন-হীরমশিং শীনবদা চানবা মতাংশিংদা উৎকনি। নাৎশিং/হিংনলোনশিং অমগা অমগা থঙননবা থৌরাংশিংগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোয়শিংবু তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা চৎনবা পূক্নিং থৌগৎকনি।

**4.28.** মহৈরোয়শিংবু চহী নৌরিথৈদগী 'অচুম্বা তৌবা' হায়বসিগী মরু ওইবদু তম্বীগনি, অমসুং অচুম-অরানগী ৱারেপ লৌবা ঙম্নবগী মরম চাবা থৌয়াৎৱা (লোজিকেল ফ্রেমৱর্ক) অমা পীগনি। মতুং তারকপা চহীশিংদা, অঙাংশিংনা মাগী মাগী পুন্সিগী থৌদাং পাঙথোকপদা লমচৎ-শাজৎকী/অচুম-অরানগী মহাওদু লৌশিনবা ঙম্নবা, তোঙান-তোঙানবা শকয়েংদগী থোক্লকপা ৱাহৌশিংদা অচুম-অরানগী থোঙফম/ৱাপা অমা শাগৎনবা, অমসুং থবক-থৌদোক থুদিংদা অচুম-অরান য়েংবগী হৈনবী লৈনবগী থৌয়াৎৱা অসি নমথাক, ফুন-চৈনবা, মীঙোন্দগী হূবা (প্লাজিএরিজম), ৱাই চাইহনবা, য়াথোকপীবা, মান্নবা থনবা, মীগী অৱাবা থঙবীবা অসিনচিংবগী ৱাথল্লোনলোমদা য়েংদুনা পাকথোক-চাউথোকহনগনি। অসিগুম্বা হৌরকপগী অচুম-অরানগী লমথীৱা (রিজনিং) দগী তারকপা মহয়শিং ওইনা, ভারতকী চৎন-লীক্লমগী মহাওশিং অমসুং মীওইবগী অমসুং হৌরকপগী ওইবা লৈঙাক্লোনগী মহাও পূম্বা (*সেবা, অহিংসা, স্বচ্ছতা, সত্য, নিস্কাম, কর্ম, শান্তি*, কথোকপা, য়াথোকপীবা, শক-চুয়াম্বা, মশীং য়াম্বা, অচুম্বা লমচৎ, নুপী-নুপাগী মীতেক-মীরৌ, অহল-লমনশিংবু ইকায়থুম্নবা, কদায়দগী হৌরকপনো য়েংদনা মী পূম্নমকপু অমসুং মখোয়দা য়াওজরিবা থৌঙমশিংদু ইকায়থুম্নবা, অকোয়ববু ইকায়থুম্নবা, তেঙবাং পীনিংবা, নোল্লুকপা, অথাঙ কনবা, ঙাকপীহৈবা, মীগী অৱাবা থঙবীবা, মীনুংশি লৈবা, মরৈবাক নীংবা, অয়াম্বা মীনা য়াবদা ৱাথল থম্বা, শাজৎ ফজবা, হোয়াবা, অচুম্বগী ৱাথল, মনীংতম্বা, মান্নবা অমসুং পূনবগী ৱাথলগুম্বা) মহৈরোয় পূম্নমক্তা শেমগত্তুনা লৈহনগনি। অঙাংশিংনা পঞ্চতন্ত্র, জাতকা, হিতোপাদেশকী অশেংবা ৱারীশিং, অমসুং অতৈ নুংঙাইরবা ৱারী-শীংবুলশিং অমসুং ভারতকী চৎন-লীক্লমদা ফংবা পূক্নিং চাউথৎনীংঙাই ওইবা ৱারীশিংদু পানবগী অমসুং তম্নবগী থুদোংচাবা লৈগনি, অমসুং মখোয়না মালেমগী খোরিলোনদা পীবা ইথিলশিংদু তমগনি। ভারতকী লৈঙাক্লোনদগী লৌথোক্লকপা ৱারোল মচাশিংবু মহৈরোয় পূম্নমক্না তঙাইফদনা পাগদবা ওইনা লৌগনি। অনা-অয়েক্তগী ঙাকথোক্নবা, পূক্নিং-ৱাথলগী হকশেল, অফবা মচি ওইগদৌবশিং, ইশাগী অমসুং মীয়ামগী হকচাং ফবা, মাঙ-তাকপা য়াবশিংগা থেংনবা অমসুং অহানবা তেঙবাং (ফার্ষ্ট এইড) য়াওনা হকশেলগী মরমদা তঙাইফদনা তাকপী-তম্বীবসিসু তম্ন-হীরমশিংদা য়াওশিনগনি, লোয়ননা য়ু, হীদাক মনা অমসুং অতৈ হীদাকশিংগী ফত্তবা অমসুং মাঙনীংঙাই ওইবা মহয়শিংগী মরমদা চুল্লৌশিংগী ওইবা শন্দোকৱা পীগনি।

**4.29.** মহৈ-মশিং হায়বসি ঐখোয়গী মহৈরোয়শিংদা থ্বাইদগী য়াম্না মরী লৈনহন্নবা, চান-চূনবা, নুংঙাইবা অমসুং থৌপানবা (ইফেক্টিভ) হায়বদু শোয়হন্দনা ওইহন্নবা - মসিবু নাৎ/হিংনলোন, চৎন-লীক্লম (ট্রেডিশন), পাথাঙ-পুথাঙ (হেরিটেজ), চৎনবীশিং (কষ্টমশিং), লোল, ৱাংঙুরোল, মালেমলোন (জিওগ্রাফি), থায়নগী অমসুং মতমসিগী লৌশিং, থুন্নাইগী অমসুং চুল্লৌশিংগী থৌতাবশিং (সাইন্টিফিক নীডস), য়েলহৌগী অমসুং থুন্নাইরোলগী মতম্বী অসিনচিংবা য়েংদুনা, ভারতকী অমসুং মফমদুগী ওইবা মতাংদা অমসুং চৎনলোন (ইথোস) দা চেৎনা মরু তাশিন্নবা, তম্ন-হীরমশিং অমসুং তম্বীরোল পূম্নমক, হৌগৎলকপা মতাংদগী হৌরগা, অমুক হন্না শকলেপ পীগনি। ৱারীশিং, য়েকথোৎপশিং, শান্নলোন, শাজেল্লোন, থূদমশিং, ৱারুশিং অসিনচিংবসি হেক য়ারিবমথৈ ভারতকী অমসুং মফমদুগী লৈশাদা মরু তাশিন্নবা থনগনি। তম্বা হায়বসিবু অসুম্না মরা তাহল্লবা মতমদতা ৱাথল্লোনশিং, ৱাথলগী ওইবশিং অমসুং ৱাথল থোকপা হায়বশিংসি তশেংনমক্কী থ্বাইদগী ফজনা চাওথৎকনি।

## স্কুল থাক্কী মহৈ-মশিংগী ওইবা লৈবাক্কী তম্ন-হীরমশিংগী থৌয়াৎৱা (নেশনেল করিকুলম ফ্রেমৱর্ক ফোর স্কুল ইডুকেশন, এন সি এফ এস ই)

**4.30.** এন সি ই আর টি না অনৌবা অমসুং মপূং ফারবা স্কুল থাক্কী মহৈ-মশিংগী ওইবা লৈবাক্কী ওইবা তম্ন-হীরমশিংগী থৌয়াৎৱা, এন সি এফ এস ই - ২০২০-২১ (নেশনেল করিকুলম ফ্রেমৱর্ক ফোর স্কুল ইডুকেশন, এন সি এফ এস ই, ২০২০-২১) অমা পায়থৎকনি; মসি লৈবাক্কী মহৈ-মশিংগী থৌশিল ইং ২০২০ গী পরীং-পথাপশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা, মমাং থাবা তম্ন-

হীরমশিংগী তঙাইফদবশিং, অমসুং স্টেট লৈঙাকশিং, পোংবশঙশিং (মিনিষ্ট্রিশিং), ময়ায় লৈঙাক্কী চান-চূনবা লোয়শঙ (ডিপার্টমেন্ট) শিং অমসুং অতৈ পোন্থারোয় (ষ্টেকহোল্ডর) পূন্নমক্কা থন্নরগা তৌগনি অদুগা লম লমগী লোল পূন্নমক্তা ফংহনগনি। এন সি এফ এস ই গী চে-চাংশিংদু মতুংদগীদি চহী ৫-১০ থুদিংগী, মমাং থাবা তম্ন-হীরমশিংদু য়েংদুনা, হন্না য়েংশিনগনি অমসুং মতমগা চানহনগনি।

## মফম মফমগী মহাও অমসুং মথেল য়াওবা লৈবাক্কী তম্ন-লাইরিক (টেক্সবুকশিং)

**4.31.** স্কুল তম্ন-হীরমশিংদা য়াওবশিংদু হন্থবা অমসুং হোংদোক-হোংজিন হেন্না য়াহনবা - অমসুং চিনফা পুবগী মহুত্তা মশানা থিদুনা তমজবদা নৌহৌননা অহেনবা মীৎয়েং চঙবা - হায়বসি স্কুলগী তম্ন-লাইরিক (টেক্সবুক) শিং হোংবগা পরীংননা লোয়নগদৌবনি। তম্ন-লাইরিক পূন্নমক্কা লৈবাক্কী থাক্তা মরুওই হায়না থনবা অদুবু মফম মফমদুগী য়েংদুনা থরা থজিক থেন্নরবসু মপূং ফাহন্নবগীদমক য়াওহন্দুনা, শোয়ফদ্রবা য়ায়ওন (কোর) গী মচাকশিং (থন্নবা, কূপ্না নৈনবা, থূদমশিং অমসুং চন্নফমশিং য়াওনা) য়াওহন্নবা পান্দম থমগনি। ওজাশিংনা মাগী মাগী তম্বীবগী মওংগা অমসুং মথোয়গী মহৈরোয়শিং অমসুং মীয়াম কোল্লুপ অদুগী অপাম্বগা থ্বাইদগী চাননা তম্বীবা য়াননবা - লৈবাক্কী অমসুং মফমদুগী চঙদবা য়াদ্রবা মচাকশিং য়াওরবা তম্ন-লাইরিকশিংগী মপুন (সেট) অমদগী - অয়াবা মফমদা, স্কুলশিং অমসুং ওজাশিংনসু মথোয়না শীজিন্নগদৌবা তম্ন-লাইরিকশিং থনবা য়াগনি।

**4.32.** মহৈরোয়শিংদা অমসুং মহৈ-মশিংগী কাঙলোনসিদা তম্ন-লাইরিকশিংগী মমলগী পোৎলূমদু হন্থহন্নবা, তীঙলৈবা তম্ন-লাইরিকশিংগী মমলদু ওইথোকপা য়াবা থ্বাইদগী তাবা মমলদা, হায়বদি পুথোকপগী/নম্বগী মমলদা ফংহন্নবা পান্দম থমগনি। অসিমক্তি এন সি ই আর টি না এস সি ই আর টি শিংগা থূৎশন্নদুনা শেম্বা অৱাংবা তীঙগী তম্ন-লাইরিক্কী মচাকশিং শীজিন্নদুনা পাঙথোকপা য়াই; অহেনবা তম্ন-লাইরিক্কী মচাকশিংগীদি লৈবাক্কী-মীনুংশি য়েংবশিং পূন্দুনা অমসুং অহৈ-অশিং কয়াবু অহোঙবা মমলদা তম্ন-লাইরিকশিং ইননবা ইনোৎ পীবা মীয়াম্না শেল থাদবা য়াই। ষ্টেটশিংনা মথোয় মথোয়গী তম্ন-হীরমশিং (এন সি ই আর টি না শেম্বা এন সি এফ এস ই দা য়ারিবমথৈ য়ুম্ফম ওইবা য়াই) শেমগনি অমসুং তম্ন-লাইরিকশিংসু এন সি ই আর টি গী তম্ন-লাইরিক্কী মচাকশিংদা য়ারিবমথৈ য়ুম্ফম ওইবা য়াই) ষ্টেটশিংগী মহাও অমসুং মচলশিং হাপচিন্দুনা মথোয়গী অপাম্বা মতুং ইন্না শেমগনি। অসুম্না তৌবসিদা, এন সি ই আর টি গী তম্ন-হীরমশিংবু লৈবাক্কী ওইনা য়ানরবা তূপ্পৱা (ক্রাইটরিয়ন) নি হায়বসি ৱাখলদা থমগদৌবনি। অসিগুম্বা তম্ন-লাইরিকশিংসি মহৈরোয় পূন্নমক্না অৱাংবা তীঙগী মহৈ-মশিং ফংবা ঙম্নবা লম লমগী লোল থুদিংমক্তা ফংহনবা হায়বসি থ্বাইগী ইহান হানবদা তৌগদৌবদুনি হায়না লৌগনি। স্কুলশিংদা তম্ন-লাইরিকশিং মতম চানা ফংহনবা হায়বসি শোয়হন্দনবা হোৎনবা য়াবা থবক পূন্নমক পায়থৎকনি। তম্ন-লাইরিক পূন্নমক্কী ডাউনলোড তৌবা য়াবা অমসুং নমথোকপা য়াবা শাওঙশিংদু, অকোয়বগী ফিভম ঙাকপদা মতেং ওইনবা অমসুং চৎথোক-চৎশীন্দা হন্থনবা, ষ্টেট/ য়ুটি পূন্নমক্না অমসুং এন সি ই আর টি না ফংহনগনি।

**4.33.** লাইরিকথাউশিংগী অমসুং তম্ন-লাইরিকশিংগী অরুম্বদু থন্নবা য়ানা হন্থনবা এন সি ই আর টি, এস সি ই আর টি শিং, অমসুং তম্বীরোয়শিংনা তম্ন-হীরমশিং অমসুং তম্বীরোলদা চান-চূননা হোংদোক্নবগী কোক চূংশিন্নরগা হোৎনগনি।

## মহৈরোয় ফগৎহন্নবা হৈলেপ্পগী থবক (এসেসমেন্ট) পু হোংদোকপা

**4.34.** ঐথোয়গী স্কুল কাঙলোনগী চৎনবীদা হৈলেপ্পগী (এসেসমেন্টকী) পান্দমসি, পূনশিল্লগা পাঙথোকপা (সম্মেটিভ) হায়বদি মরুওইনা চীনফা পুরগা নীংশিংবা ঙম্না য়েংবা থৌওং অদুদগী, হেন্না চাং নাইবা অমসুং তম্না তম্না হৈহনবা (ফোর্মেটিভ) হায়বসিদা হোংদোকপসি, মতীক চাবদা হেন্না তোংবা (কম্পিটেন্সি-বেজ) অদুনি; মসিনা তম্বদা অমসুং ঐথোয়গী মহৈরোয়শিংবু ফগৎহল্লি, অমসুং হৌগৎপা অমসুং কূপ্না নৈনবা ঙম্বা (এনালিসিস), কূপথনা থনবা ঙম্বা (ক্রিটিকেল থিঙ্কিং), নুংলোন্দা ময়েক শেংবা (কন্সেপচুএল ক্লারিটি) গুম্বা অৱাংবা থাক্কী হৈশিংবগী চাংদু য়েংথোকই। হৈলেপ্পগী (এসেসমেন্টকী) অহানবা ফংগে তাল্লিবদি তশেংনা তম্বগীদমক ওইগদৌবনি; মসিনা ওজা অমসুং মহৈরোয়বু, অমসুং স্কুলগী কাঙলোন অপূনববু মতেং পাংগনি, অমসুং মহৈরোয় পূন্নমক্না তম্বা অমসুং ফগৎলকপদু মফরবা (ওপ্টিমম) ওইনবা তাকপা-তম্বগী থৌরমশিংবু লেপ্পা লৈতনা হোংদোক-হোংজিন তৌগনি। মসিনা মহৈ-মশিংগী থাক পূন্নমক্তা হৈলেপ্পগী নুংগী ওইবা পরীং-পথাপতু ওইগনি।

**4.35.** মহৈরোয় পূন্নমক্কী স্কুলদা তৌবা হৈলেপ্পগী থাকউৎ চে (প্রোগ্রেস কার্ড) দু, স্কুলশিংনা মমা-মপাশিংদা থঙহল্লকপা, ষ্টেটশিং/য়ুটিশিংনা হৌজিক তৌগনি থন্নরিবা লৈবাক্কী হৈলেপ্পগী মফম (নেশনেল এসেসমেন্ট সেন্টর), এন সি ই আর টি অমসুং এস সি ই আর টি শিংগী মথাদা মপূং ফানা হন্না শকলেপ পীগনি। থাকউৎ চে অদুনা মহৈরোয় থুদিংনা থঙবা ঙম্বগী, পূক্নিং-

পূকচেলগী, অমসুং থঙনা লেঙ-ওৎপগী হৌফমশিং (সাইকোমোটোর ডোমেইনশিং) দা ফগৎলকপদু অপূনবগী ওইনা য়াম্না মচা থায়না উৎপগা লোয়ননা অমমম ওইনা তোমথিন ওইবা মতৌদু অচূম্বা, ৩৬০°গী মশোং য়াম্বা (মল্টিডাইমেন্সন) থাক্তু উৎপা রিপোর্ট ওইগদৌবনি। মসিদা মশানা হৈলেপচবা (সেল্ফ এসেসমেন্ট) অমসুং মমান্নবনা হৈলেপ্পা, অমসুং অঙাংদুগী থৌয়েংদা-তোংবা (প্রোজেক্ট-বেজ) অমসুং হংবদা-তোংবা (ইনক্বাইরি-বেজ) মহৈ হৈগৎলকপা, ৱাহংবীশিং, শক্তম লাংবা কূম্মৈশিং, পূন্না তৌমিন্নবা থবকশিং, অয়েকপশিং, ফোটোনচিংবশিং থোমজিল্লকপশিং অসিনচিংবসিগা লোয়ননা ওজানা হৈলেপ্পদুসু য়াওগদৌবনি। অপূনবা শক্তমগী ওইবা থাকউৎ চেদুনা য়ুম অমসুং স্কুলগী মরক্তা অফবা মরী অমা শেমগনি অমসুং মমা-মপাশিংনা মখোয় মখোয়গী অঙাংশিংগী অপূনবা মওংগী মহৈ-মশিং অমসুং চাওখৎলকপদা চোংথোরক্তুনা মশানা হৈনীংনা য়াওনবা মমা-মপা-ওজাশিংগী মীতিনশিংসু য়াওগনি। মহৈরোয় থুদিংমকপু স্কুলগী মনুংদা অমসুং মপান্দা কমদৌনা মতেং পীগদগে হায়বগী মমল য়াম্লবা ৱারোলশিংবুসু ওজাশিং অমসুং মমা-মপাশিংদা থাকউৎ চেদুনা পীগনি। মহৈরোয়শিংদা মখোয়না হৈবা, পামজবা, ৱাথল থাদগদৌবা মফমশিং অমসুং মসিদগী মখোয়দা মফগদৌবা (ওপ্টিমেল) লম থনবদা মতেং ওইনবা মখোয়না হৈবগী ৱারোলশিং অমসুং মমা-মপাশিংগা, মহৈরোয়শিংগা অমসুং ওজাশিংগা উনদুনা অমসুং হংদুনা লৌবা ৱারোলশিংদা তোংদুনা মহৈরোয়শিংনা স্কুলদা লৈরিঙৈ চহীশিংদা চাওখৎলকপগী লম্বীদু থিদোকপদা মতেং পাংনবা এ আই দা তোংবা সোফৱেয়র (এ আই-বেজ সোফ্টৱেয়র) শিং মহৈরোয়শিংনা শেম্বা অমসুং শীজিন্নবা য়াই।

**4.36.** বোর্ডকী কূপয়েংশিং (ইগজামিনেশন) অমসুং মীং চন্নবা কূপয়েংশিং য়াওনা হৌজিকমক চত্থরিবা সেকেণ্ডরি স্কুলগী কূপয়েংশিংগী মওং - অমসুং মসিদগী থোক্লক্লিবা ঙসিগী কোচিংগী চৎনবীসিনা - অথন্ননা সেকেণ্ডরি স্কুলগী থাক্তা, তম্নবগী মমল য়াম্লবা মতমবু কা হেন্না কূপয়েংগীদমক কোচিং তৌবা অমসুং শেম-শাবনা শিন্দোক্তুনা মাঙনবা য়াম্না তৌরি। কূপয়েংশিং অসিনসু মহৈরোয়শিংবুসু, তুংগী মহৈ-মশিংগী পরীংদা অদুক্কী মতীক মরু ওইগদৌরিবা থন্নলম (ওপশন) গী হোংদোক-হোংজিন অমসুং অপাম্বা থনবা য়াহনবগী মহুত্তা, ট্রীম অমথক্তগী য়াম্না থূবা মচাক অমত্তদা নম্ফূদা তমহল্লি|

**4.37.** থাক ১০ অমসুং ১২গী বোর্ডকী কূপয়েং (এগজাম) শিংসিদি অদুমক মথা চত্থরগা, হৌজিকমক লৈরিবা বোর্ড অমসুং মীং চন্নবগীদমক পাঙথোক্লিবা কূপয়েংশিংগী কাঙলোন অসিবুদি কোচিং ক্লাসশিংগী মথৌ তারিবশিংদু মুথৎনবা শেমদোক্লগনি। হৌজিক লৈরিবা হৈলেপ্পগী কাঙলোনসিগী ফত্তবা তুংগী মহয়শিং (ইফেক্টস) অসিবু হন্দোক্লবা, বোর্ডকী কূপয়েংশিংসি অপূনবগী ওইনা চাওখৎলকপবু থৌগৎনবা অমুক নৌহৌননা শকলেপ পীরগনি; মহৈরোয়শিংনা, মাগী মাগী অপাম্বা মতুং ইন্না, মখোয়না বোর্ডকী কূপয়েংশিংদা লৌথিবা নৈনচলশিং (সবজেক্টস) ময়ামদুদগী থনবা য়াহনগনি। বোর্ডকী কূপয়েংশিংসু ‘লায়থোকহল্লগনি’, হায়নীংলিবদি, মখোয়গী থা কয়াগী কোচিং অমসুং নীংশিংবগী চাংয়েং লৌবগী মহুত্তা মখোয়গী য়ায়পুঙগী থৌঙমশিং/মতীক চাবা মঙলশিংদু (কোর কেপাসিটিজ/কম্পিটেন্সিজ) মরু ওইনা য়েংগনি; স্কুলগী ক্লাস অমদা য়াওরিবা অমসুং মখোঙ শেংনা হোৎনরিবা মহৈরোয় অমা হেক্তনা থাক চানবা বোর্ডকী কূপয়েংদা অমুক হেনজিন্না হোৎনরুদনা মায়পাকপা অমসুং ফজনা পাঙথোকপা ঙমগনি। বোর্ডকী কূপয়েংশিংগী ‘শোয়নীংঙাই ৱাংবা’ মায়োঙবু থরা হেন্না লৌথোক্লবা, মহৈরোয় পূম্নমকপু স্কুলগী চহী অমা হেক্তদা বোর্ডকী কূপয়েং অনীরক ফাওবা, অমনা মপূং ওইবা কূপয়েং, অমসুং অমনা পাল্লগদি, ফগৎনবগী কূপয়েং, থাবা য়াহনগনি।

**4.38.** হেন্না হোংদোক-হোংজিন য়াহনবা হৌদোকপগী মথক্তা, মহৈরোয়গী অপাম্বা থনবা য়াহনবা, অমসুং অনীরক হোৎনবদুগী অফবদু লৌবা, মহৈরোয়গী য়ায়পুঙগী থৌঙম (কোর কেপাসিটি) য়েংদুনা হৈলেপ্পনা (এসেসমেন্টনা) হৌজিকমক্কী ওইরিবা বোর্ডকী কূপয়েংশিং শেমদোকপা ওইরি। মহৈরোয়শিংদা পীবা নমইন (প্রেসর) অমসুং কোচিংগী চৎনবী হন্থনবা বোর্ডশিংনা মতম থরসিদা বোর্ডকী কূপয়েংশিংগী ওইবা য়াবা অহেনবা ওংতমশিং (মোডেলশিং) শেম্বা য়াই। ওইবা য়াবা থরদি: চহীগী ওইনা/অনীরক থোক্লা/পান্দোঙগী (মোড্যুলর) বোর্ড কূপয়েংশিং শেম্বা য়াই – কূপয়েঙ অমমম্না মচাক য়াম্না হন্থবদা লৌবা য়াই অমসুং মখোয়বু স্কুলদুদা তম্বীবগী কোর্সতু হেক লোইবগী মতুংদা লৌগনি – মসিনা কূপয়েংনা পীবা নমইন (প্রেসর) দু হেন্না ফজনা য়েন্থোক্কনি, কোক শাবা হন্থগনি, সেকেণ্ডরিগী থাক্তা শোয়নিংঙাই ৱাংবদু হন্থগনি; অঙ্কদগী হৌরদুনা নৈনচল (সবজেক্ট) পূম্নমক অমসুং মখোয় মখোয়গী হৈলেপ্পশিং (এসেসমেন্টশিং) দু থাক অনীদা পীবা য়াই, মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী নৈনচলশিংগী থরনা চৎনরবা (ষ্টেণ্ডর্ড) থাক অমদা অদুগা থরনা থরা ৱাংখৎপা থাক্তা তৌবা য়াই; অমসুং বোর্ডকী কূপয়েংশিংসি অকক্লবা নৈনচল থরদদি শরুক অনী থোক্লা অমুক নৌহৌননা শকলেপ্পা য়াই – শরুক অমনা থন্ননবা য়াম্বা পোৎতা য়েংবা ৱাহংগী ওইবা (ওবজেক্টিভ টাইপ ৱিথ মল্টিপল চোইস) অমসুং অতোপ্পদুনা থাদুনা ইগদৌবা (ডিস্ক্রিপ্টিভ) ওইগনি।

**4.39.** মথক্কী ময়ামসি য়েংলগা এস সি ই আর টি শিং, হৈলেপ্পগী বোর্ডশিং (বোর্ড ওফ এসেসমেন্ট, বি ও ও এস, শেম্নবা হৌদোক্লিবা লৈবাক্কী হৈলেপ্পগী মফম (নেশনেল এসেসমেন্ট সেন্টর) নচিংবা চাউনা কোক অমসুং শেল থাদরিবশিং হায়বদি পোন্থারোয়শিংগা (মেজর ষ্টেকহোল্ডর্স) গা তানরগা এন সি ই আর টি না লমজীং-লমতাকশিং শেমগনি অমসুং ২০২২-২৩গী

মহৈগী চহী (একাডেমিক সেসন) দগীদি এন সি এফ এস সি ২০২০-২১ গা মপা চাননা হৈলেপ্পগী কাঙলোনদা শকহোংবা অমা পুরক্লবা ওজাবু শেম-শাগনি।

**4.40.** থাক ১০ অমসুং ১২ লোইরকপদথক তৌবা নত্তনা, স্কুলগী চহীশিং চূপ্পদা থাকহোংদু লমথিনবা (ট্রেক প্রোগ্রেস) - মহৈরোয়শিংগী, মমা-মপাশিংগী, ওজাশিংগী, প্রিন্সিপালশিংগী, অমসুং স্কুলশিংদা অমসুং তম্বীবা-তম্বগী থৌরমশিংদা ফগৎহন্নবা শীল্লিবা স্কুলগী কাঙলোন পূন্নমক্কী কান্ননবগীদমক - মহৈরোয় পূন্নমক্না, অতম্নবা থৌইন্না (এপ্রোপ্রিয়েৎ ওথোরিটি) পাঙথোক্কদৌবা থাক ৩, ৫ অমসুং ৮গী স্কুল কূপয়েংশিং য়াওগনি। হায়রিবা কূপয়েংশিংসিনা মহৈরোয়শিংনা মরুগী ওইবা তম্বদগী হৈফম থোকপশিংদা মথোয়না হৈবদু য়েংগনি; মসিবু য়ায়পুঙগী নুংলোনশিং (কোর কন্সেপ্টস), অমসুং লৈবাক্কী অমসুং মফমদুগী তম্ন-হীরম (করিকুলম) শিংদগী থঙবশিংদু হৈলেপ্পগা লোয়ন-লোয়ননা ৱাংথৎপা থাক্কী হৈশিংবশিং, অমসুং চিনফা পুবা নীংশিংবগী মহুত্তা পুন্সিদা তশেংনা থেংনবা মতাংদা লৌশিং শীজিন্নবা হায়বশিংসিগী মতেংনা য়েংগনি। অকক্লনা থাক ৩গী কূপয়েংদা অহৌবগী ওইবা ময়েক-চৎপা, মশীং-চৎপা অমসুং অতৈ হৌফমগী ওইবা হৈশিংবদা য়েংগনি। স্কুলগী কূপয়েংশিংগী মথোকশিং (রিজল্ট) দুবু মহৈ-মশিংগী কাঙলোনদু ফগৎহন্নবগী থবকশিংদতা শীজিন্নগনি; স্কুলশিংগী অপূনবগী ওইবা মহৈরোয়শিংগী মথোকশিংদু (থঙহন্দনা থমগদৌবা) ময়ামদা থঙহনবগী, অমসুং স্কুল কাঙলোনদা তৌরিবশিংদু লেপ্তনা য়েংশিন্নবা অমসুং ফগৎহন্নবগী থবক য়াওগনি।

**4.41.** ভারতকী শক থঙলবা স্কুল বোর্ড পূন্নমক্কী চৎনবীশিং থম্বগী হৌরকফমগী পান্দমশিং (বেসিক ওবজেক্টিভস ওফ সেট্টিং নোর্মস) ঙাকপা, চৎন-থাকশিং, অমসুং মহৈরোয়শিংগী হৈলেপ্পবা (এসেসমেন্ট) অমসুং য়াইরেপ্পবা (ইভালুএশন) লমজীং-লমতাকশিং, ষ্টেটকী ওইনা মহৈরোয়শিংগী তৌঙম্বা থিবগী থবক (ষ্টেট এচিভমেন্ট সর্ভিস, এস এ এস) শিংদা লমতাকপা অমসুং লৈবাক্কী ওইনা মহৈরোয়শিংনা তৌঙম্বা থিবগী থবক (নেশনেল এচিভমেন্ট সর্ভিস, এন এ এস) শিংদা থবক পায়থৎপা, লৈবাকসিদা তম্বদগী হৈরকপশিং শেন্নবা, অমসুং স্কুলগী বোর্ডশিংবু মথোয়না হৈলেপ্পগী ওংদাশিং (পেট্টর্নশিং) দু থৌরাং অসিগী হায়থ্রবা পান্দমশিংদুগা চাননা ২১শুবা চহীচাদা থৌ তাগদৌবশিংদু থেংননবা হৈশিংবরোমদা ওনশিনবদা থৌগৎপা অমসুং মতেং পাংনবা এম ঐচ আর ডি গী মথাদা পি এ আর এ কে ঐচ/PARAKH (পর্ফোর্মেন্স এসেসমেন্ট, রিভিউ এণ্ড এনালিসিস ওফ নোলেজ ফোর হোলিষ্টিক ডিভেলপমেন্ট) হায়বা লৈবাক্কী হৈলেপ্পগী মফম (নেশনেল এসেসমেন্ট সেন্টর) অমবু চৎন-থাকশিং লেপ্পবা লূপ (ষ্টেণ্ডর্ড সেট্টিং বোডি) অমা ওইনা লিংথৎনবা ৱাফম হৌদোক্লি। মফম অসিনা স্কুলগী বোর্ডশিংবু হৈলেপ্পগী অনৌবা ওংদাশিং অমসুং থ্বাইদগী অনৌবা থিজিনবদা ফংবশিং, স্কুলগী বোর্ডশিংগী মরক্তা থবক তৌমিন্নবশিংদসু পাউতাক পীগনি। স্কুলগী বোর্ডশিংগী মরক্তা থ্বাইদগী ফরবা থৌদৌশিং (প্রেক্টিসশিং) দু থঙমিন্নবদা অমসুং স্কুলগী বোর্ড পূন্নমক শীন্না মহৈরোয়শিংগী মরক্তা লাইরিক্কী চৎনরবা থাক্তা থৌমান্নবা (ইক্কিভেলেন্স) অদু শোয়হন্দনবগী থূৎলাই অমা ওইগনি।

**4.42.** তাইবং-মহৈকোল চঙনবা কূপয়েংগী পরীং-পথাপশিংদু শকমান্নগনি। লৈবাক্কী ওইবা য়েংথোক্লবা থৌপাঙলোয় (নেশনেল টেষ্টিং এজেন্সি – এন টি এ) না অৱাংবা তীঙগী মশাগী য়াওজরকপশিংগী অপূনবা য়েংথোকপা অমা ফংহন্নবা থৌরাংগনি; মসিগা লোয়ননা, চুম্লৌশিং (সাইন্সেস) দা, তাইবংলোনশিং (হ্যুমেনিটিজ) দা, লোলশিংদা, ফিরেপলোনশিং (আর্টস) দা অমসুং শিনফমগী লৌশিংশিং (ভোকেশনেল সবজেক্টশিং) দা অথন্নবা লৌশিংশাশিংগী চহী থুদিংগী য়ামদ্রবদা কূপয়েং অনীরক তৌগনি। কূপয়েংশিংদুনা নুংলোনগী কূপথনা থঙবা (কন্সেপ্টচুএল অণ্ডষ্টেণ্ডিং) অদুবু অমসুং কূপয়েংশিংসিগীদমক কোচিংগী মথৌ তাবদু লৌথোক্লবা পান্দম থমগনি। মহৈরোয়শিংনা য়েংথোকপদু য়াওনবা লৌনীংবা লৌশিংশাশিং থনবা য়াগনি অমসুং তাইবং-মহৈকোল থুদিংমক্লা মহৈরোয় থুদিংমক্কী লৌশিংশা অমমমগী চেরোলদু য়েংবা য়াগনি অমসুং মী মীগী অপাম্বা অমসুং পীথোক্লকপদা য়েংদুনা মথোয়গী থৌরম-পরেংশিংদা মহৈরোয়শিংবু মীং চলহনগনি। এন টি এ না অণ্ডরগ্রেজুএট অমসুং গ্রেজুএট অমসুং অৱাংবা মহৈ-মশিংগী মহৈকোলশিংগী ফেসোশিপকী মীং চন্নবা কূপয়েংশিংগী পাঙথোকপা থবকশিংগী লুচিংবা, অহৈবা, মদোম লেপ্পা য়েংথোক্লবা থৌপাঙলোয় অমা ওইনা মথৌ তৌগনি। এন টি এ না পাঙথোকপা থবকশিংগী অৱাংবা মতীঙ (হাই ক্বালিটি), মকাপ (রেঞ্জ), হোংদোক-হোংজিন য়াবা (ফ্লেক্সিবিলিটি) হায়বশিংসিনা চা কয়াগী তাইবং-মহৈকোলশিংনা মাগী মাগী মীং চন্নবা থৌরাংবগী মহুত্তা মীং চন্নবা অপূনবা কূপয়েংসি তাইবং-মহৈকোল অয়াম্বনা শীজিন্নবা য়াই - মসিনা মহৈরোয়শিংদা, তাইবং-মহৈকোলশিংদা অমসুং কলেজশিংদা, অমসুং মহৈ-মশিংগী কাঙলোন পূম্বদা পীবা পোৎলূমদু শাথীনা হন্থহনগনি। এন টি এ গী হৈলেপসিবু মথোয়গী মীং চনবদা শীজিন্নবা হায়বদুদি তাইবং-মহৈকোলশিং অমসুং কলেজশিংগী মরন্নাই অপাম্বদা থল্লে।

## মশাগী ওইনা পীথোকচরক্লবা মহৈরোয়শিংবু/থোইদোক্লা হৈজ-শিংলবা মহৈরোয়শিংবু শৌগৎপা

**4.43.** মহৈরোয় থুদিংমক্তা পোকপদগী য়াওজরকপা থঙবীগদৌবা, য়োকথৎপীগদৌবা, শেন্নবীগদৌবা অমসুং শেমগৎকদৌবা পীথোরকপা হৈজ-শিংজবশিং লৈ। হায়রিবা পীথোরকপা হৈজ-শিংজবশিংসি মথল কয়াগী মান্নদবা অপাম্বশিং, পূক্লিং-পূকচেলশিং অমসুং থৌঙমশিং ওইনা মশা মশানা ফোঙদোক্লকপা য়াই। নাকল অমদা অথন্ননা য়াম্না পামজবা অমসুং ঙমজবা উথোকপা মহৈরোয়শিংদু স্কুলগী ময়ামগী তম্ন-হীরম (করিকুলম) শিংগী ৱাংমদা নাকল অদোমদা তানশিন্নবা থৌগৎপীগদৌবনি। ওজাগী মহৈ-মশিংদা অসিগুম্বা মহৈরোয়গী পীথোরকপা হৈজ-শিংজবশিং অমসুং অপাম্বশিংসি মশক থঙদোক্লবা অমসুং য়োকথৎনবা থৌওঙশিং য়াওগনি। এন সি ই আর টি অমসুং এন সি টি ই না পীথোরকপা হৈজ-শিংজবশিং য়াওরবা অঙাংশিংগী মহৈ-মশিংগীদমক লমতাকপশিং শেমগৎকনি। বি এড কী থৌরম-পরেংশিংদা পীথোরক্লবা হৈজ-শিংজবশিং য়াওরবা অঙাংশিংগী মহৈ-মশিংদা অথন্ননা নৈনবা (স্পেশলাইজেশন) য়াওহনবা য়াই।

**4.44.** তোপ-তোপ্পা অপাম্বা লৈবা অমসুং/নৎত্রগা পীথোরকপা হৈজ-শিংজবশিং য়াওবা মহৈরোয়শিংদা ওজাশিংনা ক্লাসরুমদা মেনথৎপা ওইনা ফগৎনবা অহেনবা মচাকশিং, লমজীংশিং অমসুং থৌগৎৱাশিং পীদুনা মপূক্লিং থৌগৎনবা পান্দমগদৌবনি। হীরম্না য়ায়তোম (টোপিক সেন্টর্ড) ওইবা অমসুং থৌয়েংদা তোংবা (প্রোজেক্ট-বেজ) লূপশিং অমসুং মফমশিংবু স্কুলগী থাক্তা, স্কুলশিং থূৎশন্ননা শেম্বশিং, পানাশিং অমসুং মথোয়গী ৱাংমগী থাক্তসু থৌগৎকনি অমসুং লমজীংগনি। থূদম ওইনা, য়াওরিবশিংদি চুম্লৌশিংগী লূপশিং (সাইন্স সর্কল্স), অঙ্কগী লূপশিং (মেথস সর্কল্স), ঈশৈ অমসুং জগোয় পাঙথোকপা লূপশিং (ম্যুজিক এণ্ড ডান্স পর্ফোর্মেন্স সর্কল্স), ছত্রংগী লূপশিং, শৈরেংগী লূপশিং (পোইট্রি সর্কল্স), লোলগী লূপশিং, ফম্বাক লীলাগী লূপশিং (ড্রামা সর্কল্স), ৱায়েৎনবীগী লূপশিং (ডিবেটিং সর্কল্স), শাজেল্লোনগী লূপশিং (স্পোর্টস সর্কল্স), অকোয়বা ঙাকশেনবা লূপশিং (ইকো-ক্লবস), হকচাং অমসুং অফ-নুংঙাইগী লূপশিং (হেল্থ অমসুং ৱেল-বিইং ক্লবস) /য়োগাগী লূপশিং (য়োগা ক্লবশিং) অমসুং অতৌ অতৈশিংনি। হায়রিবা লম্বীশিংসিদা, তোঙান তোঙানবা নৈনচলশিংদা সেকেণ্ডরি স্কুলগী মহৌরোয়শিংগীদমক অৱাংবা তীঙগী ওইবা লৈবাক্কী ওইনা লৈফম-চাফম পীদুনা কালেন্থাদা পাঙথোকপা থৌরম-পরেংশিং (রেসিডেন্সিএল সমর প্রোগ্রামশিং) পাঙথোক্লবা পূক্লিং থৌগৎকনি; মসিদা লৈবাক শীনবদগী, থুন্নাই-শেল-থুমগী থুদোংচাদবা কাঙলূপশিংদগী য়াওনা, থ্বাইদগী ফবা মহৈরোয়শিং অমসুং ওজাশিংবু চিংশিন্নবা, মানা মানা হৈজবদু মনুং থীৎনা থঙবদা য়ুক্ষম ওইরগা মান্ননা মীং চন্নবগী হকচিনবা থৌরমশিং (প্রোগ্রামশিং) পায়থৎলগা তৌগনি।

**4.45.** মহৈরোয়শিংনা মানা মানা মতীক চাবা থাক পূন্নমক্তা মথোয় পূন্নমক্লা য়াওবদু শোয়দনবা স্কুলগী থাক্তগী মফম অদুৱাইগী থাক্তা, অদুদগী ষ্টেটকী থাক্তা, অদুদগী লৈবাক্কী থাক্তা ময়েক শেংনা থবক তৌমিন্নবা অমসুং চাওথৎমিন্নবা য়াওনা, মথল কয়াগী নৈনচলশিং (সবজেক্টস) দা ওলিম্পিয়াডশিং অমসুং হেন্দান্নবশিং লৈবাক শীন্না পাঙথোক্কনি। থৌরমশিং অসিদা মীয়াম্না পাক-শন্না য়াওশিল্লক্লবা লম লমগী লোলশিংদা অমসুং থুঙ্গংগী লমশিংদা হায়রিবশিংসি ফংহন্নবা হোৎনগনি। আই আই টি শিং অমসুং এন আই টি শিংগুম্বা মাঙজিল থাবা মহৈকোলশিং য়াওনা ময়ামগী অমসুং লন্নাইগী তাইবং-মহৈকোলশিংবু অফবা অহৈবদা য়েংবা (মেরিট-বেজ), লৈবাক্কী অমসুং মালেমগী ওলিম্পিয়াডশিং, অমসুং অতৈ চান-চূনবা লৈবাক্কী থৌরমশিংগী মথোকশিংদু মথোয়গী অণ্ডরগ্রেজুএট থৌরম-পরেংশিংগী মীং চন্নবগী তূপ্পৱাশিং (ক্রাইটরিয়া) গী শরুক অমা ওইহন্নবা থৌগৎকনি।

**4.46.** য়ুম অমসুং/নৎত্রগা স্কুল পূন্নমক্তা ইন্টরনেৎ শম্বা স্মার্ট ফোনশিং নৎত্রগা টেব্লেটশিং হেক ফংবগা, ৱাহংবীশিং (ক্বিজেজ) য়াওবা ওনলাইন এপ্স, তান্নবশিং, হৈলেপ্পশিং, ফগৎহন্নবা মচাকশিং অমসুং ওইমিন্নবা য়াবা অপাম্বা লৈবা ওনলাইনগী মীয়াম কোল্লুপশিং শেমগৎকনি অমসুং মমা-মপাশিং অমসুং ওজাশিংগী মতীক চাবা মীৎয়েং মথাদা মহৈরোয়শিংগী কাঙলূপ কাঙলূপকীদমক পায়থৎপা ওইনা মথক্তা পনখিবা থৌহৌশিং অসিবু ফগৎহন্নবা থবক লৌথৎকনি। স্কুলশিংনা ডিজিটেল তম্বীরোল শীজিন্ননবা স্মার্ট ক্লাসকী কাশিং মতেক মতেক ওইনা শেমগৎকনি অমসুং মসিনা ওনলাইনগী মথোকশিং (রিসোর্সশিং) না অমসুং মতেং পাংনদুনা তম্বীবা-তম্বগী থৌশিলবু ফগৎহনগনি।

## 5. ওজাশিং

**5.1.** তশেংনমক ওজাশিংনা ঐখোয়গী অঙাংশিংগী তুংলমচৎপু শেম্বীবনি, অমসুং মরমসিনা, লৈবাকসিগী তুংলমচৎপুসু শেম্বনি। ওজানা ভারত্তা লৌরিবা চীংলেম্বা থৌদাং অসিগীদমক্কি মহাকপু থুন্নাইসিগী থ্বাইদগী ইকায়থুম্নরবা মীশক অমা ওইনা লৌনরম্লিবসি। থ্বাইদগী ফবা অমসুং মহৈ হৈবথক্তনা ওজা ওইনরম্মী। ওজাশিংনা নৎত্রগা গুরুশিংনা মহৈরোয়শিংদা মথোয়গী লৌশিং, হৈশিংবা অমসুং অচুম-অরানগী ৱাথলবু থুন্নাইগী ফরবা মওংদা থূৎশিন্নরম্নবা থুন্নাইদুনা ওজাশিংগী চঙগদৌবশিংদু পীরম্মী। ওজাগী মহৈ-মশিং, হান্নগী মওং, শীজিন্নবগী মওং, থবক তৌবগী ফিভমশিং অমসুং ওজাদা পীরিবা মঙম

হায়বশিংসি ওইফম থোকপা অমত্তা ওইদ্রে অমসুং মদুদগী তারকপা ওইনা ওজাশিংগী তীঙ অমসুং ওজাশিংনা পীবা ইথিলদু পাল্লিবা থাকশিংদু য়ৌবা ঙমদ্রে। খ্বাইদগী ফবশিংবু তম্বীবগী শিনফমদা চঙনীংনবা ইহুল-কাঙহন্নবা ওজাদা পীরম্বা অৱাংবা ইকায়খুম্নবা অমসুং খুন্নাইনা পীরম্বা অৱাংবা থাক্তু অমুক হনজিনগদৌবনি। ঐথোয়গী অঙাংশিংগী অমসুং ঐথোয়গী লৈবাক্কী ওইবা য়াবা খ্বাইদগী ফবা তুংলমচৎ অমা শোয়হন্দনবা ওজাশিংবু ইথিল পীবা অমসুং মঙল হাপ্পগী মথৌ তাই।

## থবক হাপ্পা অমসুং শীজিন্নবা

**5.2.** থোইদোক-হেন্দোকপা মহৈরোয়শিংনা, অথন্ননা খুঙ্গংগী লমশিংদগী, তম্বীবগী শিনফমদা চঙলকপদু শোয়হন্দনবা, লৈবাক শীনবদগী হৈবদা য়েংদুনা থনবা স্কোলরশিপ মশীং য়াম্না মতীঙ লৈবা চাউথোক্লবা চহী-৪ গী বি এড কী থৌরমশিং তম্নবা হৌদোক্কনি। মথোয়না বি এড কী থৌরমশিংদু মায়পাক্না লোইশিল্লবা মতুংদা খুঙ্গংগী লমশিংদা মাগী মাগী মফমশিংদা মথোয়বু হেন্না পাম্না থবক পীবা য়াওনা, হৈবদা য়েংবা অথন্নবা স্কোলরশিপশিং হৌদোক্কনি। অসিগুম্বা স্কোলরশিপশিংসিনা মফম মফমদুগী মহৈরোয়শিংদা মফমদুগী ফমশিংগীদমক খুদোংচাবশিং, অকক্লনা নুপী মহৈরোয়শিংদা পীগনি, মসিনা, হায়রিবা মহৈরোয়শিংসিনা মফমদুগী লোল ঙাঙবা য়াম্না হৈরবা ওজাশিং ওইনা অমসুং থৌদাংগী ওংতমশিং (রোল মোডেলশিং) ওইনা থবক তৌগনি। খুঙ্গংগী লমশিংদা, অকক্লনা হৌজিকমক তীঙ লৈবা ওজা ৱাৎপগী শাথীনা মায়োক্লরিবা মফমশিংদা, তম্বীবগী শিনফমদা লৈবা ওজাশিংদা থৌগৎ-মনাশিং (ইন্সেন্টিভস) পীগনি। খুঙ্গংগী লমশিংদা ওজা ওইবগী মাঙজিল ওইবা থৌগৎ-মনা অমদি স্কুলগী মনাক্তা নৎত্রগা স্কুলগী য়ুম-ইংথোলমক্তদা মফমদুগী য়ুমগীদমক কায়দোঙ (প্রোভিজন) পীবা নৎত্রগা লৈফমগীদমক পীবা শেনফমশিংদু হেনগৎপনি।

**5.3.** মহৈরোয়শিংনা মথোয়গী থৌদাংগী ওংতমশিং অমসুং মহৈ-মশিংগী হৈনকোলশিং (ইনভাইরনমেন্টস) বু হোংদনা ফংনবা ওজাশিংবু কা হেন্না হোংদোক-হোংজিন তৌবগী ফত্তবা থবকসি লেপহল্লগনি। ষ্টেট/য়ু টি লৈঙাকশিংনা খুদোংচানবা শেম্লবা মওংদুদা য়াম্না অতম্নবা মতাংথক্তদা হোংদোক-হোংজিনসি তৌগনি। মসিগী মথক্তা, হোংদোক-হোংজিনসি মনুং-মপান উবা মওংদা কম্প্যুটরগী কাঙলোন অমদা ওনলাইনদা পাঙথোক্কনি।

**5.4.** ওজা ওইবা মতীক চাবগী য়েংথোক-চাংয়েংশিং (টিচর ইলিজিবিলিটি টেষ্টস, টি ই টি) সি, মচাক (কন্টেন্টশিং) অমসুং তম্বীরোল অনীমক্তা ফগৎলবা চাংয়েংগী মচাকশিং হাপচিন্নবা, মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি। স্কুল মহৈ-মশিংগী থাক পূম্নমক্তা হৌগৎলকপগী (ফাউণ্ডেশনেল), শেম-শাবগী (প্রিপরেটরি), ময়ায়গী (মিডল) অমসুং সেকেণ্ডরিগী লৈরিবা ওজা পূম্নমক থুংনা কোনশিন্নবা টি ই টি শিংদু পাকথোকহল্লগনি। নৈনচলগী ওজাশিংগী (সবজেক্ট টিচর্স) দি চানবা টেটস নৎত্রগা এন টি এ) য়েংথোকপদা চান-খূদুং ইনবা নৈনচলশিং (করেস্পোণ্ডিং সবজেক্টশিং) দা ফংবশিংদুসু থবক হাপ্পগীদমক থন্নগনি। তম্বীবদা লৈবা অপাম্বা অমসুং ইথিলদু ওন্নবা ক্লাসকী কাশিংদা উথোকপা (ডিমন্সট্রেশন) নৎত্রগা থন্নমীফম (ইন্টরভিউ) হায়বসি স্কুলশিংদা অমসুং খূৎশম্নরগা শেম্বা স্কুলশিংদা ওজা নেক্লবগীদমক মপূং ওইবা শরুক অমা ওইরগনি। থন্নমীফমশিংসি মফমদুগী লোল তম্বীবদা নুংঙাইহনবা অমসুং হৈথোই-শিংথোইববু হৈলেপ্পদা (এসেসমেন্টতা) শীজিন্নগনি, মসিনা স্কুল খুদিংমক্কী/খূৎশম্নরগা শেম্বা স্কুল খুদিংমক্কী মহৈরোয়শিংগা মফমদুগী লোনদা অমসুং অতোপ্পা ঙাঙনরিবা য়ুমগী লোনদা ৱারী শাবা ঙম্বা য়ামদ্রবদা ওজা থরদি লৈরে। লন্নাই স্কুলশিংগী ওজাশিংসু অসুম্না টি ই টি, উথোকপা (ডিমন্সট্রেশন) অমদা/থন্নমীফম (ইন্টরভিউ) অমদা, অমসুং মফমদুগী লোল (শিং) খঙবা হায়বশিংসিদা মতীক চারবা ওইগদৌবনি।

**5.5.** অকক্লনা য়েকখোৎপা, হকচাংগী মহৈ-মশিং, শিনফমগী মহৈ-মশিং, অমসুং লোলশিংগী য়াওনা নৈনচলশিং শীনবগী (এক্রোস সবজেক্টস) মতীক ওকপা মশীংগী ওজা হাপ্পা হায়বসি শোয়হন্দনবা ষ্টেট/য়ু টি লৈঙাকশিংনা স্কুলশিং পূনশিন্নবা শীল্লিবদুগী মতুং ইন্না ওজাশিংবু স্কুল অমদা নৎত্রগা খূৎশম্নদুনা শেম্বা স্কুল (স্কুল কমপ্লেক্স) দা থবক হাপ্পা অমসুং ওজাশিংদু য়েন্নবা হায়বসি থন্নবা য়াই।

**5.6.** স্কুলশিংনা/খূৎশম্নদুনা শেম্বা স্কুল (স্কুল কমপ্লেক্স) শিংনা মহৈরোয়শিংদা কান্ননবা অমসুং মফমদুগী লৌশিং অমসুং শিনফমশিং কনবা অমসুং চাওখৎহনবদা মতেং ওইনবা মফমদুগী খুন্নাইরোলগী য়েকখোৎপা, শিনফমগী শিপাংলোন, শিন্দম্বা, লৌউ-শীংউবা নৎত্রগা অদুৱাইদা অহৈবা লৈবা অতোপ্পা নৈনচলশিংগুম্বা মথল-মথাগী নৈনচলশিংগী ‘ওজা পুরেনশিং (মাষ্টর ইন্সট্রক্টর্স) ’ ওইনা মফমদুগী শক্লাইবা মীশকশিংবু নৎত্রগা অহৈবশিংবু নেক্লবা থৌগৎকনি।

**5.7.** থংনবা চহী তরা অনীসিদা নৈনচল খুদিংগী ওইরক্কদৌবা ওজাগী অহাঙবশিং লেপ্পবা শিনশালোন হৈবদা-তোংবা (টেক্নোলোজি-বেজ) ওজাগী থৌতাবশিং অদুবু মাঙজৌননা শীন্নবা মায়ওঙ শুরবা হোৎনরম (কমপ্রেহেন্সিভ এক্সর্সাইজ) অমা ষ্টেট খুদিংনা পায়খৎকনি। মথক্তা হায়খ্রিবা থৌহৌশিংসি মতমগী মতুং ইন্না চঙগদৌবা য়েংদুনা পাদম লৌরক্কনি, মসি মথাদা হায়রক্লিবা অসিগুম্না শিনফমগীদমক শীনবা অমসুং চাওখৎনবগীদমক চূনবা থাগৎ-মনা (ইন্সেন্টিভস) পীদুনা অহাঙবা ফম

পূন্নমক মফমদুগী ওজাশিং য়াওনা, মতীক চাবা ওজাশিংনা মেনশিনগনি। ওজাশিংগী মহৈ-মশিংগী থৌরম-পরেংশিং অমসুং পীগদৌবশিংদু অসুন্না পুথোক্লবা অহাঙবা ফমশিংদুগা চানগদৌবনি।

## থৌপাঙবগী ফিভমশিং অমসুং চৎনবী

**5.8.** স্কুলশিংদা থৌপাঙবগী ফিভমশিং অমসুং চৎনবীবু পূমশেম-শেমদোকপগী মাঙজিল থাবা পান্দমদি ওজাশিংনা মথোয়গী মথৌদু থৌপান্না (ইফেক্টিভলি) পাঙথোকপবু থ্বাইদগী য়ামহনবনা ওইগনি, অমসুং মথোয়বু মশা থীংবা, অতোপ্পবু য়েংবীবা, অমসুং ‘ঐথোয়গী অঙাংশিংনা মহৈ তম্লি’ হায়বসি শোয়হন্দবা হায়বা অপূনবা পান্দমবু ওইমিন্নবা ওজাশিং, মহৈরোয়শিং, মমা-মপাশিং, প্রিন্সিপালশিং অমসুং অতৈ তেংবাঙবীরিবা থৌরোয় (ষ্টাফ) পূন্নমক য়াওবা মীয়াম কোল্লুপ অদুগী শরুক অমনি হায়বদু শোয়হন্দবনি।

**5.9.** নাকল অশোমদা অহানবা থৌ তারিবদি স্কুলশিংদা থবক তৌনবগীদমক মচু তাবা অমসুং নুংঙাইবা ফিভমশিং শোয়হন্দবদুনা ওইগনি। পী-পা (জেণ্ডর) পূন্নমক্কী অঙাংশিং অমসুং শোইনায়রবা অঙাংশিং য়াওনা ওজাশিং অমসুং মহৈরোয়শিংদা শাফরবা, মী থোনবা (ইনক্লুসিভ) অমসুং থৌপাঙগদৌবা মহৈ-তম্ফমগী ফিভম অমা ফংহনবা অমসুং মথোয়বু নুংঙাইহনবা অমসুং অমনা অমদা ইহুল পীনহনবা অমসুং মথোয়গী স্কুলদা মহৈ-মশিং তম্বা হায়বসি শোয়হন্দনবা শীজিন্নবা য়ারিবা হকচাং শেংদোকফম, অরুবা ঈশিং, তরু-তনানবা য়েংবদা নুংঙাইবা লমহাঙশিং, ইন্টরনেৎ, লাইরিকশঙশিং, শাজেল্লোন অমসুং পোথানবগী মচাকশিং য়াওনা মতীক ওকপা অমসুং শাফরবা মচাক-মথুমশিংবু স্কুল পূন্নমক্তা ফংহনগনি। থবক তৌরিঙৈদা অতম্নমা তম্বগী থবক (ইন-সর্ভিস ট্রেনিং) তা শোয়-ঙামদবা, হকচাং ফবা অমসুং স্কুলগী থবক তৌফম পূন্নমক্লা, ওজা পূন্নমকপু হায়রিবা তৌগদৌবা পূন্নমকসিদা মীৎশিং-নাশিংহনবা হায়রিবসি শোয়হন্দনবা মচাকশিং য়াওগনি।

**5.10.** ষ্টেট/য়ু টি লৈঙাকশিংনা থূৎশম্নমা শেম্বা স্কুল (স্কুল কমপ্লেক্স), মহৈরোয়শিংনা স্কুল চঙবা হন্থহন্দনা স্কুল য়েংশিনবদা থৌপাঙনবা স্কুলশিংবু থোংগুল তানা শেমদোকপা (রেশনেলাইজেশন ওফ স্কুল্স), মচাকশিং (রিসোর্সেস) য়েন্নবা, অমসুং মীয়াম কোল্লুপকী য়ুমশিং (কম্যুনিটি বিল্ডিং) গুম্বা অনৌবা মওংশিং লৌথৎপা য়াই। থূৎশম্নমা শেম্বা স্কুলশিংনা শাথীংবা ওজাশিংগী মীয়াম কোল্লুপশিং শেম্নবা অচৌবা লম্বী অমা ওইগনি। শম্নমা শেম্বা স্কুলশিংদা ওজা নেকপনা মরম ওইদুনা শম্নবদা য়াওরিবা স্কুলশিংগী মরক্তা মশা মতোমতনা মরী অমা শেমজরকপা য়াই; মসিনা ওজাশিংগী থঙ-হৈবগী হেন্না শাথীংবা ৱারোল অমা শেমদুনা নৈনচল অমমমগী ওইনা ওজা ফজনা য়েন্থোকপবু শোয়হন্দবদা মতেং ওইগনি। য়াম্না পীকপা স্কুলশিংগী ওজাশিংসি মথা তানা তোঙান্না তাররোই অমসুং মথোয়না অচৌবা শম্নবা স্কুল মীয়াম কোল্লুপশিংগী শরুক অমা ওইরগনি অমসুং থ্বাইদগী ফরবা থৌপাঙশিং (প্রেক্টিসশিং) তৌমিন্নদুনা অমসুং মশেল মতেং লৌনদুনা মহৈরোয় পূন্নমক মহৈ তমহনবা হায়বসি শোয়হল্লরোই| ওজাশিংবু হেন্না তেংবাঙনবা অমসুং থৌপানগদৌবা মহৈ তম্বগী ফিভম অমা শেম্বদা মতেং ওইনবা শম্নবা স্কুলশিংনা পাউতাক পীবিবশিং (কাউন্সেলর্স), অতম্নমা তম্লুরবা থুন্নাইগী থৌমীশিং, শিনশালোনগী মচাক-মথুমশিং (টেক্নিকেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর) য়েংশিনবা থৌরোয়শিং অসিনচিংবা ময়ামসি ময়াম্মক্কী ওইমিন্নবা য়াই।

**5.11.** মমা-মপাশিং অমসুং অদুৱাইগী মাঙজিল থাবা পোন্থারোয়শিং, হায়বদি শেল অমসুং ৱাথল থাদরিবশিং হায়বদি পোন্থারোয়শিংগা (ষ্টেকহোল্ডরশিংগা) পূন্দুনা ওজাশিংসু স্কুল শীল্লিবা মীপূন (স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটি) /শম্নবা স্কুল শীল্লিবা মীপূন (স্কুল কমপ্লেক্স মেনেজমেন্ট কম্মিটি) গী মেম্বরশিং ওইবা য়াওনা স্কুল শীনবদা হেন্না য়াওশিল্লগনি।

**5.12.** হৌজিকমক ওজাশিংনা য়াম্লবা মতমবু তম্বীবা নত্তবা থবকশিংদা শীজিন্নরিবসি থিংনবা, ওজাশিংনা মথা তানা তম্বীবগা অপান্ননা মরী লৈনদবা থবকশিংদা য়াওবা য়াররোই; অকক্লনা মথোয়না তম্বীবা-তম্বগী থৌশিংদা মপূংফানা পূক্নিং চঙবা ঙম্নবা অৱাবা শীন লাঙবা অমসুং নোংমগী-মরক্কী চরা (মিড-ডে মিল) গা মরী লৈনবা থবকশিংদা চঙবা য়াই হায়না থনবা য়াবা থ্বাইদগী য়ামদবা মতমদগী হেন্না অতৈ থবক্তা য়াওবা য়াররোই।

**5.13.** স্কুলশিংদা মাঙইন (পোজিটিভ) গী ওইবা মহৈ তম্বগী ফিভম লৈবদু শোয়হন্দনবা প্রিন্সিপালশিং অমসুং ওজাশিংনা লৌহন্নীংলিবা থৌদাংদুদা তশেংনা য়াওগদৌবদি মথোয়না স্কুলশিংগীদমক থনবীবা অমসুং মী-থোনবগী নাৎ/হিংনলোন (ইনক্লুসিভ কলচর) অমথক, থৌপান্ননা মহৈ-মশিং তম্নবা অমসুং পোন্থারোয়শিং হায়বদি ৱাথল অমসুং শেল থাদরিবা পূন্নমক (ষ্টেকহোল্ডরশিং) তুগী কান্ননবগীদমক য়েংদুনা, শাগৎপদুনি।

**5.14.** ক্লাসকী কাশিংদা মহৈরোয়শিংবু থ্বাইদগী থৌপানবা (ইফেক্টিভ) মওংদা মহৈ তম্বীবা ঙম্নবা ওজাশিংদা মথোয়গী তম্বীরোলগী মওংদু থন্নবগী অহেনবা নীংতম্বা পীগনি। পূন্না য়েংবদা মহৈরোয় অমা হেক্তনা চাওথৎপগী য়াম্না চিরবা মায়ওঙ

অমা ওইরিবা থুন্নাইগী পূক্লিং-পূকচেলগী মহৈ-মশিংদসু ওজাশিংনা কোক থাদগদৌবনি। ক্লাসকী কাশিংদা তম্বীবদা ফগৎলবা মথোকশিং (রিসোর্সশিং) পুথোক্লবা অনৌবা থোঙজঙশিং লৌথৎপা ওজাশিংবু শকথঙগনি।

## শিনফমদা লিৱিননা লেপ্তনা চাওখৎপা (কন্টিন্যুঅস প্রোফেশনেল ডিভেলপমেন্ট, সি পি ডি)

**5.15.** ওজাশিংবু মথোয়গী শিনফমদা মশানা চাওখৎচনবা অমসুং থ্বাইদগী নৌবা হৌদোরকপশিং অমসুং থূমাং চাওশিল্লকপশিংদু তম্নবা খুদোংচাবশিং লিরিননা লেপ্তনা পীগনি। হায়রিবশিংসি মফমদুগী, লমদুগী, ষ্টেটকী, লৈবাক্কী অমসুং মালেমগী থাক্কী নৈন-থৌপাঙশিং (ৱর্কশোপশিং) গা লোয়ননা ওনলাইনদা ওজাবু চাওখৎহন্নবা পান্দোঙশিং (মোড্যুলশিং) য়াওনা মথল য়াম্বা মওংদা পীগনি। ওজাশিংনা মথোয় মশেলগী ৱাথল্লোনশিং অমসুং থ্বাইদগী ফরবা থৌপাঙশিং (প্রেক্টিসশিং) থঙমিন্নবা য়ানবা থৌপাঙফমশিং/প্লেটফোর্মস (অথন্নবা ওনলাইন থৌপাঙফমশিং) শেমগৎকনি। মশা মশাগী অপাম্বনা থৌদুনা মথোয় মথোয়গী শীনফমদা চাওখৎচনবা ওজা খুদিংমক্না চহী খুদিংগী য়ামদ্রবদা সি পি ডি গী পূং ৫০দি য়াওই হায়না লৌগনি। সি পি ডি গী খুদোংচাবশিংনা, হৌগৎলকপগী ময়েক-চৎপা অমসুং মশীং-চৎপা, শেমগৎপা অমসুং লৌশিনবা ঙম্বগী হৈলেপ্পগী মথোকশিং, ঙম্বদা য়েংবা মহৈ-মশিংগী মরমদা থ্বাইদগী নৌবা তম্বীরোলশিংবু, অমসুং থেংনবদগী হৈবা, অমসুং য়েকথোৎপগা পূনশিনবা, শাথীংবগা পূনশিনবা অমসুং ৱারী লীবদা তোংবা থোঙজংশিংগুম্বা মরী লৈনবা তম্বীরোলশিংবু অথন্নবা শিন্দোং ইন্না থুংহনগনি।

**5.16.** স্কুলগী প্রিন্সিপালশিং অমসুং শন্নদুনা শেম্বা স্কুল (স্কুল কমপ্লেক্স) গী লুচিংবশিংগীসু অসিগুম্বা পান্দোঙ (মোড্যুলর) গী মওংদা লুচিংবগী/শীল্লাংবগী নৈন-থৌপাঙশিং (ৱর্কশোপশিং) অমসুং ওনলাইনদা ফগৎনবগী খুদোংচাবশিং ফংগনি অমসুং মথোয় মশাশিংগীদমক লুচিংবগী অমসুং শীল্লাংবগী হৈশিংবদু লিরিননা লেপ্তনা হেনগৎনবা থৌপাঙফমশিং (প্লেটফোর্মশিং) ফংগনি, অমসুং মসিনা মথোয় মশেলসু থ্বাইদগী ফবা থৌপাঙশিং (প্রেক্টিসশিং) দু থঙমিন্নবা য়াই। অসিগুম্বা লুচিংবশিংসিসু চহী অমমমদা সি পি ডি পান্দোঙশিংদা পূং ৫০ নৎত্রগা মসিদগী হেন্না য়াওগনি হায়না লৌগনি; মসিদা লুচিংবগী অমসুং শীল্লাংবগী য়াওবগা লোয়ননা হৈবদা তোংবা মহৈ-মশিং (কম্পিটেন্সি-বেজ ইডুকেশন) দা য়ুম্ফম ওইবা তম্বীরোলগী থৌরাংশিংবু শেম-শাবা অমসুং পাঙথোকপদা মীৎয়েং থম্বা মচাকশিং অমসুং তম্বীরোলসু য়াওগনি।

## শিন্থা শীল্লাংবা অমসুং থাক কাখৎপা (কেরিয়র মেনেজমেন্ট এণ্ড প্রোগ্রেসন, সি এম পি)

**5.17.** থোইদোক-হেন্দোকপা থবক তৌবা ওজাশিংবু শক থঙবীগদৌবনি অমসুং ফম কাহনগদৌবনি, অমসুং মথোয়গী মথৌদু থ্বাইদগী ফজনা তৌনবা ওজা পূন্নমকপু থৌগৎ-মনা (ইন্সেন্টিভ) পীনবা তলব/থাগী থূৎশুমল হেনগৎহনগদবনি। মরম অসিনা, থোইদোক-হেন্দোকপা ওজাশিংবু থৌগৎ-মনা পীনবগী অমসুং শক থঙবীনবগী ওইনা, হৈবদা য়েংবা অরীংবা শিনপাঙ-মতম (রোবষ্ট মেরিট-বেজ ষ্ট্রকচর ওফ টেন্যুর), ফম কাবা অমসুং তলব/থাগী থূৎশুমলগী শাওঙ (ষ্ট্রকচর) অমা শেমগৎলগনি অমসুং মসিদা ওজাগী তাঙ্কক খুদিংগী মনুংদা মশীং য়াম্বা থাক কয়া লৈগনি। মানা মানা থৌপাঙবশিংদু মওং চুন্না হৈলেপ্পবগীদমক মশীং য়াল্লবা লেপ্পচলশিং (পেরামিটরশিং) গী কাঙলোন অমা হায়রিবসিগীদমক ষ্টেট/ য়ু টি লৈঙাকশিংনা শেমগৎলগনি, হায়রিবসিদি থবক তৌমিন্নবশিংগী মপাউশিং (পিয়র রিভিয়ুস), থবক কাবা (এটেণ্ডেন্স), থৱায় য়াওবা, সি পি ডি গী পূং মশীং অমসুং স্কুল অমসুং মীয়াম কোল্লুপতুগীদমক তৌবা অতৈ মথলগী থবকশিং নৎত্রগা ৫.২০দা পীরিবা এন পি এস টি দা য়েংলগা তৌগনি। থৌশিল অসিদা, শিন্থাশিং (কেরিয়রশিং) গী মতাংদা ‘শিনপাঙ-মতম’ হায়রগা থৌরোয় অমগী থৌপাঙগী অমসুং থৌদাংগী তৌফম থোকপা হৈলেপ্পা (এসেসমেন্ট) পূন্নমক তৌরগা তুংকোইগদৌরবা শিল্লাঙ (পর্মেনেন্ট ইমপ্লোয়মেন্ট) গীদমক অচেৎৱা পীবদুনি, অমরোমদনা ‘শিনপাঙ লম্বী (টেন্যুর ট্রেক্ট) ’ হায়রগনা শিনপাঙগী মমাঙদা মথূৎ য়েংলিঙৈ (প্রোবেশন) গী মতমদুনি।

**5.18.** মথা তানা, স্কুলগী থাক অমথক্তদা (হায়বদি, হৌগৎলকপগী, শেম-শাবগী, ময়ায়গী, নৎত্রগা সেকেণ্ডরিগী) শিন্থা ৱাংখৎপা (শিনপাঙ-মতম, ফম কাখৎপা, তলব/থাগী থূৎশুমল হেনগৎপনচিংবা) হায়বসি ওজাশিংদা ফংহনবদু শোয়হল্লোই, অমসুং ঙল্লিঙৈ তাঙ্কক্তা লৈবা ওজাশিংনা মতুংগী তাঙ্কক্তা লৈবশিংদা নৎত্রগা ওন্থোক্লবা মওংদসু শিন্থাগী থাকহোংগা মরী লৈনবা থৌগৎ-মনা (ইন্সেন্টিভ) লৈরোই (অদুম ওইনমক, ওজাদুনা অসুন্না চৎপগী অপাম্বা অমসুং মহৈগী থাক্তু লৈরবদি অসুন্না তাঙ্কক লান্না শিন্থা লেঙবসি য়াগনি। মসি স্কুলগী মহৈ-মশিংগী থাক পূন্নমক্তা অৱাংবা তীঙগী ওজাগী মথৌ তাই অমসুং থাক অমত্তনা অতৈদগী হেন্না মরুওইদে হায়বা চুমৱা (ফেক্ট) সিবু শৌগৎপনি।

**5.19.** হৈবদা য়েংদুনা ওজাশিংনা মথক্তা য়ুংনা থাক কাবা য়াবা হায়বসিনসু পূন্নমক্কী মথক্তা লৈগনি; লুচিংবগী অমসুং শীল্লাংবগী হৈশিংবা উৎখ্রবা থোইদোক-হেন্দোকপা ওজাশিংবু স্কুলশিংদা, শম্নবা স্কুলশিংদা, বি আর সি শিংদা, বি আই টি ই

শিংদা, ডি আই ই টি শিংদা, লোয়ননা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোয়শঙ মশাশিংদা লাইরিক-লাইশুগী ফমশিং পায়ননবা অথন-শিন্দম (ট্রেনিং) মতম মতমগী য়েংদুনা পীগনি।

## ওজাশিংগীদমক শিনফমগী চৎনরবা থাকশিং

**5.20.** ইং ২০২২দদি লৈবাক্কী ওইবা ওজাশিংগী শিনফমগীদমক চৎনগদৌবশিং (ষ্টেণ্ডর্ডশিং) বু লমজীংনবা অপূনবা মপুন (সেট) অমা নেশনেল কাউন্সিল ফোর টিচর ইডুকেশননা মাগী শেম্লবা প্রোফেশনেল ষ্টেণ্ডর্ড সেট্টিং বোডি (পি এস এস বি) হায়বা অনৌবা মওংসিদা জেনরেল ইডুকেশন কাউন্সিল (জি ই সি) গী মথাদা এন সি ই আর টি, এস সি ই আর টি শিং, মফম অমসুং থাক পূম্নমক্কী ওজাশিং, শিনফমগী মহৈশিং অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈকোলশিংগী অহৈ-অশিংশিংগী লূপশিংগা থূৎশম্ননা শেমগৎকনি। চৎনগদৌবশিংদুদা ওজাশিংনা তোঙান-তোঙানবা হীরমগী মহৈ/তাঙ্কক্তা লৌহন্নীংবা থৌদাংশিং (এক্সপেক্টেশন্স ওফ ডি রোল) ওইনা অমসুং তাঙ্কক্তুদা হৈফম থোকপশিংসি য়াওগনি। মসিনা তাঙ্কক থুদিংদা মতম মতমগী ওইনা পাঙথোক্কদৌবশিংদুদা পাঙথোক্লিবদুগী পাউদম (এপ্রেজল) দা চৎনগদৌবশিং অদুদি য়াওগনি। এন পি এস টি দুনা থবক চঙদ্রিঙৈদা ওজাশিংদা পীবা অথন-শিন্দম (ট্রেনিং) গী থৌরমশিংগী শকলেপ (ডিজাইন) সু হায়গনি। অদুদগী মসিবু ষ্টেটশিংনা লৌগনি অমসুং শিনপাঙ-মতম (টেন্যুর), শিনফম চাওথৎনবা হোৎনবশিং, তলব/থাগী থূৎশুমল হেনগৎপা, ফম কাথৎপা অমসুং অতৈ শক থঙবীবশিং য়াওনা ওজাশিংগী শিন্থা (কেরিয়র) গীদমক শীল্লাংবগী মায়ওঙ (এস্পেক্ট) লেপকনি। ফম কাবা অমসুং তলব/থাগী থূৎশুমল হেনগৎপা হায়বশিংসি শিনপাঙ-মতমগী অশাংবা অমসুং মাঙ কাবা (সিনিয়রিটি) য়েংদুনা তৌরোই, অদুবু মথক্তা হায়খিবা পাঙদম (এপ্রেজল) অদুথক্তদা য়েংদুনা তৌগনি। শিনফমগী চৎনরবশিং (ষ্টেণ্ডর্ডশিং) সি ইং ২০৩০দা হন্না য়েংগনি অমসুং শেমদোক-শাদোক্কনি, মদুগী মতুংদদি কাঙলোন অদুদগী ফঙলকপশিংদু মনুং থীৎনা নৈনরগা অমসুং মদুনা তৌথোরক্লিবদু য়েংলগা চহী তরা তরা থুদিংগী তৌগনি।

## অথন্নবা তম্বীরোয়শিং

**5.21.** স্কুল মহৈ-মশিংগী মফম থরগীদমক অহেনবা অথন্নবা তম্বীরোয়শিং (এজুকেটর্স) গী য়াম্না থুনা মথৌ তাবা অমা লৈরি। অসিগুম্বা অথন্নবা হৈবশিংগী মথৌ তাবগী থূদমশিংদা য়াওরিবদি অথন্ননা তম্বা ঙমজদবশিং (স্পেসিফিক লর্নিং ডিসএবিলিটিজ) গীদমক তম্বীবা য়াওনা ময়ায়গী অমসুং সেকেণ্ডরিগী থাক্তা শোইনায়রবা/ডিব্যাং অঙাংশিংদা নৈনচল (সবজেক্ট) তম্বীবনি। অসিগুম্বা ওজাশিংনা নৈনচলদু তাকপগী লৌশিং অমসুং নৈনচলদুগা মরী লৈননা মহৈ-মশিংগী পান্দমবু মমূৎ তানা থঙবদা নত্তনা অঙাংশিংদুনা অথন্ননা চঙগদৌবশিংদু থঙবগী মরী লৈনবা হৈশিংবসু লৈগদৌবনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা মফমশিংসি, থবক চঙদ্রিঙৈদা ওজাগীদমক শেম-শাবা তৌরিঙৈদা নৎত্রগা মতুংদা নৈনচলগী ওজাশিং নৎত্রগা ময়ামগী ওজাশিংগীদমক অনীশুবা অথন্নলোন (স্পেশলাইজেশন) ওইনা শেমগৎপা য়াই। মথোয়সি শোয়দনমক লৌশিংশা-য়াম্বা (মল্টিডিসিপ্লিনরি) কলেজশিংদা নৎত্রগা তাইবং-মহৈকোলশিং (য়ুনিভর্সিটিজ) দা মপূং ওইনা (ফুল টাইম) নৎত্রগা মচেৎ-মচেৎ ওইনা (পার্ট টাইম) /কোর্সশিং পূনশিনবা (ব্লেণ্ডেড কোর্সেস) ওইনা থবক চঙদ্রিঙৈদা ওইরবসু, লোয়ননা থবক তৌরিঙৈদা ওইরবসু হৈতাকচে (সর্টিফিকেৎ) কোর্সশিং ওইনা ফংহনবা য়াই। নৈনচলশিং তম্বীবসু ঙম্বা মতীক চারবা অথন্নবা তম্বীরোয়শিংগী মশীং ওক্লবা ফংহনববু শোয়হন্দনবা এন সি টি ই অমসুং আর সি আই গী কোর্সশিংগী তম্ন-হীরমশিং (কোর্স করিক্যুলম) গী মরক্তা হেন্না কনশীন্না হোৎনমিন্নবা য়াহনগনি।

## ওজা ওইগদৌবশিংগী মহৈ-মশিং তম্বীবগী নৈনওঙ

**5.22.** অৱাংবা তীঙগী মচাক (কন্টেন্ট) কা লোয়ননা তম্বীরোল (পেডাগোজি) দা ওজাশিংনা অথন-শিন্দম (ট্রেনিং) গী মথৌ তাগনি হায়বসি থঙলদুনা, ওজাগী মহৈ-মশিংবু লৌশিংশা-য়াম্বা (মল্টিডিসিপ্লিনরি) কলেজশিং অমসুং তাইবং-মহৈকোলশিংদা তপ্না তপ্না ইং ২০৩০দদি পুশিল্লগনি। কলেজ অমসুং তাইবং-মহৈকোল পূম্নমক্না লৌশিংশা য়াম্বরোমদা চঙশিল্লক্লিবনিনা, মথোয়না মহৈ-মশিংদা বি এড, এম এড অমসুং পিএচ ডি গী মীংথোলশিং পীবা থোইদোক-হেন্দোকপা মহৈরোলগী লোয়শঙ (ইডুকেশন ডিপার্টমেন্ট) থম্নবা পান্দম থম্লক্কনি।

**5.23.** ইং ২০৩০ দগীদি, মফম মফমগী স্কুলশিংদা মহৈরোয় তাকপগী মওংদা অকনবা থৌপাঙবা অথন-শিন্দম (প্রেক্টিকম ট্রেনিং) য়াওবা লৌশিংগী মচাক অমসুং তম্বীরোলগী মকাপ (রেঞ্জ) অমা তাকপীবা চহী-৪গী পূনশিল্লবা বি এড ডিগ্রীনা তম্বীবগী থ্বাইদগী নেম্বা হৈবগী ডিগ্রী ওইরগনি। চহী-৪গী পূনশিল্লবা বি এড পীরিবা লৌশিংশায়াম্বা মহৈকোলশিং অদুমক্না চহী-২গী বি এড সু পীগনি, অমসুং মসি অতোপ্পা অথন্নলোনগী নৈনচলশিং (স্পেশলাইজড সবজেক্ট) শিংদা হান্ননা বেচলরগী ডিগ্রী ফংলবশিংদুথক্তগীদমক ওইগনি| বি এড থৌরমশিংসি চহী-১গী বি এড থৌরমগীদমকসু চাননা শেমদোক্কনি, অমসুং মসি চহী-৪গী লৌশিংশা-য়াম্বা বেচলরগী ডিগ্রীগা থৌমান্নবদা (ইক্বিভেলেন্ট) লোইশিল্লবশিং নৎত্রগা অথন্নলোন অমদা মাষ্টরগী

ডিগ্রী ফংলবা অমসুং অথন্নলোনদুদা নৈনচল (সবজেক্ট) গী ওজা ওইনীংবশিংগীনি। অসিগুম্বা বি এড ডিগ্রীশিংসিবু চহী-৪গী পূনশিল্লবা বি এড থৌরমশিং ফংহনবা মশেক তাক্লবা (এক্রেডিটেড) লৌশিংশা-য়াম্বা অৱাংবা থাক্কী মহৈকোলশিংথক্তনা পীগনি। চহী-৪গী ক্লাসতা পূনশিল্লবা বি এড থৌরমশিং পীরিবা অমসুং ও ডি এল গী মশেক তাক্লবা (এক্রেডিটেশন ফংলবা) লৌশিংশায়াম্বা অৱাংবা থাক্কী মহৈকোলশিংনা অরাপ্পা নৎত্রগা চথোক-চৎশিন নাতৈ চাদবা মফমশিংদা লৈবা মহৈরোয়শিং অমসুং থবক তৌরিবা মশাগী মহৈ হেনগৎনীংলিবা ওজাশিংদা, অমসুং থৌরমদুদা মহৈরোয় তাকপগী শরুক য়াওবা থৌরমগীদমক থৌপাঙবা অমসুং অথন-শিন্দমশিং (প্রেক্টিস-কম-ট্রেনিং) গীদমক য়েংশিনবীবা অমসুং চানগদৌবা অকনবা থৌরাংগা লোয়ননা য়ানশিন্নবা (ব্লেণ্ডেড) নৎত্রগা ও ডি এল গী মওংদা অৱাংবা তীঙগী বি এড থৌরমশিং ফংহনবা য়াই।

**5.24.** বি এড কী থৌরম পূন্নমক্লা, হৌরকপগী ময়েক-চৎপা অমসুং মশীং-চৎপা, থাক কয়াগী মতম্বী অমসুং য়াইরেপলোন (ইভাল্যুএশন), শোইনায়রবা অঙাংশিং তম্বীবা, অথন্নবা হীরম পামজবা নৎত্রগা মশাগী পীথোকচরক্লবা অঙাংশিং তম্বীবা, মহৈ-মশিংগী শিনশালোন (টেক্নোলোজি) শীজিন্নবা, অমসুং মহৈরোয়গী য়েংবা অমসুং মশেল তেংবাঙনদুনা তম্বা তম্বীরোল য়াওনা, তম্বীরোলগী মতমগী চাংয়েং থঙলবা অদুগা লোয়নননা খ্বাইদগী নৌবা থৌশিলশিং য়াওরবা অথন-শিন্দম (ট্রেনিং) য়াওগনি। বি এড থৌরম পূন্নমক্লা নৈনচল অমা হেক তাকপদা নৎত্রগা থবক অমা হেক পাঙথোকপদা ভারত লৈঙাক্লোনগী মরুৱারোলগী থৌশিং (আর্টিকল ৫১A) (ফণ্ডামেন্টেল ড্যুটিজ ওফ ডি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশন) অমসুং অতৈ লৈঙাক্লোনগী কায়দোঙশিং (প্রোভিজনশিং) গী থৌপাঙশিং (প্রেক্টিসশিং) দসু পূক্লিং থমগদৌবনি। মসিনা অকোয়বগী মহৈ-মশিংবু স্কুল তম্ন-হীরমশিং শেম্বদা য়াওগদৌবা মচাক অমা ওইহন্নবা অকোয়ববু খঙবা অমসুং মসিবু ঙাকপা অমসুং তুংকোইনা চাওখৎহন্নববু মীতেক-মীরৌ খঙনা মফম চানা পূনশিনগনি।

**5.25.** মফম মফমগী শিনফমশিং, লৌশিং অমসুং হৈশিংবা, খূদম ওইনা, মফমদুগী য়েকথোৎপা, ঈশৈ-নোংমাই, লৌউ-শীংউবা, লল্লোনবা, শাজেল্লোন, উশুবা অমসুং অতৈ খূৎহৈলোনশিংসিবু চাওখৎহন্নবগীদমক স্কুলশিংদা নৎত্রগা শন্নবা স্কুলশিংদা ‘তাকপী-পুরেনশিং (মাষ্টর ইন্সট্রক্টর্স) ’ ওইনা নেক্লবা মফমদুগী মমীং লৌবা মীশকশিংবু বি আই টি ই (BITE) শিং, ডি আই ই টি শিং নৎত্রগা শন্নবা স্কুলশিংমক্তদা অথন্নবা অতেনবা মতমগী ওইবা ওজাগী মহৈ-মশিংগী থৌরমশিংবু ফংহনগনি।

**5.26.** বি এড কী মতুংদা অতেনবা মতমগী হৈতাকচে (সর্টিফিকেৎ) কোর্সশিং, শোইনায়রবা মহৈরোয়শিং তম্বীবা নৎত্রগা স্কুলগী পরীংদা মকোক চিংবা অমসুং শীল্লাংবগী ফমশিং, নৎত্রগা হৌগৎলকপগী, শেম-শাবগী, ময়ায়গী অমসুং সেকেণ্ডরি থাকশিংদা থাক অমদগী অতোপ্পা অমদা চৎপা অসিগুম্বা তম্বীবগী হেন্না অতম্নরবা মফমশিংদা চঙনীংবা ওজাশিংদা বি এড কী মতুংদা, অতেনবা মতমগী হৈতাকচে (সর্টিফিকেৎ) কোর্সশিংবু লৌশিংশা-য়াম্বা কলেজশিংদা নৎত্রগা তাইবং-মহৈকোলশিংদা মরাং কায়না ফংহনগনি।

**5.27.** অকক্লবা নৈনচলশিং (সবজেক্টশিং) তম্বীনবা মালেমগী ওইনা মথল কয়াগী তম্বীরোলগী নৈনওঙশিং (এপ্রোচশিং) লৈবা য়াই হায়বসি খঙনরবা ৱানি; তোঙান-তোঙানবা নৈনচলশিং তম্বীনবা মালেমগী ওইনা লৈরিবা তম্বীরোলগী নৈনওঙশিংদু এন সি ই আর টি না নৈনগনি, খিজিনগনি, লৌশিনগনি অমসুং পূনশিনগনি অমসুং হায়রিবা নৈনওঙশিংদুদগী ভারতকী হৌজিকমক চথরিবা থৌপাঙওঙশিংনা করি করি তম্বা য়াবা অমসুং লৌশীনবা য়াবা হায়বদু খন্ননবা হায়গনি।

**5.28.** ইং ২০২১দদি, ওজাগী মহৈ-মশিংগীদমক অনৌবা অমসুং মায়ওন শুরবা (কমপ্রেহেন্সিব) লৈবাক্কী ওইবা তম্ন-হীরম (করিক্যুলম) শিংগী থৌয়াৎৱা ২০২১ (নেশনেল করিক্যুলম ফ্রেমৱর্ক ফোর টিচর ইডুকেশন – এন সি এফ টি ২০২০-২১) অমবু এন সি টি ই না এন সি ই আর টি গা তান্নদুনা, লৈবাক্কী মহৈ-মশিংগী থৌশিল ২০২০ (নেশনেল ইডুকেশন পোলিসি ২০২০) অসিগী পরীং-পথাপশিংদা তোংদুনা শাগৎকনি। থৌয়াৎৱা অসি মনুং-লৈঙাক (ষ্টেট গভর্নমেন্ট), মরী লৈনবা পোংবশঙশিং (মিনিষ্ট্রিশিং) /ময়ায়-লৈঙাক্কী ডিপার্টমেন্টশিং (ডিপার্টমেন্টস ওফ ডি সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টস) অমসুং অহৈ-অশিংশিংগী য়াল্লবা লূপশিং য়াওনা, পোন্থারোয় (ষ্টেকহোল্ডর্স) পূন্নমক্লা নৈনরগা শেমগনি, অমসুং লম লমগী লোল পূন্নমক্তা ফংহনগনি। এন সি এফ টি ই ২০২১ অসিনা শিনফমগী মহৈ-মশিং (ভোকেশনেল ইডুকেশন) গীদমক ওজাগী মহৈ-মশিংগী তম্ন-হীরমশিং (টিচর ইডুকেশন করিকুলা) গী থৌতাবশিংদা মরী লৈনবদু খন্নগনি। অসিগী মতুংদদি, এন সি এফ টি ই অসি চহী ৫-১০ খুদিংগী অমুক্তি শেমদোক্লবা এন সি এফ শিংগী অহোংবশিংদুগা লোয়ননা ওজাগী মহৈ-মশিংদা মথৌ তারক্লিবশিংদু মমি তাহন্দুনা শেমদোক-শাদোক্কনি।

**5.29.** অরোইবদা, ওজাগী মহৈ-মশিংগী কাঙলোনগী অপূনববু মপূং ফানা হনজিন্ননবা, লৈবাকসিদা লৈরিবা মরোমদোম ওইনা লেপ্পরিবা, চৎন-থাক য়ৌদবা (সবষ্টেণ্ডর্ড) ওজাগী মহৈ-মশিংগী মহৈকোলশিং (টিচর ইডুকেশন ইন্সটিট্যুৎশিং, টি ই টি শিং) গী মথক্তা, মথৌ তারবদি মথোয়বু থিংজিনবা য়াওনা, অহকপা চৈরাক পীগনি।

## 6. মান্নবা অমসুং মী-খোনবা মহৈ-মশিং: পূন্নমক্কী মহৈ

**6.1.** থুন্নাইদা অচুম্বা অমসুং মান্নবা পুরক্নবগীদমক খ্বাইদগী কনবা থূৎলাই অমথক্তুদি মহৈ-মশিংনি। মী-খোনবা অমসুং মান্নবা পীবা মহৈ-মশিং হায়বসি - তশেংনদি মসি মশাগী হক ওইনা ফংগদৌবা পান্দম ওইদুনসু — মী-খোনবা অমসুং মান্নবা থুন্নাই অমা ফংবদসু য়াম্নমক মরু ওই অমসুং মদুদা লৈবাকচা থুদিংমক্না মঙ মঙজবা, নুংঙাইনা হিংজবা অমসুং লৈবাক্কী থৌদাং লৌজবগী থুদোংচাবা ফংবা ঙম্বা ওইগদৌবনি। ভারতকী অঙাং অমত্তনা পোকপগী ফিভমশিংনা নৎত্রগা হৌরকফম্না মরম ওইদুনা মহৈ তম্বা অমসুং থোইদোক-হেন্দোকপা ওইনবগী থুদোংচাবদু মাঙদনবা মহৈ-মশিংগী কাঙলোনসিনা পান্দম থমগদৌবনি। স্কুলগী মহৈ-মশিংদা চঙবা, থৌদাং লৌবা অমসুং তম্লুবগী মহয় ফংবদা থুন্নাইগী মী মথলশিংগী মরক্তা লৈবা অহোবদু মেনশিনবা হায়বসিনা মহৈ-মশিংগী নাকলদা চাওথৎনবা থৌরমগী অচৌবা পান্দমদু ওইগদৌবনি হায়বসিদা থৌশিল অসিনা অমুক্কা হন্না শোয়দৱা পীরি। পন্দুপ অসিবু অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংদা মান্নবা অমসুং মী-খোনবগী থৌমান্নবা ৱারুশিং (ইশু্যশিং) নৈনরিবা পন্দুপ ১৪ গা পূনশিল্লগা পামিন্নবা য়াই।

**6.2.** ভারতকী মহৈ-মশিংগী কাঙলোন অমসুং মথং-মথং চথরক্লিবা লৈঙাক্কী থৌশিলশিংনা স্কুল মহৈ-মশিংগী থাক পূন্নমক্তা পী-পা (জেওর) গী অমসুং থুন্নাইগী মী মথলশিংগী মরক্তা লৈরিবা অহোবশিংদু মেনশিনবদা লেপ্তনা চাওথৎলগসু — মরু ওইনা সেকেণ্ডরি থাক্তা - অকক্লনা পুৱারীদগী মহৈ-মশিংদা মশীং হন্থনা য়াওরক্লিবা থুন্নাই-শেন্মীৎলোনদা থুদোংচাদবা কাঙলূপশিংগী ওইনা, চাউনা খেন্নবা অমদি হৌজিকসু লৈরি। থুন্নাই-শেন্মীৎলোনদা থুদোংচাদবা কাঙলূপশিং (সোসিও-ইকোনোমিকেল্লি ডিসএডভান্টেজ গ্রুপস — এস ই ডি জিস) অসি পী-পাগী শক্তাকৱাদা (অকক্লনা নুপী অমসুং পী-পা হাংলবা মীওইশিং), থুন্নাই-হিংনলোনগী শক্তাকৱাদা (সেড্যুল্ড কাষ্টশিং, সেড্যুল্ড ট্রাইবশিং, ও বি সি শিং, অমসুং মশীং য়ামজদবশিংগুম্বা), লম্মীৎলোনগী শক্তাকৱাদা (থুঙ্গংশিংদগী, অপীকপা ময়োনলমশিংদগী অমসুং ফগৎনীংবা পানাশিংদগী লাকপা মহৈরোয়গুম্বশিং), শোইনায়রবশিং (মহৈ তম্বগীদমক শোইনায়রবশিং য়াওনা) দা, অমসুং থুন্নাই-শেন্মীৎলোনগী ফিভমশিংদা (থূল হোংলকপা মীয়াম কোল্লুপশিং, শেল হন্থনা থোকপা ঈমুংশিং, থুদোংথীবা তাগনবা মফমশিংগী অঙাংশিং, লান্না লল্লোনবদগী অৱাবা তারবশিং নৎত্রগা মখোয়গী অঙাংশিং, ময়োল্লমদা লৈবা অঙাং চাক্লীবশিং য়াওনা লমজাশিং, অমসুং ময়োনলমগী লায়রবশিং) য়েংদুনা চাউরপ্পা থায়দোকপা য়াই। স্কুলশিংদা মীং চনবসি পূন্না য়েংবদা থাক ১দগী থাক ১২ ফাওবদা অসুম অসুম তাথরগসু, হন্থরিবসি এস ই ডি জি শিংসিগী অয়াম্বদনা হেন্না খঙবয়াবা মওংদা উৎলি, এস ই ডি জি শিংসিগী থূদিংমক্কী মনুংদসু হেন্না হন্থরিবসি নুপী মহৈরোয়শিংদনি, অসিদগী হেন্না অমুক য়াঙনা হন্থরিবসি অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগীদনি। থুন্নাই-হিংনলোনগী শক্তাক্লবশিং (সোসিও-কলচরেল আইডেন্টিটিজ) গী মনুংদা এস ই ডি জি শিংগী থাক্তা চাউনা য়েংবদা অশম্বা পাউদম অমা মথা তারকপা শরুক মচাশিংদা পীরি।

**6.2.1.** U-DISE ২০১৬-১৭ ৱারোলগী মতুং ইন্না, প্রাইমরি থাক্তা মহৈরোয়শিংগী ১৯.৬% রোমদি সেড্যুল্ড কাষ্টশিংদগীনি, অদুবু লুকায় (ফ্রেক্সন) অসি সেকেণ্ডরি থাক্তদি ১৭.৩% দা তাথরকই। মীং চনবা হন্থবসি সেড্যুল্ড ট্রাইবকী মহৈরোয়শিংদা (১০.৬% দগী ৬.৮% তা) অমসুং শোইনায়বা অঙাংশিংদনা (১.১% দগী০.২৫% তা) শাথীনা য়াম্মী, অসিদগী অমুক্কা হেন্না শাথীনা তাথরিবদি হায়রিবা কাঙলূপ থূদিংমকসিগী মনুংদা লৈবা নুপী মহৈরোয়শিংদনি। মীং চনবা হন্থবসি অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগীদনা হেন্না অমুক ঙমথৈ।

**6.2.2.** মতীঙ লৈবা স্কুলশিংদা চঙবা ৱাৎপা, লায়রবা, থুন্নাইগী হৈনবী অমসুং চৎনবী, অমসুং লোল য়াওনা মশীং য়াম্লবা মচল (ফক্টর) কয়ানা মরম ওইদুনা সেড্যুল্ড কাষ্টশিংগী মনুং চনবা অঙাংশিংনা মীং চনবগী অমসুং স্কুলদা মহৈ তম্বা চথবগী চাংদা নীংহন্নবা অমা লৈ। সেড্যুল্ড কাষ্টশিংকী অঙাংশিংনা মীং চনবদা, শরুক য়াবদা অমসুং তম্লুবদগী হৈরকপশিংদা শোথহৌবশিংবু মেনশিন্নবা তৌবসি অচৌবা পান্দমশিংগী মনুংদা অমা ওইদুনা লৈথিগনি। পুৱারীদগী থুন্নাইগী অমসুং মহৈ-মশিংদা শোথহৌরবনি হায়না খঙলবা আডর বেকৱার্ড ক্লাস (ও বি সি) শিংদসু অথন্নবা পূক্লিং চঙবগী মথৌ তাই।

**6.2.3.** য়েলহৌমীগী মীয়াম কোল্লুপশিং অমসুং সেড্যুল্ড ট্রাইবশিংগী অঙাংশিংসু পুৱারীগী অমসুং লম্মীৎলোনগী মরমদগী থাক কয়াদা মশীং য়াম্লবা থুদোংচাদবশিং মায়োক্নৈ। য়েলহৌমীগী মীয়াম কোল্লুপশিং (ট্রাইবেল কম্যুনিটিজ) গী অঙাংশিংনা স্কুল মহৈ-মশিংসি মখোয়গা মরী ইশম শম্নদবা অমসুং মখোয়গী পুন্সিগী হিংনলোনদা অমসুং মহৈ-মশিংদা লম্লানবা অমা ওইনা হেক হেক তোয়না থোকই। য়েলহৌমীশিংগী অঙাংশিংবু চিংথৎনবা থৌরম ওইনা থূৎ-চঙবা (ইন্টরভেনশন্স) কয়া হৌজিকমক লৈরিঙৈ, অমসুং অদুম্মক চথখিগদৌবা মরকসিদা, য়েলহৌমীশিংগী মীয়াম কোল্লুপশিংগী অঙাংশিংনা থূৎ-চঙলিবশিং অসিদগী কান্নবা ফংবদু শোয়হন্দনবা অথন্নবা কাঙলমশিং শেম্বগী মথৌ তাই।

**6.2.4.** চাংদম্নবদা মীশীং য়ামজদবা কাঙলূপশিং (মাইনোরিটিশিং) সিসু স্কুল অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংদা হন্থনা য়াওরি। মীশীং য়ামদবা মীয়াম কোল্লুপ পূন্নমক্কী অঙাংশিং, অমসুং অথন্ননা মহৈ-মশিংদা হন্থনা য়াওরিবা মীয়াম কোল্লুপশিংদুগী অঙাংশিংগী মহৈ-মশিং থৌগৎনবা থূৎ-চঙবগী মরুওইবদু থৌশিল অসিনা থঙই।

**6.2.5.** অথন্নবা মতেংশিং থৌতাবা অঙাংশিং (চিলড্রেন ৱিথ স্পেশল নীডস – সি ডব্লিউ এস এন) নৎত্রগা *দিব্যাং* শিংবু অতৈ অঙাংগুম্না মতীঙ লৈবা মহৈ-মশিং মান্ননা ফংনবগী খুদোংচাবশিং পীনবা কাঙলম শেম্বগী মরুওইবদুসু থৌশিল অসিনা থঙই।

**6.2.6.** মথাগী শরুক মচাশিংনা য়াথোক্লিবগুম্না, স্কুল মহৈ-মশিংদা থুন্নাইগী মী মথলশিংগী মরক্তা লৈবা অহোবশিংদু হন্থহনবদা পূক্নিং থিংজিনবা তোঙান তোঙানবা পোরমশিং (ষ্ট্রেটেজিশিং) শেম্লগনি।

**6.3.** ই সি সি ই গী মতাংদা চিরবা ৱারুশিং (ক্রিটিকেল প্রোব্লমস) অমসুং চৎন-নিয়মশিং অমসুং পাঙথোক্কনি হায়না পল্লিবা ৱাফমশিং (রিকম্মেণ্ডেশন্স), হৌগৎলকপগী ময়েক-চৎপা অমসুং মশীং-চৎপা, চঙবয়াবা, পন্দুপ ১-৩দা থন্নরিবা মীং চনবা অমসুং স্কুল কাবা, হায়বশিংসি ওইফম থোকপা মশীং শুদনা য়াওরিবা অমসুং খুদোংচাদবা কাঙলূপশিংগীদমক অতম্ননা চান-চূনৈ। মরমসিনা, এস ই ডি জি শিংগীদমক পন্দুপ ১-৩গী থৌরাংশিংদু ময়াম চঙদুনা তান্নরগনি।

**6.4.** মসিগী মথক্তা, অতম্নবা স্কোলরশিপশিং, মচাশিংবু স্কুলদা থারক্নবা মমা-মপাশিংবু থৌগৎপা ওইনা ফিভম অমদা শেল শিন্নবা (কেশ ট্রান্সফর), চথোক-চৎশিনগীদমক বাইসাইকল পীবা অসিনচিংবশিংগুম্বা মথল কয়াগী মায় পাক্লবা থৌরাং অমসুং থৌশিল কয়ামুক লৈরে অমসুং মথোয়না মফম থরগী এস ই ডি জি শিংদা স্কুলগী কাঙলোনদা য়াওবা মশক থোক্লা হেনগৎহল্লে। অসিগুম্বা মায় পাক্লবা থৌরাংশিং অমসুং থৌশিলশিংসি লৈবাক শীনবা থুংনা মশক থোক্লা কনথৎহনগদৌবনি।

**6.5.** এস ই ডি জি থরগী মরক্তা করম করম্বা থৌরাংনা অকক্লনা থৌপাঙবগে হায়বদু লেপ্তনা থিজিনবসু চঙগনি হায়বসি থঙগদৌবনি। খূদম ওইনা, স্কুলদা চঙবা য়ানবা বাইসাইকল পীবা অমসুং সাইকল থৌবগী অমসুং খোঙনা চৎপা মীয়ামগী কাঙবুশিং শীনবা হায়বসিনা, অতেনবা লম্বী ওইরফাওবদা, শোয়দ-ঙামদবগী কান্নবনে অমসুং মথোয়না মমা-মপাশিংদা নুংঙাইহনবদুনা, অতম্ননা নুপী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াবা হেনগৎনবা য়াম্না মঙল লৈবা থৌওঙনি হায়বসি উৎখ্রে। শোইনায়বা অঙাং থরগীদমক মীং চনবা হায়বসি শোয়হন্দনবা ওজা অমনা-মহৈরোয়-অমা তাকপা ওজাশিং অমসুং লন্নাই ওজাশিং (ট্যুটর্স), মশেল তাক্লবা (পিয়র ট্যুটরিং), ওপন স্কুলগী মওং, চানবা মচাক-মথুমশিং অমসুং চূনবা শিনশালোনগী থূৎ-চঙবশিং (টেক্নোলেজিকেল ইন্টরভেনশন্স) অতম্ননা থৌপানবা য়াই। মতীঙ লৈবা ই সি সি ই পীরিবা স্কুলশিংনা শেল-থুমগী খুদোংচাদবা ঈমুংশিংগী অঙাংশিংগীদমক থ্বাইদগী চাউবা কান্নবা লোকপা য়াই। মতমসিমক্তদা, ময়ায়লমগী লায়রবা মফমশিংদগী লাকপা অঙাংশিংগীদমক লমতাকপীবশিং, অমসুং/নৎত্রগা স্কুল কাবা অমসুং তম্লুরিবদুগী কান্নবা হেনগৎনবগীদমক মহৈরোয়শিং, মমা-মপাশিং, স্কুলশিং, অমসুং ওজাশিংগা শন্নবা অমসুং থবক তৌমিন্ননবা নীংথিনা অথন্ননা-তম্লুরবা থুন্নাইগী থৌমীশিংসি য়াম্নমক থৌপাঙই হায়না থঙখ্রে।

**6.6.** মফম থরদা এস ই ডি জি শিংগী শরুকসি মশক থোক্লা চাং ৱাংই হায়বসি অথোম-ৱারোলশিং (ডেটা) না উৎলি। মথোয় মথোয়গী মহৈ-মশিং চাওথৎপবু থৌগৎনবা অথন্নবা থূৎ চঙগদৌবা ফগৎনীংবা পানাশিংনি হায়না শক থঙলবা মফমশিংসু লৈ। অদুনা, মহৈ-মশিংগী তাইবংবু তশেংনা হোংহন্নবা থৌশিল অমসুং থৌরাং পূন্নমক পূন্না হোৎনমিন্নদুনা হেক য়াবমথৈ পাঙথোক্লবা এস ই ডি জি শিংদগী মহৈ-মশিংদা খুদোংচাদবা মীশীং য়াম্না লৈবা লৈবাকসিগী মফমশিংবু মহৈ-মশিংগী অথন্নবা লমতূপ (স্পেশল ইডুকেশন জোন, এস ই জেড) শিং হায়না লাউথোক্কদৌবনি হায়বা থৌদা পীরি।

**6.7.** এস ই ডি জি পূন্নমক্কী তংথায় অমগুম্বা ওইরিবা, মশীং শুদনা য়াওরিবা কাঙলূপ পূন্নমক শীন্না নুপী য়াওই হায়বসিদি থঙজীনগদৌবনি। লাইবক থীরিবদি, এস ই ডি জি শিংনা থেংনরিবা য়াওহৌদবা অমসুং থোংমান্নদবা হায়বশিংসি হায়রিবা এস ই ডি জি শিংসিদা নুপীগীদনা অমুক য়াম্মী। নুপীশিংনা থুন্নাইদা অমসুং থুন্নাইগী লোনচৎশিং শেম্বদা লৌরিবা অথন্নবা অমসুং চিরবা থৌদাংবু থৌশিল অসিনা অহেনবা ওইনা শক থঙই; মরমসিনা, নুপীমচাশিংবু মতীঙ লৈবা মহৈ-মশিং পীবা হায়বসিনা হৌজিক্কীদা নত্তনা মতুংগী মীরোলশিংগী এস ই ডি জি শিংসিগী মহৈ-মশিংগী থাক হেনগৎহন্নবগী থ্বাইদগী ফরবা লম্বীনি। অসুম তৌনা, এস ই ডি জি শিংগী মহৈরোয়শিং য়াওহন্নবা শকলেপ্লিবা থৌরাং অমসুং থৌশিলশিংনা এস ই ডি জি শিংসিদা য়াওরিবা নুপীমচাশিংদা অতম্ননা পান্দমগদৌবনি হায়না থৌশিল অসিনা থৌদা পীরি।

**6.8.** অসিগী মথক্তা, লৈবাকসিনা নুপীমচা পূন্নমক্কা লোয়ননা পী-পা ওল্লবা (ট্রান্সজেণ্ডর) মহৈরোয় পূন্নমক্তা মতীং লৈবা মহৈ-মশিং মান্ননা পীবা ঙম্নবা ভারত লৈঙাক্লা 'পী-পা সুনা য়াওহন্নবা শেনফম (জেণ্ডর ইনক্লুসন ফণ্ড)' অমা শেমগনি। শেনফম

অসি নুপী অমসুং পী-পা হোংলবা অঙাংশিংনা মহৈ-মশিং তম্বদা চঙবা য়ানবা তঙাইফদবশিংদা (হকচাং লূ-নানবদা চঙবা কায়দোঙশিং/প্রোভিজন্স, অমসুং হকচাং-শেংদোকফমশিং, বাইসাইকলশিং, ফিভম অমদা শেল শিন্নবা/ কণ্ডিশনেল কেশ ট্রান্সফর, অসিনচিংবগুম্বা) মতেং পাংনবা ময়ায় লৈঙাক (সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট) না হান্না তৌগদৌবনি হায়না লেপ্পবশিংদু পাঙথোক্কবা ষ্টেটশিংনা ফংগনি; মফম মফমগী মতুং ইন্না নুপী অমসুং পী-পা হোংলবা অঙাংশিংনা স্কুল চঙবা অমসুং শরুক য়াবদা লৈবা অথিংবশিংদু কোকহন্নবা ষ্টেটশিংনা মীয়াম কোল্লুপতুকী য়েংলগা থৌপাঙনা থূৎ-চঙবদা শেনফমসিনা ষ্টেটশিংবু মতেং পাংবা অমসুং ফগৎহনবা ঙমহনগনি। অসিগুম্না, অতৈ এস ই ডি জি শিংগীদমকসু থৌমান্নবা চঙবগী ৱারুশিং (ইশ্যুশিং) কোকহন্নবা "শুনা য়াওহন্নবা শেনফম" (ইনক্লুসন ফণ্ড) স্কিমশিং শেমগৎকনি। মচংদা হায়রগনা, ওইনীংবা পী-পাগী নৎত্রগা থুন্নাই-শেল-থুমগী থুদোংচাদবা কাঙলূপশিংগী অঙাংশিংনা মহৈ-মশিংদা (শিনফমগী মহৈ-মশিং য়াওনা) চঙবদা ওইনীংবা মওংদা থোং মান্নদবা লৈহৌরিবশিংদু মূথৎপা হায়বসিনা থৌশিল অসিগী পান্দমনি।

**6.9.** স্কুল লৈরিবা মফমদু মহৈরোয়শিংনা অথাপ্পা মফমশিংদগী লাকপা তাবা অমসুং অথন্নবা থুন্নাই-শেল-থুমগী থুদোংচাদবা হৌরকফমদগী লাকপা মহৈরোয়শিংগীদমক লেম্না লৈফমগী থুদোংচাবশিং — জৱাহর নভোদয়া বিদ্যালয়াশিংদা চৎনরিবশিংদুগা মান্নবা থাক্তা — অঙাং পূম্নমক্কী, অথন্নবা নুপীমচাশিংগীদমক শাফনবা চান-চূননা শীনবগা লোয়নননা শারগনি। থুন্নাই-শেল-থুমগী থুদোংচাদবা হৌরকফমদগী লাকপা নুপীমচাশিংনা মতীঙ লৈবা স্কুলশিংদা (থাক ১২ ফাওবা) শরুক য়াবা হেনগৎনবা কষ্টুর্বা গান্ধি বালিকা বিদ্যালয়াশিং অসি মপাঙ্গল কনথৎহল্লগনি অমসুং চাউথোকহল্লগনি। অৱাংবা তীঙগী মহৈ-মশিংগী থুদোংচাবা হেনগৎনবা অহেনবা জৱাহর নভোদয়া বিদ্যালয়াশিংদা অমসুং কেন্দ্রিয় বিদ্যালয়াশিংদা, অথন্নবা ফগৎনীংবা পানাশিং (এস্পিরেশনেল ডিষ্ট্রিক্টস) দা অথন্নবা মহৈ-মশিংগী লমতূপশিং (স্পেশল ইডুকেশন জোন্স) দা, অমসুং অতৈ থুদোংচাদবা মফমশিংদা লৈবাকসি কোয়না শারগনি। নৌরিবা অঙাংশিং য়েংবীবা অমসুং মহৈ-মশিংগী য়ামদ্রবদা চহী অমা ফাওবা স্কুল তমদ্রিঙৈগী শরুকসি লৈবাক শীনবদা, অকক্লনা থুদোংচাদবা মফমশিংদা কেন্দ্রিয় বিদ্যালয়াশিংদা অমসুং অতৈ অহৌবগী স্কুলশিংদা হাপচিল্লগনি।

**6.10.** ই সি সি ই অমসুং স্কুলগী কাঙলোনদা শোইনায়রবা অঙাংশিংবু য়াওহনবা অমসুং মান্ননা শরুক য়াহনববু শোয়হন্দবা হায়বসিসু থৱাইদগী হান্না তৌগদৌবা ওইহনগনি। শোইনায়রবা অঙাংশিংবু হৌগৎলকপা থাক্তগী অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী হৌনশাগী থৌরমশিংদা মপূং ফানা শরুক য়াবা ঙমহনগনি। শোইনায়রবা মীওইশিংগী হকশিংগী এক্ট ২০১৬ (ডি রাইট ওফ পর্সন্স ৱিথ ডিসএবিলিটিজ — আর পি ডব্লিউ ডি এক্ট ২০১৬) না মী-থোনবা মহৈ-মশিং (ইনক্লুসিভ ইডুকেশন) বু 'শোইনায়রবা অমসুং শোইনায়দবা মহৈরোয়শিংনা পূন্না তম্মিন্নবা, অমসুং মহৈ তম্বীবা অমসুং তম্বগী কাঙলোনদু মান্নদবা মথলশিংগী শোইনায়রবা মহৈরোয়শিংনা তম্বদা চঙবশিংদু ফংনবা চান-চূননা শেমদোক্লবা মহৈ মশিংগী কাঙলোন অমনি' হায়না শক্তাকই। থৌশিলসি আর পি ডব্লিউ ডি এক্ট ২০১৬ (RPwD Act 2016) কী কায়দোঙশিং (প্রোভিজন্স) গা মপূং ফানা চাশিন্নৈ অমসুং স্কুল মহৈ-মশিংগী মতাংদা মসিনা চৎন-নিয়মশিং অমসুং পাঙথোক্কনি হায়না পল্লিবা ৱাফমশিং (রিকম্মেণ্ডেশন্স) পূন্নমক লৌই। লৈবাক্কী তম্ন-হীরমশিংগী থৌয়াৎৱা (ডি নেশনেল করিকুল্যম ফ্রেমৱর্ক) শেম্বদা, এন সি ই আর টি না নেশনেল ইন্সটিট্যুৎস ওফ ডি ই পি ডব্লিউ ডি (DEPwD) গুম্বা লৈবাক্কী মহৈকোলশিংগী অহৈ-অশিংশিংগী লূপশিংগা তানবা হায়বসি শোয়হল্লোই।

**6.11.** পান্দম অসিগীদমক, শোইনায়রবা অঙাংশিং পূনশিন্নবা মচাকশিং, মান্নদনা শোইনায়রবশিংগীদমক অথন্নবা তম্লুরবা তম্বীরোয়শিং (স্পেশল এজুকেটর্স ৱিথ ক্রোস-ডিসএবিলিটি ট্রেনিং) হাপ্পা অমসুং অকক্লনা য়াম্না শাথীনা শোইনায়বা নৎত্রগা শোইনায়বগী মওং য়াম্বশিংগীদমক মথৌ তাবা মফমশিংদা মচাক্কী মফমশিং লিংথৎপা হায়বশিংসি স্কুলশিংদা/শম্নবা স্কুলশিং (স্কুল কমপ্লেক্সেস) দা ফংহল্লগনি। আর পি ডব্লিউ ডি এক্ট (RPwD Act) কী মতুং ইন্না শোইনায়রবা অঙাং পূম্নমক্তা অথিংবা লৈতনা চঙবা ঙমহল্লগনি। মথল মান্নদবা শোইনায়রবা অঙাংশিংগী মান্নদবা মথৌ তাবশিং লৈ। শোইনায়রবা অঙাং পূম্নমক্না ক্লাস মপূং ফানা য়াওবা অমসুং শরুক য়াবদু শোয়হন্দনবা মথোয়না চঙগদৌবশিংদুগা চূশিন্ননা তূশিন্নরিবশিংদুগী কাঙলম (মেকানিজম) বু শৌগৎপা অমসুং লৈফম পীনবা স্কুলশিং অমসুং শম্নবা স্কুলশিং (স্কুল কমপ্লেক্সেস) না হোৎনগনি অমসুং মথোয়বু শৌগৎকনি। শোইনায়রবা অঙাংশিংনা ক্লাসশিংদা লায়না পূনশিনবদা মতেং পাংনবা, অমসুং ওজাশিং অমসুং মথোয়গী মমান্নবশিংগা তোৎন-তিন্ননবা, অকক্লনা, তেংবাঙনবা পাম্বৈশিং অমসুং চানবা থূৎশেমলোনদা তোংবা (এপ্রোপ্রিএট টেক্নোলোজি-বেজ) থূৎলাইশিং, লোয়ননা মতীক ওকপা অমসুং চানবা লোনদা তম্বীবা-তম্বগী মচাকশিং (থূদম ওইনা, অচৌবা ময়েক্তা থঙবা ঙম্নবা মওংদা নম্বা তম্ন-লাইরিক (টেক্সবুকশিং) অমসুং ব্রাইলে (Braille) ফংহল্লগনি। হায়রিবশিংসি, য়েকথোৎপা, শান্নবা অমসুং শিনফমগী মহৈ-মশিং য়াওনা স্কুলগী থৌপাঙ পূম্নমক্তা চৎনগনি।

এন আই ও এস না ভারতকী থূদম্না তাকপা লোল (ইন্দিয়ন সাইন লেঙ্গুৱেজ) তম্বীনবা অমসুং অতৈ শাহৌফমগী নৈনচলশিং (বেসিক সবজেক্টস) তম্বীনবা অৱাংবা তীঙগী পান্দোঙশিং (মোড্যুলশিং) শেম্লগনি। শোইনায়রবা অঙাংশিংগী শাফনবা অমসুং শোয়দ-ঙামদনবা মতীক কোন্ননা পূক্নিং চঙগনি।

**6.12.** আর পি ডব্লিউ ডি এক্ট ২০১৬ (RPwD Act 2016) কী মতুং ইন্না, শোইনায়বগী য়ানরবা থাক য়ৌরবা অঙাংশিংনা হৌনশাগী নৎত্রগা অথন্নবা স্কুল তম্বগী মওং থনবা য়াগনি। মচাক্কী মফমশিং (রিসোর্স সেন্টর্স) না অথন্নবা তম্বীরোয়শিং (স্পেশল এজুকেটর্স) গা পূনশিল্লগা শাথীনা নৎত্রগা মওং য়াম্বদা শোইনায়রবা মহৈরোয়শিংবু লৈতাহনবদা অমসুং মহৈ-মশিংগী অচঙবশিংগীদা মতেং পীগনি অমসুং মথৌ তাবগী মতুং ইন্না মহৈরোয়শিংসিগীদমক অৱাংবা তীঙগী য়ূমদা তম্বীবা অমসুং হৈশিংবা ফংহনবদা মমা-মপাশিংবু/অহল-লমনশিংবু মতেং পীগনি। স্কুল চৎপা ঙমদবা য়াম্না শাথীনা অমসুং শোকচীন্না শোইনায়রবা অঙাংশিংগীদি য়ূমদা লৈদুনা মহৈ-মশিং তম্বগী মওং ওইনা থনবসি ফংবা য়াবা মওং অমা ওইনা অদুম্মক লৈথিগনি। য়ূমদা লৈদুনা মহৈ তম্লীবা অঙাংশিংবু হৌনশাগী মওংদা ময়ামগী পরীংদা মহৈ তম্লীবা অঙাং অমা হেক্তা মান্নবা মওংদা লৌগনি। মান্নবা মীৎয়েং অমসুং মান্নবা থুদোংচাবা পীবা হায়বা পথাপ অদু শীজিন্নদুনা য়ুমদা লৈদুনা মহৈ-মশিং তম্লিবদুগী খোঙয়াঙবা অমসুং থৌপানবা য়েংশিনবা (ওডিট) অমা লৈগনি। আর পি ডব্লিউ ডি এক্ট ২০১৬ (RPwD Act 2016) কী লম্বীদা য়েংশিনবা অদুদা তোংদুনা য়ুমদা লৈদুনা মহৈ তম্বগীদমক লমতাকৱাশিং অমসুং চৎনগদৌবশিং শেমগৎলগনি। শোইনায়রবা অঙাং পূম্নমক্কী মহৈ-মশিং হায়বসি ষ্টেট অদুগী হোয়ানি (স্পোন্সিবিলিটিনি) হায়বসি শেংনা খঙলবনিনা, মমা-মপাশিংবু/য়েংবীরিবশিংবু মায়ওন লেপ্লবা শিনশালোনদা তোংবা ৱাহনশিং (টেক্নোলোজি-বেজ সোল্যুশনশিং) শীজিন্নগনি, অসিগা লোয়ননা মমা-মপাশিং/য়েংবীরিবশিংনা মখোয়গী অঙাংশিংনা মহৈ-মশিং তম্বদা থৱায় য়াওনা শৌগৎপা ঙম্নবা তম্বদা চঙগদৌবা মচাকশিংদু পাক-শন্না খঙহনবা হায়বসি হান্না তৌগদৌবা ওইহনগনি।

**6.13.** ক্লাস অয়াম্বদা অকক্লবা মহৈ তম্বা ঙমজদবনা লেপ্তনা শৌগৎপীবা চঙবা অঙাংশিং য়াওই। থিজিনবদগী শেংনা খঙলিবদি অসিগুম্বা শৌগৎপীবসি অদুক্কী মতীক ঙন্না হৌরগনা ফগৎপা য়াবদু হেল্লি হায়বসিনি। অসিগুম্বা তম্বা ঙমজদবশিংসি ঙন্না খঙদোকপদা ওজাশিংবু মতেং পাংবীগদৌবনি অমসুং অৱাবদু য়াংহন্নবা অকক্লনা থৌরাং তৌগদৌবনি। অকক্লবা থবকশিংদা য়াওগদৌবদি অঙাংশিংবু চানবা শিনশালোন (টেক্নোলোজি) শীজিন্নবা য়াহনবা অমসুং অঙাং থূদিংমক্কী ঙমজবশিংদুগী কান্নবা ফংহনবা অমসুং চাননা হৈলেপ্পা (এসেসমেন্ট) অমসুং হৈতাকচে (সর্টিফিকেৎ) পীবগী হিংনশাইগোন (ইকোসিষ্টেম) অমা শাগৎনবা হোংদোক-হোংজিন য়াবা তম্ন-হীরমশিংগা লোয়ননা অঙাংশিংবু মানা মানা ঙমজবা থাক্তা থবক তৌহনবনি। শেমগনি হায়না হৌদোক্লিবা অনৌবা লৈবাক্কী হৈলেপ্পগী মফম, পরখ (নেশনেল এসেসমেন্ট সেন্টর- পি এ আর এ কে ঐচ/PARAKH) য়াওনা হৈলেপ্পা অমসুং হৈতাকচে পীবা (এসেসমেন্ট এণ্ড সর্টিফিকেশন) থৌপাঙলোইশিংনা লমতাকৱাশিং শেমগনি অমসুং তম্বা ঙমজদবা মহৈরোয় পূম্নমক্তা মান্ননা চঙবা য়াবা অমসুং মান্নবা থুদোংচাবশিং ফংবা হায়বদু শোয়হন্দনবা হৌগৎলকপা থাক্তগী হৌরদুনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং ফাওবগী (মীং চন্ননবগী কূপয়েংশিং/এগজামশিং য়াওনা) অসিগুম্বা হৈলেপ্পা পাঙথোক্লবা চানবা থূৎলায়শিংগী থৌদা পীগনি।

**6.14.** অকক্লবা থরা ঙমজদবা (তম্বা ঙমজদবা য়াওনা) অঙাংশিংবু কমদৌনা তম্বীগদগে হায়বদু খঙবা অমসুং হৈবা হায়বসি ওজাশিংগী মহৈ-মশিংগী থৌরমশিংদা য়াওগদৌবা শরুক অমা ওইরগনি, মসিগা লোয়ননা পী-পাগী মীৎ-না শিংবা অমসুং মশীং য়ৌদনা য়াওরিবা কাঙলূপশিংগীদমক মখোয় য়ামদনা য়াওরিবদু কোকপা য়ানবা মীৎ-না শিংগদৌবনি।

**6.15.** মখোয় মখোয়গী চৎন-লীক্লম (ট্রেডিশন) নৎত্রগা মহূৎ তম্বীরোল হৈজিনৱা (অলটর্নেটিভ পেডাগোজি ষ্টাইল) বু ঙাক্তুনা থম্নবা মহূৎ স্কুলশিং (অলটর্নেটিভ স্কুল্স) বু পূক্নিং থৌগৎকনি। লোয়ননা, অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংদা অসিগুম্বা স্কুলশিংদগী অঙাং মশীং ৱাৎনা য়াওরকপসি হন্থহন্নবা অমসুং মমৈদদি মূথৎখিনবা এন সি এফ এস ই না পাউমেল্লকপদু য়েংদুনা নৈনচলশিং (সবজেক্টশিং) অমসুং তম্লীবা মচাকশিংদু মখোয়গী তম্ন-হীরমশিংদা পূনশিন্নবা মখোয়বু শৌগৎকনি। অথন্ননা, চুম্লৌশিং (সাইন্স), অঙ্ক, থুন্নাই নৈনরোল, হিন্দী, ইংরাজী, ষ্টেটকী লোল, নৎত্রগা স্কুলশিংসিনা পাম্বগী মতুং ইন্না অতৈ মরী শম্নবা নৈনচলশিং হৌদোক্লবা শেলগী মতেং পীগনি। মসিনা স্কুলশিংসিদা থাক ১-১২ শিংদা তম্লীবা অঙাংশিংগীদমক শক্তাক্লিবা তম্লুবদগী ওইরক্কদৌবশিং (লর্নিং আউটকমস) অদু ফংবা ঙমহনগনি। অসিগী মথক্তা, অসিগুম্বা স্কুলশিংসিগী মহৈরোয়শিংবু ষ্টেট নৎত্রগা অতৈ বোর্ডশিংগী এন টি এ না লৌবা কূপয়েংশিং অমসুং হৈলেপ্পশিং (এগজামিনেশন্স এণ্ড এসেসমেন্টস) দা য়াওননবা অমসুং মদুদগী অৱাংবা থাক্কী মহৈকোলশিংদা মীং চন্নবা থৌগৎকনি। অনৌবা তম্বীরোলগী থৌপাঙওংশিংদা মায়ওন লেপ্পা (ওরিএন্টেশন টু ন্যু পেডাগোজিকেল প্রেক্টিসেস) য়াওনা চুম্লৌশিং, অঙ্ক, লোল অমসুং থুন্নাই নৈনরোলশিং তম্বীবদা ওজাশিংগী থৌঙমশিং ফগৎহল্লগনি। লাইরিকশঙশিং অমসুং চাংয়েংশঙশিংগী মপাঙ্গল কনথৎহল্লগনি অমসুং লাইরিকশিং, চেফোঙশিং অসিনচিংবশিংগুম্বা মতীক ওকপা পানবা মচাকশিং অমসুং অতৈ তম্বীবা-তম্বগী মচাকশিং ফংহল্লগনি।

**6.16.** এস ই ডি জি শিংগী মনুংদা অমসুং মথক্কী থৌশিলশিংগী ৱাফম পূন্নমক্তগী য়েংদুনা সেড্যুল্ড কাষ্টশিং অমসুং সেড্যুল্ড ট্রাইবশিংগী মহৈ-মশিং চাওখৎপদা থোংমান্নদবা লৈরিবদু হন্থহন্নবা অথন্নবা পূক্নিং চঙগনি। স্কুল মহৈ-মশিংদা শরুক য়াবা হেনগৎহন্নবা হোৎনরিবদুগী শরুক অমা ওইনা, খন্দোক্লবা মফমশিংদা অথন্নবা য়ুমশকশিং (হোষ্টেলশিং), শম্নহন্নবা কোর্সশিং (ব্রিজ কোর্সেস), অমসুং অতাকমল লৌদবশিং (ফী ৱেইভর্স) অমসুং স্কোলরশিপশিংগী মওংদা শেলগী তেংবাঙশিং এস ই ডি জি পূন্নমক্তগী, অচৌবা থাক্তা, অতম্নবা মহৈ-মশিংগী সেকেণ্ডরি থাক্তা মথোয়না অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংদা চঙবদা খুদোংচানবা পীথোরক্লবা তীঙ লৈবা অমসুং লাইরিক ফবা মহৈরোয়শিংদা পীগনি।

**6.17.** ঙাকশেল পোংবশঙ (মিনিষ্ট্রি ওফ ডিফেন্স) গী মীৎয়েং মখাদা, য়েলহৌমীশিংনা নম্না তাবা মফমশিংদা লৈবশিংদু য়াওনা, সেকেণ্ডরি অমসুং হাইয়র সেকেণ্ডরি স্কুলশিংদা এন সি সি গী মশাশিং হাংদোক্লবা মনুং-লৈঙাক (ষ্টেট গভর্নমেন্ট) শিংনা পূক্নিং থৌগৎপা য়াই। মসিনা মহৈরোয়শিংগী তোমখিল ওইবা থৌঙম অমসুং য়াওজরকপা পীথোরকপশিং শীজিন্নবা ঙমহনগনি, মসিদগী তারকপা ওইনা মথোয়না ঙাকশেলগী হোংইনশিং (ডিফেন্স ফোর্সেশিং) দা মায়-পাকপা শিন্থা অমগীদমক মিতাজবদা মতেং পাংগনি।

**6.18.** এস ই ডি জি শিংদগী লাকপা মহৈরোয় পূন্নমক্না ফংবা য়াবা স্কোলরশিপ অমসুং অতৈ খুদোংচাবশিং অমসুং থৌশিল পূন্নমক, থাবা য়াবগী মতুং ইন্না, মহৈরোয় পূন্নমক্না খঙবা অমসুং লায়থোকহল্লবা মওং অমদা থাবা য়াবা হায়বদু শোয়হন্দনবা 'মফম অমত্তদা পূনবা কাঙলোন (সিঙ্গল ৱিণ্ডো সিষ্টেম) সি' থৌপাঙলোয় (এজেন্সি) অমসুং ৱেভসাইট অমথক্তনা শম্নহনগনি অমসুং লাউথোক্কনি।

**6.19.** মথক্কী থৌরাং অমসুং থৌশিল পূন্নমকসি এস ই ডি জি পূন্নমকপু খোনবা অমসুং থোংমান্নবা হায়বদু ফংহন্নবা য়াম্নমক চিরবনি - অদুবু মসিনা ওক্লে হায়বদি নত্তে। হেন্না অমুক মথৌ তারিবদি স্কুলগী চৎনবীদা অহোংবা অমনি। ওজাশিং, প্রিন্সিপালশিং, থৌদারোয়শিং (এডমিনিষ্ট্রেটর্স), পাউতাকলোয়শিং (কাউন্সেলর্স) অমসুং মহৈরোয়শিং য়াওনা স্কুলগী মহৈ-মশিংগী কাঙলোন (স্কুল ইডুকেশন সিষ্টেম) দা শরুক য়ারিবা পূন্নমকপু, মহৈরোয় পূন্নমক্কী চঙগদৌবশিংদা, মী খোনবা অমসুং থোংমান্নবা অমসুং মী পূন্নমক্কী ইকায়খুম্নবা, চীংলেম্বা অমসুং মী পূন্নমক্কী অরোন-অথুপ হায়বা নুংৱাশিংসি (নোশন্স) দা মীৎ-না শিংহনগনি। অসিগুম্বা মহৈ-মশিংগী হিংনলোন অমনা মহৈরোয়শিংবু মঙল হাপ্লবা মীওইশিং ওইহন্নবা খ্বাইদগী ফরবা লম্বীদু পীবদা মতেং পীগনি, মসিদগী তারকপা ওইনা মথোয়না খুন্নাই অসিবু খ্বাইদগী হেন্না চৈফূ নংগনবা লৈবাকমচাশিংগীদমক হোয়ালৌবা খুন্নাই (রেস্পোন্সিবল সোসাইটি) অমদা শকহোংবা ঙমহনগনি। মী-খোনবা অমসুং থোংমান্নবনা ওজাগী মহৈ-মশিংগী (অমসুং লুচিংবগী থবক পূন্নমক্কী, থৌদাবগী, অমসুং স্কুলশিংদা লৈবা অতৈ ফমশিংগীদমক অথন-শিন্দমশিংগী) ময়ায়গী মায়ওঙ (কী এস্পেক্ট) অমা ওইগনি; মহৈরোয় পূন্নমক্কী মশক থোক্লবা থৌদাংগী ওংতমশিং (রোল মোডেলশিং) পুশিল্লক্লবা এস ই ডি জি শিংদগী অৱাংবা তীঙগী ওজাশিং অমসুং লুচিংবশিং লৌনবা হোৎনগনি।

**6.20.** ওজাশিং, অথন্নবা তম্লুরবা খুন্নাইগী থৌমীশিং (ট্রেনিং ফংলবা সোশিয়ল ৱর্করশিং) অমসুং পাউতাক পীবশিংনা, লোয়ননা পূন্নমক য়াওরবা স্কুলগী তম্ন-হীরম (করিক্যুলম) শিং অমা পুশিল্লকপগা চান-খূদূঙ ইনবা অহোংবশিংনা পুশিল্লকপা স্কুলগী অনৌবা হিংনলোনসিনা মহৈরোয়শিংবু মীৎ-না শিংহনগনি। মীৎ-না শিংহন্নবা অমসুং মান্নদবশিংবু ইকায়খুম্নববু শাগৎনবা স্কুলগী করিক্যুলম্না হৌরকপগী ওইনা, মী পূন্নমকপু ইকায়খুম্নবা, মীনুংশি খঙবা, মীওইবগী হক, পী-পা মান্ননা খনবা, হিংশা য়াওদবা, মালেমগী লৈবাকমচা ওইবা, মান্ননা খনবগুম্বা মীওইবগী মমলগী মচাকশিং য়াওগনি। মীৎ-না শিংহন্নবা অমসুং মান্নদবশিংবু ইকায়খুম্নববু শাগৎনবা মসিনা মখল মখাগী হিংনলোনশিংগী লৌশিং, লাইনীং লম্বীশিং, লোলশিং, পী-পাগী শক্তাকশিং, অসিনচিংবগী হেন্না কূপ্পা লৌশিং য়াওগনি। স্কুলগী তম্ন-হীরমশিংদা শেবাৎনবা মীৎয়েং অমসুং অতোপ্পবু অকক্লবা মওংদা উবা পূন্নমক লৌথোক্কনি অমসুং কোল্লূপ (কম্যুনিটি) পূন্নমক্তা চান-চূনবা অমসুং মরী লৈনহনবা য়াবা অহেনবা মচাকশিং হাপচিনগনি।

## 7. স্কুল কমপ্লেক্স/ক্লষ্টরশিংগী খুত্থাংদা স্কুলগী চঙগদৌবা মচাক-মথুমশিং হেনগৎহনবা অমসুং নীংথিনা থৌপাঙহনবা

**7.1.** সর্ব শিক্ষা অভিয়ান (এস এস এ) হায়বা হৌজিক্না সামাগ্র শিক্ষাগী থৌশিল হায়না শুপচিল্লবা অমসুং ষ্টেট পূন্নমক শীন্না হোৎনরিবা অতৈ মরুওইবশিংসিনা থৌদুনা লৈবাকসি শীনবদা মী লৈবা মফম খূদিংমক্তা প্রাইমরি স্কুলশিং লিংখৎপনা প্রাইমরি স্কুলদা চঙবা হায়বসি মীপূম তিংলবগুম্না ওইরিবসি শোয়হন্দবদা মতেং পাংলবসু, মসিনা মশীং য়াম্লবা য়াম্না পীকপা স্কুলশিং ওইরকপা হায়বসিসু তারক্লে। U-DISE ২০১৬-১৭গী ৱারোলগী মতুং ইন্না ভারতকী মীয়ামগী ওইবা প্রাইমরি স্কুলশিংগী 28% নক্না অমসুং ভারতকী মথক্কী প্রাইমরি স্কুলশিংগী ১৪.৮% নক্না স্কুলশিংসিদা মহৈরোয় ৩০ দগী তানা লৈ।

ইলিমেন্টরি স্কুল কাঙলোনসিদা (প্রাইমরি অমসুং মথক্কী প্রাইমরি, হায়বদি ১-৮ থাকশিং) থাক অমমমদা চাংচৎতা লৈবা মহৈরোয় মশীংসি চাউরাক্লা ১৪নি, মশীংদু ৬ তগী তানা লৈবা, য়েংশিন্নীংঙাই ওইবা শরুক য়াওরি; ২০১৬-১৭ হায়বা চহীসিদা ওজা অমথক লৈবা স্কুল ১০৮,০১৭ লৈথি, অয়াম্বনা (৮৫৭৪৩) থাক ১-৫ তম্বীবা প্রাইমরি স্কুলশিংনি।

**7.2.** অসিগুম্বা অপীকপা চাংওন (সাইজ) শিংগী স্কুলশিংসিনা মরম ওইদুনা শেল-থুম শীজিন্নবদা মফরবদুদগী হন্থরে (সবওপ্টিমেল), ওজাশিং শীজিন্নবা অমসুং তঙাইফদবা মপোৎ-মচৈগী কায়দোঙশিং (প্রোভিজন্স) দগী য়েংলুবদা অফবা স্কুলশিংগী থৌপাঙবদা লুহল্লে। ওজাশিংনা তোয়না মতম অমত্তদা থাক কয়াগী মহৈরোয়শিং তাকই, (মথোয়দা হান্নদগী লৈবা হৌরকপগী লৌশিং লৈতবা লৌশিংশাশিং য়াওনা) মশীং য়াম্বা লৌশিংশাশিং তাকই; ঈশৈ, য়েকথোৎপা অমসুং শাজেল্লোনগুম্বা মাঙজিলগী মতাংশিংসি য়াম্না তোয়মন্না তম্বীদনা তোকথোকই; অমসুং চাংয়েংশঙ অমসুং শান্নবগী মচাকশিং অমসুং লাইরিকশঙগী লাইরিকশিংগুম্বা পোৎকী মচাক-মথুমশিংসি স্কুল পূম্নমক শীনবদা ফংদবা হায়বসি লায়না লৌথোকই।

**7.3.** অপীকপা স্কুলশিংবু তোঙান্না তাহনবনসু মহৈ-মশিংদা অমসুং তম্বীবা-তম্বগী থৌশিলদা তুং ইনবা থৌতা (নেগেটিভ ইফেক্ট) অমা থোকহল্লি। ওজাশিংনা মীয়াম কোল্লুপ মীয়াম কোল্লুপ অমসুং পূন্না পূন্না ওইনা থবক থ্বাইদগী ফজনা পাঙথোকই, মহৈরোয়শিংসু অদুমক তৌই। অপীকপা স্কুলশিংনা থৌদাবা অমসুং শীল-লাঙবদা কাঙলোনগী ওইবা শীংনবা অমা থোকহল্লি। লম্মীৎলোনগী/লৈফমগী ওইনা চাইথোকপা, চৎথোক-চঙশিন্দা শীংনবা ওইবা, অমসুং স্কুল মশীং য়াম্না য়াম্বসিনা স্কুল পন্নমক্তা মান্ননা য়ৌশিনবদা ৱাহল্লি। ৱায়েল-থৌদাগী শাওঙশিংসি স্কুল মশীং হেনগৎলক্লবসিগা নৎত্রগা সামাগ্র শিক্ষা স্কিমগী পূনশিল্লবা শাওঙসিগা চানদ্রে।

**7.4.** স্কুলশিংবু মপাঙ্গল কনথৎহনবা হায়বসি তোয়না থন্নরবা থন্নলম অমা ওইরবসু, মসি য়াম্না শিংনা অমসুং মসিনা স্কুলদুদা চঙলকপদা ইনোৎ অমত্তা পীরোই হায়বসি শোয়রোইদৌবা মতমদতা পাঙথোক্কদৌবনি। অদুম ওইনমক অসিগুম্বা মপাঙ্গল কনথৎহনবগী পাম্বৈশিংসিদি অকক্লবা থরদতা ওইগদৌবনি অমসুং মসিনা মশীং য়াম্লবা অপীকপা স্কুলশিংনা থোকহনবা অপূনবা শাওঙগী ৱারু (প্রোব্লম) দুগী অমসুং শীংনবদুগী ৱাহন পীবা ঙম্লোই।

**7.5.** ইং ২০২৫দদি ষ্টেট/য়ু টি লৈঙাকশিংনা স্কুলশিং পূনশিনবা নৎত্রগা থোংগুন তানা শীন্দোক্লবা নৌনা হৌদোকপা কাঙলমশিংনা শীংনবশিংসি য়েংশিল্লগনি। থূৎ চঙবা অসিগী পান্দম্না ওইগদৌবদি স্কুল থূদিংমক্কী লৈগদৌবাশিং (ক) পাউতাক পীবিবশিংগী (কাউন্সেলরশিং) /অতম্নবা-তম্নুরবা থুন্নাইগী থৌমীশিং (ট্রেনিং ফংলবা সোশিয়ল ৱর্করশিং) অমসুং য়েকথোৎপা, ঈশৈ-নোংমাই, চুম্লৌশিং (সাইন্স), শান্নরোল, লোলশিং, শীনফমগী নৈনচলশিং, অসিনচিংবা য়াওনা নৈনচল পূম্নমক তম্বীনবা ওজাশিংগী (স্কুল থরগী ওইরবসু নৎত্রগা ওইদ্রবসু) মতীক চাবা মশীং লৈবা; (খ) লাইরিকশঙ অমা, চুম্লৌশিংগী চাংয়েংশঙশিং, কম্প্যুটরগী চাংয়েংশঙশিং, হৈশিংলোনগী চাংয়েংশঙশিং, শান্নবূংশিং, শান্নবগী মচাকশিং অমসুং খুদোংচাবশিং অসিনচিংবশিংগুম্বা মতীক ওকপা মথোকশিং (স্কুল থরগী ওইরবসু নৎত্রগা ওইদ্রবসু) ; (গ) শিনফমগী চাওথৎনবা অপূনবা থৌরমশিং, তম্বীবা-তম্বগী মচাকশিং ওইমিন্নবা, মচাকশিং পূন্না ফগৎহনবা, য়েকথোৎপা অমসুং চুম্লৌশিংগী উথোকপশিংগুম্বা (এক্সিবিশনশিং) অপূনবা থৌপাংশিং পাঙথোকপা, শান্নবগীদমক উনবশিং, ৱাহংবীশিং অমসুং উথোকপশিং পাঙথোক্তুনা ওজাশিং, মহৈরোয়শিং অমসুং স্কুলশিংবু তোঙান্না তাহনবদু কোক্লবা মীয়াম কোল্লুপ অমদা পূনবগী ৱাথল ফাওহনবা; (ঘ) শোইনায়রবা অঙাংশিংগী মহৈ-মশিংগীদমক স্কুলশিং শীনবদা মশেল মতেং পাংনবা অমসুং মতেং পাংবীবা; অমসুং (ঙ) স্কুলগী কাঙলূপ থূদিংগী মনূংদা প্রিন্সিপালশিং, ওজাশিং অমসুং অতৈ পোন্থারোয়শিং (ষ্টেকহোল্ডর্স) দা অকূপ্পা ৱারোলশিং লৌবদু শিন্নদুনা স্কুলগী কাঙলোনদা ফগৎলবা ঙাক্লোন (গভর্নান্স) লৈবা অমসুং হৌগৎলকপগী থাক্তগী সেকেণ্ডরি থাক ফাওববু পূল্লবা তংথায় মনীংতম্বা থূজিং (সেমি ওটোনোমস য়ুনিট) অমা ওইনা লৌবা হায়বশিংসি শোয়হন্দবনি।

**7.6.** মথক্কীশিংসি পাঙথোক্লবা ওইবয়াবা কাঙলম অমদি সেকেণ্ডরি স্কুল অমগা লোয়ননা কি.মি. মঙা-তরানা য়ায়চৈ (রেডিয়স) ওইবা অদুৱাইগী অঙ্গনৱাদিশিং য়াওনা অনেম্বা থাকশিং তম্বীবা স্কুল পূম্নমক য়াওবা শম্নবা স্কুল (স্কুল কমপ্লেক্স) কৌবা পূনশিল্লবা শকওঙ অমা লিংখৎপনি। হৌদোকৱা (সজেশন) অসি মহৈ-মশিংগী য়েংশিল্লূপ (১৯৬৪-৬৬) /ইডুকেশন কম্মিশন (১৯৬৪-৬৬) না ইহান হান্না থম্লকখিবনি অদুবু পাঙথোক্তনা অদুম্মক তোকখ্রে। থৌশিল অসিনা, য়াগদৌবা মফম পূম্নমক্তা শম্নবা স্কুল/পূনশিল্লবা স্কুলগী ৱাখল্লোনবু কন্না য়ানীংই। শম্নবা স্কুল/পূনশিল্লবা স্কুলগী পান্দমদি পূনশিনবদুদা য়াওরিবা স্কুলশিংদা হেন্না খোঙয়াঙবা মথোক (ইফিশেন্ট রিসোর্স) অমসুং হেন্না থৌপান্না থৌপাঙবা, মতেং লৌনবা, লমজীংলোন, ঙাকশেনলোন, অমসুং শীল্লাঙবনি।

**7.7.** শম্নবা স্কুলশিং/পূনশিল্লবা স্কুলশিং লিংখৎপা অমসুং শম্নবা স্কুলশিংদু শীন্না মথোকশিং (রিসোর্সশিং) দু ফংমিন্নবদগী তারকপা ওইনা মথাগী অসিগুম্বা অতোপ্পা কান্নবা কয়া অমা ফংহনগনি: শোইনায়রবা অঙাংশিংগীদমক ফগৎলবা ঙাক্লৌ,

হীরমগী য়েংদুনা শেম্বা অহেনবা লূপশিং অমসুং শম্নবা স্কুলশিংদু শীন্নুংবা লাইরিক্কী/শান্নবগী/ফিরেপলোন (আর্টস) /থূৎ-শা হৈবগী থৌরমশিং, য়েকথোৎপা, ঈশৈ-নোংমাই, লোল, শিনফমগী নৈনচলশিং, শাজেল্লোনগী মহৈ-মশিং অমসুং মালহনবা ক্লাস (ভর্চুএল ক্লাস) শিং পাঙথোক্লবা আই সি টি (ICT) গী থূৎলায়শিং য়াওনা অতোপ্পা নৈনচলশিং অমসুং নৈনচলশিংসিগী ওজাশিংনা তক্ষম কাশিংদা নীংথিজনা তম্বীবদা য়াওশীনহনবা, মহৈরোয়শিংগী হেন্না ফবা ঙাক্লৌ, মীং চনবা, স্কুল কাবা অমসুং অপূনবা থুন্নাইগী থৌমীশিং অমসুং পাউতাক পীবিবশিংগী মতেংনা থৌপাঙবা অমসুং হেন্না মপাঙ্গল লৈবা অমসুং ফগৎলবা ঙাকশেল্লোন, শেন্নবীবা, মীৎয়েং চঙবীবা মফমদুগী পোন্থারোয়শিং (ষ্টেকহোল্ডর্স) গী অনৌবা হৌদোকপা থৌহৌশিং (ইনিসিএটিভস) গীদমক শম্নবা স্কুল শীল্লাঙবা লূপশিং (ইচম চম্না স্কুল শীল্লাঙবা লূপশিংগী মহুত্তা) | স্কুলশিংগী, স্কুল মকোকশিংগী, ওজাশিংগী, মহৈরোয়শিংগী, তেংবাঙবীবা থৌরোয়শিং (সপোর্টিং ষ্টাফ) গী মমা-মপাশিংগী অমসুং মফমদুগী লৈবাকমচাশিংগী অচৌবা মীয়াম কোল্লুপশিং শেম্বনা স্কুলগী কাঙলোনসিবু তীক হাপকনি অমসুং মঙল হাপকনি অমসুং মদু মথোক-থোঙয়াঙবা (রিসোর্স ইফিশেন্ট) মওংদা ওইগনি।

**7.8.** শম্নবা স্কুলশিং/পূনশিল্লবা স্কুলশিংগা পূল্লগা স্কুলশিংগী ঙাকশেল্লোনদসু ফগৎকনি অমসুং য়াম্না হেন্না থোঙয়াঙগনি। অহানবদা, ডি এস ই না শম্নবা স্কুল/পূনশিল্লবা স্কুলদুদা থৌইন (ওথোরিটি) দু শিন্নরগনি, হায়রিবসিনা তংথায় মনীংতম্বা থূজিং (সেমি ওটোনোমস য়ুনিট) অমা ওইনা থৌপাঙগনি। পানাদুগী মহৈ-মশিংগী লোয়শঙলোয় (ডি ডিষ্ট্রিক ইডুকেশন ওফিসর, ডি ই ও) অমসুং ব্লোকতুগী মহৈ-মশিংগী লোয়শঙলোয় (ডি ব্লোক ইডুকেশন ওফিসর, বি ই ও) না শম্নবা স্কুল/পূনশিল্লবা স্কুল থূদিংমকপু অহানবদা থূজিং অমনি হায়না লৌদুনা তোৎন-তিন্নগনি অমসুং মসিগী থবক্তা থুদোংচাহনগনি। শম্নবা স্কুল মশামক্না ডি এস ই না শিন্নরকপা থবক থরসু পাঙথোক্কনি অমসুং মসিগী মনুংদা লৈবা স্কুলশিংদু অমমমতা ওইনা পায়গনি। লৈবাক্কী তম্ন-হীরমশিংগী থৌয়াৎৱা (ডি নেশনেল করিকুল্যম ফ্রেমৱর্ক, এন সি এফ) অমসুং ষ্টেটকী তম্ন-হীরমশিংগী থৌয়াৎৱা (ডি ষ্টেট করিকুল্যম ফ্রেমৱর্ক, এস সি এফ) ঙাক্লা চৎলগসু ডি এস ই না শম্নবা স্কুল/পূনশিল্লবা স্কুলশিংদা পূনশিল্লবা মহৈ-মশিংদা অনৌবা ৱাথল পীবা অমসুং তম্বীরোলবু চাংয়েংবা, তম্ন-হীরমশিং, অসিনচিংবদা মশক থোক্লা নীংতম্বা পীগনি। হায়রিবা শীল্লিবা মওং অসিগী মথাদা স্কুলশিংগী মপাঙ্গল হেনগৎকনি, হেন্না নীংতম্বা ফংগনি অমসুং শম্নবা স্কুলদুবু অনৌবা হেন্না পুথোকপা অমসুং থৌহন-থঙবা (রেস্পোন্সিভ) ওইহনবদা থৌদাং লৌগনি। মতম অসিমক্তদা, ডি এস ই না ফংনবা তাল্লিবা, শূপ্পা য়েংবদা কাঙলোনদুগী থৌপানবা (ইফেক্টিভনেস) হেনগৎহন্দুনা পান্দমশিংদুগী অপূনবা থাক্তুদা পূক্লিং চঙবা ঙম্লগনি।

**7.9.** অসিগুম্বা শম্নবা/পূনশিল্লবশিংসিগা ইরোয়ননা অতেনবা-মতমগী অমসুং অশাংবা-মতমগী অনীমক্তা থৌরাং অমা ওইনা থবক তৌবগী চৎনবীদু শাগৎলগনি। স্কুলশিংনা মথোয়গী এস এম সি শিং য়াওহন্দুনা মাগী মাগী থৌরাংশিং (এস ডি পি শিং) শাগৎলগনি। অদুদগীদি হায়রিবা থৌরাংশিংসিনা শম্নবা স্কুল/পূনশিল্লবা স্কুলগী চাওথৎনবা থৌরাংশিং (স্কুল কমপ্লেক্স/ক্লষ্টর ডিভেলপমেন্ট প্লান্স, এস ডি সি পি শিং) শেম্নবা থোঙহৌফম (বেসিস) ওইরগনি। এস ডি সি পি অসিনা শিনফমগী মহৈ-মশিংগী মহৈকোলগুম্বা শম্নবা স্কুলদুগা লোয়নবা অতৈ মহৈকোল পূম্নমক্কী থৌরাংশিংসু য়াওহনগনি অমসুং মসিবু শম্নবা স্কুলশিংদুগী প্রিন্সিপালশিং অমসুং ওজাশিংনা এস সি এম সি অদু য়াওরগা শেমগনি অমসুং মদু মীয়ামদা ফংহনগনি। থৌরাংশিংদুনা মীওই-মথোকশিং (হ্যুমেন রিসোর্সেস), মহৈগী মথোকশিং (লর্নিং রিসোর্সেস), মশা মশামক্কী মথোকশিং (ফিজিকেল রিসোর্সশিং) অমসুং চঙগদৌবা মচাক-মথুম (ইনফ্রাষ্ট্রকচর), ফগৎনবগী থৌহৌশিং (ইমপ্রুভমেন্ট ইনিসিএটিভস), শেল-থুমগী মথোকশিং (ফাইনান্সিএল রিসোর্সেস), স্কুল চৎনবীগী থৌহৌশিং (স্কুল কলচর ইনিসিএটিভস), ওজা ফগৎহন্নবা থৌরাংশিং অমসুং মহৈ-মশিং তম্লুবগী পোলোইগী মহৈ (ইডুকেশনেল আউটকমস) য়াওগনি। মশা থীংবা মহৈ তম্বগী মীয়াম কোল্লুপশিং শাগৎনবা ওজাশিং অমসুং মহৈরোয়শিংদুদগী কান্নবা ফংনবা হোৎননবগীদমক থৌরাং অসিনা অকূপ্পা মরোল পীগনি। ডি এস ই য়াওনা স্কুল অদুগী পোন্থারোয় (ষ্টেকহোল্ডর) পূম্নমকপু শম্নহন্নবা মরু ওইবা কাঙলমদি এস ডি পি অমসুং এস সি ডি পি না ওইগনি। এস এম সি অমসুং এস সি এম সি না এস ডি পি অমসুং এস সি ডি পি বু স্কুল অদু থবক তৌবদা য়েংশিনবীনবা অমসুং লমতাকপীনবা শীজিন্নগনি অমসুং থৌরাংশিংদু পাঙথোকপদা মতেং পীগনি। ডি এস ই না মসিগা মরী শম্নবা লোয়শঙলোয় (ওফিসিএল), থূদম ওইনা, বি ই ও দু ফাওদুনা শম্নবা স্কুল থূদিংগী এস সি ডি পি অদুবু অয়াবা পীগনি অমসুং মদুগী অচেৎৱা পীগনি। মদুদগীদি মসিনা অতেনবা মতমগী (চহী-১) অমসুং অশাংবা মতমগী (চহী ৩-৫) অনীমক্কীদমক এস সি ডি পি শিংদু ফংহনবদা চঙগদৌবা মথোকশিংদু (শেল-থুমগী, মীগী, মপোৎ-মচৈগী অসিনচিংবা) পীগনি। মসিনা মহৈ তম্লুবগী ওইরক্কদৌবশিংদু ফংনবা মরী শম্নবা অতৈ ঙাক্লৌশিংদু শম্নবা স্কুলশিংদা পীগনি। ডি এস ই অমসুং এস সি ই আর টি না অকক্লবা চৎনবী থরা (থূদম ওইনা, শেল-থুমগী, মী হাপ্পগী, থৌওঙশিং) অমসুং এস সি ডি পি শেম্নবা থৌয়াৎৱাশিং (ফ্রেমৱর্কশিং) শেম্বদা স্কুল পূম্নমক্কা শরুক য়ামিন্নবা য়াই।

**7.10.** ময়ামগী অমসুং লন্নাইগী স্কুলশিংগী মরক্তা য়াওনা স্কুলশিংগী মরক্তা মতেং পাংনবা অমসুং মাঙইনগী তীক হাপমিন্নবা (পোজিটিভ সিনর্জি) হেন্না হেনগৎনবা, ময়ামগী স্কুল অমগা লন্নাইগী স্কুল অমগা তূশিন্নবা/পূমা শাবা হায়বসি লৈবাক শীন্না

পাঙথোক্লগনি, তৌবদদি, পূম্না শারিবা স্কুলশিংদুনা মথোয় মশেল উনগনি/তোৎন-তিন্নগনি, অমনা অমদগী তম্নগনি অমসুং মথোকশিং (রিসোর্সশিং) দু য়ারগদি য়েন্নগনি। লন্নাই স্কুলশিংগী থ্বাইদগী ফরবা থৌপাঙওংশিং (প্রেক্টিসশিং) দু লৌশীনগনি, য়েন্নগনি অমসুং ময়ামগী স্কুলশিংদা চৎনহল্লগনি, অয়াবা মফমদা, ওন্থোক্লরগসু তৌগনি।

**7.11.** হৌজিক লৈরিবা "বাল ভৱন"শিংবু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা/"বাল ভৱনশিং" লিংখৎনবা ষ্টেট থূদিংমকপু পূক্নিং থৌগৎকনি, হায়রিবা মফমসিদা চহী মতাং পূম্নমক্কী অঙাংশিংনা য়েক-থোৎপা, শিন্থা অমসুং শান্নবগা মরী লৈনবা থৌপাঙশিংদা শরুক য়ামিন্নবা অথন্নবা নুংথিলগী লৈফম য়াওবা স্কুল (বোর্ডিং স্কুল) অসিদা চয়োল অমদা অমুক্লক নৎত্রগা হেন্না তোয়না (থূদম ওইনা, চয়োল লোইশিল্লকপশিংদা) লাকপা য়াই। অসিগুম্বা বাল ভৱনশিংসি, য়ারগদি, শম্নবা স্কুলশিং/পূনশিল্লবা স্কুলশিংদুগী শরুক ওইহনবা য়াই।

**7.12.** স্কুল অসি মীয়াম কোল্লুপ অপূম্বদুগী হরাও-নুংঙাইফম অমসুং ইকায়খুম্নফমগী মফম অমা ওইগদৌবনি। মহৈকোল অমা ওইনা স্কুল অদুগী লেমজনফম (ডিগ্নিটি) ঙাক্কদৌবনি অমসুং স্কুলদু লিংখৎথিবা নুমিৎকুম্বা মরুওইবা তারিখশিংবু মীয়াম কোল্লুপতুগা লোয়নননা থৌরম ওইনা পাঙথোক্কদৌবনি অমসুং স্কুলদুদগী হৌথিবা মরুওইবা মীওইশিংগী পরেং অমা উৎপা অমসুং ইকায়খুম্নবা উৎপা য়াই। অসিগী মথক্তা, স্কুল অদুগী শীজিন্নদবা মচাক-মথুম মীয়াম কোল্লুপতুগীদমক থুন্নাইগী, লৌশিংগী অমসুং মশানা তৌজবা থৌপাঙশিং থৌগৎনবা শীজিন্নবা য়াই অমসুং লাইরিক তমদবা মতমদা/তম্লিঙৈ মতমদা থুন্নাইগী লীপুন কনশীন্নবা অমসুং "সামাজিক চেটনা কেন্দ্র" ওইনা শীজিন্নবা য়াই।

## 8. স্কুল থাক্কী মহৈ-মশিংগীদমক চৎনগদৌবশিং লেপ্পা (ষ্টেণ্ডর্ড সেট্টিং) অমসুং মশেক তাকপা (এক্রেডিটেশন)

**8.1.** স্কুল মহৈ-মশিংদা পথাপশিং ইলহন্নবা কাঙলোনগী পান্দমদি মহৈ-মশিং তম্লুবগী ওইরকপশিংদু লেপ্তনা ফগৎহনবনা ওইগদৌবনি; মসিনা স্কুলশিংবু হেনজিন্না লাকশিনবা, অনৌবা হৌদোকপা থিংবা, নৎত্রগা ওজাশিং, প্রিন্সিপালশিং অমসুং মহৈরোয়শিংবু পূক্নিং হন্থহনবা তৌরোইদবনি। অপূনবা ওইনা য়েংবদা চৎনগদৌবশিংদুনা স্কুলশিং অমসুং ওজাশিংবু থাজবগা লোয়নননা মঙল হাপ্পবা পান্দম থম্লি, মসিনা মথোয়বু হেন্থোইহনবা অমসুং মথোয়গী থ্বাইদগী ফরবা মওংদা থৌপাঙবা ঙমহনবা, লোয়নননা মনুং ফাওনা উহনবা হায়বসি মপূং ফানা পাঙথোক্তুনা অমসুং শেল-থুমগী ৱারোল পূম্নমক, থৌরাংশিং, অমসুং মহৈ তম্লুবগী তারকপশিংদু মীয়ামদা উথোক্তুনা পূকচেল শেংবা অমসুং চুম্না থবক তৌবদু শোয়হল্লোইদৌবনি।

**8.2.** হৌজিকমক্কী ওইনা স্কুল মহৈ-মশিং কাঙলোনদা ঙাক্লোন (গভর্নান্স) অমসুং চৎন-পথাপ ইলহনবগী মরুওইবা থৌশিংদি – হায়রগদি, মীয়ামগী মহৈ-মশিংগী কায়দোঙশিং (প্রোভিজন্স), মহৈ-মশিংগী মহৈকোলশিংবু চৎন-পথাপশিং ইলহনবা অমসুং থৌশিল শেম্বা – পূম্নমকসি লূপ (বোডি) অমথক্তনা তৌরি, হায়বদি স্কুল মহৈ-মশিংগী লোয়শঙ (ডিপার্টমেন্ট ওফ ইডুকেশন) নৎত্রগা মসিগি মশাশিং। মসিনা অপাম্বদা মূক্লবা অমসুং মফম অমদা কা হেন্না মঙল পীশিনবদা (সেন্ট্রেলাইজেশন ওফ পাৱরদা) তারকই, মসিনা স্কুলগী কাঙলোনদু শীল্লাংবদা থৌপাঙদে, মরমদি অতোপ্পা থৌদাংশিংদা পূক্নিং থম্বনা, অথন্ননা, স্কুল মহৈ-মশিংগী থূৎনসু পাঙথোক্লিবা চৎন-পথাপ ইলহনবা, তীঙ লৈবা মহৈ-মশিংগী কায়দোঙশিংলোমদা হোৎনরিবশিং অদু তোয়না য়মহল্লি।

**8.3.** হৌজিক লৈরিবা চৎন-পথাপ ইনবগী থৌদৌসিনা শেন্দোংদা য়েংবা লন্নাইগী স্কুল ময়াম্না লল্লোনবা তাহনবা অমসুং মমা-মপাশিংদগী শেল-থুমগী থুদোংচাবা লৌবা থিংবা ঙমদে, অদুগীসু মথক্তা মসিনা তৌগে হায়না তৌবা নৎত্রবসু য়াম্না তোয়মন্না মীয়ামগী য়েংবা লন্নাই স্কুলশিং/মীনুংশিগী স্কুলশিংবু পূক্নিং হন্থহল্লি। স্কুল মথল অনীমক্কী পান্দমশিংদু অমত্তা ওইগদৌবা ওইরবসু, হায়বদি তীঙ লৈবা মহৈ-মশিং ফংহনবা, মীয়ামগী স্কুলশিং অমসুং লন্নাইগী স্কুলশিং অনীসুদা চৎন-পথাপ ইলহনবগী মওংশিংদা য়াম্না মান্নদ্রে।

**8.4.** মীয়ামগী মহৈ-মশিং তম্বগী কাঙলোন (পব্লিক ইডুকেশন সিষ্টেম) হায়বসিনা মতীং পানবা, মশা থীংবা গনতন্ত্র চৎপা থুন্নাই অমগী য়ুম্ফমনি অমসুং লৈবাক অসিগী মহৈ-মশিং তম্বগী থ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী পোলোইগী মহৈ অদু ফংনবগীদমক হৌজিক চথরিবা মওং অসি হোংদোকপা অমসুং থৌনা হাপ্পা মথৌ তাই। লোয়নননা মতম অসিমক্তদা লন্নাই অমসুং লৈত-লায়রশিংগী তেংবাঙ স্কুলশিং (প্রাইভেৎ/ফিলানেথ্রাপিক স্কুল সেক্তর) বুসু শীংথানীংঙাই ওইবা অমসুং মীয়ামগী কান্নগদবা থৌদাং অমা লৌবা ঙম্নবগীদমক পূক্নিং থৌগৎপীবা অমদি পাঙ্গল হাপ্পীবা চঙই।

**8.5.** ষ্টেট অমগী মহৈ-মশিং তম্বগী কাঙলোন (ষ্টেট স্কুল ইডুকেশন সিষ্টেম) দুগী মনুংদা লৈরিবা মনীংতম্বা থৌদাংশিং অমসুং মসিগী চৎন-পথাপ অসি ইলহন্নবা মওংশিংগী মতাংদা থৌশিল অসিনা পীরিবা মরুওইবা প্রিন্সিপলশিং অমসুং রিকমেণ্ডেশনশিং (চৎন-নিয়মশিং অমসুং পাঙথোক্কদবনি হায়না পল্লিবা ৱাফমশিং) অদুদি মথাগী অসিনিঃ

(অ) স্কুল মহৈ-মশিংগী লমদা ষ্টেট থাক্কী এপেক্স বোডি ওইরিবা স্কুল থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বীবগী লোয়শঙ (ডিপার্টমেন্ট ওফ স্কুল ইডুকেশন) না মীয়ামগী মহৈ-মশিং তম্বগী কাঙলোন (পব্লিক ইডুকেশন সিষ্টেম) বু লেপ্তনা ফগৎহন্নবা মপূং ওইনা য়েংশিন-থোৎচিনবগী থবক তৌবা অমসুং থৌশিল শেম্বগী থৌদাং লৌগনি; অদুবু মসিনা স্কুল স্কুলশিংদুগী মনুংগী ওইবা থবক-থৌরমশিং নৎত্রগা চৎন-কাঙলোন শেম্বগী থবক্তদি য়াওশিল্লোই, মসি পব্লিক স্কুলশিংদুগী ফগৎনবা হীরমদা হেন্না পূক্নিং চঙবনি অমসুং লন্নাই খুদোংচাবা, কান্নবা য়েংবগী থবক (কনফ্লিক ওফ ইন্টরেষ্ট) কোকহন্নবনি।

(আ) ষ্টেট অমগী মীয়ামগী মহৈ-মশিং তম্বগী কাঙলোন (পব্লিক স্কুলিং সিষ্টেম) গী মহৈ-মশিংগী ওইবা থবকশিং (ইডুকেশনেল ওপরেশন্স) অমসুং সর্ভিশ প্রোভিজনদি ডাইরেক্টরেৎ ওফ স্কুল ইডুকেশননা (ডি ই ও, বি ই ও নচিংবা য়াওরগা) পায়গনি; মহৈ-মশিং তম্বীবগা মরী লৈনবা থৌশিলশিং থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক ডিপার্টমেন্ট অসিনা মনীং তৌনা থবক তৌগনি।

(ই) প্রি স্কুল ইডুকেশন য়াওনা মহৈ-মশিংগী থাক পূম্নমক্তা লন্নাইগী, মীয়ামগী অমসুং লৈত-লায়রশিংগী তেংবাঙ স্কুলশিং পূম্নমক্না তঙাইফদনা ক্বালিটি ষ্টেণ্ডর্ড অমা ঙাক্না থম্নবা মগুন লৈবা সেল্ফ রিগুলেশন নৎত্রগা মশেক তাকপগী কাঙলোন (এক্রেডিটেশন সিষ্টেম) অমা লৈগনি। স্কুল খুদিংমক্না য়ামদ্রবদা অকক্নবা শিনফমগী ওইবা অমসুং তীঙ লৈবা চৎন-তাক (প্রোফেশনেল এণ্ড ক্বালিটি ষ্টেণ্ডর্ড) থরা শোয়দনা ঙাক্না থম্নবগীদমক ষ্টেট/য়ু টি খুদিংমক্কী, মনীং তম্বা, ষ্টেট শীনবা থুংনা য়েংশিনবা ঙম্বা, ষ্টেট স্কুল ষ্টেণ্ডর্ড ওথোরিটি (এস এস এস এ) হায়না মীংথোনবা বোডি অমা লিংখৎকনি। স্কুল খূদিংনা ঙাক্কদবা তঙাইফদবা মিনিমেল সেট ওফ ষ্টেণ্ডর্ডস অমা এস এস এস এ অসিনা শেমগনি অমসুং মদু হৌরকপগী লেপ্পচল (বেসিক পেরামিটর) থরদা য়ুল্ফম ওইগনি (হায়বদি, শোয়দ-ঙামদবা, ঙাক-শেলগী হীরম, চঙদ-য়াদবা মচাক-মথুমশিং (ইনফ্রাষ্ট্রকচর), নৈনচল (সবজেক্ট) খুদিংমক্কী অমসুং থাক/গ্রেড খুদিংগী লৈরিবা ওজাগী মশীং, শেল-থুম চুম্না শীজিন্নবগী মওং অমসুং স্কুল নীংথিজনা চলাইবগী মওং অসিনচিংবদা) | হায়রিবা লেপ্পচলশিং অসিগী থৌয়াৎৱা অদুদি তোঙান তোঙানবা পোন্থারোয়শিং (ষ্টেকহোল্ডরশিং), মরুওইনা ওজাশিং অমদি স্কুলশিং য়াওনা তান্নরগা, এস সি ই আর টিনা শেমগনি।

এস এস এস এনা শেল্লিবা কাঙলোনশিং অদুগী মথা পোন্না মনুং-মপান ফাওনা উবা ঙম্বা মওংদা মীয়ামদা মশানা ফোঙদোকপা তঙাইফদবা চৎন-কাঙলোনগী অকূপ্পা ৱারোল অদু মীয়াম্না য়েংশিন্নবা অমসুং পাউখুম পীনবগীদমক পাক শন্না শীজিন্নগনি। করম করম্বা ৱারোলশিং মশানা শেংদোকচগনি হায়বা অমসুং ফোঙদোকচবগী মওং-মতৌ (ফোর্মেৎ) অদুদি স্কুলশিংগী থাক লেপ্পবগী লৈরিবা মালেমগী থ্বাইদগী ফবা মওংশিংদু য়েংলগা এস এস এস এনা লেপচগনি। হায়রিবা ৱারোলশিং অসি এস এস এস এগী পব্লিক ৱেভসাইটশিংদা অমসুং স্কুলশিংগী ৱেভসাইটশিংদা চপ চপ চানা মতম মতমগা চূননা শেমদোক্লগা স্কুল পূম্নমক্না হাপতুনা মীয়ামদা ফংহনগনি। মীয়ামদা থল্লিবা ৱারোলশিং অদুগা মরী লৈননা পোন্থারোয়শিং (ষ্টেকহোল্ডর্স) নৎত্রগা অতৈ অতৈদগী লাকপা ৱাকৎ নৎত্রগা পেন্দবা পূম্নমক এস এস এস এনা ৱায়েনগনি। অকূপ্পা ৱাফম (ইনপুৎ) শিং চাং নাইনা ফংনবগীদমক মহৈরোয় থরা হেক্তা চোইথোম থোম্লগা মথোয়দগী ওনলাইনদা ফিডবেক (মথোয়না হায়নীংবা ৱাশিং) লৌগনি | এস এস এস এগী থবক খুদিংমক মায়পাক্না অমসুং মনুং-মপান ফাওনা থঙবা ঙম্নবগীদমক শিনশালোন (টেক্নোলোজি) শীজিন্নগনি। মসিনা স্কুলশিংনা হৌজিক হৌজিক পুরিবা তঙাইফদবা চৎন-কাঙলোন কয়া ইনবগী লূম্নবা পোৎলুম অদু শীংথানীংঙাই ওইনা হন্থহনগনি।

(ঈ) ষ্টেট অদুগী মহৈ-মশিং অদুগী থাক লেপ্পা অমদি তম্নবা হীরম শেম্বগী থবক য়াওনা মহৈ তম্বগী ওইবা থবক (একাডেমিক মেটর) পূম্নমক (এন সি ই আর টিগা য়াম্না কূপ্না তান্নরগা অমসুং মতেং পাংনরগা) ইন্সটিট্যুৎ অমা ওইনা নৌনা শেমগৎলগদবা এস ই আর টিনা লমজিংগনি। পোন্থারোয় (ষ্টেকহোল্ডর) পূম্নমক্কা পাক-শন্না তান্নরগা মতুংদা এস ই আর টিনা স্কুল ক্বালিটি এসেসমেন্ট এণ্ড এক্রিডিটেশন ফ্রেমৱর্ক অমা শেমগৎকনি। চহী অহুমগী মনুংদা সি আর সি শিং, বি আর সি শিং অমসুং ডি আই ই টি অসিগী থবক তৌবা ঙম্বগী মঙম অমসুং থবক শুবগী মওং হোংনবগীদমক মথোয়বু থোইদোক-হেন্দোক্না ফবা মহৈ-তক্ষমশঙশিং ওইহন্নবগীদমক

অহোংবা পুরক্কবা থৌওং অমা এস সি ই আর টিনা লমজিংগনি। মরকসিদা মহৈরোয়শিংদা স্কুল থাদোকপা মতমদা মথোয়গী মথোয়গী হৈথোই-শিংথোইবগী শক্তাকচে (কম্পিটেন্সিগী সার্টিফিকেৎ) পীবগী থবক্তি ষ্টেট খুদিংগী লৈরিবা বোর্ডস ওফ এসেসমেন্ট/ইগজামিনেশনশিং অদুনা তৌগনি।

**8.6.** স্কুলশিংদা, মহৈকোলশিংদা, ওজাশিংদা, লোয়শঙলোয়শিং (ওফিশিয়েলশিং) দা, মীয়াম কোল্লুপ শিংদা অমসুং অতৈ পোন্থারোয়শিং (ষ্টেকহোল্ডর্স) দা মঙম পীরিবা অমসুং চঙগদবা মচাকশিং মরাং কায়না পীরিবা চৎনবী, শাওঙ (ষ্ট্রকচর) শিং অমসুং কাঙলোনশিং অদুসু মথোয় মথোয়গী মশাগা চানজবা মথৌদাং লৌহনবগী থবক শেমগৎ-শাগৎপা চঙই। মহৈ-মশিংগী কাঙলোন (ইডুকেশন সিষ্টেম) গী পোন্থারোয় অমসুং শরুক য়ারিবা খুদিংমক্লা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী পূকচেল শেংবা অমসুং চুম্না থবক তৌবা, চপ চাবা ফিরেপ অমসুং ফিদম্নীংঙাই ওইবা থবক খূৎতৌগা লোয়ননা মথোয় মথোয়গী ওইবা থৌদাংশিং অদু মথৌ থঙনা পাঙথোক্কদবনি।

কাঙলোন অসিদা থৌদাং লৌরিবা খুদিংমক্কী ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লবা মশানা ঙমগনি থনবা থৌদাংশিং লৈগনি অমসুং থল্লিবশিং অদুগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা কয়া য়াম্না থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙম্লবগে হায়বদু খঙনবা য়াম্না কন্না হৈলেপ্পগী থবক (এসেসমেন্ট) তৌগনি। হৈলেপ্পগী থবক (এসেসমেন্ট) অসি পান্দম ফংনবা (ওবজেক্টিভ) ওইগনি অমসুং চাওথৎ-থোঙথাংগী মায়কৈদা চঙশিনগনি, অদুগা শুংশোয় শোয়দনা মথৌ মশক খঙবা হায়বদুসু ওইহনগনি। মতৌ করম্না থবক পাঙথোক্লিবগে হায়বদু ফজনা উবা ঙম্নবগীদমক ফিডবেক লৌনবগী অমসুং হৈলেপ্পগী থবক তৌনবগী তোঙান তোঙানবা সোর্স লৈগনি (অমসুং মসি ইচম চম্না মহৈরোয়শিংনা ফংবা মার্ককুম্বগা মরী লৈনরোই। মহৈরোয়শিংগী মহৈ-মশিং তম্বগী ফংলকপা কান্নবশিং হায়বগুম্বা থবক অমা তৌবগী পোলোইগী মহৈ অসিদা অয়েৎপা পীবা পোৎশক কয়া অমা অমসুং মরী লৈনদবা হীরম কয়াদগী ইথিল পীরকপসু লৈগনি হায়বসি হৈলেপ্পগী থবক (এসেসমেন্ট) অসিনা শকখঙগনি। মহৈ-মশিং তম্বা হায়বসি মরু ওইনা স্কুলগী থাক্তদি, ময়াম পূন্না থবক তৌমিন্নবা মথৌ তাই হায়বসিসু শকখঙগনি। মীপূম খুদিংমক্কী ফম কাহনবা, শক খঙবা অমসুং মথৌ মশক খঙহনবা হায়বসি মথোয়গী থবক তৌবগী মওংদু হৈলেপ্পদা য়ুম্ফম ওইগনি। মসিগী ফগৎলকপা, তৌথোরকপা থবক অমসুং মথৌদাং লৌহনবগী থবক কাঙলোন (একাওন্টেবিলিটি সিষ্টেম) অসি য়াম্না অফবা মতীক-মগুন লৈনা থম্মোয় শেংনা অমসুং কাঙলোন চুম্না থবক তৌহন্নবা থৌপুরিবা খুদিংমক্লা, মথোয়না ঙম্বা থাক্তা মশা মশাগী মথৌদাংনি খন্দুনা থবক্তা ওন্থোক্কদবনি।

**8.7.** মীয়ামগী অমসুং লন্নাইগী স্কুলশিংবু পূক্নিং থৌগৎনবা অমসুং মওং অমত্তদা নমথদুনা থম্বীদনবা, মীয়ামগী অমসুং লন্নাইগী স্কুলশিং লোয়নমক (ময়ায়-লৈঙাক্লা/সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা শীল্লাংবা/মতেং পাংবা/মথোয়গী মখাদা লৈবা স্কুলশিং নত্তনা) চপ মান্নবা তূপ্নৱাশিং, পাদমশিং অমসুং থৌওংশিং (ক্রাইটরিয়া, বেঞ্চমার্ক এণ্ড প্রোসেসশিং) দা হৈলেপ্পা (এসেসমেন্ট) অমসুং মশেক তাকপা (এক্রেডিটেশন) তৌগনি। অফবা মগুন লৈবা মওংদা মহৈ-মশিং তম্বীবগী থৌওং (ক্বালিটি ইডুকেশন) পুরক্লবগীদমক লন্নাই ওইনা লৈত-লায়রবশিংগীদমক হোৎনরিবা পূম্নমক পূক্নিং থৌগৎকনি - অসুম্না মহৈ-মশিং তম্বীবগী থবকপু মীয়ামগী য়াইফনবা হীরমদা শীজিন্নৈ হায়বসি তাক্কনি - অদুগা মমা-মপা ওইবশিং অমসুং মীয়াম কোল্লুপশিংবু মরম চাদনা হেনগৎনীংবা মওংদা অতাকমল (ট্যুশন ফী) হেনগৎপদগীসু ঙাকথোকপীগনি। মীয়ামগী অমসুং লন্নাইগী স্কুল অনীমক্কী ওইবা, স্কুলগী ৱেভসাইটতা অমসুং এস এস এস এগী ৱেভসাইটকী খুথাংদা মীয়ামদা ফোঙদোক্লিবা ৱারোলশিং অদুদা তঙাইফদনা ক্লাসরুম মশীং, মহৈরোয় মশীং, ওজাশিংগী মশীং, তম্বীরিবা নৈনচল (সবজেক্ট) শিং, অতৈ অচঙমলশিং (ফীশিং) অমসুং এন এ এস অমসুং এস এ এস কুম্বা ময়াম পূন্না পাঙথোকপা চৎনবা য়ানা য়াইরেপ্পশিং (ষ্টেণ্ডর্ডাইজ ইভাল্যুএশনশিং) দা মহৈরোয়শিংগী ওইবা অপূনবা ফল অসিনচিংবগী অকূপ্পা মরোল য়াওগনি। ময়ায়-লৈঙাক্কী (সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী) মখাদা লৈবা/শীল্লাংবা/মতেং পাংবা স্কুলশিংগীদি সি বি এস ইনা এম ঐচ আর ডিগা তান্নরগা থৌয়াৎৱা অমা শেমগনি। ইডুকেশনেল ইন্সটিট্যুৎ (মহৈ-তম্ফম) পূম্নমক ওডিৎ তৌবগী চপ মান্নবা ষ্টেণ্ডর্ড অমসুং শেন্দোং তাননবা লৈবা নত্তে হায়না ফোঙদোকচবা ৱাফম অদুদা য়েংগনি। করিগুম্বদা, অহেনবা অরেম্বা শেনফম লৈরম্বা থোক্লবদি, মদু মহৈ-মশিং তম্বগী লমদা অমুক হন্না থাদগনি।

**8.8.** স্কুল চৎন-কাঙলোন ইলহনবগী (স্কুল রিগুলেশনগী), মশেক তাকপগী (এক্রেডিটেশন তৌবগী), অমসুং ঙাক্লোন (গভর্নান্স) গী চৎন-থাক অমা থম্বা/চৎন-কাঙলোন ইলহনবগী থৌয়াৎৱা (ষ্টেণ্ডর্ড সেট্টিং/রিগুলেটরি ফ্রেমৱর্ক) অমা থম্বা অমসুং মদুবু হেন্না খুদোংচাহন্নবা কাঙলোনশিং অদুদি হৌখিবা চহী ১০ অসিদা তম্লকখিবা, থেংনরকখিবশিং অদুদা য়ুম্ফম ওইগনি। নৌনা য়েংশিল্লিবা অসিনা মহৈরোয় খুদিংমক্তা, মরু ওইনা মীমান্নদ্রবা অমসুং খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবা কাঙবুদা, মীপূম তিংনা, লেম্না অমসুং শুংশোয়-শোয়দনা ঙল্লিঙৈদগী অঙাং ওইনা শেন্নবীবা অমসুং মহৈ তম্বদগী (চহী অহুমদগী) হৌরগা হাইয়র সেকেণ্ডরি ইডুকেশন (হায়বদি, ১২ শুবা থাক/গ্রেড) ফাওবা অৱাংবা থাক্কী মগুন লৈবা অমসুং মীচং-মীথায় নাইদবা মহৈ তম্বা শুংশোয়-শোয়দনা ফংহন্নবা হোৎনগনি। মথৌ তাবা মচাক (ইনপুৎ) শিংদা কা হেন্না লূম্না

লৌবা, অমসুং — মপানগী ওইবা অমসুং তঙাইফদবা মচাক-মথুম (ইনফ্রাষ্ট্রকচর) গী ওইবা - চঙদবা য়াদবা পোৎশকনি হায়দুনা পংহায়দা হায়বগী মওং, অসি হোংদোক্লগনি অদুগা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদবশিং অদুদি তশেং-তশেংনা লৈরি-লৈরিবা অশেংবা ফিভমশিং অদুগী মথা পোন্না শেম্লগনি, থূদম ওইনা হায়রবদা, লমগী পাক-চাউবগী মরমদা, কাগী অচৌ-অপীক্কী মরমদা, সহরগী লমদা শান্নবুং লৈবা য়াবা য়াদবগী মতাং অসিনচিংবদা। তৌদবা য়াদবনি হায়রিবা ৱাফমশিং অসি ফিভম-ফিভমগী মতুং ইন্না চাননবা শেম্লগনি অমসুং লায়থোকহল্লগনি, অদুগা শোয়দ-ঙামদবা, ঙাকশেলগী ওইবা হীরমশিং অমসুং নুংঙাইগদবা অমসুং কান্নবা মওংদা মহৈ তম্বা য়াবা মফম অমা শোয়দনা ফংহল্লবা মতুংদা স্কুল খুদিংমক্না মাগী মাগী লৈকায়দুগী মথৌ তাবা অমসুং খুদোংচাদবা, অপনবশিংদুদা য়ুম্ফম ওইরগা মশাগী ওইবা ৱারেপ লৌজবা ঙম্নবা চানবা মওংদা কোমথোক্লগনি। মহৈ-মশিং তম্বগী পোলোইগী মহৈ (ইডুকেশনেল আউটকমশিং) অমসুং শেল-থুমগী, মহৈ-মশিং তম্বগী অমসুং থবক পাঙথোকপগী ৱাফমশিংবু মনুং-মপান ফাওনা উবা ঙম্বা মওংদা ফোঙদোকপা হায়বসি য়াম্না মরুওইনা লৌগনি অমসুং স্কুলশিং হৈলেপ্পগী থবক (এসেসমেন্ট) তৌবদা মফম চানা য়াওহনগনি। মসিনা অঙাং খুদিংমক লেম্না, থোং মান্ননা অমসুং মগুন লৈবা প্রাইমরি অমসুং সেকেণ্ডরি ইডুকেশন ফংহন্দুনা সষ্টেনেবল গোল ৪ (এস ডি জি ৪) য়ৌনবগী মায়কৈরোমদা চঙশিল্লিবা ভারতকী চাওখৎ-খোঙথাং অসি হেন্না থুমাং চাওশিনহনগনি।

**8.9.** মীয়ামগী মহৈ-মশিং তম্বগী কাঙলোন (পব্লিক-স্কুল ইডুকেশন সিষ্টেম) গী পান্দমদি, তোঙান তোঙানবা শিনফমদা লৈরিবা মমা-মপাশিংনা মখোয় মখোয়গী মচাশিংবু মহৈ তমহন্নবা থ্বাইদগী অপাম্বা মফম ওইহন্নবগীদমক, থ্বাইদগী ফবা মগুন লৈবা মহৈ-মশিং পীবদুনি।

**8.10.** কাঙলোন অসিবু পুল্লপ ওইনা মশা-মউ ফনা লৈরিবরা হায়বসি মতম মতমগী ওইনা য়েংশিন্নবগীদমক নেশনেল এসেসমেন্ট সেন্টর ওইনা লিংখৎকদৌরিবা পি এ আর এ কে ঐচ (PARAKH) না ডেটা এনালাইসিসকুম্বা মরক্তা মতেং পাংগদবা চানবা অতৈ গভর্নমেন্ট বোডিশিংগা - থূদম ওইনা, এন সি ই আর টি গুম্বগা - পুল্লগা মহৈরোয়শিংগী মহৈ তম্বগী থাক থঙনবা সেম্পলদা (থূদম চাংদমদা) য়ুম্ফম ওইবা নেশনেল এচিভমেন্ট সর্ভে অমা পাঙথোক্কনি। হৈলেপ্পা (এসেসমেন্ট) অদু মীয়ামগী অমসুং লন্নাই স্কুলগী মহৈরোয় য়াওনা পূন্না তৌগনি। ষ্টেট থুদিংমক্তা সেন্সসতা (মীকোক থীবদা) য়ুম্ফম ওইবা ষ্টেট এসেসমেন্ট সর্ভে (এস এ এস) অমা পাঙথোক্লবা পূক্নিং থৌগৎকনি অমসুং মদুগী ফল অদুনা চাওখৎ-থৌরাংদা, মশক-মমীং তাকথোক্তনা, মহৈরোয় পুল্লপকী ওইবা আউটকমশিং মীয়ামদা ফোঙদোকপদা অমসুং স্কুল মহৈ-মশিংগী কাঙলোন (স্কুল ইডুকেশন সিষ্টেম) অসি লেপ্তনা ফগৎহন্নবগীদমক শীজিন্নগনি। লিংখৎসি হায়না হৌদোক্লিবা নেশনেল এসেসমেন্ট সেন্টর, পি এ আর এ কে ঐচ অসি লিংখৎত্রিবা ফাওবদি এন এ এস অসি এন সি ই আর টিনা অদুমক মথা তানা পাঙথোকপা য়াগনি।

**8.11.** অরোইবদা, স্কুলশিংদা মীং চল্লক্লিবা পীক্লিবা অঙাংশিং অমসুং ইনখৎলক্লিবা নুপামচা- নুপীমচাশিংবু (এডোলেসেন্টশিংবু) কাউরোইদবনি মরমদি অপূনবা স্কুল কাঙলোন (স্কুল সিষ্টেম) অসি মখোয়গীদমক শকলেপথিবনি, মখোয়গী তেক্ত-কায়দনবা অমসুং মখোয়গী হকশিংগীদমক চেকশিন্না মীৎয়েং চঙগদবনি - মরুওইনা অঙাং নুপীমচাশিংগী - অমসুং ইনখৎলক্লিবা নুপামচা- নুপীমচাশিংনা মায়োক্লরিবা, সবসটেন্স নৎত্রগা ড্রগ এব্যুজ (ফত্তবা ময়ায় কাবা পোৎপুলান্না শীজিন্নবা) অমসুং হিংশা য়াওনা মখোয়বু তোঙান তোঙানবা মওংদা হন্থনা য়েংবীবা অমসুং তাথী-তাওইনা তৌবীবা অসিনচিংবা য়াওনা অরুবা ৱাথোক কয়াগী মতাংদা মরীক চূম্বা, অশোয়-অঙাম য়াওদনা পাও তম্নবা অমসুং অঙাংশিংগী/ইনখৎলক্লিবা নুপামচা-নুপীমচাশিংগী হকশিং নৎত্রগা তেক্ত-কায়দবা ফিভমদা অতম্ননা শীংনরকপা মতমদা মখৌ তাবা থবক লৌখৎনবা অফবা কাঙলমশিং য়াওবা হীরমশিং অসিদা য়াম্না চেকশিনগদবনি।

# শরুক II: অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং

## 9. অফবা মগুন লৈবা তাইবং-মহৈকোলশিং অমসুং কলেজশিং: ভারতকী অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী লমদা অনৌবা অমসুং মাঙলোমদা য়েংবা মীৎয়েং

**9.1.** মীওইবগী অমসুং খুন্নাইগী নুংঙাই-য়াইফবা ফিভমবু য়োকখৎপা অমসুং লৈঙাক-পথাপ্পা (কন্সটিট্যুশন) না মীৎয়েং থম্লীবা - নীংতম্বা, থোং মান্নবা মরুপ-মপাং ওইবা অমসুং পূম্নমক্কী মফমদা অচূম্বা তৌবা হায়বা ৱাফমশিং অসিবু ঙাক্তুনা থম্বা গনতন্ত্রিক ওইবা অচূম্বা তৌবা খুন্নাইগী থনবা, লৈবাক মচা তাবা অমসুং মীনুংশি লৈবা লৈবাক অমা ওইনবা ভারতপু শেমগৎপদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং (হাইয়র এজুকেশন) না য়াম্না মরুওইবা থৌদাং অমা লৌরি। তুংকোইনা হিংদুনা লৈনবা অমসুং লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবগী মায়কৈদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংনা শীংথানীংঙাই ওইবা মওংদা

খূদোল তল্লী। ভারতনা লৌশিংদা য়ুম্ফম ওইবা শেল-থুমগী ফিভম অমসুং থুন্নাই (নোলেজ ইকোনোমী অমসুং সোসাইটি) অমগী মায়কৈদা চঙশিল্লকপদা ভারতকী নহা মশীং হেন্না হেন্না অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংদা মীৎয়েং থল্লক্কনি।

**9.1.1.** ২১শুবা চহীচা অসিদা মথৌ তারিবা চঙদবা য়াদবশিং অসি য়েংলগা মগুন লৈবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংনা অফবা, ৱাখল লৈবা, থুদিংমক হৈবা অমসুং অনৌবা ৱাখল থনবা ঙম্বা মীওইশিং শেমগৎনবা পান্দম থমগদবনি। মসিনা কনাগুম্বা মীওই অমবু মানা পামজবা অকক্লবা হীরম অমা নৎত্রগা অনীদা হেন্না লুথনা তম্বা ঙমহনগদবনি অমসুং লমচৎ-শাজৎ ফগৎহনগদবনি, অফবা লমচৎ-শাজৎ (ইথিকেল) অমদি লৈঙাক-পথাপকী মচাংশিং (কন্সটিট্যুশনগী ভেল্যুশিং) বু খঙহনগদবনি, ৱাখল-লৌশিংগী ইথৌ লাংবা পোকহনগদবনি, চুল্লৌশিংগী মিহুল (সাইন্টিফিক টেম্পর) লৈহনগদবনি, অনৌবা ৱাখল থনবা ঙম্বা, থবক তৌনিংবগী ৱাখল লৈবা অমসুং তোঙান তোঙানবা ডিসিপ্লিন কয়াদা (হীরম কয়াদা) হায়বদি চুল্লৌশিং (সাইন্স) দা, থুন্নাই-চুল্লৌশিং (সোশিয়ল সাইন্স) দা, ফিরেপলোন (আর্টস) দা, তাইবংলোন (হ্যুমেনিটিজ) দা, লোলদা লোয়না লোয়ননা শিনফমগী, শিনশালোনগী অমসুং মসিনগী নৈনচল (প্রোফেশনেল, টেক্নিকেল এণ্ড ভোকেশনেল সবজেক্ট) শিংদা ২১ শুবা চহীচাগী তৌবা ঙম্বা শক্তি লৈবা মী ওইনা শেমগৎকদবনি। মগুন লৈবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বনা মী অমবু থবক অমা মায়পাক্না পাঙথোকপা ঙমহনবা অমসুং ৱাখল-লৌশিংগী মঙাল লৈবা ওইগদৌবনি, কান্নবা মওংদা মীয়ামগী থবক তৌবা অমসুং থুন্নাইদা অফবা মওংদা খূদোল তম্বা ঙমহনগদবনি। মসিনা মহৈরোয়শিংবু হেন্না মমল লৈনা অমসুং পেন্থোক্না হিংবা ঙম্নবা অমসুং থবক তৌনবা শেম-শাগদবনি অমসুং শেল-থুমগী লমদা মীথা পোন্দবা ঙমহনগদবনি।

**9.1.2.** মপূং ফারবা মী অমমম ওইনা শেমগৎনবগীদমক প্রি-স্কুলদগী হৌরগা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বা (হাইয়র ইডুকেশন) ফাওবদা মহৈ তম্বগী তাঙ্কক থুদিংমক্তা হান্ননা মশক তাক্তুনা থল্লবা হৈশিংবশিং অমসুং মতীক-মগুন অমসুং মরুওইবা মমলশিং য়াওহনবা হায়বসি তঙাইফদবনি।

**9.1.3.** থুন্নাইগী থাক্তনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বনা লৈবাক অসি মশাগী অরুবা ৱাফম কয়াদা মতীক চাবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্বা অমসুং মদুবু থবক্তা ওন্থোকপা ঙমগদবা, ৱাখল-লৌশিং লৈবা, থুন্নাইগী থনবা, লৌশিং শিংবা অনসুং থূৎ-শা হৈবা লৈবাক অমা শেমগৎপা ঙমহনগদবনি। অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বনা লৌশিং পুথোকপা অমসুং অনৌ-অনৌবা পোৎ পুথোকপগী য়ুম্ফম থোনগদবনি অমসুং মতৌ অসুম্না জাতিগী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা মতেং পাংগদবনি। মরম অসিনা, অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মথৌদি, ঐ অমগী লন্নাইগী থবক ফংনবা খুদোংচাবশিং শেমগৎপা হায়বা অদুদগী হেল্লি। মসিনা লৈবাক অসি হেন্না মতীং লৈবা, থুন্নাইগা থাদোক্নবা য়াদবা, অমগা অমগা হেন্না তেংবাঙনবা কাঙলূপ ফুরুপশিং অমসুং হেন্না নুংঙাইবা, হেন্না চেৎশিন্নবা, লৈবাক মচা তাবা, অফবা থবক তৌবা, অনৌবা ৱাখল থনবা চাওখৎপা অমসুং ৱাত্ত-পাদবা লৈবাক অমা ওইনবগী য়াম্না মরুওইবা চুম-শো (কী) অদুনি।

**9.2.** ভারতকী অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী কাঙলোন (হাইয়র ইডুকেশন সিষ্টেম) না হৌজিক হৌজিক মায়োক্নরিবা মরুওইবা অরুবা ৱাফম থরদিঃ

(অ) য়াম্না শাথীনা মচেৎ-মচেৎ তারবা মহৈ-মশিংগী হিংনশাইগোন (ইডুকেশনেল ইকোসিষ্টেম) অমা লৈবা;

(আ) খঙবা ঙম্বগী হৈশিংবা (কোগ্নিটিভ স্কিল) ফগৎহনববু লূপ্না লৌদবা অমসুং মহৈ তম্বা লোইরকপগী ফল (লর্নিং আউটকম) বু লূপ্না লৌদবা;

(ই) তম্নবা হীরমশিং (ডিসিপ্লিনশিং) বু হোংদোক-হোংজিন য়াদবমখৈ তোঙান-তোঙান্না থায়দোকপা, লোয়ননা ঙন্তানা হীরম অমমমথক হৈহন্নবা তৌবা (স্পেশলাইজেন তৌবা) অমসুং অঙাংশিংবু অপীক-অপীকপা হীরম খরী তম্নবগীদমক চৎহনবা;

(ঈ) থুন্নাইগী অমসুং থুন্নাই-শেন্মীৎলোনগী লমদা শোথরবশিংগী মনাক্তা চঙশিনবা ঙমদবা লোয়ননা লম লমদুগী লোলদা মহৈ তম্বীবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মহৈকোলশিং (হাইয়র ইডুকেশন ইন্সটিট্যুৎশিং- ঐচ ই আই শিং) ইরৈ লৈতবা;

(উ) ওজাশিংগী অমসুং মহৈকোলশিংগী নীংতম্বা (ইন্সটিট্যুশনেল ওটোনোমি) খজিক্তমক লৈবা;

(ঊ) খঙবা হৈবদা য়ুম্ফম ওইরগা থবক শীল্লাংবা অমসুং অমসুং ওজা (ফেকল্টি) শিং অমসুং মহৈকোলগী লূচিংবশিংনা ফগৎলক্নবগীদমক মতীক চানা কাঙলম লৈতবা

(ঋ) তাইবং-মহৈকোলশিংদা অমসুং কলেজশিংদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক তৌববু মরুওইনা খনবগী চাং হন্থবা অমসুং ডিসিপ্লিন অমগা অমগগী মরক্তা হিদান্নবা মওংদা পিয়র রিভিয়ু (হীরম অমত্তদা থিজিনমীন্নরিবা

অতোপ্পা মরেং মমান্নবনা মী অমনা ইরিবা অদুবু পাবা, নৈনবা অমসুং মোৎ পীবগী মওং) তৌবা মথলগী থিজিন-হুমজিনবদা শেল থাদবা (রিসর্চ ফণ্ডিং) ৱাৎপা;

(৯) অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মহৈকোল (হাইয়র ইডুকেশন ইন্সটিট্যুৎ - ঐচ ই আই) শিংবু হন্থবা থাক্তা চলাইবা অমসুং মকোকথোংবা ফম পুনবা মতীক চাবা মী লৈতবা;

(এ) ফজনা থবক তৌবা ঙম্বা চৎন-কাঙলোন ইলহন্নবা কাঙলোন (রিগুলেটরি সিষ্টেম) লৈতবা অমসুং

(ঐ) এফিলিয়েটিং য়ুনিভর্সিটি (তাইবং-মহৈকোল অমদা নপচ-তাংজদুনা মথা তাবা তাইবং-মহৈকোল) ময়াম অমা লৈবা অমসুং মদুনা মরম ওইদুনা অণ্ডরগ্রেজুয়েৎ ইডুকেশনগী থাক নেম্বা।

**9.3.** থৌশিল অসিনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী কাঙলোন (হাইয়র ইডুকেশন সিষ্টেম) অসি মপূং ফানা শেমদোক্তুনা অমসুং নৌনা থৌনা পাঙ্গল হাপতুনা শীংনবা কয়া অসি লাকশিনবা ঙম্নবা হোৎনগনি অমসুং মতৌ অসুন্না চপ মান্নবা মওংদা মীপূম তিংনা অৱাংবা থাক্কী মগুন লৈবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী পীনবা পান্দম থম্লি। থৌশিল অসিনা হৌজিক লৈরিবা কাঙলোন অসিদগী মথাদা পীরিবা মরুওইবা অহোংবশিং অসি য়াওহন্নবা মীৎয়েং থম্লিঃ

(অ) অচৌবা লৌশিংশা-য়াম্বা (তোঙান তোঙানবা হীরমশিং পূন্না তম্বা য়াবা) তাইবং-মহৈকোলশিং অমসুং কলেজশিং (মল্টিডিসিপ্লিনরি য়ুনিভর্সিটিশিং অমসুং কলেজশিং) লৈবা, য়ামদ্রবদা ডিষ্ট্রিক্ট অমগী মনুংদা নৎত্রগসু অনকপদা অমদি লৈবা, লোয়ননা লম লমদুগী লোল/ ভারতকী লোলশিংদা তাকপী-তম্বীবা নৎত্রগা থৌরম পাঙথোকপা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মহৈ-তক্ষম (হাইয়র ইডুকেশন ইন্সটিট্যুৎ - ঐচ ই আই) শিং মশীং হেন্না লৈবা, অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী কাঙলোন (হাইয়র ইডুকেশন সিষ্টেম) অমগী মায়কৈদা চঙশিনবা;

(আ) লৌশিংশা-য়াম্বা (তোঙান তোঙানবা হীরমশিং পূন্না তম্বা য়াবা) অণ্ডরগ্রেজুয়েৎ ইডুকেশন (মল্টিডিসিপ্লিনরি অণ্ডরগ্রেজুয়েৎ ইডুকেশন) গী মায়কৈদা চঙশিনবা;

(ই) ওজাশিংগী অমসুং মহৈকোলশিংগী নীংতম্বগী (ফেকল্টি এণ্ড ইন্সটিট্যুশনেল ওটোনোমিগী) মায়কৈদা চঙশিনবা;

(ঈ) মহৈরোয়শিংগী মশা মশানা থেংনরগা তম্বদু হেনগৎহনবদা মতেং পাংনবা তম্ন-হীরম, তম্বীরোল, হৈলেপ্পা (এসেসমেন্ট) অমসুং মহৈরোয়শিংবু মতেং পাংবগী মওং নৌনা শেমদোক্তুনা ফগৎহনবা;

(উ) অফবা থল্লগা থবক হাপ্পা অমসুং তাকপী-তম্বীবা, থিজিন-হুমজিনবা অমসুং থবক তৌবদা য়ুম্ফম ওইদুনা থবক্কী লমদা ফম কাহনবা য়াওনা ওজাশিংগী পূকচেল শেংবা অমসুং চুম্না থবক তৌবা অমসুং মহৈকোলগী মকোক থোংবশিংগী ফম হেন্না চেৎশিনহনবা;

(ঊ) ময়ামদগী তোঙান্না তারবা পিয়র রিভিয়ু রিসর্চ ৱর্কপু শেল থাদনবা অমসুং তাইবং-মহৈকোলশিং অমদি কলেজশিংদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক হেন্না কন্না তৌনবগীদমক নেশনেল রিসর্চ ফাউণ্ডেশন অমা লিংথৎপা;

(ঋ) অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মহৈ-তক্ষম (হাইয়র ইডুকেশন ইন্সটিট্যুৎ - ঐচ ই আই) শিংবু মহৈ তম্বগীদা অমসুং শীল্লাংবদা নীংতম্বা (একাডেমিক এণ্ড এডমিনিষ্ট্রেটিভ ওটোনোমি) লৈবা য়াম্না মতীক চারবা মনীংতম্বা বোর্ডশিংনা চলাইহনবা;

(৯) অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগীদমক রিগুলেটর (চৎন-কাঙলোন শেম্নবা) অমথক্লা "ইচমদি চম্বা অদুবু য়াম্নদি চেকশিনবা" চৎন-কাঙলোন অমা চৎনহনবা;

(এ) তোপ তোপ্পা মওংদা মীয়ামদা মহৈ-মশিং তম্বীবগী থুদোংচাবা হেন্না পীবা, শোথহৌরবা অমসুং মীমান্নদ্রবা মহৈরোয়শিংগীদমক লন্নাইগী/লৈত-লায়রশিংগী তেংবাঙবা তাইবং-মহৈকোলশিংনা স্কোলরশিপশিং পীবা; ওনলাইনদা মহৈ তম্বীবা, অমসুং ওপন ডিষ্টেন্স লর্নিং (ও ডি এল) অমসুং নাম্ম-শোয়রবা মহৈরোয়শিংগী চানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং তম্নবা মচাক- মথুম পূন্নমক য়াওবা, অসিনচিংবা পাম্বে কয়াগী মতেংনা ইরায় লায়না চঙবা য়াবা, মীচং-মীথায় নাইদবা অমসুং মীপূম তিংনা য়াওহনবগী থবক হেনগৎহনবা।

## 10. মহৈকোলশিং নৌনা শেমদোক-শাদোকপা অমসুং মৱা চেৎশিনহনবা

**10.1.** অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং (হাইয়র ইডুকেশন) গা মরী লৈনবা থৌশিল অসিনা মরুওইনা পূক্নিং চঙলিবা ৱাফমদি অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মহৈ-তক্ষম (হাইয়র ইডুকেশন ইন্সটিট্যুৎ - ঐচ ই আই) শিংবু মহৈরোয় লীশিং অহুম নৎত্রগা

মসিদগী হেন্না লৈবা অচৌবা লৌশিংশা-য়াম্বা তাইবং-মহৈকোল (মল্টিডিসিপ্লিনরি য়ুনিভর্সিটি) শিং, কলেজশিং অমসুং হাইয়র ইডুকেশন ইন্সটিট্যুৎ ক্লষ্টর/লৌশিংগী য়াকাবুংশিং (নোলেজ হবস) অমমম ওইনা ওন্থোকপনি অমসুং মখোয় থুদিংদা মহৈরোয় মশীং ৩, ০০০ নৎত্রগা হেন্না থম্নবা পান্দম লৈগনি। মসিনা স্কোলরশিং অমসুং মখোয়গী মমান্নবশিংগী (পিয়রশিংগী) মতীং লৈবা মীয়াম কোল্লুপশিং শেমগৎপদা, মাঙহন-তাকহনবা য়াবা কাথলশিং থুগায়বা, মহৈরোয়শিংবু ফিরেপলোনগী (আর্টিষ্টিক), ৱাখল থোকপগী (ক্রিয়েটিভ) অমসুং কূপশুরোলগী নৈনচলশিং (এনালাইটিক সবজেক্টশিং) লোয়ন-লোইননা শান্ন-থোৎনবা য়াওনা ডিসিপ্লিন কয়া শূপ্পা লোয়না হৈনবা, ক্রোস ডিসিপ্লিনরি রিসর্চ য়াওনা য়াম্না থৱায় য়াওবা থিজিন-হুমজিনবগী মীয়াম কোল্লুপ (রিসর্চ কম্যুনিটি) শিং শেমগৎপা অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং (হাইয়র ইডুকেশন) গী মফম শীনবা থুংনা, পোৎচাক্কী অমদি মীওই-মথোক (হ্যমেন রিসোর্স) কী মপাঙ্গল কনথৎহনবদা মতেং পাংগনি।

**10.2.** অনৌবা লৌশিংশা-য়াম্বা তাইবং-মহৈকোল (মল্টিডিসিপ্লিনরি য়ুনিভর্সিটি) শিং অমসুং ঐচ ই আই ক্লষ্টরশিং লিংথৎপগী মায়কৈদা চৎপা হায়বসি, মতৌ অসুম্না, অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী শাওঙগা মরী লৈনবদা, থৌশিল অসিনা থ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা তৌগদবনি হায়রিবা ৱাফম্নি। তক্ষশিলা, নালন্দা, ভল্লভী অমসুং ভিক্রমসিলাগুম্বা ভারতকী অমদি মালেমগী অতৈ মফমশিংদগী লাক্তুনা মতীং লৈবা লৌশিংশা-য়াম্বা (মল্টিডিসিপ্লিনরি) ইনভাইরনমেন্টশিংদা মহৈ তম্লম্বা মহৈরোয় লীশিং কয়া লৈরম্বা ভারতকী তাইবং-মহৈকোলশিং অদুনা য়াম্না ময়েক শেংনা, অচৌ অচৌবা লৌশিংশা-য়াম্বা থিজিন-হুমজিনবা (মল্টিডিসিপ্লিনরি রিসর্চ) অমসুং তাইবং-মহৈকোলশিংনা কয়া য়াম্না চাউনা মায় পাকপা পুরকপগে হায়বদু উৎলে। হীরম কয়াদা হৈশিংবা অমসুং অনৌ-অনৌবা ৱাখল পুথোকপা ঙম্বা মসিগী মতীক-মগুন চাউরবা ভারতকী চৎনবী, অদুগা লৈবাক অতৈদসু মহৈ-মশিং তম্বগী অমসুং শেল-থুমগী লমগী লমদা হান্ননা অহোংবা পুরকপা ঙল্লিবা চৎনবী অসি ভারতনা থূদক্কী ওইনা তঙাইফদবা ওই।

**10.3.** অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী অসিগুম্বা মীৎয়েং অসিদা চঙদবা য়াদ্রিবসি, মরুওইনা, অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মহৈ-তম্ফম (হাইয়র ইডুকেশন ইন্সটিট্যুৎ - ঐচ ই আই) অমা, হায়বদি, তাইবং-মহৈকোল নৎত্রগা কলেজ অমা হায়বসি করি করিনা শেমগৎপগে হায়বদুগী অনৌবা ৱাখল্লোন অদু থঙবদুনি। তাইবং-মহৈকোল অমা হায়বসিনা থঙনগদৌরিবসি গ্রেজুয়েৎ অমদি অণ্ডরগ্রেজুয়েৎ প্রোগ্রামশিং তম্নবা থুদোংচাবা পীরিবা, অৱাংবা থাক্কী মগুন লৈবা তাকপী-তম্বীবগী মওং, থিজিন-হুমজিনবা অমসুং মীয়াম কোল্লুপ তোৎন-তিন্নবগী (কম্যুনিটি এনগেজমেন্টকী) মীয়ামগী থবকশিং য়াওবা অৱাংবা থাক্কী লৌশিং তম্নবা লৌশিংশা-য়াম্বা মহৈ-তম্ফম (মল্টিডিসিপ্লিনরি ইন্সটিট্যুৎ) অমনি। মতৌ অসুম্না, তাইবং-মহৈকোল অমগী শক্তাকৱা (ডিফিনিশন) দা তাকপী-তম্বীবা অমসুং থিজিন-হুমজিনবদা চপ মান্ননা মরুওইনা থনবা, থূদম ওইনা, রিসর্চ ইন্টেন্সিভ য়ুনিভর্সিটিশিং অমসুং তাকপী-তম্বীবদনা হেন্না মরুওইনা থনবা অদুবু থিজিন-হুমজিনবসু ফজনা অদুম তৌহনবা, থূদম ওইনা, টিচিং ইন্টেন্সিভ য়ুনিভর্সিটিশিং অসিনচিংবা য়াওনা মহৈকোল মথল ময়াম অমা য়াওগনি। অদুগা ওটোনোমস ডিগ্রী গ্রান্টিং কলেজ (এ সি) অমা হায়বসিনা অণ্ডরগ্রেজুয়েৎ ডিগ্রী পীবা ঙম্বা অমসুং মরুওইনা অণ্ডরগ্রেজুয়েৎ থাক ফাওবদং তম্বীবদা পূক্নিং চঙবা, মদুথক্তং তৌগদবনি হায়দুনা অথিংবদি থমদবা, থম্বগী মথৌসু তাদবা অদুগা তশেং-তশেংনা তাইবং-মহৈকোল অমদগীদি থরা পীকপা, অচৌবা লৌশিংশা-য়াম্বা মহৈ-তম্ফম (মল্টিডিসিপ্লিনরি ইন্সটিট্যুৎ) অমনি।

**10.4.** মনুং-মপান ফাওনা উবা ঙম্বা থাক থাক নাইনা মশেক তাকপগী কাঙলোন (গ্রেডেদ এক্রেডিটেশন সিষ্টেম) অমগী থুথাংদা কলেজশিংদা থাক নাইরবা মনীংতম্বা (গ্রেডেদ ওটোনোমি) পীনবগী তাঙ্কক নাইবা কাঙলম (মেকানিজম) অমা শেমগৎকনি। মশেক তাকপগী (এক্রেডিটেশন) গী থাক থুদিংমক্লা মথৌ তাবা থ্বাইদগী য়ামদবা থঙন-থাক (বেঞ্চমার্ক) শিং অদু মথং মথং ফংনবগীদমক কলেজশিংবু পূক্নিং থৌগৎপীগনি, লমজিং-লমতাকপীগনি অমসুং মনা-মথুম পীবিগনি। মতম থরগী মনুংদা কলেজ থুদিংমক ওটোনোমস ওইবা ডিগ্রী পীবা ঙম্বা কলেজ অমা ওইনা নৎত্রগা তাইবং-মহৈকোল অমগী মশা-মরেং ওইবা কলেজ অমমম ওইনা শেমগৎকনি হায়বগী মীৎয়েং থম্লি, অমসুং অকোনবগী ফিভম অসিদদি, কলেজ অদু মপূং ফানা তাইবং-মহৈকোল অমগী শরুক অমা ওইরক্কনি। নীংথিনা মওং চুম্না মশেক তাকপগা (এক্রেডিটেশন তৌবগা) লোয়ননা, মনীংতম্বা ডিগ্রী (ওটোনোমস ডিগ্রী) পীবা ঙম্বা কলেজশিং অসি, মখোয়না পামজনা হোৎনরবদি, রিসর্চ ইন্টেন্সিভ নৎত্রগা টিচিং-ইন্টেন্সিভ য়ুনিভর্সিটিশিং ওইনা ওনথৎলকপা ঙমগনি।

**10.5.** মসিমদি য়াম্না ময়েক শেংনা থঙগদবনি মদুদি চাউরাক্লা মথল অহুম থোক্লা লৈরিবা মহৈকোলশিং অসি করিগুম্বা মওং অমত্তদা হোংদোক-হোংজিন য়াদবা, অমগা অমগা পূনশিনবা য়াদবগী মওংদা মথল থায়দোকপা নত্তে, মদুগী মহুত্তা মখোয়দি ইথেন-থেন্নদনা অদুমক মথা চথদুনা লৈগদবা মওং অমনি। ঐচ ই আইশিং অসিদি মখোয়গী থৌরাংশিং, থৌদৌশিং অমসুং মখোয়না মায় পাক্লা থবক তৌবা ঙম্বদুগী মথা পোন্না তপ্না তপ্না মথল (কেটগোরি) অমদগী অমদা হোংদোক-হোংজিন তৌনবগী ওটোনোমি অমসুং মনীংতম্বা অদু লৈগনি। মহৈকোল মথলশিং অসিগী থ্বাইদগী তোপ তোপ্পা মতৌদি মখোয়গী

পান্দমশিং অমসুং থবক্তা অথন্নবা মীৎয়েং চঙবদুনা ওইগনি। মশেক তাকপগী কাঙলোন (এক্রেডিটেশন সিষ্টেম) সিনা ঐ চ ই আ ই শিংগী কোল্লিবা লমথৈসিগী চান-চাননা তোঙান তোঙানবা অমসুং মরী লৈনবা চৎন-পথাপশিং পুথোক্লগা শীজিন্নগনি। অদুম্ ওইনমক, মহৈ-মশিং পীবদা, অমসুং তাকপী-তম্বীবদা তীং ৱাংনা ফংহন্নবগী ৱাথল্লোনশিংদি ঐ চ ই আ ই পূন্নমক্কী ওইনা চপ মান্নগনি।

**10.6.** তাকপী-তম্বীবা অমসুং থিজিন-হুমজিনবগী মথক্তা, ঐ চ ই আ ই শিংগী য়াম্না মরুওইবা অতোপ্পা হোয়াবশিং (রেস্পোন্সিবিলিটিজ) লৈগনি অমসুং মথোয়না মদুবু চান-চূনবা মচাকশিং (রিসোর্সশিং), থৌগৎ-মনাশিং (ইন্সেন্টিভস), অমসুং শাওঙশিং (ষ্ট্রকচরশিং) গী মতেংনা পাঙথোক্কনি। মসিদা য়াওগদৌরিবসি অতোপ্পা ঐ চ ই আ ই শিংবু চাওখৎনবা শৌগৎপীবা, মীয়াম কোল্লুপ য়াওহনবা অমসুং থবক্তা তৌহনবা (কম্যুনিটি ইনগেজমেন্ট এণ্ড সর্ভিস), থবক পাঙথোক্লবা মথল-মথাগী লমশিং (ফিল্ডশিং) দা শরুক থংদোকপা, অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী কাঙলোনগীদমক ওজাশিংবু শেমগৎ-ফগৎহনবা, অমসুং স্কুল মহৈ-মশিংদা তেংবাঙ পীবা য়াওগনি।

**10.7.** ইং ২০৪০ ফাওবদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মহৈকোল (হাইয়র ইডুকেশন ইন্সটিট্যুশন – ঐ চ ই আ ই) পূন্নমক লৌশিংশা-য়াম্বা মহৈকোল (মল্টিডিসিপ্লিনরি ইন্সটিট্যুশন) শিং ওইনবা পান্দম থমগদবনি, অমসুং মচাক-মথুমশিং (ইনফ্রাষ্ট্রকচর) অমসুং চান-চূনবা মচাক (রিসোর্স) শিংবু থ্বাইদগী ফবা মওংদা শীজিন্ননবা অমসুং মশা থীংবা লৌশিংশা-য়াম্বা মীয়াম কোল্লুপশিং শেমগৎনবগীদমক মহৈরোয়ময়াম অমা য়ারগদি লীশিং লীশিংনা থূজিং ওইদুনা মীং চল্লক্লবা পান্দম থমগদবনি। থৌরম অসি পাঙথোকপদা মতম লৌগদবা মরম্না, ঐ চ ই আ ই পূন্নমক্না ইং ২০২০ ফাওবদা লৌশিংশা-য়াম্বা ওইনবা অহানবদা থৌরাংগনি, অমসুং মতুংদা মহৈরোয়শিংগী মশীংদু অসুম তপ্পা তপ্পা অপাম্বা থাকশিংদুদা হেনগৎহনগনি।

**10.8.** মতীক চাবা থুদোংচাবা ফংদ্রিবা মফমশিংদা মপূং ফানা চঙশিনবা ঙম্নবা, খেন্নবা লৈতনা অমসুং মীপূম তিংনা শরুক য়াবা ফংনবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মহৈকোল (হাইয়র ইডুকেশন ইন্সটিট্যুৎ - ঐ চ ই আ ই) শিং মশীং হেন্না লিংখৎকনি অমসুং শেমগৎকনি। ইং ২০৩০ ফাওবদা ডিষ্ট্রিক্ট থুদিংদা নৎত্রবসু অনকপদা য়ামদ্রবদা অচৌবা লৌশিংশা-য়াম্বা ঐ চ ই আ ই (মল্টিডিসিপ্লিনরি ঐ চ ই আ ই) অমদি লৈগনি। মীয়ামগী অমদি লন্নাইগী ওইবা লম লমদুগী লোল/ভারতকী লোলশিংদা নৎত্রগা লোল অনীদা তাকপী-তম্বীবগী মেডিয়ম ওইবা, তীঙ ৱাংবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মহৈকোলশিং শেমগৎনবা খোঙথাংশিং লৌখৎকনি। থমগদৌরিবা পান্দমদি অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী অপূনবা মীং চনবগী শেনচাং (গ্রোস ইনরোলমেন্ট রেশিও) অসি মশিনগী মহৈ-মশিং (ভোকেশনেল ইডুকেশন) গী য়াওরগা ২৬.৩% (২০১৮) দগী ২০৩৫দা ৫০%দা হেনগৎপনি। পান্দমশিং অসি ফংনবগীদমক অনৌবা মহৈকোল ময়াম অমা শেমগৎপা য়াই অদুবু মতীক-ময়াই শেমগৎপগী অয়াম্বা শরুক্তি লৈরিবা ঐ চ ই আ ইশিং অসিগী ফিভম চেৎশিনহন্দুনা শীংথানীংঙাই ওইনা পাকথোক-চাউথোক্তুনা অমসুং মথোয়গী ফিভম ফগৎহন্দুনা ফংবা ঙমগনি।

**10.9.** মীয়ামগী অমসুং লন্নাইগী ইন্সটিট্যুৎশিং পূন্না চাওখৎমিন্নগনি, হেন্না মরুওইনা লৌগদবদি ময়ামদগী থোইদোক-হেন্দোক্লা ফরবা মীয়ামগী মহৈ-তম্ফম (পব্লিক ইন্সটিট্যুৎ) শিং ময়াম অমা শেমগৎকনি। মীয়ামগী লৈরিবা ঐ চ ই আ ইশিং অসিগীদমক মীয়াম্না শেল হেন্না থাদবগী চাং লেপথোক্লবা য়াম্না ফজবা অমসুং মনুং-মপান ফাওনা উবা ঙম্বা কাঙলোন অমা লৈগনি। কাঙলোন অসিনা মীয়ামগী মহৈকোল থুদিংমক ফগৎনবা অমসুং চাওখৎনবা চপ মান্নবা থুদোংচাবা পীগনি অমসুং মদু মশেক তাক্লবা কাঙলোন (এক্রিডিটেশন সিষ্টেম) গী ওইবা মশেক তাকপগী (এক্রিডিটেশনগী) চৎন-পথাপশিং (নোর্মশিং) গী মনুংদা লৈবা মনুং-মপান ফাওনা উবা ঙম্বা, হান্নন লাউথোকখ্রবা তূপ্পৱা (ক্রাইটরিয়া) ওইগনি| থৌশিল অসিগী মথা পোন্না থ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা মহৈ- মশিং তম্বীবগী থবক তৌরিবা ঐ চ ই আ ই শিংদি মথোয়গী থবক তৌবা ঙম্বগী মঙম পাকথোক-চাউথোক্লবা পূক্নিং থৌগৎকনি।

**10.10.** মথোয়না তম্বীগদৌরিবা হীরমশিং হেনগৎহন্দুনা, অপূনবগী মীং চনবগী শেনচাং (গ্রোস ইনরোলমেন্ট রেশিও - জি ই আ র) হেনগৎহন্নবা অমসুং পুন্সি চূপ্পা মহৈ তম্বগী থুদোংচাবা (এস ডি জি ৪) পীনবা, অসুম্না তৌবা য়ারে হায়দুনা মশেক তাকপা (এক্রেডিটেশন) তৌরবদি, মহৈকোলশিং অসিদা ওপন ডিষ্টেন্স লর্নিং (ও ডি এল) গী থবক তৌনবা অমসুং ওনলাইন প্রোগ্রামশিং লৈহন্নবগী থুদোংচাবা লৈগনি। ওপন ডিষ্টেন্স লর্নিং প্রোগ্রামশিং অমসুং ডিপ্লোমা নৎত্রগা ডিগ্রী পীরিবা মথোয়গী কম্পোনেন্টশিং (শরুকশিং) অদু ঐ চ ই আ ইশিং অদুনা মথোয়গী কেম্পসতা চলাইরিবা থ্বাইদগী ফরবা প্রোগ্রামশিং অদুগা থাক অমসুং মগুন চপ মান্নগনি। ওপন ডিষ্টেন্স লর্নিংগীদমক্তা এক্রেডিৎ তৌরবা থ্বাইদগী মকোক থোংবা মহৈ-তম্ফমশিং অদু অৱাংবা থাক্কী মগুন লৈবা ওনলাইন কোর্সশিং হাংদোক্লবগী পূক্নিং থৌগৎকনি অমসুং মতেং পাংগনি। অসিগুম্বা মগুন লৈবা ওনলাইন কোর্সশিং অদু ঐ চ ই আ ই শিংগী তম্ন-হীরমশিং শেম্বদা চূনবা মওংদা অমদা ওইনা পূনশিনগনি, অদুগা অসুম্না পূনশিন্নরবা মওং অদুনা হেন্না পাম্নবা ওইগনি।

**10.11.** মহৈ-কাঙলোন অমথক তম্বীবগী (সিঙ্গল ষ্ট্রিমগী) ঐ চ ই আই শিংদি তপ্না তপ্না মতম থরগী মনুংদা মূত্থৎখ্রগনি অমসুং অৱাংবা থাক্কী মগুন লৈবা লৌশিংশা-য়াম্বা (মল্টিডিসিপ্লিনরি) অমসুং ডিসিপ্লিন অমদগী ডিসিপ্লিন অমদা (ইন্টরডিসিপ্লিনরি) লামশিল্লগা তাকপী-তম্বীবা অমসুং থিজিন-হুমজিনবা য়ানবা মশা থীংবা লৌশিংশা-য়াম্বা মহৈকোল (মল্টিডিসিপ্লিনরি ইন্সটিট্যুশন) শিংগী মায়কৈরোমদা চঙশিন্নবা নৎত্রগা মশা থীংবা মল্টিডিসিপ্লিনরি ঐ চ ই আই ক্লষ্টরশিংগী শরূক অমা ওইনবগী মায়কৈরোমদা চঙশিন্নবা হোৎনগনি। মহৈ-কাঙলোন অমথক তম্বীবা (সিঙ্গল ষ্ট্রিম) ঐ চ ই আইশিং অদুদা অথন্নবা, মথোয়না তম্বগী খুদোংচাবা পীরিবা অকক্লবা ষ্ট্রিম অদুবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎনবা তোঙান-তোঙানবা লমদা অনৌবা ডিপার্টমেন্ট (মশঙ) শিং হাপচিনগনি। মসিগুম্বা মশা থীংবা নাৎ-চৎনবী অসি লৈহনবা ঙম্নবগীদমক, চানবা মওংদা মশেক তাকপগী থাক (এক্রেডিটেশন) ফংলবগী মতুংদা ঐ চ ই আই পূম্নমক তপ্না তপ্না মহৈগী অমসুং মদুগী শীল্লাংবগী (একাডেমিক ইও এডমিনিষ্ট্রেটিভকী) লমদা মপূং ফাবা মনীংতম্বা (ওটোনোমি) ফংনবা চঙশিনগনি। মীয়ামগী মহৈকোলশিংগী নীংতম্বা (পব্লিক ইন্সটিট্যুশন্স ওটোনোমি) অদুবু লৈঙাক্না মতীক চানা শেল-থুমগী মতেং পাংগনি অমসুং তংদু-লৈতাবা ফিভম অমা পীদুনা শৌগৎকনি। মীয়ামগী থনবা, অদুগা অৱাংবা থাক্তা মীপূম তিংনা মহৈ-মশিং তম্বীবগী থবক তৌগনি হায়বা অচেৎপা ফিরেপ লৈবা লন্নাইগী মহৈকোলশিংবুসু পূক্নিং থৌগৎকনি।

**10.12.** থৌশিল অসিনা মীৎয়েং থল্লিবা অনৌবা চৎন-কাঙলোন ইলহনবগী কাঙলোন (রিগুলেটরি সিষ্টেম) অসিনা মপূং ওইবা মঙম হাপ্পগী নাৎ-চৎনবী অমসুং অতৈ অনৌবা ৱাখল থনবা, থবক তৌবগী নীংতম্বা অদুবু য়োকখৎকনি। মদুদা এফিলিয়েটেড কলেজশিং (তাইবং-মহৈকোল অমগী মশা মরেং ওইনা লৈবা কলেজশিং) তপ্না তপ্না চহী ২৫গী মনুংদা মূত্থৎথিবা হায়বসি য়াওগনি অদুগা মদু শীংনবগী মওং অমা ওইনা থবক্তা ওন্থোক্কনি। এফিলিয়েটিং য়ুনিভর্সিটি খুদিংমক্না মথোয় মথোয়দা নপচ-তাংজদুনা লৈরিবা (এফিলিয়েৎ তৌরিবা) কলেজশিং অদুবু মথোয়গী থবক তৌবা ঙম্বগী মতীক-ময়াইশিং হেনগৎপা ঙম্নবা অমসুং মহৈ-মশিং তম্বগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংদা; তম্বীবা অমসুং হৈলেপ্পদা (এসেসমেন্টতা) ; মথোয়বু চলাইবগী মওং শেমদোকপদা শেল-থুমগী ফিভম ফবদা অমসুং মায় পাক্না এডমিনিষ্ট্রেশন তৌবদা চঙদবা য়াদবা খ্বাইদগী য়ামদবা থঙন-থাক (মিনিমম বেঞ্চমার্ক) অমা ফংনবা লমজিং-লমতাকপগী থৌদাং লৌগনি। হৌজিক হৌজিক তাইবং-মহৈকোল অমদা এফিলিয়েৎ তৌরিবা কলেজ খুদিংমক অপীবা মশেক তাকপগী থঙন-থাক (এক্রেডিটেশন বেঞ্চমার্ক) শিং অদু ফংনবা অমসুং তশেংনা মনীংতম্বা ডিগ্রী পীবা ঙম্বা কলেজশিং ওইরক্নবা মথৌ তাবা থঙন-থাকশিং অদু ফংগদবনি।

**10.13.** হাইয়র ইডুকেশন সেক্তর অসি পুল্লপ ওইনা শিনফমগী অমসুং মশিনগী মহৈ-মশিং (প্রোফেশনেল এণ্ড ভোকেশনেল ইডুকেশন) য়াওনা পূনশিল্লবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বীবগী কাঙলোন (ইন্টিগ্রেটেদ হাইয়র ইডুকেশন সিষ্টেম) অমা ওইরক্নবা পান্দম থল্লি। থৌশিল অসি অমসুং মসিনা চঙশিল্লিবা মওং অসি অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী অপূনবা হিংনশাইগোন (ইকোসিষ্টেম) অমথক্তং ওইনা পূনশিল্লক্কদৌরিবা হৌজিক হৌজিক ষ্ট্রিম কয়াগী ওইনা লৈরিবা ঐ চ ই আইশিং পূম্নমক্তা চপ মান্ননা চৎনগনি।

**10.14.** মালেম পুম্বগী ওইনা তাইবং-মহৈকোল হাযবসিনা থঙনরিবসি অণ্ডরগ্রেজুয়েৎ, গ্রেজুয়েৎ অমসুং পিঐচ.ডি প্রোগ্রামশিং চত্থনবগী খুদোংচাবা পীরিবা অমসুং অৱাংবা থাক্কী তাকপী-তম্বীবা অমসুং থিজিন-হুমজিনবগী থবক তৌরিবা লৌশিংশা-য়াম্বা মহৈকোল অমনি। হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিদা লৈরিবা ‘ডিম টু বি য়ুনিভর্সিটি (য়ুনিভর্সিটি ওইবা য়ারবা) ’, ‘এফিলিয়েটিং য়ুনিভর্সিটি ’, ‘এফিলিয়েটিং টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি ’, ‘য়ুনিটরি য়ুনিভর্সিটি ’ হায়বগুম্বা ঐ চ ই আই শিংগী অরুবা চয়েৎনবা মীং থোনবগী মওং (নোমেনক্লেচর) অসি, ময়াম্না য়ানরবা চৎনবী (নোর্মশিং) গী মতুং ইন্না পীরিবা তূপ্পৱাশিং (ক্রাইতরিয়া) অদুবু মপূং ফারবদি, ইচম চম্না তাইবং-মহৈকোল হায়না অদুম মহৎ শিল্লগনি।

## 11. মপূং ওইনা হেন্না তাশিন-খোমজিল্লবা অমসুং লৌশিংশা-য়াম্বা মহৈ-মশিং (মল্টিডিসিপ্লিনরি ইডুকেশন) গী মায়কৈরোমদা

**11.1.** তক্ষশিলা অমসুং নালন্দাগুম্বা তাইবং-মহৈকোলশিং অসিদগী হৌরগা তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা পাক-শন্না ইদুনা থল্লিবা অইবা লাইরিকশিং অসিদগী থঙই মদুদি ভারতকী ওইনা মপূং ওইনা তাশিন-খোমজিল্লবা অমসুং হীরম কয়াবু পূন্না তম্বগী শাংলবা চৎনবী অমা লৈ। অরিবা ভারতকী অইবা লাইরিকশিং, খূদম ওইনা বনভত্তগী ‘কদম্বরি ’ হায়বা অদুদা মহৈ-মশিং তম্বগী থবক হায়রগা কলা ৬৪ হৈববুনি হায়না শীংথারক্মী; অমসুং কলা ৬৪ অদুদা য়াওরিবসি ঈশৈ শকপা, লাই য়েকপথক্তা নত্তনা মচাকলোন (কেমিষ্ট্রি) অমসুং অঙ্কগুম্বা ‘চুপ্লৌ (সাইন্স) ’গী লমশিং, উ শুবা অমসুং ফিশা-লোনশাগুম্বা ‘মশিনগী/খূৎ-শা হৈবগী থবক্কী ওইবা’ (ভোকেশনেল) লমশিং, মেডিসিন (হীদাক-লাংথক্কী ওইবা) অমসুং ইঞ্জিনিয়রিংগুম্বা ‘শিনফমগী ওইবা’ (প্রোফেশনেল) লমশিং লোয়ন-লোয়ননা ঈ-পাও ফাওদোক্নবা (কম্যুনিকেশন), থন্ন-নৈনবা (ডিসকশন) অমসুং মরৈ য়েৎনবগুম্বা (ডিবেৎকুম্বা) মী অমগী লন্নাইগী ওইবা মী লোয়নবগী হৈশিংবা (সোফ্ট স্কিল্স), অসিনচিংবসু

য়াওরম্মী। অঙ্ক, চুংশৌ (সাইন্স), মশিনগী নৈনচল (ভোকেশনেল সবজেক্ট) শিং, শিনফমগী নৈনচল (প্রোফেশনেল সবজেক্ট) শিং অমসুং মী অমগী লন্নাইগী ওইবা মী লোয়নবগী হৈশিংবশিং য়াওনা মীওইবনা অনৌবা শেমগৎ-শাগৎপগী হোৎনবগা মরী লৈনবা হীরমশিংগী মশা (ব্রাঞ্চ) পূন্নমক অসি ফিরেপলোন (আর্টস) কৌগদবনি হায়বসি তশেং তশেংনা ভারত্তগী হৌদোকখিবনি। ‘নোলেজ ওফ মেনি আর্টস’ (ফিরেপলোন কয়াগী লৌশিং লৈবা) হায়রিবা ৱাথল্লোন নৎত্রগা হৌজিক্কী মতমদা ‘লিবরেল আর্টস’ (হায়বসি ফিরেপলোনবু পাকথোক-চাউথোক্লা য়েংবা) হায়না থঙনরিবা ৱাথল্লোন অসি ভারতকী মহৈ-মশিং তম্বীবগী থবক্তা অমুক পুশিল্লক্কদবনি অমসুং মসিমক্তি ২১ শুবা চহীচাদা মহৈ-মশিং তম্বীবগী থবক্তা মথৌ তারক্কদৌরিবা অসি।

**11.2.** তাইবংলোন (হ্যুমেনিটিজ) অমসুং ফিরেপলোন (আর্টস) গা সাইন্স (চুংশৌ), টেক্নোলোজি (শিনশালোন), ইঞ্জিনিয়রিং অমসুং মেথমেটিক্স (এস টি ই এম) কা পূনশিল্লগা অণ্ডরগ্রেজুয়েৎকী থাক্তা মহৈ তম্বীবগী থবক চঙশিনবগী হৈলেপ্পগী থবক (এসেসমেন্ট) তৌবদা চাং নাইনা পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওইবা মওংদা মহৈ তম্বগী পোলোইগী মহৈ উৎলকখ্রে, মদুদা মহৈ তম্বগী থবক্তা ময়াম য়াওশিনবা অমসুং পূক্নিং নুংঙাইবা তম্বগী, মথক্তা অনৌ-অনৌবা শেমগৎ-শাগৎপা অমসুং অনৌবা ৱাথল থনবা, কূপথনা ৱাথল থনবা, অমসুং অৱাংবা থাক্কী ৱাথল থনবা ঙম্বগী শক্তি, ৱাথোক থোকপদা ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্বা, পূন্না থবক তৌমিন্নবা, ঈ-পাও ফাওদোক্নবগী লৌশিং হেন্না মনুং থীৎনা থঙবা অমসুং তোঙান-তোঙানবা লমশিংগী তম্নবা হীরমশিং ফজনা থঙবা, থুন্নাইগী অমসুং লমচৎ-শাজৎকী মরমদা হেন্না থঙবা অসিনচিংবা কয়া য়াওরী। মপূং ওইনা তাশিন-থোমজিল্লবা অমসুং লৌশিংশা-য়াম্বা মহৈ-মশিং (হোলিষ্টিক অমসুং মল্টিডিসিপ্লিনরি ইডুকেশন) হায়বা মহৈ-মশিং তম্বীবগী মওং অসিনা থিজিন-হুমজিনবগী থবকসু ফগৎহল্লে অমসুং থুমাং চাওশিলহল্লে।

**11.3.** মপূং ওইনা তাশিন-থোমজিল্লবা অমসুং লৌশিংশা-য়াম্বা মহৈ-মশিং তম্বীবগী মওং অসিনা মীওইবা অমগী থবক তৌবা ঙম্বগী মঙম পূন্নমক - লৌশিং অমসুং ৱাথলগী ওইবা (ইন্টলেকচুয়েল), ফিরেপলোনগী পোৎশক অমা থঙবা ঙম্বগী মঙম (এস্থেটিক), থুন্নাইগী ওইবা (সোশিয়ল), হকচাংগী ওইবা, পূক্নিংগী ওইবা অমসুং লমচৎ-শাজৎকী ওইবা পূন্নমক অসি পুল্লপ পূন্না ফগৎনবা পান্দম থমগনি। অসিগুম্বা মথলগী মহৈ-মশিং তম্বীবা অসিনা হীরম থুদিংমক্তা মতীক চারবা, ফিরেপলোন (আর্ট) গী লমদা, তাইবংলোন (হ্যুমেনিটিজ) গী লমদা, লোনগী মরমদা, চুংশৌ (সাইন্স) দা, থুন্নাই-চুংশৌ (সোশিয়ল সাইন্স) দা অমসুং শিনফমগী (প্রোফেশনেল), শিনশালোনগী (টেক্নিকেল) অমসুং মশিনগী (ভোকেশনেলগী) লমশিংদা ২১ শুবা চহীচাগী তৌবা ঙম্বা থোইদোক-হেন্দোকপা মতীক-ময়াই চেল্লবা মীওইশিং শেমগৎপদা; থুন্নাইগী মীয়াম তিন্নবগী হৌন-লোনচৎ (ইথিক্স) ; ঈ-পাও ফাওদোক্নবা, ৱা থন্ন-নৈনবা অমসুং মরৈ য়েৎনবগুম্বা মী অমগী লন্নাইগী ওইবা মী লোয়নবগী হৈশিংবশিং (সোফ্ট স্কিলশিং) ; অমসুং অকক্নবা লম অমদা নৎত্রগা লমশিংদা মনুং হুনজিন্না নৈনশিনবা অসিনচিংবা ফিভমশিং শেমগৎপদা মতেং পাংগনি। মসিগুম্বা মপূং ওইনা তাশিন-থোমজিল্লবা মহৈ-মশিং (হোলিষ্টিক ইডুকেশন) অসিনা মমৈথংদদি শিনফমগী, শিনশালোন অমসুং মশিনগী লৌশিংশা (ডিসিপ্লিন) শিং য়াওনা অণ্ডরগ্রেজুয়েৎ তম্বগী থবক থৌরম পূন্নমক্তা চঙশিল্লক্কদবা মওং অদুনি।

**11.4.** ভারতকী হৌখিবা মতমদা অসুক্কী মতীক ফজনা শীংথানরম্বা মপূং ওইনা তাশিন-থোমজিল্লবা অমসুং লৌশিংশা-য়াম্বা মহৈ-মশিং (হোলিষ্টিক এণ্ড মল্টিডিসিপ্লিনরি ইডুকেশন) তম্বগী মওং অসিনি তশেংনমক, ভারতপু কুনমাথোইশুবা চহীচাদা অমসুং মরিশুবা ইণ্ডষ্ট্রিয়েল রিভোলুশনগী মায়কৈদা লমজিংগদৌরিবা অসি। আই আই টিগুম্বা ইঞ্জিনিয়রিং ইন্সটিট্যুৎশিং ফাওবা ফিরেপলোন অমসুং তাইবংলোনগী শরুক হেন্না হাপচিন্দুনা হেন্না মপূং ওইনা তাশিন-থোমজিল্লবা অমসুং লৌশিংশা-য়াম্বা মহৈ-মশিং (হোলিষ্টিক এণ্ড মল্টিডিসিপ্লিনরি ইডুকেশন) অদুগী মায়কৈরোমদা চঙশিনগনি। ফিরেপলোন অমসুং তাইবংলোনগী মহৈরোয়শিংনা চুংশৌশিং (সাইন্স) হেন্না তম্নবা পান্দম্লগনি অমসুং ময়াম পূন্নমক্লা মশিনগী নৈনচল (ভোকেশনেল সবজেক্ট) শিং অমসুং মী অমগী লন্নাইগী ওইবা মী লোয়নবগী হৈশিংবা য়াওশিন্নবা হোৎনগনি।

**11.5.** ৱাথলনা শাগৎপা অমসুং হোংদোক-হোংজিন য়াবা তম্ন-হীরমগী মচাকশিং শেম্বা অসিনা তম্বদা লৌশিংশা (ডিসিপ্লিন) কয়াবু কান্নবা মওংদা পূনশিন্নবা ঙমহনগনি অমসুং তম্বা হৌফম অমসুং লোইফম ময়াম অমা পীগনি, মতৌ অসুন্না হৌজিক হৌজিক লৈরিবা হোংবা য়াদবা ঙমথৈশিং অসি লৌথোক্কনি অমসুং পুন্সি চূপ্পা তম্নবগী ওইথোকপা য়াবা ফিভমশিং শেমগনি। অচৌ অচৌবা তাইবং-মহৈকোলশিংদা গ্রেজুএৎ, মাষ্টর অমসুং ডোক্টরেলগী থাক্কী মহৈ-মশিং পীরিবসিনা, হকচিন্না থিজিন-হুমজিনবদা য়ুক্ষম ওইবা স্পেশলাইজেশন পীবগা লোয়ননা, লাইরিক-লাইশুগী (একাডেমিয়াগী), লৈঙাক্কী, অমসুং শিনশঙ (ইণ্ডষ্ট্রি) গী য়াওনা লৌশিংশা-য়াম্বা থবক্কী থুদোংচাবশিংসু পীগনি।

**11.6.** অচৌবা লৌশিংশা-য়াম্বা তাইবং-মহৈকোলশিং অমসুং কলেজশিং অসিনা অৱাংবা থাক্কী মগুন লৈবা মপূং ওইনা তাশিন-থোমজিল্লবা অমসুং লৌশিংশা-য়াম্বা মহৈ-মশিংগী মায়কৈদা চঙশিনবদা মতেং ওইগনি। হীরম অমদা নৎত্রগা হীরম কয়াদা য়াম্না মনুং থীৎনা থঙনবা নৈনবগী মথক্তা, মহৈরোয়শিংদা তম্নবা হীরমদা হোংদোক-হোংজিন য়াবা অমসুং অনৌবা

হেন্না কান্নগদবা কোর্স কয়া তম্নবগী থন্নবা থুদোংচাবা পীগনি। মসি ওজা (ফেকল্টি) মশীং হেনগৎহন্দুনা অমসুং তম্নবা হীরম থনবদা মহৈকোলগী ওইবা মনীংতম্বা হেন্না পীদুনা পূক্নিং থৌগৎকনি। তাকপী-তম্বীবদা ঈ-পাও ফাওনবা, থন্ন-নৈনবা, মরৈ য়েৎনবা (ডিবেৎ), থিজিন-হূমজিনবা অমসুং লৌশিংশা অমদগী অমা লান্না (ক্রোস-ডিসিপ্লিনরি) অমসুং লৌশিংশা মশেলগী মরক্তা (ইন্টরডিসিপ্লিনরি) ৱাথল থন্নবগী লমদা হেন্না মরু ওইনা লৌগনি।

**11.7.** ঐচ ই আই পূন্নমক্তা লোলশিং (লেঙ্গুৱেজস), থোরীরোল, ঈশৈ-নোংমাই, ৱাংঙুরোল (ফিলোসোফি), ইন্দোলোজি (ভারতকী পুৱারী, থোরীরোল, ৱাংঙুরোল অমসুং নাৎ-চৎনবী নৈনবা), ফিরেপলোন (আর্ট), জগোয় (ডান্স), থিয়েটর (লীলা, ড্রামা), মহৈ-মশিংলোন (ইডুকেশন), অঙ্ক (মেথমেটিক্স), ষ্টেটিষ্টিক্স, প্যুর অমসুং এপ্লাইড সাইন্স, থুন্নাইরোল (সোসিওলোজি), ইকোনোমিক্স, শান্ন-থোৎনবা, লোল অমদগী অমদা হন্দোকপগী (ট্রান্সলেশনগী) অমসুং ৱাহন্থোক পীবগী (ইন্টরপ্রিটেশনগী) লোয়শঙশিং (ডিপার্টমেন্টশিং) অমসুং লৌশিংশা য়াম্বগী ওইবা পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওইবা ভারতকী মহৈ-মশিং তম্বা অমসুং মদুগী অকোয়বগী ফিভম অমগীদমক মথৌ তাবা নৈনচল (সবজেক্ট) থুদিংমক্কী ডিপার্টমেন্টশিং লিংথৎকনি অমসুং মপাঙ্গল কনথৎহনগনি। ঐচ ই আই শিংদা ক্লাসতা তম্বা ফংদ্রবসু অসিগুম্বা ডিপার্টমেন্টশিংদগী তম্লকপা নৎত্রগা ওপন ডিষ্টেন্স লর্নিংদগী তম্লকপা ওইরবদি বেচেলর্স ডিগ্রী প্রোগ্রাম পূন্নমক্তা নৈনচল (সবজেক্ট) শিং অসিগী ক্রেডিৎ (ডিগ্রী নৎত্রগা ডিপ্লোমা অমা ফংনবগীদমক চঙবা মহৈরোয় অমগী শকথঙচে) পীগনি।

**11.8.** অসিগুম্বা মপূং ওইনা তাশিন-থোমজিল্লবা অমসুং লৌশিংশা-য়াম্বা মহৈ-মশিং অমা ফংনবগীদমক ঐচ ই আই পূন্নমক্কী হোংদোক-হোংজিন য়াবা অমসুং অনৌবা তম্ন-হীরমশিং অদুদা মীয়াম কোল্লূপকা তোৎন-তিন্নবা অমসুং থবক তৌবগী, অকোয়বগী ফিভম নৈনবগী (ইনভাইরনমেন্টেল ইডুকেশন), অমসুং অফ-ফত্ত, অচুম-অরান মশক থঙনা মহৈ তম্বা (ভেল্যু বেজ ইডুকেশন) গী মরমদা ক্রেডিৎ বেজ কোর্সশিং অমসুং প্রোজেক্টশিং য়াওগনি। অকোয়বগী ফিভম নৈনবদা (ইনভাইরনমেন্ট ইডুকেশন) দা ঈশিং-নুংশিৎকী থল হোংলকপা (ক্লাইমেৎ চেঞ্জ), অকোয়বগী ফিভম মোৎশিল্লকপা, ফত্ত-হৌদিশিংবু মফম চানা থম্নবা হোৎনবা, লু-নান্না লৈবা, থৱায় পানবা মথল কয়া লৈরিবা অসিবু কনবা, থৱায় পানবা মথল কয়াগী লনগৈ-পূক্কৈবু শীল্লাংবা (মেনেজমেন্ট ওফ বাইওলোজিকেল রিসোর্সেস এণ্ড বাইওডাইভর্সিটি), উমং-ৱামং অমসুং লম্লক্কী থৱায় পানবা জীবশিংবু কনবা অমসুং তুংকোইনা চৎনবা য়াবা মওংদা চাওথৎপা অমসুং হিংবা (সষ্টেনেবল ডিভেলপমেন্ট এণ্ড লিভিং) অসিনচিংবা হীরমশিং অসি য়াওগনি। অচুম-অরান মশক থঙনা মহৈ তম্বা (ভেল্যু বেজ ইডুকেশন) দা মীওইবগী মীনুংশিগী ওইবা, লমচৎ-শাজৎকী নিয়মগী ওইবা, লৈঙাক-পথাপকী ওইবা অমসুং অচুম্বা (*সত্য)*, অফবা অচুম্বা লমচৎ (ধর্ম্ম), ঈংনা-চিক্না লৈবা (*শান্তি)*, নুংশিবা (*প্রেম)*, তমথিবা মতৌ য়াওদবা (*অহিংসা)* হায়বা মালেম পুম্বগী ওইবা মীওইবগী লমচৎশিং, চুপ্লৌশিংগী মিহুল (সাইন্টিফিক টেম্পর), লৈবাকচা ওইবগী মচাং (সিটিজেনশিপ ভেল্যু) শিং, অমসুং হিংবদা মথৌ তাবা হৈশিংবশিং (লাইফ-স্কিলশিং) য়াওগনি; *সেবা*/মতেং পাংবগী থবক অমসুং মীয়ামগী থবক-থৌরমদা শরুক য়াবগী পারাশিং অসি মপূং ওইনা তাশিন-থোমজিনবা মহৈ-মশিং (হোলিষ্টিক ইডুকেশন) গী থাদোক্কবা য়াদ্রবা শরুক অমনি হায়না লৌগনি। মালেম অসিনা অমগা অমগা মরী লৈনবগী চাং অসুম অসুম হেনগৎলকপনিনা, হৌজিক্কী মতমগী মালেমগী ওইবা শীংনবা কয়া অসিগী পাউথুম ওইনা, মহৈ তম্লীবশিংদা মালেমগী অরুবা ৱাথোকশিং থঙহন্নবা অমসুং হেন্না ঈং-চিকপা, থাঙবা কনবা, মীয়ামগী পূন্না থনবা, অশোয়-অঙাম থোক্তবা ফিভমবু অমসুং তুং কোইনা মীওইবা থুন্নাইবু হেন্না কন্না য়োকথৎনবা, মালেম পূম্বগী লৈবাকচাশিংগী ওইবা মহৈ-মশিং (গ্লোবেল সিটিজেনশিপ ইডুকেশন - জি সি ই ডি) পীগনি। অরোইবদা, মপূং ওইনা তাশিন-থোমজিনবা মহৈ-মশিং (হোলিষ্টিক ইডুকেশন) গী শরুক অমা ওইনা ঐচ ই শিংগী মহৈরোয়শিং অসি লৈকায়-লৈকায়দুদা লৈবা শিনশঙ (ইণ্ডষ্ট্রি) শিং, লল্লোন-ইতিক্কী থবক তৌফমদা, আর্টিষ্টশিংদা, থূৎ-শা হৈবা মী, অসিনচিংবগী মনাক্তা চত্তুনা ইন্টর্নশিপ তৌবগী (থূৎশুমল ফংদনা, থঙবা হৈবা হেনগৎনবগীদমক নৎত্রগা ক্বালিফিকেশন ফংনবগীদমক মহৈরোয় অমনা মফম অমদা থবক তৌবা য়াওবা) থুদোংচাবা পীগনি, লোয়ন-লোয়ননা মহৈরোয়শিংনা মথোয়না তম্লুরিবশিং অদু থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্নবা অমসুং মদুনা মরম ওইরগা মথোয়গী থবক ফংবগী থুদোংচাবা হেন্না ফংনবগীদমক মশা মশানা তম্লিবা ঐচ ই আইশিং অদুদা নৎত্রগা অতৈদা/থিজিন-হূমজিনবগী মহৈ-তক্ষমশঙ (রিসর্চ ইন্সটিট্যুৎ) শিংদা লৈরিবা ওজা (ফেকল্টি) শিং অমসুং থিজিন-হূমজিল্লোয় (রিসর্চর) শিংগী মনাক্তা চত্তুনা রিসর্চ ইন্টর্নশিপগী থুদোংচাবসু পীগনি।

**11.9.** ডিগ্রী প্রোগ্রামশিংগী শেমগৎ-শাগৎপগী শাওঙ (ষ্ট্রকচর) অমসুং তমগদবা মতমসি চহী ৩ নৎত্রগা ৪ ওইগনি অমসুং হায়রিবা মতমসিগী মনুংদা চানবা হৈতাকচে (সর্টিফিকেৎ) পীদুনা মহৈ তম্বা তোকথিবা য়াবগী থুদোংচাবা ময়াম অমা পীগনি, থূদম ওইনা, মশিনগী (ভোকেশনেল) অমসুং শিনফমগী লমশিং য়াওবা হীরম অমদা চহী ১ লোইরকপগী শক্তাকচে অমা, নৎত্রগা চহী ২ তম্লবগী তুংদা ডিপ্লোমাগী নৎত্রগা চহী-৩ গী প্রোগ্রাম অমা তম্নবগী বেচেলর্স ডিগ্রী পীবগী থুদোংচাবা লৈগনি। অদুম ওইনমক, চহী-৪ চঙবা লৌশিংশা-য়াম্বা (মল্টিডিসিপ্লিনরি) বেচেলর্স প্রোগ্রামসিনা হেন্না ফবা অপাম্বা থন্নলমদি ওইগনি মরমদি মসিদা মহৈরোয় মশানা পামজবা থনজবা মেজর (মপূং ওইনা তমগদবা লৌশিংশা) অমসুং মাইনর (থোইনা

মরু ওইদবা, মথা থাবা লৌশিংশা) নৈনচল (সবজেক্ট) শিং হেন্না পূক্নিং চঙনা তম্বগী মথক্তা মপূং ওইনা তাশিন-থামজিল্লবা অমসুং লৌশিংশা-য়াম্বা ওইবা মওংদা মহৈ তম্লকপগী থুদোংচাবা ময়াম অমা ফংগদৌরিবনি। মহৈরোয় অমনা শকথঙলবা ঐ চ ই আই অমদগী ফংলকপা ক্রেডিৎশিং (তম্বা লোইশ্নবা মহৈগী শরুক) অদু য়েংলগা ঐ চ ই আই অমনা ডিগ্রীশিং পীবা য়ানবা তোঙান-তোঙানবা শকথঙলবা ঐ চ ই আই শিংদগী ফংলবা একাডিমিক ক্রেডিৎশিং অদু ডিজিটেল ওইবা মওংদা ষ্টোর তৌদুনা (নীংথিনা থামজিল্লগা) থম্নবা একাডেমিক বেঙ্ক ওফ ক্রেডিৎ (এ বি সি) অমা লিংখৎকনি। ঐ চ ই আই অদুনা পীরিবা মপূং ওইনা নৈনগদবা হীরম (মেজর এরিয়া) অদুদা মহৈরোয় অদুনা থিজিন-হুমজিনবগী প্রোজেক্ট অমা নীংথিনা লোইশিল্লক্লবদি চহী ৪গী প্রোগ্রাম অদুনা “রিসর্চ তৌরে” হায়বগা লোয়নবা ডিগ্রী অমা পীবা য়াই।

**11.10.** ঐ চ ই আইশিং অসিদা মাষ্টর তম্বগী তোঙান-তোঙানবা মওংশিং লৈহন্নবা কোমথোকপা লৈগনি; (অ) চহী-৩ গী বেচলর্স প্রোগ্রাম লোইশিল্লক্লবা কাঙবুগী চহী ২ চঙবা প্রোগ্রাম অমা লৈবা য়াই মদুদা অনীশুবা চহীদুদি থিজিন-হুমজিনবগী থবক তৌবথক্তদা পূক্নিং চঙবা ওইগনি, (আ) থিজিন-হুমজিনবগী থবক য়াওরকপা চহী ৪ চঙবা বেচলর্স প্রোগ্রাম লোইশিল্লক্লবা মহৈরোয়শিংগীদমক্তদি চহী ১ থক চঙবা মাষ্টর্স প্রোগ্রাম অমা লৈবা য়াই (ই) চহী ৫ চঙগদবা ইন্টিগ্রেটেদ ওইবা (পূনশিল্লবা) বেচলর্স/মাষ্টর্স প্রোগ্রাম অমা লৈবা য়াই। পি ঐ চ ডি তৌগে হায়রবদি মাষ্টর্স ডিগ্রী নৎত্রগা থিজিন-হুমজিনবগী থবক য়াওবা চহী-৪গী বেচলর্স ডিগ্রী পায়বা মথৌ তাই। এম ফিল প্রোগ্রামদি মথা চথররোই।

**11.11.** মপূং ওইনা তাশিন-থামজিল্লবা অমসুং লৌশিংশা-য়াম্বা মহৈ-মশিং পীনবা, আই আই টিশিং, আই আই এমশিং, অসিনচিংবগা থাক মান্নবা, মল্টিডিসিপ্লিনরি ইডুকেশন এণ্ড রিসর্চ য়ুনিভর্সিটি (এম ই আর য়ু) হায়না মমীং থোনবা ফিদম্নীংঙাই ওইবা মীয়ামগী ওইবা তাইবং-মহৈকোলশিং লিংখৎকনি অমসুং মগুন লৈবা মহৈ-মশিং ফংহনবদা মালেমগী থ্বাইদগী ৱাংবা থাক অদু য়ৌনবা পান্দম থমগনি। ভারত শীনবা থুংনা লৌশিংশা-য়াম্বা মহৈ-মশিংগী থ্বাইদগী ৱাংবা থাক অদু থম্বদসু মতেং পাংগনি।

**11.12.** ষ্টার্ট-অপকী ইনক্যুবেশন সেন্টরশিং (অনৌবা থবক অমা পায়থৎপা হৌনবা শেম- শাফমশিং) শেমগৎতুনা; শিনশালোন (টেক্নোলোজি) চাউথৎহন্নবা মফমশিংদা; থিজিন-হুমজিনবগী মাঙজিল থারিবা মফমশিংদা; শিনশঙ (ইণ্ডষ্ট্রি) গা মহৈ-মশিং তম্বগা হেন্না মরী নকশিন্ননবা হোৎনবদা, তাইবংলোন (হ্যুমেনিটিজ) অমসুং খুন্নাই চুল্লৌ (সোশিয়ল সাইন্স) শিংগী থিজিন-হুমজিনবগী থবক তৌবা য়াওনা লৌশিংশা অমগা অমগগী মরক্তা থিজিন-হুমজিনবা (ইন্টরডিসিপ্লিনরি রিসর্চ) হায়রিবা হীরমশিং অসিদা থিজিন-হুমজিনবা অমসুং অনৌবা পোৎ পুথোকপদা ঐ চ ই আইশিং অসিনা অকনবা মীৎয়েং থমগনি। হৌজিক ওইরিবা ইপিডেমিক (পাক-শন্না নারিবা লায়না) অমসুং পেন্দেমিকশিং (মালেমগী লৈবাক কয়াদা শন্দোরক্লিবা লাইচৎ) অসি য়েংলগা লৌনগনবা লায়না, ইপিডেমিওলোজি (মীয়াম মরক্তা লায়না পোক্লকপা, শন্দোকপা অমসুং লাকশিন্নবা নৈনবা), ভাইরোলোজি (ভাইরসকী মরমদা নৈনবা), ডাইগ্নোষ্টিক্স (লায়না-লাইওং খঙদোক্লবা হোৎনবা), ইন্সট্রুমেন্টেশন (অনা-লায়েংগী থূৎশু-থূৎলাইশিং শীজিন্নবগী মওং) ভেক্সিনোলোজি (ভেক্সিন, টিকা থাদোক্লবা হীদাক শেমগৎনবগী নৈনবা) অমসুং অতৈ মরী লৈনবা হীরমশিংদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক তৌবদা ঐ চ ই আই শিংনা মাঙজিল থাবা হায়বসি য়াম্না মরুওই। মহৈরোয় কাঙলূপশিংগী মরক্তা অনৌ-অনৌবা পোৎ পুথোক্লবগী হিদান্ননহন্নবা অমসুং পূক্নিং থৌগৎপীনবা অথন্ননা তোপ-তোপ্পা কাঙলমশিং ঐ চ ই আই শিংনা শেমগৎকনি। ঐ চ ই আই থুদিংমক্তা, থিজিন-হুমজিনবগী চাংয়েংশঙ (রিসর্চ লেব) থুদিংমক্তা অমসুং, অতৈ থিজিন-হুমজিনবগী লূপ (রিসর্চ ওর্গনাইজেশন) থুদিংমক্তা অসিগুম্বা থৱায় য়াওনা থিজিন-হুমজিনবগী থবক তৌবগী অমসুং অনৌবা পোৎ পুথোকপগী চৎনবী অসিবু থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্নবা অমসুং মতেং পাংনবা নেশনেল রিসর্চ ফাউণ্ডেশন (এন আর এফ) না থবক তৌগনি।

## 12. থ্বাইদগী ফবা মহৈ তম্বগী ফিভম অমসুং মহৈরোয়শিংবু তেংবাঙ পীবা

**12.1.** ফজনা মায় পাক্লা মহৈ তম্বা হায়বসিদা চানবা তম্ন-হীরম (করিক্যুলম) শিংবু ফজনা তাকপী-তম্বীবা, তম্বীরিঙৈ মনুংদা লেপ্তনা চাংয়েং তৌদুনা মহৈরোয়শিংগী অহৈ-হৈত, অথঙ-থঙদ য়েংশিনবা অমসুং মহৈরোয়শিংবু তেংবাঙ পীবা য়াওনা পূল্লপ পূন্না হোৎনবা অমা চঙই। তম্ন- হীরমশিং অদু নুংঙাইবা অমসুং মরী লৈনবা ওইগদৌবনি, অমসুং থ্বাইদগী নৌবা লৌশিংগী মথৌ তাবশিংগা চাননা অমসুং অকক্লবা মহৈ তম্বগী পোলোইগী মহৈ অদু ফংনবা চাং নাইনা মতমগা চূননা শেমদোক্কদবনি। মমাংদা অৱাংবা থাক্কী তম্বীরোল (পেডাগোজি) হায়বসিসু তম্নবা পীরিবা হীরমশিং অদুদু মহৈরোয়শিংদা মায় পাক্লা নীংথিনা হৈহনবদা তঙাইফদনা চঙই; মহৈরোয়শিংনা তম্বা-থঙবা হায়বসি তাকপী-তম্বীরিবগী মওং (পেডাগোজিকেল প্রেক্টিস) শিং অদুনা লেপকনি, অমসুং মদুনা মতৌ অসুন্না তম্বা লোইরকপগী পোলোইগী মহৈ অদুদা হকথেংননা ইথিল পীগনি। হৈলেপ্পগী মওংশিং (এসেসমেন্ট মেথডশিং) অদু চুল্লৌশিংগী (সাইন্টিফিক) ওইবা মওংদা ওইগদৌবনি, মহৈ তম্ববু লেপ্তনা ফগৎহন্নবা ওইগদৌবনি অমসুং লৌশিংবু থবক্তা ওন্থোকপদা শীজিন্নবগী থবকপু চাংয়েং তৌগদবনি। অরোইবদা অদুবু মীরাইবদি য়াদবা,

মশা-মউ ফনা লৈবা, হকচাং ফবা, ৱাখল অমসুং থুন্নাইগী ওইনা নুংঙাই-য়াইফবা অমসুং লমচৎ-শাজৎকী অফবা য়ুম্ফম অমা লৈবা হায়বগুম্বা মহৈরোয়শিংগী অফবা ফিভম অমা য়োকথৎনবা মতীক-ময়াইশিং শেমগৎপা হায়বসিসু অৱাংবা থাক্কী মগুন লৈবা মহৈ তম্বগী মওংনি।

মতৌ অসুন্না, মগুন লৈবা মওংদা মহৈ তম্বা হায়বসিদা তম্ন-হীরমশিং, তম্বীরোল, লেপ্তনা হৈলেপ্পা (এসেসমেন্ট) অমসুং মহৈরোয়শিংবু মতেং পাংবীবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা চঙদবা য়াদবা মচাকশিংনি। মতীক চাবা মচাক-মথুমশিং (রিসোর্সশিং) অমসুং শাগৎপগী অফবা লাইব্রেরিশিং, ক্লাসরুমশিং, চাংয়েংশঙশিং (লেবোরেটরিশিং), শিনশালোন (টেক্নোলোজি), শান্ন-থোৎনবগী/ পোথানবা মফমশিং, মহৈরোয়শিংগী থন্ন-নৈনফমশিং, চাফম-থকফম্নচিংবা মচাক-মথুম (ইনফ্রাষ্ট্রকচর) শিং পীবিবগী মথক্তা, মহৈ-তম্ফমগী অকোয়বগী ফিভম অদু পূক্নিং শুমহৎনীংঙাই ওইবা, মতেং পাংনবগী মশক ওইবা, অমসুং মহৈরোয় পূন্নমকপু মায় পাকপা ঙমহন্নবা অতৈ থোঙথাং কয়াসু মথৌ তাগনি।

**12.2.** ইহান হানবদা, অনৌ অনৌবা শেমগৎ-শাগৎপগী ৱাখল থোকহন্নবগীদমক, মহৈকোলশিং অমসুং থবক-থৌরম (প্রোগ্রাম) শিং পূন্নমক্তা অমসুং ওপন ডিষ্টেন্স লর্নিং (ও ডি এল), ওনলাইন অমসুং চৎনবীগী ওইবা ক্লাসরুমদা তাকপী-তম্বীবগী মওং থুদিংমক্তা, চপ মান্নবা মওং অমা থম্লিবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মথৌ তাবা চাউরাকপা থৌয়াৎৱা (ফ্রেমৱর্ক) অমগী মনুংদা তম্ন-হীরমশিং, তম্বীরোল অমসুং হৈলেপ্পগী থবক (এসেসমেন্ট) কা মরী লৈনবা ৱাফমশিংদা মহৈকোলশিং অমসুং ওজা (ফেকল্টি) শিংনা অনৌ-অনৌবা ৱাখল অমসুং পোৎশিং পুথোকপগী মনীংতম্বা লৈগনি। মসিগা মরী লৈননা, তম্ন-হীরমশিং অমসুং তাকপী-তম্বীবগী মওংদি মহৈকোলশিং অমসুং থৱায় য়াওবা ওজা (ফেকল্টি) শিংনা মহৈরোয় পূন্নমক্কী পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওইবা অমসুং পূক্নিং শুমহৎনীংঙাই ওইবা মওংদা মহৈ তম্বা ফংনবগীদমক শেমগনি অমসুং থবক-থৌরম (প্রোগ্রাম) থুদিংগী থম্লিবা পান্দমশিং অদু মথা তানা ফংনবগীদমক লেপ্পা লৈতনা তম্বীরিঙৈ মনুংদা কয়াম্না হৈরগে থঙদোক্লবা চাং নাইনা হৈলেপ্পা (ফোর্মেটিভ এসেসমেন্ট) তৌগনি। অরোইবগী শক্তাকচে পীনবা চাংয়েংশিং য়াওনা হৈলেপ্পগী (এসেসমেন্টকী) কাঙলোন থুদিংমক ঐচ ই আই শিংনা লেপকনি। চোইস বেজড ক্রেডিৎ সিষ্টেম (সি বি সি এস) অসি অনৌ-অনৌবা থবক তৌবা য়ানবা অমসুং হোংদোক-হোংজিন য়ানবগীদমক অমুক নৌনা শেমদোক্লগনি। কাঙলোন অসি হেন্না ফজনবা অমসুং পোলোইদা ফংলিবা মহৈ অদু হেন্না চাংদম্নবা য়ানবা থবক-থৌরম (প্রোগ্রাম) থুদিংগী মহৈ তম্বগী পান্দমদা য়ুম্ফম ওইদুনা মহৈরোয়শিংগী থঙ-হৈবগী চাং লেপ্পবগীদমক ঐচ ই আইশিং অসিনা অকক্লবা নিয়মদা য়ুম্ফম ওইদুনা থাক থায়দোকপগী কাঙলোন (ক্রাইটরিয়ন বেজড গ্রেডিং সিষ্টেম) অমগী মায়কৈদা চঙশিনগনি। ঐচ ই আইশিং অসিনা অচৌবা অরুবা চাংয়েং পরিক্ষাশিংগী মহুৎতা হেন্না লেপ্পা লৈতবা অমসুং মপূং ফাবা অফ-ফত্তগী চাং লেপ্পগী মওংলোমদা চঙশিনগনি।

**12.3.** অনীশুবদা, ইন্সটিট্যুশন থুদিংমক্লা মহৈ-মশিং তম্বগা মরী লৈনবা থবক ফগৎহনবদগী হৌরগা মগুন লৈনা ক্লাসরুমদা তাকপী-তম্বীবগী থবক ফাওবা য়াওনা মশাগী মহৈ তম্বগা মরী লৈনবা থৌরাংশিং (একাডেমিক প্লানশিং) অদু হেন্না পাকথোক-চাউথোক্লা মহৈকোল চাওথৎনবা থৌরাং (ইন্সটিট্যুশনেল ডিভেলপমেন্ট প্লান - আই ডি পি) গা পূনশিনগদবনি। ইন্সটিট্যুশন থুদিংমক্লা মহৈরোয়শিংবু মপূং ওইনা ফগৎহন্নবা অমসুং নীংথিনা তাকপী-তম্বীরিবা ক্লাসকী কা মনুংদা অমসুং মপান্দা মহৈ তম্বগী লমদা অমসুং থুন্নাইগী ওইবা ৱাফমশিংদা মহৈরোয়শিংগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা মরেং-মমান্নবা মরূপ-মপাংশিংবু মতেং পাংনবগী মপাঙ্গল কনবা মনুংগী ওইবা কাঙলোনশিং থম্নবা ঐচ ই আই শিংনা হোৎনগনি। থূদম ওইনা, ঐচ ই আই পূন্নমক্তা, মহৈরোয়শিংনা ওজাশিং, অমদি মথৌ তাবা অথঙ-অহৈশিংগী মতেংনা শীল্লাংবা হীরম অমদা য়ুম্ফম ওইবা (টোপিক সেন্টর্ড) ক্লবশিং অমসুং থবক-থৌরমশিং, থূদম ওইনা চুন্নৌশিং (সাইন্স), অঙ্ক, শৈরেং (পোইট্রি), লোল, থোরীরোল (লিটরেচর), মরৈ য়েৎনবা, ঈশৈ-নোংমাই, শান্ন-থোৎনবা, অসিনচিংবদা কথোক্লবা ক্লবশিং অমসুং থবক-থৌরমশিংদা শেল থাদনবা কাঙলম (মেকানিজম) শিং অমসুং থুদোংচাবশিং লৈগনি। মতীক চাবা ওজাশিংগী হৈশিংবা অমসুং কেম্পসকী মহৈরোয়শিংগী অপাম্বা লৈরবদি, অসিগুম্বা থবক-থৌরমশিং অসি, মতমগী মতুং ইন্না তম্ন-হীরমশিংদা হাপচিল্লক্কনি। ওজাশিং অদুনা মহৈরোয়শিং অদুগী মনাক্তা ইচম চম্না ওজা অমা ওইবথক্তা নত্তনা পাউতাক পীবা ঙম্বা মী (মেন্টর) শিং অমসুং লমজিং-লমতাকপশিং (গাইডশিং) ওইনসু চঙবা ঙম্নবা মতীক-ময়াই লৈবা অমসুং ট্রেনিং ফংলবা (নৈনরুরবা) মী ওইগদৌবনি।

**12.4.** অহুমশুবদা, থুন্নাইগী অমসুং শেল-থুমগী ফিভম শোথরবা কাঙলূপকী মহৈরোয়শিং মায় পাক্লা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মায়কৈদা মায় পাক্লা চঙবা ঙম্নবগীদমক পূক্নিং থৌগৎপীবা অমসুং তেংবাঙ পীবিবা চঙই| মরম অসিনা, হায়রিবা থবক অসিবু মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক তাইবং-মহৈকোলশিং অমসুং কলেজশিংদা অৱাংবা থাক্কী মগুন লৈবা মতেং পীফমশিং (সপ্পোর্ট সেন্টরশিং) লিংথৎপা মথৌ তাই অমসুং মসিগীদমক মতীক চানা ফগু (শেল) অমসুং মহৈগী তম্বগা মরী লৈনবা মথোকশিং (একাডেমিক রিসোর্সশিং) পীগনি। মফম অদুদা মহৈরোয় থুদিংমক্তা শিনফমগী ওইবা, মহৈগী ওইবা

(একাডেমিক), অমসুং থবক্কী ওইবা পাউতাক পীবগী (কেরিয়র কাউন্সেলিংগী) থবকসু চথগনি, লোয়ন-লোয়ননা হকচাংগী, ৱাথলগী অমসুং পূক্নিংগী অফবা-নুংঙাইবা ফংহন্নবগীদমক পাউতাক পীবা মীশিং (কাউন্সেলরশিং) সু লৈগনি।

**12.5.** মরিশুবদা, ও ডি এল অমসুং ওনলাইন ইডুকেশননা মগুন লৈবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং) হেন্না ফংহন্নবা মহৌশাগী ওইবা অরায়বা লম্বী অমা পীগনি। ও ডি এল গী লৈজরিবা মঙল অদু মপূং ফানা শীজিন্নবগীদমক, মতীক-ময়াইগী অপীবা থাকশিং (ষ্টেণ্ডর্ডস) অদুগা চপ চান্ননা মতুং ইন্নগা ময়াম পূন্না কন্না হোৎনদুনা ও ডি এল বু নৌনা য়েংশিনবা চঙই। ও ডি এল প্রোগ্রামশিং অসি ক্লাসরুমগী মনুংদা ফংহল্লিবা খ্বাইদগী ফবা মতীক-মগুন অদুগা মান্নহন্নবা পান্দম থমগনি। ও ডি এল শিংবু কাঙলোন চুন্না চাওখৎহন্নবগীদমক চৎন-কাঙলোনশিং (নোর্মশিং), চৎন-থাকশিং (ষ্টেণ্ডর্ডশিং) অমসুং লমজিং-লমতাকশিং (গাইডলাইনশিং), চাং নাইহন্নবা, অমসুং মশেক তাক্লবা চৎন-পথাপশিং (এক্রেডিটেশন নোর্মস) শেম-শাগনি, অমসুং ঐ চ আই ই পূন্নমক্তা চৎনহনগদৌবা ও ডি এল গী মতীক-মগুনগী থৌয়াৎৱা (ক্বালিটি ফ্রেমৱার্ক) অমা শেমগৎকনি।

**12.6.** ইরোয় লোইবদা ক্লাসরুমদা তাকপা, ওনলাইনদা তম্বীবা অমসুং ও ডি এল গী মওংশিংদা তাকপা য়াওনা লৈরিবা থবক-থৌরমশিং (প্রোগ্রামশিং), কোর্সশিং, তম্ন-হীরমশিং পূন্নমক অমসুং নৈনচল (সবজেক্ট) খুদিংমক্কী তম্বীরোলগী থবকশিং লোয়ন-লোয়ননা মহৈরোয়শিংদা মতেং পাংলিবা খুদিংমক অসি মালেমগী থাক্কী মতীক-মগুন অদু ফংনবা পান্দম থমগনি।

## মালেম পূম্বগী ওইহনবা

**12.7.** মথক্তা পনখ্রিবা অনৌবা থোঙথাংশিং অসিনা মালেমগী লৈবাক অতৈদগী ভারত্তা মহৈ তম্বা লাকপা মহৈরোয় মশীং হেনগৎনবদা মতেং পাংগনি, অমসুং ভারতকী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিংনা মপানগী মহৈকোলশিংদা চৎনীংবা, মহৈ তম্নীংবা, ক্রেডিৎ পুদুনা হোংখিবা, নৎত্রগা খিজিন- হুমজিনবগী থবক তৌবদা অমসুং মপানগী মহৈরোয়শিংনা মফমসিদা লাক্তুনা হায়রিবা থবকশিং অসি তৌবদসু হেন্না খুদোংচাবা পীগনি। মালেমগী থাক্তা লৈবা মতীক-মগুনশিং ফংনবা, লৈবাক অতৈগী মহৈরোয়শিং হেন্না চিংশিল্লক্নবা অমসুং 'য়ুমদা মালেম পূম্ববু য়ৌরকহনবা (ইন্টরনেলাইজেশন এট হোম) ' হায়বা পান্দম অদু ফংনবগীদমক ইন্দোলোজি (ভারতকী মরমদা নৈনবা) ভারত্তা ঙাঙনরিবা লোলশিং, আয়ুশকী হীদাক-লাংথকশিং, য়োগা, ফিরেপলোন (আর্টস), ঈশৈ-নোংমাই, পুৱারী (হিষ্টরি), নাৎ-চৎনবী অমসুং অনৌবা মতমগী ভারত হায়রিবা হীরমশিং অসিগী মরমদা তম্নবা কোর্সশিং অমসুং প্রোগ্রামশিং, মালেমগী লৈবাকশিংগা মরী লৈনবা চুল্লৌশিং (সাইন্স) গী তম্নবা হীরমশিং, খুন্নাই চুল্লৌশিং (সোশিয়ল সাইন্সেস), অমসুং মদুগী ৱাংমদা, মীয়ামগী তিন্নবা লোয়নবগী মমল য়াম্লবা খুদোংচাবশিং, মহৈরোয়শিংগী মগুন লৈবা লৈফমগী খুদোংচাবশিং, অমসুং মহৈ-তম্ফমশঙগী অকোয়বা (কেম্পস) অদুগী মনুংদা তেংবাঙ পীবা, অসিনচিংবশিং অসি ফজনা য়োকখৎকনি।

**12.8.** পুবা-থাংবা ঙমদবা মমলদা থোইদোক-হেন্দোক্লা ফরবা মহৈ-মশিং তম্বগী খুদোংচাবা (প্রিমিয়ম ইডুকেশন ) পীরিবা মালেমগী মহৈ-মশিং তম্বগী পন্থুংফমনি হায়না ভারতপু শক্তাক্কনি অমসুং অদুন্না তৌদুনা বিশ্ব-গুরু (মালেম-তাইবং অসিবু তাকপী-তম্বীবা ঙম্বা ওজা) অমা ওইবগী থৌদাং অদু অমুক হনজিনহনগনি। মপান লৈবাক্তগী লাকপা মহৈরোয়শিংবু তরাম্না ওকপা অমসুং তেংবাঙ পীবগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংদা মতেং পীনবগীদমক মপান লৈবাক্কী মহৈরোয়শিং তম্বা ঐ চ ই আই শিংদা মালেম পূম্বগী মহৈরোয়শিংগী লোয়শঙ (ইন্টরনেশনেল ষ্টুডেন্টস ওফিস) অমমম হাংদোক্কনি। খিজিন-হুমজিনবা নৎত্রগা তাকপী-তম্বীবগী থবক্তা মতেং পাংনদুনা পূন্না তৌমিন্নবা (রিসর্চ/টিচিং কোলাবোরেশন) অমসুং য়াম্না ফবা মগুন লৈবা মীরমগী মহৈ-তম্ফম (ইন্সটিট্যুৎ) শিংগী ফেকল্টি ওজাশিং/মহৈরোয়শিং মহুৎ শিন্দোক্নবগী থবক হেন্না খুদোংচাহনগনি অমসুং মপান লৈবাকশিংগা মরী লৈনবা, পূন্না কান্নবা ফংমিন্নগদবা এম ও য়ু শিং খুৎয়েক পীনগনি। ফজনা থাক ৱাংনা মথৌ পাঙথোকপা ভারতকী তাইবং-মহৈকোলশিংবু অতৈ লৈবাকশিংদা মহৈ-তম্ফম (কেম্পস) হাংদোক্নবা পূক্নিং থৌগৎকনি অমসুং মদুগা চপ মান্ননা, অখন্নবা তাইবং-মহৈকোল থরা, খূদম ওইনা, মালেমগী থনগৎলবা মকোকথোংবা তাইবং-মহৈকোল ১০০ গী মনুংদা লৈবশিং অদুনা ভারতকী মনুংদা থবক তৌবদা হেন্না লায়না তৌবা ঙম্নবা মতেং পাংগনি। মথোয়না অসুম্না চঙলকপদা হেন্না লায়থোকহন্নবা আইনগী ওইবা ঙাক্লৌ অমা শেমদুনা থমগনি, অমসুং ভারতকী লৈরিবা অতৈ মনীংতম্বা মহৈকোলশিং (ওটোনোমস ইন্সটিট্যুশনশিং) অদুগা মান্নবা মওংদা, চৎন-কাঙলোন শেম্বগী থবক, চলাইবগী থবক, অমসুং তম্ন-মচাক থনবগী চৎন-কাঙলোনশিং (কন্টেন্ট নোর্মশিং) গা মরী লৈনবদা মথোয়না অখন্নবা মওংদা কোমথোকপগী খুদোংচাবা পীগনি। মথা তানা, ভারতকী মহৈকোলশিং অমসুং মালেমগী অতৈ মহৈকোলশিংগগী মরক্তা পূন্না খিজিন-হুমজিনবগী থবক তৌমিন্নবা অমসুং মহৈরোয়শিং শিন্দোক-শিনজিন তৌবগী থবকপু তোপ-তোপ্পা থৌরাং তৌদুনা পূক্নিং

থৌগৎকনি। মপানগী তাইবং-মহৈকোলশিংদা ফংলকপা ক্রেডিৎশিং (মহৈ তম্বগী কোর্স অমা লোইরে হায়বগী শকথঙচে) শিং শীজিন্নবা য়াগনি, ঐ চ ই আ ইশিং অদুগী মথৌ তাবশিং অদুগা চান্ননা, ডিগ্রী অমা পীবদা মশীং থাবা য়াওগনি।

## মহৈরোয়শিংনা তৌবা থবক অমসুং শরুক য়াবা

**12.9.** মহৈ-মশিং তম্বগী কাঙলোন (ইডুকেশন সিষ্টেম) অসিদা মহৈরোয়শিং অসি থোইদোক্লা মরুওইবা পোন্থারোয় (ষ্টেকহোল্ডর) অমনি। অৱাংবা থাক্কী মগুন লৈবা তাকপী-তম্বীবা অমসুং তমশিনবা-খঙজিনবগী থৌওং অসিদা মশা থীংবা মহৈ-মশিং তম্ফমগী পুন্সি (কেম্পস লাইফ) লৈবা তঙাইফদে। মসি ওইনবগীদমক মহৈরোয়শিংনা শান্ন-খোৎনবদা, নাৎ-চৎনবী/ ফিরেপলোন (আর্ট) ক্লবশিংদা, ইকো-ক্লবশিংদা, এক্টিভিটি ক্লবশিংদা, মীয়াম কোল্লুপকী ওইনা থবক তৌবগী প্রোজেক্ট (কম্ম্যুনিটি সর্ভিস প্রোজেক্ট), অসিনচিংবশিংদা শরুক য়ানবগী খুদোংচাবা মরাং কায়না পীগনি। মহৈ-মশিংগী মহৈকোল খুদিংমক্তা, ৱাখল নুংনাংবা লাকশিন্নবা অমসুং পূক্নিংগী ফিভম লৈতানা থম্নবগীদমক অখঙ-অহৈশিংনা পাউতাক পীবগী কাঙলোনশিং (কাউন্সেলিং সিষ্টেমশিং) লৈগনি। মথা তানা, খুঙ্গংগী লমদগী লাকপা মহৈরোয়শিংগী মথৌ তাবা তেংবাঙ পীনবগীদমক মথৌ তাবা য়ুমশক্কী (হোষ্টেলগী) খুদোংচাবশিং হেনগৎহনবা য়াওনা, কাঙলোন চুন্না শীল্লাংবগী থবক তৌগনি। ঐ চ ই আ ই পূন্নমক্লা মখোয়গী মহৈরোয় খুদিংমক্কী অফবা মগুন লৈবা হীদাক-লাংথক্কী খুদোংচাবা পীগনি।

## মহৈরোয়শিংদা শেল-থুমগী তেংবাঙ

**12.10.** তোঙান তোঙানবা পান্থৈশিংগী মতেংনা মহৈরোয়শিংদা শেলগী তেংবাঙ ফংহনগনি। এস সি, এস টি, ও বি সি অমসুং অতৈ এস ই ডি জি শিংগী কাঙলূপতা চনবা মহৈরোয়শিংগী অফবা মতৌ (মেরিৎ) বু পূক্নিং থৌগৎনবা হোৎনগনি। স্কোলরশিপ ফংলিবা মহৈরোয়শিংবু মতেং পাংনবা, য়োকথৎনবা অমসুং মখোয়গী ফগৎপগী থোঙ্গুল লীনবা নেশনেল স্কোলরশিপ পোর্টেল অসি হেন্না পাকথোক-চাউথোকহল্লগনি। লন্নাই ঐ চ ই আ ই শিংবু মখোয়গী মহৈরোয়শিংদা মশীং য়াম্লবা ফ্রিশিপশিং (মহৈকোলদা তম্বগী অতম্মল থীনবা মহৈরোয়শিংদা পীবা শেলগী তেংবাঙ) অমসুং স্কোলরশিপশিং পীননবা পূক্নিং থৌগৎকনি।

# 13. ইনোৎ পীবা ঙম্বা, মতীক লৈরবা অমসুং থবক ঙম্বা ওজাশিং

**13.1.** অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মহৈকোল (হাইয়র ইডুকেশন ইন্সটিট্যুশন) শিংগী মায় পাক্লবগী খ্বাইদগী মরুওইবা মরমদি মখোয়গী ওজাশিং (ফেকল্টি) গী মতীক-মগুন অমসুং মখোয়বু শীজিন্নবদা লৈরে। অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বীবগী পান্দমশিং ফংনবা হোৎনবদা ওজাশিংগী থোইদোক-হেন্দোক্লা মরুওইবদু খঙলদুনা, হৌখিবা চহী কয়া অসিদা থবক লৌবা অমসুং থবক্কী ফম কাবদা (কেরিয়র প্রোগ্রেশনদা) কাঙলোন চুন্না তৌনবা, অমসুং ওজাশিংবু থবক হাপ্পদা তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপশিংদগী চপ মান্ননা শরুক য়াবা ফংনবা অনৌবা থোঙথাং কয়া হৌদোকখ্রে। মীয়ামগী মহৈকোলশিংদা লেঙদবা ওজাশিং (ফেকল্টি) অহাংবা মহুৎ হাপ্পগী চাংসু য়াম্নমক হেনগৎলে। ওজাশিং অদু শিনফমগী ওইনা চাওথৎ-ফগৎনবা খুদোংচাবা পীনবা থোঙথাং কয়াসু লৌথৎলে। অদুম ওইনমক, একাডেমিক প্রোফেশন (মহৈ তম্বীবগী শিনফম) গী থাক ৱাংথৎনবা হোৎনবা কয়া অসি লৈনা লৈনা, ঐ চ ই আ ই শিংদা তাকপী-তম্বীবা, থিজিন-হুমজিনবা অমসুং থবক তৌবগা মরী লৈননা ওজাশিংগী মথৌদা থৱায় য়াওবগী চাংদি পাল্লিবা থাক অদুদগী য়াম্না হন্থনা লৈরি। ওজা (ফেকল্টি মেম্বর) খুদিংমক নুংঙাইনা, থৱায় য়াওশিন্না, থবক চিন্না অমসুং মাগী মাগী মহৈরোয়শিংবু, মহৈকোলশিংবু অমসুং শিনফমবু হেন্না ফগৎনবা ৱাখল থন্দুনা লৈনবগীদমক, ওজাশিংনা মথৌদা থৱায় য়াওবগী থাক নেল্লিবা অসিবু ওইহল্লিবা মরমশিং অদু নীংথিনা য়েংশিন্দুনা কোকহনবা চঙই। মসি ফংনবগীদমক ঐ চ ই আ ই শিংদা খ্বাইদগী ফবা, মথৌদা থৱায় য়াওবা অমসুং থবক তৌবা ঙম্বা ওজাশিং ফংবা ঙম্নবা থৌশিল অসিনা মথাগী থোঙথাংশিং অসি লৌথৎকদবনি হায়না পল্লি।

**13.2.** খ্বাইদগী মরুওইবা থোঙথাং অমা ওইনা ঐ চ ই আ ই পূন্নমক্তা অফবা, থক্লবা অরুবা ঈশিং, শীজিন্নবা য়াবা অফবা তরু-তনানবা মপান-ইপান থোকফম অমসুং থোঙহাম্ফম (টোইলেৎ) শিং, ব্লেকবোর্ডশিং, ওফিস, তাকপী-তম্বীবদা চঙবা পোৎশিং, লাইরিকশঙশিং, চাংয়েংশঙ (লেবোরেটরি) শিং অমসুং মরাং কায়রবা নুংঙাইনা ক্লাস তৌফমশিং অমসুং মহৈকোলশিংগী অকোয়বগী মফমশিং (কেম্পসশিং) য়াওনা চঙদবা য়াদবা শেমগৎ-শাগৎপগী মচাক-মথুমশিং (ইনফ্রাষ্ট্রকচর) অমসুং

খুদোংচাবা পূম্নমক শুনা লৈহনগদবনি। হেন্না ফজনা তম্বগী থৌওংশিং (লর্নিং এক্সপরিএন্স) ফংহনবা ঙম্বা খ্বাইদগী নৌবা মহৈ-মশিংগী শিনশালোন (ইডুকেশনেল টেক্নোলোজি) অদু ক্লাসরুম খুদিংদা ফংহনগদবনি।

**13.3.** তাকপী-তম্বীবগী থবক অদু নুংঙাইনা তৌনবগীদমক অমসুং মহৈরোয়শিংগা তান-তিক্নবগী, থিজিন-হুমজিনবগী থবক তৌবগী অমসুং তাইবং-মহৈকোলগী থবক অতৈশিংগীদমক মতম মতীক চানা ফংনবগীদমক্তা ওজাশিংগী তাকপী-তম্বীবগী তৌফম থোকপা মথৌশিং অদু কা হেন্না য়ামহল্লোইদৌবনি, অমসুং ওজাগা মহৈরোয়গগী শেনচাং (রেশিও) অদুসু য়াম্না ৱাংহল্লোইদবনি। ওজাশিং হাপ্পা মতমদা মহৈকোল অমমমগী ওইনা তোঙান্না হাপকদবনি অমসুং মখোয় মশা মশা অসি মখোয়গী মহৈকোল অমসুং মীয়াম কোল্লুপ অদুদা তশেংনা শীজিন্নরিবনি হায়না মপূক্নিংদা ফাওজনবা মখোয়বু অতোপ্পা মহৈকোলশিংদা থাদোক-থাজিন তৌবা (ট্রান্সফর তৌবা) হায়বসি ময়ামগী ওইনা য়াহল্লোইদবনি।

**13.4.** তম্ন-লাইরিক (টেক্সবূক) অমসুং পানবা মচাকশিং থনবা, মহৈরোয়শিংদা শিন্নবা থবক (এসাইনমেন্ট) অমসুং হৈলেপ্পা (এসেসমেন্ট) য়াওনা ময়াম্না য়ানরবা থৌয়াৎৱা (এপ্রুভ ফ্রেমৱার্ক) অমগী মনুংদা মখোয় মশাগী তম্ন-হীরমশিংগী অমসুং তম্বীরোলগী মওং লেপচবগী নীংতম্বদু ওজাশিং অদুদা পীগনি। ওজাশিংদা মখোয়না খ্বাইদগী ফবনি হায়না থনবা অনৌবা মথলগী তাকপী-তম্বীবগী মওং, থিজিন-হুমজিনবগী অমসুং থবক তৌবগী মওং চথজনবা মঙম পীবা হায়বসিনা তশেংনা থোইদোক-হেন্দোক্লা ফরবা, অনৌবা শেমগৎ-শাগৎনবগী থবক তৌবা ঙমহন্নবগীদমক খ্বাইদগী মরুওইবা, পূক্নিং-ৱাথলগী ইথিল পীরিবা, অমসুং থৌনা হাপ্লিবা পোৎশক অদুনি।

**13.5.** থোইদোক-হেন্দোক্লা ফবা ওইরকপশিংদুদি মথা তানা মনা (রিৱার্ড) পীবা, ফম কাহনবা (প্রোমোশন), মশক থঙবীবা অমসুং মহৈকোল অদুগী মকোকথোংবা ওইরক্নবগী মায়কৈদা চৎহন্দুনা মথা তানা পূক্নিং থৌগৎপীগনি। অমরোমদা তঙাইফদবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্তবা ওজাশিংবুদি মদুগী মরম পীহনগনি।

**13.6.** থোইদোক-হেন্দোক্লা ফরবা মনীংতম্বা মহৈকোল (ওটোনোমস ইন্সটিট্যুশন) শিং ওইরক্নবা, ঐচ ই আইশিং অসিদা ওজাশিং থবক হাপ্পবগীদমক ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লবা, মনীংতম্বা, অমসুং মনুং-মপান ফাওনা উবা ঙম্বা থৌওং অমসুং তূপ্পৱা (ক্রাইটরিয়া) লৈগদবনি। হৌজিক চথরিবা থবক হাপ্পগী থৌওং (রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস) অসি মথা অসুম চথনা 'টেন্যুর ট্রেক্ট' (এসিষ্টেন্ট প্রোফেশর ওইরম্বদগী এসোসিয়েৎ প্রোফেশর, মথংদা প্রোফেশর ওইরক্নবগী প্রোসেস অদুবু টেন্যুর ট্রেক্ট কৌই অমসুং মসি অমেরিকাগী অমসুং কানাদাগী য়ুনিভর্সিটিশিংদা চৎনৈ) অমা থমগদবনি, হায়বদি, থোইদোক-হেন্দোক্লা অফবা ওইরক্নবগীদমক চানবা প্রোবেশন পেরিয়ড (থবক চঙলবা মতুংদা অতেনবা মতম থরগী ট্রেনিংগী মতম) অমা থমগদবনি। অৱাংবা থাক্তা ইথিল পীবা ঙম্বা থিজিন-হুমজিনবগী থবক অমসুং মশরুক থাংদোকপা ঙম্ববু শক থঙনবগীদমক য়াম্না থুনা হেন্না ৱাংবা ফম কাহন্নবগী কাঙলোন (প্রমোশন সিষ্টেম) অমা লৈগনি। টেন্যুরগী (কলেজ নৎত্রগা তাইবং-মহৈকোলগী ওজা থল্লবা মীশক অমনা মথং মথং ফম কারকপগী মওং) থবক্তা শীজিন্নবা, হায়বদি, প্রোবেশন (মতম থরগী ট্রেনিং) লোইরগা লেঙদবা থবক ফংবা, অৱাংবা ফম কাবা, খূৎশুমল/তলব হেনগৎপা, শকথঙবীবা অসিনচিংবা, মমান্নবশিংনা অমসুং মহৈরোয়শিংনা রিভিয়ু তৌবা (মখোয়না তৌরিবা থবক্কী মগুন লেপ্পা) য়াওনা, তাকপীবা অমসুং তম্বীরোলদা অনৌবা পুথোকপা, থিজিন-হুমজিনবগী মগুন অমসুং মদুনা পীবা ইথিল, শিনফমদা ফগৎনবগী থবকশিং, অমসুং মহৈকোল অমসুং মীয়াম কোল্লুপতা পীবা ইথিল য়াওনা, তৌথোরকপা থবক্কী মওং হৈলেপ্পা (পরফোর্মেন্স এসেসমেন্ট) ফজনা তৌনবগীদমক লেপ্পচল (পেরামিটর) ময়াম অমা অৱাংবা ঐছ ই আই না শেমগৎকনি অমসুং মদু মহৈকোল চাওখৎনবা থৌরাংদা (ইন্সটিট্যুশনেল ডিভেলপমেন্ট প্লান, আই ডি পি) দা ময়েক শেংনা ফোঙদোক্কুনা থমগনি।

**13.7.** ময়ামদগী হেন্না ফবা ওইনবা হোৎনবা অমসুং অনৌ-অনৌবা ৱাথল থনবা অমসুং পোৎ পুথোকপগী থবক তৌবা তোপ-তোপ্পা ফরবা অমসুং থৱায় য়াওবা মহৈকোলদুগী মকোকথোংবা ফম পুবা মীশকশিং লৈবা হায়বসি পুংজা অসিদা মথৌ তারিবনি। মহৈকোল অমা অমসুং মদুগী ওজাশিংগী মায় পাক্নবগীদমক থোইদোক-হেন্দোক্লা ফবা অমসুং মায় পাক্লা থবক তৌবা ঙম্বা মহৈকোলদুগী মকোকথোংবা লুচিংবা লৈবা হায়বসি য়াম্না মরুওই। লাইরিক-লাইশুগী অমসুং থবক তৌবগী মতীক চাবা অৱাংবা থাক্কী গুন লৈবা, লোয়ন-লোয়ননা লুচিংবা ওইবগী অমসুং শীল্লাংবা হৈবগী মীয়ামদা উথোক্লবা লৌশিং লৈবা থোইদোক-হেন্দোক্লা ফরবা ওজাশিং অদু ঙন্না মশক থঙদোক্কনি, অমসুং মখোয়না মথং মথং কারক্কদবা ফমশিং অদুগীদমক মখোয়বু খঙন-হৈনবা তম্বীগনি। মকোকথোংবা ফমশিং হাঙহন্দুনা থম্লোই, মদুগী মহুত্তা মহৈকোল অদুবু নীংথিনা মথৌ তৌহনবা য়ানবগীদমক মকোকথোংবা ফম পুগদবা অনীগী ফম শিন্নবগী মরক্তু মখোয় অনী পূন্না থবক তৌমিন্নগী

মতমনি হায়না লৌবসি চৎনবী নিয়ম অমা ওইনা লৈগনি। ওজাশিং (ফেকল্টি মেম্বরশিং) দগী অমসুং ঐচ ই আই পূন্নমক্কী লুচিংবশিংদগী থোইদোক্লা ফজবা অমসুং অনৌবা মওংদা তাকপী-তম্বীবা, থিজিন-হৢমজিনবা, মহৈকোলগী থবক তৌবা অমসুং মীয়াম কোল্লুপগী মরক্তা চঙশিনবা (কম্মুনিটি আউটরিচ) হায়রিবা থবকশিংদা হেন্না থৱায় য়াওশিনগদবা অমসুং পূক্নিং থৌগৎকদবা থোইদোক-হেন্দোক্লা ফরবা নাৎ-চৎনবী অমা শেমগৎনবা মহৈকোলগী মকোকথোংবশিংনা পান্দম থমগনি।

## 14. অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বীবগী থবক্তা মীচং-মীথায় নাইদনা চপ মান্ননা য়েংবা অমসুং পূন্নমকপু কোনশিনবা

**14.1.** অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বা ফংবা হায়বসিনা লন্নাই মীওইশিং অমসুং কাঙলূপ-ফুরুপ কয়াবু খুদোংচাদবা কয়াগী মরক্তগী কাথৎলক্নবা মথল মথা কয়াগী ওইথোকপা য়াবা তাঞ্জা ময়াম অমা পীগনি। মরম অসিগীদমক, মগুন লৈবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী খুদোংচাবশিংবু মীপুম তিংনা ফংহনবা হায়বসি থ্বাইদগী মরুওইনা লৌগদবশিংগী মনুং চনগদবনি। থৌশিল অসিনা খুন্নাই-শেন্মীৎলোনগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরিবা কাঙবু (সোসিও-ইকনোমিকেল্লি ডিসএডভান্টেজড গ্রুপ) শিংদা থোইদোক্লা মরুওইনা লৌবগা লোয়ননা মহৈরোয় খুদিংমক্তা শুংশোয়-শোয়দনা অফবা মগুন লৈবা মহৈ-মশিং তম্বগী খুদোংচাবা পীনবা মীৎয়েং থম্লি।

**14.2.** সমাজগী অমসুং শেল-থুমগী লমদা খুদোংচাদবা মায়োক্নরিবা কাঙবুশিং (এস ই ডি জি) বু মহৈ-মশিং তম্বগী কাঙলোন অসিদগী য়াওহন্দনবা ইথিল পীরিবা শাফূশিং অমসুং অতৈ মরম ময়াম অমা লৈরিবা অসি স্কুলগী থাক অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী মফমশিং (সেক্টরশিং) দা ইমান মান্নে। মরম অসিনা, মীচং-মীথায় নাইদনা চপ মান্ননা য়েংবা অমসুং পূন্নমকপু কোনশিনবা হায়বা থৌওং অসি স্কুলগী থাক অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বীবগী থবক্তা চপ মান্ননা চথগদবনি। মথা তানা, তুংকোইনা চৎনবা য়াবা মওংদা শেমদোক্নবগীদমক তাঙ্কক খুদিংমক্তা মথা চথবা লৈগদবনি। মতৌ অসুম্না, অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বীবদা মীচং-মীথায় নাইদনা চপ মান্ননা য়েংবা অমসুং পূন্নমকপু কোনশিনবা/য়াওহনবা হায়বা পান্দমশিং ফংনবগী লৌথৎলিবা থৌশিলগী থোঙথাংশিং অদু স্কুল থাক্কী মহৈ-মশিং (স্কুল ইডুকেশন) তম্বীবগী লৈরিবা থোঙথাংশিং অদুগা পূন্না চৎমিন্নগদবনি।

**14.3.** অথন্ননা অমসুং হেন্না মরুওইনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী লমদা চঙশিনবা ঙমদবগী মশক থরা লৈ। মথোয়শিং অসি নীংথিনা য়েংশিন্দুনা কোকহন্নবা হোৎনগদবনি, অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী খুদোংচাবশিংগী মরমদা থঙবা ৱাৎপা, অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বদা চঙবা মমল, শেল-থুমগী খুদোংচাদবা, মীং চনবগী থৌরম-পরেংশিং, লমগী অমসুং ঙাঙনরিবা লোনগী অপনবশিং, অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী থবক-থৌরম (প্রোগ্রাম) ময়ামগী মরক্তা থবক ফংনবগী খুদোংচাবা ৱাৎপা অমসুং মহৈরোয়শিংদা তেংবাঙ পীনবা খুদোংচাবা ৱাৎপা অসিনচিংবসি য়াওনা য়েংশিনগদবনি অমসুং কোকহন্নবা হোৎনগদবনি।

**14.4.** পান্দম অসি ফংনবগীদনমক, লৈঙাক (গর্ভনমেন্ট) অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং মহৈ-তম্ফমশঙশিং (হাইয়র ইডুকেশন ইন্সটিট্যুৎশিং) পূন্নমক্না অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্বগা মরী লৈননা পায়থৎকদবা অহেনবা থবক থরা লৈ।

**14.4.1.** লৈঙাক (গর্ভনমেন্ট) শিংনা লৌথৎকদবা থোঙথাংশিং

(অ) সমাজগী অমসুং শেল-থুমগী লমদা খুদোংচাদবা মায়োক্নরিবা কাঙবু (এস ই ডি জি) শিংগীদমক মতীক চাবা ফণ্ড (শেনফম) লৈঙাক্না থাক্তুনা থম্বা

(আ) সমাজগী অমসুং শেল-থুমগী লমদা খুদোংচাদবা মায়োক্নরিবা কাঙবুশিং (এস ই ডি জি) শিংগীদমক হেন্না ৱাংবা অপূনবা মীং চনবগী শেনচাং (গ্রোস ইনরোলমেন্ট রেশিও – জি ই আর) গী পান্দম থম্বা

(ই) ঐচ ই আই শিংদা মীং চনবা মতমদা নুপা-নুপী মান্নবা থল (জেণ্ডর বেলেন্স) দু হেন্না মপাঙ্গল কনথৎহনবা

(ঈ) অপাম্বা ডিষ্ট্রিক্টশিংদা অমসুং এস ই ডি জি শিং মশীং য়াম্না লৈবা অথন্নবা মহৈ-মশিং তম্বগী মফম (স্পেশল ইডুকেশন জোন) শিংদা অৱাংবা থাক্কী মগুন লৈবা ঐচ ই আই মশীং হেন্না লিংথত্তুনা ময়াম্না হেন্না শরুক য়াবগী খুদোংচাবা লৈহনবা

(উ) লম-লমগী/ভারতকী লোনদা নৎত্রগা লোল অনীদা তাকপী-তম্বীবগী থবক তৌবা অৱাংবা থাক্কী মগুন লৈবা এচ ই আই শিংবু চাওথৎহনবা অমসুং মতেং পাংবা

(ঊ) লৈঙাক্কী অমসূং লন্নাইগী এচ ই আই শিংদা এস ই ডি জি শিংগীদমক শেল-থুমগী মতেং অমসুং স্কোলরশিপশিং হেন্না পীবা

(ঋ) এস ই ডি জি শিংগীদমক্তা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী থুদোংচাবশিং অমসুং মতম মতমগী পীবা শেল-থুমগী তেংবাঙশিং (স্কোলরশিপশিং) অদুবু থঙহন্নবা থৌরমশিং পাঙথোকপা

(৯) হেন্না শরুক য়ারক্নবা অমসুং হেন্না ফজবা তম্বগী পোলোইগী মহৈদু ফংনবা শিনশালোনগী থূৎশু-থূৎলাইশিং (টেক্নোলোজি টুলশিং) শেমগৎপা অমসুং মতেং পীবা

১৪.৪.২. এচ ই আই পূন্নমক্তা লৌথৎকদবা থোঙথাংশিং

(অ) অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বদা চঙবা শেনফম অমসুং তম্বগী অচঙমল (ফী) অসি ককথবা।

(আ) থুন্নাইগী অমসুং শেল-থুমগী থুদোংচাদবা মায়োক্করিবা মহৈরোয়শিংদা শেল-থুমগী অহেনবা তেংবাঙশিং অমসুং স্কোলরশিপশিং পীবা

(ই) অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী থুদোংচাদবশিং অমসুং স্কোলরশিপশিংগী মরমদা ময়াম থঙহন্নবা থবক তৌবা

(ঈ) মীং চনবগী থবক্তা হেন্না ময়াম পূন্না য়াওবা য়াবা (ইনক্লুসিভ) ওইহনবা

(উ) তম্ন-হীরম (করিকুলম) বু হেন্না হীরম ময়াম অমা শুনা য়াওবা (ইনক্লুসিভ) ওইহনবা

(ঊ) অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী থবকশিং অদুদা থবক ফংবা য়াবগী মতীক-ময়াই হেনগৎহনবা

(ঋ) ভারতকী লোলশিংদা অমসুং লোল অনীদা তম্বীবা ডিগ্রী কোর্সশিং হেন্না শেমগৎপা

(৯) বিল্ডিং (শঙ) অমসুং ফংলিবা থুদোংচাবা পূন্নমক্তা চকা শীজিন্নবা চৌক্রি (হুইল-চেয়র) শীজিন্নবা য়াবা অমসুং হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবশিংনা শীজিন্নবা য়াবা ওইহনবা।

(এ) মহৈ-মশিং তম্বগী লমদা থুদোংচাদবা মফমদগী লাকপা মহৈরোয়শিংগীদমক ব্রিজ কোর্সশিং শেমগৎপা (তম্বদা থুমাং চাওশিনখ্রবা কাঙবু অমসুং নৌনা তম্নক্কদবা মহৈরোয় কাঙবু অনীসিগী মরক্তা লৌশিংগী থেন্নবা লৈরিবদু শমজিন্নবা অতেনবা কোর্স অমা)

(ঐ) চানবা কাউন্সেলিং (অথঙবা মীনা পাউতাক পীবা) অমসুং মেন্টোরিং (লমজিং-লমতাক পীবিদুনা) তৌবীদুনা মহৈ-মশিং তম্বগী লমদা থুদোংচাদবা মফমদগী লাকপা মহৈরোয়শিংবু থুন্নাই-পূক্লিংগী ওইবা অমসুং মহৈ তম্বগা মরী লৈনবা তেংবাঙ (সোসিও-ইমোশনেল এণ্ড একাডেমিক সপোর্ট) পীবিবা অমসুং লমজিং-লমতাকপীবা

(ও) ওজাশিং, কাউন্সেলরশিং (মহৈরোয়শিংদা অকক্নবা হীরমদা পাউতাক পীনবা লৈবা মীওইশিং), অমসুং মহৈরোয়শিংদা নুপা-নুপী থায়দোকপগী ৱারু (জেণ্ডর আইডেন্টিটি ইশু) গী মরমদা থঙহনবা অমসুং মদুবু তম্ন-হীরমশিং য়াওনা এচ ই আই গী মায়ওঙ পূন্নমক্তা হাপচিনবা

(ঔ) কনামত্তবু তাথী-তাওইনা তৌদবা অমসুং অকি-তুজুং পোকহন্দনবা লৈরিবা আইন থুদিংমক চপ চানা চৎনহনবা

(অং) এস ই ডি জি শিংদগী লাকপা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াবা হেনগৎনবগীদমক মথক্তা পনখ্রিবা ৱাফমশিংসি লোইনমক য়াওবা, মসিদগী হেন্নসু য়াওবা, অকক্নবা থবক্কী থৌরাং (প্লান ওফ এক্সন) শিং য়াওবা মহৈকোল ফগৎনবা থৌরাং (ইন্সটিট্যুশনেল ডিভেলপমেন্ট প্লান) শিং শেমগৎপা

## 15. ওজা ওইগদৌবা মীওইশিংগী মহৈ-মশিং তম্বগী থবক

**15.1.** লাক্কদবা মীরোলগী লাইবক লেপকদবা স্কুল ওজাশিংগী পূক্কে অমা শেমগৎনবগীদমক ওজা ওইগদৌবা মীওইশিংগী মহৈ-মশিং তম্বগী থবক (টিচর ইডুকেশন) অসি য়াম্না মরুওই। ওজা ওইনবা শেম-শাবা হায়বসি তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াগী মীৎয়েং অমসুং লৌশিং, মতীক- মগুন অমসুং মরুওইবা মমল (ভেল্যু) শেমগৎপা, অমসুং থ্বাইদগী ফরবা মেন্টর (থঙ-হৈরবা অমসুং থাজনীংঙাই ওইবা পাউতাক পীবা ঙম্বা মীশক) শিংগী মথাদা হোৎনবগী মথৌ তাবা থবক অমনি। ওজাশিং অদু

ভারতকী ওইবা ভেল্যুশিং (ভারতকী ওইবা তোঙান-তোঙানবা পোৎশিংগী মমল অমসুং মরুওইবা), লোলশিং, লৌশিং, ইথোজ (মীয়ামগী চৎনবী, থাজনবী, পুন্সি মহিং অসিনচিংবা) অমসুং য়েলহৌমী (ট্রাইবেল) শিংগী চৎনবী য়াওনা চৎন-লীক্লম থুদিংমক, ফজনা থঙবা ওইগদৌবনি, অমসুং মহৈ-মশিংগী অমসুং তম্বীরোলগী লমদা থ্বাইদগী নৌনা হোংলক্লিবা থুদিংমকসু নীংথিনা থূৎলোইবা ওইগদৌবনি।

**15.2.** সুপ্রিম কোর্টনা শেমথিবা জষ্টিশ জে. এস. ভর্মা কম্মিশন (২০১২) গী মতুং ইন্না, মনীং তম্না মতোম-মতোমতা থবক তৌবা ওজা ওইগদৌবা মীশিংগী মহৈ-মশিং তম্ফমশঙ (টিচর ইডুকেশন ইন্সটিট্যুৎ – টি ই আই) শিং - মশীং ১০,০০০ (লীশিং তরা) গী মথক্তা লৈরিবশিং অসিনা তশেংনা ওজা ওইগদৌবা মীওইশিংগী মহৈ-মশিং তম্বগী থবকপু কন্না হোৎনদুনা থৱায় য়াওনা তৌদ্রে অমসুং মখোয়না শেলগীদমক মমল লৌদুনা ডিগ্রী য়োনবগী থবক চথদুনা লৈরে হায়না হায়রি। আইন শেমদুনা চৎন-কাঙলোন ইলহন্নবা হোৎনরবসু কাঙলোন অসিগী মনুংদা চথরিবা অরানবা থবকশিং অসি লাকশিনবা ঙমদে অদুগা মতীক-ময়াইগী (মগুনগী) ওইবা তঙাইফদবা থাক (বেসিক ষ্টেণ্ডর্ড) অমা চৎনহনবসু ঙমদে, মদুগী ওন্না- তৈনবদা লম (সেক্টর) অসিদা হেন্দোক্লা ফগৎলক্কদবা অমসুং অনৌবা থবক তৌবগী ফিভমদু থিংজিনবগী ফত্তবা মহৈ ওইনা ফংদুনা লৈরে। মরম অসিনা, ওজা ওইগদৌবা মীওইশিংগী মহৈ-মশিং তম্বগী থবক কাঙলোন (টিচর ইডুকেশন সিষ্টেম) গী থাক ৱাংথৎহন্নবা অমসুং মতীক-মগুন হনজিন্নবা, থাজবা মাঙহন্দনবা, থবক ফজনা তৌবা ঙম্নবা অমসুং অৱাংবা থাক্কী মতীক-ময়াই চেলহন্নবা, অকনবা থবক থরা পায়থৎতুনা লম (সেক্টর) অসিদা অমসুং মসিগী চৎন-কাঙলোন ইলহনবগী মওং অসিদা নৌনা থৱায় হাপ্পা য়াম্না থুনা মথৌ তারে।

**15.3.** ওজা ওইবগী শিনফম অসিগী মীংচৎ হনজিনহন্নবগীদমক মথৌ তাবা পূকচেল শেংবা অমসুং চুম্না থবক তৌবা (ইন্টিগ্রিটি) অমসুং থাজবগী থাক (ক্রেডিবিলিটি) ফগৎহন্নবা অমসুং থাক অদু য়েৌনবা, তঙাইফদবা মহৈ-মশিং তম্বগী তূপ্পৱা (বেসিক ইডুকেশনেল ক্রাইটরিয়া) শুদবা অনেম্বা থাক্কী ওইবা (সবষ্টেণ্ডর্ড ওইবা) অমসুং মথৌ তৌদ্রবা ওজা ওইগদৌবা মীশিং মহৈ-মশিং তম্বীবগী থবক তৌরিবা ইন্সটিট্যুৎ (টিচর ইডুকেশন ইন্সটিট্যুৎ – টি ই আই) শিং অদু মখোয়গী অশোয়বশিংদু চুমথোক্লবা চহী অমগী মতম পীরগা, মখোয়গী মথক্তা অকনবা থবক লৌথৎপা ঙম্নবা রিগুলেটরি সিষ্টেম (চৎন-পথাপ ইলহন্নবগী লৈরিবা কাঙলোন) অসি মপাঙ্গল কনথৎহনগনি। ইং ২০৩০দদি শুপ্পগী মহৈ-মশিং তম্বগী থবক্তা ফবা, লৌশিংশা-য়াম্বা, অমসুং পূনশিল্লবা ওজা ওইরবা অমসুং ওইরক্কদবা কাঙবুশিংবু মহৈ তম্বীবগী থৌরমশিং (মল্টিডিসিপ্লিনরি এণ্ড ইন্টিগ্রিটেড টিচর ইডুকেশন প্রোগ্রামশিং) থক্তমক চৎনরগনি।

**15.4.** ওজা ওইগদৌবশিংবু মহৈ-মশিং তম্বীবগী থবক অসিদা মল্টিডিসিপ্লিনরি ইনপুৎ (লৌশিংশা কয়াগী মচাকশিং), অমসুং অৱাংবা থাক্কী মতীক-মগুন লৈবা তম্ন-মচাক লোয়ননা তম্বীরোল মথৌ তাবনিনা ওজা ওইগদৌবশিংবু মহৈ-মশিং তম্বীবগী থবক-থৌরম (প্রোগ্রাম) পূম্নমকসি লৌশিংশা কয়া পূনশিল্লবা অপূনবা মহৈকোল (কম্পোজিৎ মল্টিডিসিপ্লিনরি ইন্সটিট্যুশন) শিংদা চথগদবনি। মসিগী পান্দম অসি ফংনবা, লৌশিংশা-য়াম্বা তাইবং-মহৈকোলশিং অমসুং কলেজশিংনা, মহৈ-মশিং তম্বগী তোঙান-তোঙানবা থৌমায় (এস্পেক্ট) শিংদা অৱাংবা থাক্কী অনৌবা থিজিন-হুমজিনবগী থবক পাঙথোকপগী মথক্তা বি এড প্রোগ্রামশিংসু চথগদবা ইডুকেশন ডিপার্টমেন্টশিং লিংথৎনবা পান্দম থমগনি, অমসুং মসি সাইকোলোজি, ৱাংঙুরোল (ফিলোসোফি), থুন্নাইরোল (সোসিওলোজি), ন্যুরোসাইন্স, ভারতকী লোলশিং, ফিরেপলোন (আর্ট), ঈশৈ-নোংমাই, পুৱারী (হিষ্টরি), খোরীরোল, ফিজিকেল ইডুকেশন, চুল্লৌ (সাইন্স) অমসুং অঙ্কগুম্বা ডিপার্টমেন্ট অতৈগা থূৎশম্নরগা চথগনি। মসিগীসু মথক্তা, মতোম-মতোমতা মনীংতম্না লৈরিবা টি ই আই শিং অসিসু, মখোয়সু চহী মরি চঙবা ওজা ওইরগদবা মীওইশিং শেম্বগী থবক-থৌরম (প্রোগ্রাম) লৈরকপা মথৌ তাবনিনা, ইং ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা লৌশিংশা-য়াম্বা মহৈকোল (মল্টিডিসিপ্লিনরি ইন্সটিট্যুশন) শিংদা ওন্থোকপা তাই।

**15.5.** ইং ২০৩০ য়ৌরকপা মতমদদি লৌশিংশা-য়াম্বা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মহৈকোল (হাইয়র ইডুকেশন ইন্সটিট্যুশন) শিং অদুদা চহী-৪ গী পূনশিল্লবা বি এড (ইন্টিগ্রেটেড বি এড) তম্লকপা অদুনা স্কুলগী ওজা ওইগদৌবশিংগী থ্বাইদগী য়ামদবা ডিগ্রীগী মহৈগী থাক (ক্কালিফিকেশন) ওইগনি। চহী-৪ গী পূনশিল্লবা বি এড অসিনা, মহৈ-মশিং তম্বগী লমদা, মপূং ফাবা বেচেলর্স ডিগ্রী অনী অমুক্তদা পীবা ওইগনি, অমনা বি এড, অদুগা অমনা লোল, পুৱারী (হিষ্টরি), ঈশৈ-নোংমাই, অঙ্ক, কম্প্যুটর সাইন্স, মচাকলোন (কেমিষ্ট্রি), ইকোনোমিক্স, ফিরেপলোন (আর্ট), ফিজিকেল ইডুকেশন, অসিনচিংবা অথন্ননা তম্বা নৈনচল (স্পেশলাইজড সবজেক্ট) অমদা। অনৌবা, অৱাংবা থাক্কী তম্বীরোলগী মথক্তা ওজা ওইগদৌবশিংবু মহৈ-মশিং তম্বীবগী থবক্তা থুন্নাইরেল (সোসিওলোজি), পুৱারী (হিষ্টরি), চুল্লৌ (সাইন্স), সাইকোলোজি, অঙনবা মতমদগী অঙাংশিংবু চেকশিন্না শেন্নবা অমসুং মহৈ তম্বীবগী থবক, ইবা-পাবা অমসুং মশীং থঙহনবগী য়ুম্ফম ওইবা শরুক, ভারত অমসুং মাগী তোঙান-তোঙানবা পোৎশিংগী মমল অমসুং মরুওইবা (ভেল্যুশিং) /মীয়ামগী চৎনবী, থাজনবী, পুন্সি মহিং অসিনচিংবা

(ইথোজ) / ফিরেপলোন/চৎন-লীক্লম অমসুং অতৈ কয়া অমগী মরমদা ফজনা থঙহনবা হায়বসি য়াওগদবনি। চহী-৪ গী ইন্টিগ্রেটেড বেচলর ওফ ইডুকেশন হাংলিবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মহৈ-তম্ফমশঙ (হাইয়র ইডুকেশন ইন্সটিট্যুৎ) শিং অদুদা অকক্লবা হীরম অমদা হান্ননা বেচলরগী ডিগ্রী ফংখ্রবা মহৈরোয়শিংগী চহী-২ গী বেচলর ওফ ইডুকেশনগী কোর্স অমা হাংবসু য়াগনি। অকক্লবা নৈনচল (সবজেক্ট) অমদা চহী-৪ গী অণ্ডরগ্রেজুয়েৎ ডিগ্রী ফংলবা কেণ্ডিডেৎশিংগীদমক চহী-১ গী বি এড কোর্স তম্বসু য়াগনি। চহী-৪ গী, চহী-২ গী অমসুং চহী-১ গী বি এড প্রোগ্রামশিং অসিদা থোইদোক-হেন্দোক্লা ফরবা কেণ্ডিডেৎশিংগী পূক্লিং চিংশিন্নবা, অফবা মহৈরোয়শিংদা পীনবা স্কোলরশিপসু থমগনি।

**15.6.** ওজা ওইগদৌবশিংবু মহৈ-মশিং তম্বীবগী থবক-থৌরম (টিচর ইডুকেশন প্রোগ্রাম) শিং হাংলিবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মহৈকোল (হাইয়র ইডুকেশন ইন্সটিট্যুশন – ঐচ ই আই) শিংদা শুংশোয়-শোয়দনা মহৈ-মশিং তম্বগী লমদা অমসুং মরী লৈনবা লৌশিংশাশিং (ডিসিপ্লিনশিং) দা লোয়ননা অতৈ স্পেশলাইজড সবজেক্টশিং (অকক্লবা নৈনচলশিং) দা নীংথিনা থঙ-হৈরবা মীওইশিং ময়াম অমা লৈগদবনি। অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মহৈকোল থুদিংমক্লা লৈঙাক্কী অমসুং লন্নাইগী স্কুল ময়াম অমগা পূন্না থবক তৌমিন্ননবা নক্লবা মরী লৈনগদবনি, হায়রিবা স্কুলশিংদুদা ওজা ওইরকপা য়ারিবা মহৈরোয়শিং অদুনা চৎলগা তাকপী-তম্বীবগী থবক তৌগনি, মীয়াম কোল্লুপগী থবক তৌবা (কম্যুনিটি সর্ভিস), অহলশিংবু অমসুং মশিনগী ওইবা মহৈ-মশিং তম্বীবগী থবক (এডল্ট এণ্ড ভোকেশনেল ইডুকেশন) অসিনচিংবদা শরুক য়াগনি।

**15.7.** ওজা ওইরক্কদবশিংগী মহৈ-মশিং তম্বগী থবক্তা চপ মান্নবা চৎন-থাক থম্নবা থবক তৌদ্রিবা ওজা ওইরক্কদবা মীওইশিংবু শেম-শাবগী থবক-থৌরম (প্রোগ্রামশিং) দা মীং চনবগী থবক অসি নেশনেল টেষ্টিং এজেন্সিনা চানবা নৈনচল (সবজেক্ট) অমসুং মশাগী হৈশিংবা য়েংলগা পাঙথোক্কনি অমসুং লৈবাক অসিগী লোনগী অমসুং নাৎ-চৎনবীগী ওইবা থেন্নবশিং অসিগী য়েংলগা ময়াম পূন্নমক্তা চৎনবা য়াবা মওং অমা ওইনা শেমগনি।

**15.8.** মহৈ-মশিংগী লোয়শঙশিং (ইডুকেশন ডিপাটমেন্ট) শিংদা লৈরিবা ওজাশিংগী অকূপ্পা মরোল (ফেকল্টি প্রোফাইল) অদু তোঙান-তোঙানবা হীরমগী ওইগদৌবনি অদুবু তাকপী-তম্বীবগী/লম অসিদা থোঙদারকপগী/থিজিন-হুমজিনবগী এক্সপরিয়েন্স (থেংনরকথিবা, থঙ-হৈবগী চাং) অদুনা হেন্না মমল লৈনা লৌগনি। স্কুল থাক্কী মহৈ-মশিংগা হকথেংননা মরী লৈনবা থুন্নাই চুপ্লৌশিং (সোশিয়ল সাইন্স) শিংদা, থূদম ওইনা, সাইকোলোজি, অঙাং শেম্বা, লিঙ্গুইষ্টিক্স (লোন্মীৎলোন), থুন্নাইরোল (সোসিওলোজি), ৱাংঙুরোল (ফিলোসোফি), শেন্মীৎলোন (ইকোনোমিক্স) অমসুং লৈঙাকলোন (পোলিটিকেল সাইন্স) দা তম্লু-থঙলুরবা ওজাশিং, লোয়ন-লোয়ননা চুপ্লৌ (সাইন্স) তম্লকপা, অঙ্ক তম্লকপা অমসুং লোল তম্লকপা ওজাশিংদুদি, ওজাশিংবু লৌশিংশা কয়াদা মহৈ তম্বীবগী থবক (মল্টিডিসিপ্লিনরি ইডুকেশন ওফ টিচর্স) তা হেন্না মপাঙ্গল কনথৎহন্নবা অমসুং ৱাখল্লোন চাওথৎহন্নবা (কন্সেপচুয়েল ডিভেলপমেন্ট), ওজা ওইগদৌবা মীশিংনা মহৈ তম্বীবা মহৈকোলশিং অদুদা পূক্লিং চিংশিন্নবা হোৎনগদবনি অমসুং লেঙদনা লৈহনগদবনি।

**15.9.** করি করি লৌশিংশা (ডিসিপ্লিন) শিংদগী লাকপনো হায়বদু য়েংদনা, নৌনা পি ঐচ ডি তৌনবা চঙলক্লিবা থুদিংমক্লা, মথোয়গী ডোক্টরেৎ ফংনবা হোৎনরিঙৈ মনুংদা, তাকপী-তম্বীবদা /মহৈ-মশিংদা/তম্বীরোলদা/পিঐচ ডি তৌনবা থল্লিবা নৈনচল (সবজেক্ট) অদুগা মরী লৈননা ইবগী থবক্তা, ক্রেডিৎ বেজ ওইবা কোর্সশিং তম্বা মথৌ তাই। তম্বীরোলগী থবক (পেডাগোজিকেল কোর্স) শিংদা, তম্ন-হীরমশিং শেম-শাবদা, থাজনীংঙাই ওইবা মওংদা চাংয়েং তৌবগী কাঙলোন (ইভাল্যুএশন সিষ্টেম) থঙজিনবা, অতোপ্পগা ঈ-পাও ফাওনবা অসিনচিংবা থবকশিংদা থেংনদুনা থঙহনহৌবা হায়বসি শুংশোয়-শোয়দনা তৌগনি মরমদি থিজিন-হুমজিল্লোয় (রিচর্স স্কোলর) ময়াম অমদি মথোয় মথোয়না থল্লিবা লৌশিংশা (ডিসিপ্লিন) অদুদা ওজা ওইরক্কনি নৎত্রগা মীয়ামগী মীহুৎশিং/মীয়ামদা ঈ-পাও থঙহন্নবা মীওইশিং ওইরক্কনি। পি ঐচ ডি তৌরিবা মহৈরোয়শিং অদু, মীগী মতেং পাংদুনা লাইরিক তাকপা নৎত্রগা অতৈ পাম্বৈশিংগী মতেং লৌদুনা ফংলকপা, তশেংনা লাইরিক তাকপীবগী অপীবা থ্বাইদগী য়ামদবা পূং থরদি লৈগদবনি। মসিগীদমক্তা তাইবং-মহৈকোল থুদিংমক্তা লৈবা পি ঐচ ডি প্রোগ্রাম থুদিংমক নৌনা শেমদোক্লগনি।

**15.10.** শিনফম পায়রিবা (ইন-সর্ভিস) কলেজ অমসুং তাইবং-মহৈকোলগী ওজাশিংগী লেপ্পা লৈতনা শিনফমগী ওইনা ফগৎনবা থবক্তি হৌজিক লৈরিবা মহৈ-তম্ফমশিংগী ওইনা লৈরিবা শীল্লাংবগী মওংশিং অমসুং মথা চথরিবা থোঙথাংশিং অসিগী থুথাংদা অদুম্মক তৌথিগনি; মথোয়শিং অসিসু তীঙ ৱাংবা মহৈ-মশিং পুরক্লবগীদমক মথৌ তাবা হেন্না ফগৎলবা তাকপা-তম্বগী থৌ তারিবশিং অদু ফংনবগীদমক হেন্না মপাঙ্গল কনথৎহল্লগনি অমসুং শীংথানীংঙাই ওইনা পাকথোক-চাউথোকহল্লগনি। অতেনবা মতমগী মনুংদা ওজা ময়ামদা চৎন-থাক মান্নবা ট্রেনিং প্রোগ্রামশিং পীনবগীদমক, স্বয়ম/ডিকশা (SWAYAM/DIKSHA) গুম্বা ওনলাইনদা ওজাশিংবু ট্রেনিং পীনবা লৈরিবা শিনশালোনগী ফম্বাক (টেক্নোলোজি প্লেটফোর্ম) শিং শীজিন্ননবা পূক্লিং থৌগৎকনি।

**15.11.** তাইবং-মহৈকোল/কলেজ ওজাশিংদা অতেনবা মতমগী অমসুং মতম শাংনা লমজিং-লমতাক্কী ওইবা পাউতাক পীবা (মেন্টোরিং) পাম্বা/শিনফমগী ওইবা মতেং পীনীংবা - ভারতকী লোলশিংদা তাকপী-তম্বীবা ঙম্বা - থোইদোক-হেন্দোক্লা ফবা অহল ওইরবা/থবক্তগী পোথারবা ওজাশিং ময়াম অমা য়াওবা, লৈবাক্কী ওইনা লমজিং-লমতাক পীনবা মীশন (নেশনেল মিশন ফোর মেন্টোরিং) অমা লিংথৎলগনি।

## 16. মশিনগী ওইবা মহৈ তম্বগী থবকপু নৌনা ৱাথল শাগৎপা

**16.1.** চহী ১৯-২৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ভারতকী থবক শুবা মীশিং (ৱর্কফোর্স) গী য়াম্না পীকপা চাং অমথক (৫% য়ৌদনা) ফোর্মেল ভোকেশনেল ইডুকেশন (মশিনগী ওইবা মহৈ তম্বা) ফংই হায়না ১২ শুবা চহী মঙাগী থৌরাং (২০১২-২০১৭) না পাই। অমরোমদা লৈবাক থরা, মীং ওইনা পল্লবদা, য়ু এস এ দদি মশীং অসি ৫২% নি, জর্মনিদনা ৭৫%, অদুগা থা কোরিয়াদদি মসি ৯৬% য়ৌনা ৱাংই। মসিগী মশীংশিং অসিনা ভারত্তা মশিনগী মহৈ-মশিং তম্বীবগী থবক য়াম্না থুনা শন্দোকপগী মথৌ তারে হায়বদু অদুমক তাকচরে।

**16.2.** মশিনগী মহৈ-মশিং তম্বা (ভোকেশনেল ইডুকেশন) ফংবা মহৈরোয় মশীং য়াম্না য়ামদবগী মরু ওইবা মরমশিংগী মনুংদা অমদি হৌথিবা মতমদা মশিনগী মহৈ-মশিং তম্বগী থবক অসি অয়াম্বনা থাক/গ্রেড ১১-১২ দা অমসুং থাক/গ্রেড-৮ ফাওবা তম্লম্লগা লাইরিক তম্বা তোকখ্রবা কাঙবুদনা হেন্না মীৎয়েং থম্লম্বা, মদুগীসু মথক্তা মশিনগী নৈনচল (ভোকেশনেল সবজেক্ট) অমগা লোয়ননা থাক/গ্রেড ১১-১২ লান্থোরক্লবা মহৈরোয়শিং অদুনা মখোয়না থনজরিবা মশিন অদুদা হেন্না ৱাংবা মহৈ তমথনবগী তশেংবা লম্বী অমত্তা লৈরমদবা অসিনি। ময়ামগী ওইনা লৈরিবা হেন্না ৱাংথৎপা থাক্কী মহৈ তম্বগী মীং চনবগী তূপ্পৱা (ক্রাইটরিয়া) শিং অদুদসু মশিনগী মহৈ-মশিংগী থাক (ভোকেশনেল ইডুকেশন ক্কালিফিকেশন) ফংলক্লবা মহৈরোয়শিং অদুগী লম্বী অমত্তা পীবিরমদে, মখোয়বু 'মেনষ্ট্রিম' নৎত্রগা 'লাইরিক-লাইশুগী (একাডেমিক) ' ওইবা লমদা মহৈ তম্লকপা মরেং-মমান্নবশিংগা য়েংনবদা খুদোংচাদবা ফিভম অমদা থম্বীরম্মী। মসিনা মরম ওইদুনা, মশিনগী মহৈ-মশিং তম্লকপা মহৈরোয়শিংনা অৱাংবা থাক্তা কাখৎনবা লম্বী অমত্তা পীরমদে, হায়রিবা ৱারু অসি ইকুই কুইদনা ইং ২০১৩ দা নেশনেল স্কিল্স ক্কালিফিকেশন্স ফ্রেমৱর্ক (এন এস ক্যু এফ) অমা শেম্লগনি হায়দুনা লাউথোরকপা অদুদগী য়েংশিনবা হৌরে।

**16.3.** মশিনগী মহৈ-মশিং তম্বা (ভোকেশনেল ইডুকেশন) অসি ময়াম্না মপূং ওইনা তম্নরিবা মহৈ (মেনষ্ট্রিম ইডুকেশন) দগী থাক হন্থে হায়না লৌনৈ, অমসুং মসি অকোনবগী মথল অসি তম্বা ঙমদবা কাঙবুগীনি হায়না পাক-শন্না থন্নে। মসিগী ৱাথল অসিনা মহৈরোয়শিংনা নৈনচল (সবজেক্ট) থনবদা ফত্তবা ইথিল অমা পী। মসি অরুবা ৱাফম অমনি অমসুং তুংদা মহৈরোয়শিংদা মতৌ করম্না মশিনগী মহৈ-মশিং অসি তম্বীগদগে হায়বা ৱাফম অসিদা মপূং ফানা নৌনা ৱাথল শাগৎতুনা মসিবু কোকহন্নবা হোৎনগদবনি।

**16.4.** মশিনগী মহৈ-মশিং তম্ববু হন্থবা থাক্তা থুন্নাইনা থন্নরিবা অসি কোকহন্নবা থৌশিল অসিনা পান্দম থম্লি অমসুং মশিনগী মহৈ তম্বগী থৌরমশিং অসি মহৈ-তম্ফমশিংদা তাঙ্কক তাঙ্কক নাইনা ময়াম্না মপূং ওইনা তম্নরিবা মহৈ তম্বগী থবক (মেনষ্ট্রিম ইডুকেশনগা) অসিগা অমত্তা ওইনা পূনশিনবা চঙই। মিডল অমসুং সেকেণ্ডরি স্কুলগী থাক্তগী হৌরগা ঙন্না মশিনগী ওইবা লমদা থঙহনবা হৌরগা মগুন লৈবা মশিনগী মহৈ তম্বগী থবক অসি নীংথিজনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী থবক্তা (হাইয়র ইডুকেশনগা) পূনশিনগনি। মসিনা অঙাং খুদিংমক য়ামদ্রবদা মশিন অমদি শুংশোয়-শোয়দনা তমহনগনি অমসুং মহৈ ময়াম অমসু থঙহনগনি। মসিনা থূৎনা থবক শুববু ইকায়খুম্নবা অমসুং ভারতকী কলা অমসুং থূৎনা থবক শুবগী থবক তৌরিবা মীওইশিংবু মরু ওই হায়না থনবা হেনগৎহনগনি।

**16.5.** ইং ২০২৫ ফাওবদা স্কুল অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী কাঙলোন (হাইয়র ইডুকেশন সিষ্টেম) গী থুথাংদা য়ামদ্রবদা মহৈরোয়শিংগী চাদা য়াঙ্খৈ (৫০%) দি মশিনগী মহৈ তম্বগী থবক্কী (ভোকেশনেল ইডুকেশনগী) মরমদা থঙহল্লগনি, মদুগীদমক্তা ময়েক শেংলবা ফংগে হায়না থম্লিবা পান্দম অমসুং তৌগদবা থবক্কী য়াৎথোক্লবা মতম (টাইমলাইনশিং) য়াওবা ময়েক শেংলবা পাঙথোক্কদবা থবক্কী থৌরাং (এক্সন প্লান) অমা শেমদোক্কনি। মসি তুংকোইনা চৎনগদবা চাওথৎপগী পান্দম ৪.৪ (সষ্টেনেবল ডিভেলপমেন্ট গোল ৪.৪) গা মপা চানরিবনি অমসুং ভারতকী হেনগৎলক্লিবা মীশিংনা শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা পাংবা ঙম্বগী (ডিমোগ্রাফিক ডিভিডেণ্ড অদুগী) মপূং ফাবা মঙল অদু ফংবদা মতেং পাংগনি। জি ই আর গী ফংগে থম্লিবা পান্দম অদু ফংনবা হোৎনবদা মশিনগী মহৈ তম্লিবা মহৈরোয় মশীং অদু থন্নবদা য়াওগনি। লাইরিক-লাইশুগী ওইবা মতীং নৎত্রগা অতৈ অতৈ মতীংশিং অদু ফগৎহনবগা মশিনগী ওইবা মতীংশিং অদু ফগৎহনবগা অনীসি থূৎশন্নন চৎমিন্নগনি। মথংগী ডিকেদ (চহী ১০) অসিগী মনুংদা তাঙ্কক তাঙ্কক নাইবা মওংদা মশিনগী মহৈ তম্বগী থবক অসি সেকেণ্ডরি স্কুল পূম্নমক্তা তম্নবগীদমক পীরিবা হীরমশিংগী শরুক অমা ওইনা পূনশিল্লগনি। মসি ওইথোকপা য়ানবগীদমক

সেকেণ্ডরি স্কুল পূন্নমক্কা আই টি আই শিংগা, পোলিটেক্নিকশিংগা অমসুং লৈকায় লৈকায়দা লৈরিবা শিনশঙ (লোকেল ইণ্ডষ্ট্রি) শিংগা মতেং পীনগনি। হব এণ্ড স্পোক মোডেলদা (মশা-মরেং ময়াম অমা লৈবা তৌইগুম্বসুং ময়ামদু ময়ায় ওইবা মফম অমথক্কা লোইনা শম্নবা মওংদা), স্কুল অতৈনসু শীজিন্নবা য়াবগী থুদোংচাবা লৈবা মশিনগী ওইবা হৈশিংবগী চাংয়েং-তৌফমশিং (স্কিল লেবশিং) স্কুলশিংদা লিংথৎকনি। অৱাংবা থাক্কী মহৈকোলশিংদা মথোয় মশা মশাগী ওইনা নৎত্রগা শিনশঙ (ইণ্ডষ্ট্রি) অমসুং এন জি ও শিংগা পূল্লগা মশিনগী মহৈ তম্বগী অয়াবা লৈরগনি। ইং ২০১৩ দা হৌদোকখিবা বি. ভোক. (বেচলর ওফ ভোকেশনেল ইডুকেশন) ডিগ্রী অসি মথা তানা লৈথিগনি অদুবু বেচলর ডিগ্রী প্রোগ্রামশিংদা মীং চল্লবা মহৈরোয় পূন্নমক্তা, চহী-৪গী লৌশিংশা য়াম্বা (মল্টিডিসিপ্লিনরি) বেচলর্স প্রোগ্রামশিংগী য়াওনা, মশিনগী ওইবা (ভোকেশনেল) কোর্সশিংসু তম্বা ফংগনি। মী অমগা অতৈ মীওইশিংগা মায়-পাক্না অমসুং নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নবা য়ানবা হৈশিংবা (সোফ্ট স্কিলশিং) য়াওনা তোঙান তোঙানবা হৈশিংবা মথল কয়া তম্নবা অতেনবা মতমগী ওইবা হৈতাকচে (সর্টিফিকেৎ) কোর্স ময়াম অমা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-তক্ষমশিংদা হাংদোকপসু য়াহনগনি। 'লোক বিদ্যা' হায়বদি ভারত্তা শেমগৎচবা মরু ওইবা মশিনগী ওইবা লৌশিং কয়া ভোকেশনেল ইডুকেশন কোর্সশিংদা পূনশিন্দুনা মহৈরোয়শিংদা থঙহল্লগনি। ও ডি এল গী থুথাংদা ভোকেশনেল কোর্সশিং তম্বগী ওইথোকপা য়াবশিং লৈব্রা হায়বদুসু থিদোক্কনি।

**16.6.** মথংগী ডিকেদ (চহী ১০) অসিগী মনুংদা মশিনগী মহৈ তম্বগী থবক অসি স্কুল অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈকোলশিংদা তাঙ্কক নাইনা পূনশিল্লগনি। হৈ-শিংবা ৱাৎলিবা শরুক নৈনবা (স্কিল গেপ এনালিসিস) অমসুং মফম মফমগী ওইবা থুদোংচাবশিং থন্দোকপদা য়ুম্ফম ওইরগা মশিনগী মহৈ তম্বীবদা পূক্নিং চঙগদবা শরুক অদু থন্দোক্কনি। মসিগী থবক অসি য়েংশিন্নবগীদমক শিনশঙ (ইণ্ডষ্ট্রি) গা থূৎশম্নরগা, মশিনগী মহৈ তম্বীবগী লমদা হৈশিংলবা মীওইশিং অমসুং তোঙান-তোঙানবা পোংবশঙ (মিনিষ্ট্রি) শিংগী মীহুৎশিং য়াওবা, নেশনেল কম্মিটি ফোর ডি ইন্টিগ্রেশন ওফ ভোকেশনেল ইডুকেশন (এন সি আই ভি ই) হায়বা অমা মীওই লৌশিংথোক চাওথৎহনবা পোংবশঙ (মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্স ডিভেলপমেন্ট, এম ঐচ আর ডি) না শেমগনি।

**16.7.** ঙন্না মশিনগী মহৈ তম্বীবগী থবক পায়থৎপ্রবা মহৈকোলশিংনা, মশিনগী মহৈ তম্বীবগী থবক অসিগী মশা-মরেং হেন্না শন্দোকপদা মতেং পাংনবগীদমক, চৎনবা য়াবা অনৌবা মতৌ তম্নবা য়াবা ওংতম (মোডেল) শিং অমসুং থবকশিং থিদোক্লবা হোৎনগদবনি অমসুং মথোয়শিং অদু এন সি আই ভি ই না থল্লিবা কাঙলমশিংগী থুথাংদা অতৈ মহৈকোলশিংগা শরুক য়ামিন্নগদবনি। মশিনগী মহৈ তম্বীবগী তোঙান-তোঙানবা মতৌ তম্নবা য়াবা ওংতম (মোডেলশিং) শিং অমসুং মহৈ তম্বীবগী মওংশিংসু অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তক্ষমশঙশিংনা চাংয়েং তৌগনি। অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তক্ষমশঙশিংদা শিনশঙ (ইণ্ডষ্ট্রি) শিংগা তান্নরগা নৌনা মশিন পায়বা হৌগদবশিংগী মতেং পাংনবা মফম (ইনক্যুবেশন সেন্টর) শিং লিংথৎকনি।

**16.8.** নেশনেল স্কিল্স ক্বালিফিকেশন ফ্রেমৱর্ক (এন এস ক্যু এফ) অসি লৌশিংশা (ডিসিপ্লিন) গী, মশিনগী (ভোকেশনেল) অমসুং শিনফম থূদিংগী ওইনা মথা তানা মচা থায়না থমগনি। মথা তারকপদা মালেমগী শিন্মীশিংগী লূপ (ইন্টরনেশনেল লেবর ওর্গাইজেশন) না ঙাক্না চৎলিবা মালেমগী থাক্কী শিনফমশিংগী মথল থায়দোকপা (ইন্টরনেশনেল ষ্টেণ্ডর্ড ক্বালিফিকেশন ওফ ওকুপেশন্স) অদুগী কাঙলোনদা ভারতকী চৎন-থাক (ষ্টেণ্ডর্ড) শিং অসি লৈগনি। মসিগী থৌয়াৎৱা অসিনা মাঙজিল তমগদবা শরুক মশক থঙদোকপগী (রিকগনিশন ওফ প্রাইয়র লর্নিংগী) য়ুম্ফম ওইগনি। মসিগী থুথাংদা, মহৈ-তক্ষমদা চৎতুনা কাঙলোন নাইনা মহৈ তম্বা তোক্লবশিং অদু, থৌয়াৎৱা (ফ্রেমৱর্ক) অসিগী চানবা থাক্না মরী লৈননা মথোয়না থবক ওইনা থঙহৈরবা অদুগা মপা চান্ননা অমুক নৌনা পূনশিনগনি। মহৈরোয়শিংনা তম্বা লোইরক্লবা মহৈগী শরুক্তা য়ুম্ফম ওইবা থৌয়াৎৱা (ক্রেডিৎ-বেজড ফ্রেমৱর্ক) অসিনা 'ময়াম্না তম্নরিবা মহৈ (জেনরেল ইডুকেশন) ' অমসুং মশিনগী ওইবা মহৈ (ভোকেশনেল ইডুকেশন) তম্বগী থবক্তা হেন্না ৱাংবা থাক্তা কাথৎপদা মতেং পাংগনি।

## 17. অনৌবা লৈবাক্কী থিজিন-হুমজিনবা য়ুম্ফম (নেশনেল রিসর্চ ফাউণ্ডেশন) গী থুথাংদা হীরম পূন্নমক্তা মগুন লৈবা মহৈগী ওইবা থিজিন-হুমজিনবগী থবকপু মতেং পাংবা

**17.1.** অচৌবা, মতীং পানবা অমসুং মশা থীংবা শেল-থুমগী ফিভম (ইকোনোমি) অমা চাওথৎহনবা অমসুং হিংহন্দুনা থম্বদা, থুন্নাইবু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎপদা অমসুং লৈবাক অমবু হেন্না ৱাংনা কাথৎপা ঙম্নবা লেপ্তনা পূক্নিংগী থৌনা পীবদা লৌশিংগী লন শেমগৎপা অমসুং থিজিন-হুমজিনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। তশেংনা হায়রবদা, থ্বাইদগী নুংঙাই-য়াইফনা লৈরম্বা অরিবা সভ্যতাশিং (ভারত, মেসোপোতামিয়া, ইজিপ্ত অমসুং গ্রীস) অমসুং হৌজিক্কী মতমগী সভ্যতাশিং (য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, জর্মনি, সাউথ কোরিয়া অমসুং জপানগুম্বা) অসি মথোয় মথোয়গী সভ্যতা অদুথক্তা নত্তনা মালেমগী অতৈ সভ্যতাশিংবুসু হেন্না চাওথৎহল্লম্বা অমসুং ৱাংনা থাঙ্গৎহল্লম্বা চুপ্লৌ (সাইন্স) অমসুং ফিরেপলোন (আর্ট) গী লমদা, লোল অমসুং নাৎ-চৎনবীগী

লমদা শীংথানীংঙাই ওইবা অমসুং মরু ওইবা অনৌবা লৌশিংগী থুখাংদা ৱাখল-লৌশিংগী ওইবা অমসুং পোৎশক্কী ওইবা লন ময়াম অমা ফংথিবা, লৌশিংদা য়ুম্ফম ওইবা মপাঙ্গল কল্লবা থুন্নাইশিং ওইরম্মী/ওইরি।

**17.2.** ঙসিগী মালেমদা থোক্লিবা থোঙজেল য়াঙলবা অহোংবশিং, থূদম ওইনা, ঈশিং-নুংশিৎকী অহোংবা, মীশীং হেনগৎলকপগী মওং অমসুং মথোয়বু শীল্লাংবগী থবক, বাইওটেক্নোলোজি, অসুম পাকথোক্লক্লিবা ডিজিটেলগী কৈথেল (মার্কেৎ), অমসুং মেছিনগী মতেংনা মহৈ তম্বগী থবক হেনগৎলকপা অমসুং আর্টিফিশল ইন্টলিজেন্স (মীওইবগুম্না ৱাখল থনবা অমসুং থবক তৌবা ঙম্নবা শেমথ্রবা মেছিনশিংনা মীওই-ওইবগী লৌশিংগী মতৌ তম্বা) - অসি লৈরবনিনা মপাঙ্গল কল্লবা থিজিন-হুমজিনবগী হিংনশাইগোন (রিসর্চ ইকোসিষ্টেম) অমা লৈবা হায়বসি হান্নদগী হেন্না হৌজিক্লা মরু ওইরে। মসিগী য়াম্না থেন্ন-থেন্নবা হীরমশিং অসিদা লুচিংবা অমা ওইরক্নবগীদমক অমসুং লাক্কদৌরিবা চহী থরা অমসুং ডিকেদশিং (চহী ১০ ১০গী মতমশিংদা) মকোক থোংবা লৌশিংদা য়ুম্ফম ওইবা থুন্নাই অমা অমুক হন্না ওইনবগীদমক মশাগী পাক-শন্না লৈরিবা পীথোরক্লবা হৈশিংবগী পূক্কৈ অসিগী অশেংবা মতীক-ময়াই অদু তশেংনা ফংনবগীদমক, লৈবাক অসিনা তোঙান-তোঙানবা লৌশিংশাশিং (ডিসিপ্লিনশিং) দা থিজিন-হুমজিনবগী তৌবা ঙম্বা মঙলশিং অমসুং মদুদগী ফংলকপা লৌশিংগী পোথোকশিং অদু শীংথানিংঙাই ওইনা পাকথোক-চাউথোকপা মথৌ তাগনি। ঙসিদি লৈবাক অমগী শেল-থুমগী, লৌশিংগী, থুন্নাইগী, অকোইবগী ফিভমগী অমসুং শিনশালোন (টেক্নোলোজি) গী ফিভম ফগৎনবা অমসুং চাওথৎনবগীদমক থিজিন-হুমজিনবগী থবক অসি হান্নদগী য়াম্না হেন্না মরু ওইরে।

**17.3.** থিজিন-হুমজিনবগী থবক অসি অসুক য়াম্না মরুওইরবসু, থবক অসিদা অমসুং অনৌবা পোৎ পুথোক্লবগী লমদা হৌজিক হৌজিক ভারতনা থাদরিবা শেনফম অসি জি ডি পি গী চাদা ০.৬৯% থক্তনি, অদুগা মসিগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগীনা ২.৮%নি, ইজরেলগীনা ৪.৩% নি অমসুং থা-কোরিয়াগীনা ৪.২% নি।

**17.4.** ঙসি ভারতনা মায়োক্নবা তারিবা থুন্নাইগী শীংনবশিং, থূদম ওইনা, মীপুম থুদিংমক্তা অরুবা থক্লবা ঈশিং অমসুং লূ-নানবগী ফিভম ফংহনবা, অফবা মগুন লৈবা মহৈ-মশিং তম্বা অমসুং হকশেলগী চেকশিন-থৌরাং ফংহনবা, হেন্না ফবা চথোক-চৎশিনগী পাম্বৈ ফংহনবা, অফবা অশেংবা নুংশিৎ ফংহনবা, মতীক (ইনর্জি) ফংহনবা অমসুং অফবা মচাক-মথুম (ইনফ্রাষ্ট্রকচর) ফংহনবা হায়রিবা ময়ামসি কোকহন্নবগীদমক, থ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী চুল্লৌ অমসুং শিনশালোননা (সাইন্স এণ্ড টেক্নোলোজিনা) পীবথক্তা নত্তনা, থুন্নাই চুল্লৌ (সোশিয়ল সাইন্স) অমসুং তাইবংলোন (হ্যুমেনিটিজ) অমসুং লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা থুন্নাইগী অমদি নাৎ-চৎনবী অমসুং অকোইবগী ঈশিং-নুংশিৎকী ফিভমদা মরা তাশিন্দুনা লৈরবা থৌওংশিং অমসুং ৱারোইশিনশিং অদু, থবক্তা ওন্থোকপা মথৌ তাই। শীংনবশিং অসি মায়োক্লনবা অমসুং কোকহন্নবা হোৎনবদা ভারতকী মনুংদা চথবা লৌশিংশা কয়াগী ওইবা অৱাংবা থাক্কী থিজিন-হুমজিনবগী থবক মথৌ তাগনি অমসুং ইচম চম্না মপান্দগী পুশিল্লকপা য়ারোই; মশানা মশাগী থিজিন-হুমজিনবগী থবক তৌবা ঙম্বা অসিনা লৈবাক অমনা ইরায় লায়না মপান লৈবাকশিংদগী মরী লৈনবা থিজিন-হুমজিনবগী থবকশিং লৌশিনবা অমসুং শেমদোকপা ঙমহল্লি।

**17.5.** মখা তারকপদা, থুন্নাইগী ওইবা অরুবা ৱাথোকশিংগী ৱারোইশিন পুরকপদা মথোয়না পীরিবা কান্নবা অদুগী মথক্তা, লৈবাক অমগী মশকপু থাক ৱাংনা পুখৎপা, পূক্লিং-ৱাখলগী/ লৌশিংগী অপেনবা অমসুং অনৌবা পোৎশকশিং শেমগৎ-শাগৎপা হায়বসিসু অয়াম্বদি লৈবাক্তুগী পুৱারী, ফিরেপলোন (আর্ট), লোল অমসুং নাৎ-চৎনবীগী থুখাংদগী ঙম্মী| মরম অসিনা লৈবাক অমনা চাওখৎপা অমসুং ৱাখল-লৌশিংগী মঙাল ফংলবা লৈবাক অমা ওইগে হায়রবদি ফিরেপলোন অমসুং তাইবংলোন (আর্টস এণ্ড হুমেনিটিজ) গী লমদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক তৌবা লোয়ন-লোয়ননা চুল্লৌ (সাইন্স) অমসুং সোশিয়ল সাইন্সকী (থুন্নাই চুল্লৌশিংগী) লমদা অনৌ-অনৌবা পুথোকপা হায়বসি য়াম্না মরুওই|

**17.6.** ভারতকী মহৈকোলশিংদা, মরুওইনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্বগী থবক তৌরিবশিংদা, থিজিন-হুমজিনবগী থবক তৌবা অমসুং অনৌবা পুথোকপা হায়বসি মরুওই| পুৱারীগী শাংলবা পরীংদা লৈখিবা মালেমগী থ্বাইদগী ফবা তাইবং-মহৈকোলশিংদগী ফংবা থূদম-চাংদম্না উৎলি মদুদি অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী থাক্তা থ্বাইদগী ফজনা তম্বীবা অমসুং মহৈ তম্বগী থবক তৌবা হায়বসি থিজিন-হুমজিনবগী অমসুং লৌশিং শেমগৎপগী মপাঙ্গল কল্লবা চৎনবী লৈবা মফমদতা থোকই; মদুগী ওন্ন-তৈনবদনা মালেমগী থ্বাইদগী ফবা থিজিন-হুমজিনবগী থবকশিংদি লৌশিংশা য়াম্বা তাইবং-মহৈকোলশিং (মল্টিডিসিপ্লিনরি য়ুনিভর্সিটিশিং) লৈবা মফমদা থোকই।

**17.7.** চুল্লৌ (সাইন্স) অমসুং অঙ্কদগী হৌরগা, ফিরেপলোন (আর্ট) অমসুং থোরীরোল, ফোনেটিক্স (লোন্মীৎলোনদা/লিঙ্গুইষ্টিক্সতা থোন্থোক পুথোকপগী নৈনরোল) অমসুং লোনগী মরমদগী হৌরগা হীদাক-লাংথক অমসুং লৌউ-শিংউবা হায়রিবা লৌশিংশা (ডিসিপ্লিন) ময়াম অসিদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক অমসুং লৌশিংগী লন শেমগৎপগী

শাংলবা পুৱারীগী ওইবা ভারতকী চৎনবী অমা লৈ। মপাঙ্গল কল্লবা অমসুং মঙাল ফংলবা লৌশিংগী থুন্নাই অমা ওইহন্নবা অমসুং মালেমগী থ্বাইদগী চাউবা শেল-থুমগী ফিভম ফরবা লৈবাক অহুমগী মনুংদা অমা ওইনা, ২১শুবা চহীচা অসিদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক অমসুং অনৌবা পুথোকপগী লমদা ভারতনা মকোক থোংবা লৈবাক অমা ওইনবগীদমক মসিগী লিরবা চৎনবী অসি মথা তানা মপাঙ্গল কনথৎহনবা মথৌ তাই।

**17.8.** মতৌ অসুম্না, ভারতকী থিজিন-হুমজিনবগী থবক অসিগী মতীক-ময়াই অমসুং চাং অসি হোংদোক্নবগী মপূং ফারবা থৌওং অমা চথনবা থৌশিল অসিনা মীৎয়েং থম্লি। মসিদা, স্কুল থাক্কী মহৈ তম্বীবগী থবক অসি চুম্লৌশিংগী ওইবা থৌদৌ (সাইন্টিফিক মেথড) অমসুং লুথনা ৱাথল থনবা ঙম্বা (ক্রিটিকেল থিঙ্কিং) হায়বসিদা হেন্না পূক্নিং চঙবগা লোয়ননা শান্ন-থোৎনবা অমসুং অনৌ- অনৌবা পুথোকপদা য়ুম্ফম ওইবা মহৈ তম্বগী মওংদা হেন্না চঙশিনবরোমদা ময়েক শেংনা অহোংবা পুরকপা হায়বসি য়াওরি। মসিদা, মহৈরোয়শিংগী অপাম্বা অমসুং মপোক্কী পীথোরকপা হৈশিংবশিংগী মশক থঙদোক্লগা স্কুলশিংদা মথোয়না মথা তমথগদবা হীরমগী মতাংদা পাউতাক পীবা (কেরিয়র কাউন্সেলিং তৌবা), তাইবং-মহৈকোলশিংদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক তৌববু য়োকথৎপা, অৱাংবা থাক্কী মহৈকোলশিংবু লৌশিংশা-য়াম্বা ওইহনবা অমসুং মপূং ফাবা মহৈ তম্বা হায়বসিদা হেন্না লূম্না লৌবা, অণ্ডরগ্রেজুয়েৎ তম্ব-হীরমদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক অমসুং ইন্টর্নশিপ হাপচিনবা, থিজিন-হুমজিনবগী থবক তৌববু লূম্না লৌবা ওইবা ওজাশিংগী থবক্কী শিন্দোক-শিজিন তৌবগী কাঙলোন (কেরিয়র মেনেজমেন্ট সিষ্টেম) শিং অমসুং থিজিন-হুমজিনবগী অমদি অনৌবা পুথোকপা থবক্কী অকোয়বগী ফিভম লৈহনববু পূক্নিং থৌগৎপা, অমসুং ঙাক্নলোনগী (গভর্নান্সকী) অমদি চৎন-কাঙলোন ইলহনবগী (রিগুলেটরিগী) অহোংবশিং য়াওরি। হায়রিবশিং অসি লৈবাক অসিদা থিজিন-হুমজিনবগী ৱাথল্লোন অমা শেমগৎপদা য়াম্না থীনা মরুওই।

**17.9.** অসিগুম্বা তোঙান-তোঙানবা মচাকশিং অসিবু পুল্লপ পূনশিল্লগা হেন্না ফবা ফিভম অমা শেমগৎনবা অমসুং অদুম্না তৌরগা লৈবাক অসিগী হেন্না মতীক-ময়াই চেল্লবা থিজিন-হুমজিনবগী থবক তশেংনা চাওথৎনবা অমসুং মদুদা মতেং পাংনবা, থৌশিল অসিনা লৈবাক্কী থিজিন-হুমজিন্নবা থবক্কী য়ুম্ফম (নেশনেল রিসর্চ ফাউণ্ডেশন, এন আর এফ) অমা লিংথৎনবা মীৎয়েং থম্লি। এন আর এফ কী পূম্নমকপু কোনশিল্লিবা পান্দমদি ঐথোয়গী তাইবং-মহৈকোল পূম্নমক শীনবা থুংনা য়ৌগদবা চৎনবী অমা লৈবা ঙমহনবা অদুনি। অথন্ননা, থোইদোক-হেন্দোক্লা ফবা থিজিন-হুমজিনবগী থবক নীংথিনা চথবা ঙমদবা মীয়ামগী মহৈকোল (পব্লিক ইন্সটিট্যুশন) শিংদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক হৌনবা অমসুং চাওথৎহন্নবা, নেশনেল রিসর্চ ফাউণ্ডেশন অসিনা অফবদা (মেরিৎতা) য়ুম্ফম ওইবা অদুবু চাং মান্নবা মওংদা মমান্নবনা য়েংশিল্লগা থিজিন-হুমজিনবগী থবক্কী শেল থাদবগী (পিয়র রিভিউড রিসর্চ ফণ্ডিংগী) থবক তৌনবা থাজবা য়াবা য়ুম্ফম অমা নেশনেল রিসর্চ ফাউণ্ডেশননা পীগনি। নেশনেল রিসর্চ ফাউণ্ডেশননা হীরম খুদিংমক্তা হিদান্নবগী মওংদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক্তা শেল থাদগনি। মায়-পাক্লবা থিজিন-হুমজিনবগী থবকপু শক থঙগনি অমসুং লৈঙাক্কী এজেন্সিশিংগা লোয়ন-লোয়ননা শিনশঙ (ইণ্ডষ্ট্রি) অমদি লন্নাই/লৈত-লায়রশিংগী তেংবাঙ লূপশিংগা নকশিন্না মরী লৈনরগা, চানবা মফমদা থবক ওইনা ওন্থোক্কনি।

**17.10.** হৌজিক হৌজিক থাক থরদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক্তা শেল থাদরিবা মহৈকোল থরা, থূদম ওইনা, ডিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এণ্ড টেক্নোলোজি (ডি এস টি), ডিপার্টমেন্ট ওফ এটোমিক ইনর্জি (ডি এ ই), ডিপার্টমেন্ট ওফ বাইওটেক্নোলোজি (ডি বি টি), ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ এগ্রিকলচরেল রিসর্চ (আই সি এ আর), ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেডিকেল রিসর্চ (আই সি এম আর), ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ হিষ্টরিকেল রিসর্চ (আই সি ঐচ আর) অমসুং য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিশন (য়ু জি সি) লোয়ন-লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা লন্নাইগী অমসুং লৈত-লায়রশিংগী তেংবাঙ লূপশিংনা মথোয়গী হেন্না মরুওইবা অমসুং মথৌ তাবশিংগী মতুং ইন্না মনীং তম্না থিজিন-হুমজিনবগী থবক্তা শেল থাদবগী থবক মথা চথখিগনি। অদুম ওইনমক, পূনশিল্লগা হেন্না ফবা থবক তৌনবা অমসুং হোৎনরিবশিং অমুক হনজিন্নদনবা, নেশনেল রিসর্চ ফাউণ্ডেশননা অতৈ শেল থাদরিবা (ফণ্ডিং) এজেন্সিশিংগা চেকশিন্না তেংবাঙ পীনগনি অমসুং সাইন্স ইঞ্জিনিয়রিং অমসুং অতৈ একাডেমিশিংগা পূন্না থবক তৌমিন্নগনি। হীরম কয়াদা থ্বাইদগী ফবা থিজিন-হুমজিল্লোয়শিং অমসুং অনৌবা পোৎ পুথোকপা মীওইশিং (ইন্নোভেটরশিং) য়াওবা বোর্ড ওফ গভনরশিংনা, লৈঙাক্কী মথা পোন্দনা, নেশনেল রিসর্চ ফাউণ্ডেশন অসিবু ঙাক-শেনবগী থবক তৌগনি।

**17.11.** নেশনেল রিসর্চ ফাউণ্ডেশন (এন আর এফ) গী মরুওইবা থবকশিংদি

(অ) মথল খুদিংমক্কী অমসুং হীরম কয়াদা হিদান্নবা মওংদা, মমান্নবনা য়েংশিল্লবা শেন্থং পীনবা হৌদোরকপা ৱাফমশিং (পিয়র রিভিউড গ্রান্ট প্রোপোজেলশিং) অদুদা শেনফম (ফণ্ড) থাদবা;

(আ) মহৈ-তম্ফম খুদিংমক্তা, মরুওইনা হৌজিক হৌজিক থিজিন-হুমজিনবগী থবক্কী মমী তম্বা হৌরকপদা ঙায়রিবা তাইবং-মহৈকোল অমসুং কলেজশিংদা, মথোয়বু নীংথিনা লমজিং-লমতাক পীরিবা থিজিন-হুমজিনবগী থবক্কী মরু হুনবা, চাওথৎহনবা অমসুং মতেং পীবিবা;

(ই) রিসর্চ স্কোলর (থিজিন-হুমজিল্লোয়) শিংবু থূদক্কী ওইবা য়াম্না থুবা থিজিন-হুমজিনবগী থবক্কা মরী লৈনবা ৱারুশিং (নেশনেল রিসর্চ ইশুস) লেপ্তনা থঙহন্নবা; অমসুং থৌশিল শেম্বশিং (পোলিসি মেকরশিং) বু থিজিন-হুমজিনবদগী ফংলকপা থ্বাইদগী নৌবা ৱাফমশিং থঙহন্নবগীদমক, নৌনা ফংলকপা ৱাফমশিং অদুবু নীংথিজনা থৌশিলদা পুশিল্লক্লবা অমসুং/নৎত্রগা থৌশিলশিং অদুবু থবক ওইনা পাঙথোক্লকপদা শীজিন্ননবা থিজিন-হুমজিল্লোয়শিংগা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী মশাশিং অমদি শিনশঙ (ইওস্ত্রি) গা অফবা মরী থম্নবা থবক তৌবা; অমসুং

(ঈ) থোইদোক-হেন্দোক্লা ফরবা থিজিন-হুমজিনবগী থবক অমসুং থুমাং-চাওশিনববু শকথঙবা

## 18. অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী চৎন-কাঙলোন ইলহনবগী মওং হোংদোকপা

**18.1.** অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী চৎন-কাঙলোন ইলহন্নবা হোৎনবগী থবক অসি চহী ডিকেড কয়া (চহী ১০, ১০ গী মতমশিং) অসিদা য়াম্না নাতৈ চাদবা থবক ওইদুনা লাক্লি; ইকান কান্নদবদা চৎন-কাঙলোন ময়াম অমা ইলহন্নবা হোৎনবা য়াবা হোৎনখরে। হোংদোক-হোংজিন য়াদবা (মেকানিষ্টিক ওইবা) অমসুং মীঙোন্দা মঙল পীদবা চৎন-কাঙলোন ইলহন্নবা হোৎনবগী মওং অসিদা থূৎপু (বোডি) থরথক্কী মথূৎতা মঙল পূন্নমক লৈবগুম্বা, থূৎপুশিং অদুগী মরক্তা অপাম্বা থেন্নরকপা অমসুং থৌদাং লৌবগী থবক (একাওন্টেবিলিটি) ৱাৎপা অসিনচিংবা অরুবা ৱাফম ময়াম অমা লৈ। অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী লম (হাইয়র ইডুকেশন সেক্টর) অসি নৌনা থৌনা-পাঙ্গল হাপ্লবা অমসুং ফজনা চাওথৎপা ওইনবা, চৎন-কাঙলোন ইলহন্নবগী মওং অসি মপূং ফানা য়েংশিল্লগা শেমদোকপা অমা মথৌ তারি।

**18.2.** মথক্তা পনখ্রিবা ৱারুশিং (ইশুশিং) অসি কোকহন্নবগীদমক চৎন-কাঙলোন ইলহনবগী, মশেক তাক্লবগী (এক্রিডিটেশনগী), শেল থাদবগী (ফণ্ডিংগী) অমসুং (মহৈগী চৎন-থাক অমা লেপ্নবগী (একাডেমিক ষ্টেণ্ডর্ড সেট্টিংগী) তোপ-তোপ্পা মথৌশিং অসি, অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী চৎন-কাঙলোন ইলহনবগী কাঙলোন (হাইয়র ইডুকেশনগী রিগুলেটরি সিষ্টেম) অসিগী মতুং ইন্না, তোপ- তোপ্পা, মনীংতম্বা অমসুং মতীক পীরবা লূপশিং (ইম্পাৱর্দ বোডিশিং) দা তৌহনগনি। মসিগী থবক অসি, কাঙলোন অসিগী মনুংদা অমনা অমদা কা হেন্না থূৎ থিংজিনহন্দনবা (চেক এণ্ড বেলেন্স তৌননবা), মোৎ মান্নদবগী চয়েৎনবা হন্থহন্নবা অমসুং কনাগুম্বা থরগী মথূৎতা মঙম হেন্না লৈথিদনবা, য়াম্না তঙাইফদবনি হায়না থন্নে। তঙাইফদবা মথৌ মরি অসি পাঙথোক্লিবা মহৈকোলগী শাওঙ (ষ্ট্রকচর) মরি অসি মান্নবা পান্দমশিং ফংনবা মনীংতম্না অমসুং, অদুবু মতম অদুমক্তদা পূন্না শুংশোয়-শোয়দনা থবক তৌমিন্ননবগীদমক, হায়রিবা শাওঙ ষ্ট্রকচর মরি অসি হাইয়র ইডুকেশন কম্মিশন ওফ ইন্দিয়া (এচ ই সি আই) হায়বা অপূনবা মহৈ-লোয়শঙ (অম্ব্রেলা ইন্সটিট্যুৎ) অমথক্কী মথাদা লৈবা মনীংতম্বা য়ূম্বী মরি ওইনা শেমগৎকনি।

**18.3.** হাইয়র ইডুকেশন কম্মিশন ওফ ইন্দিয়া (এচ ই সি আই) গী অহানবা য়ূম্বী অদুদি নেশনেল হাইয়র ইডুকেশন রিগুলেটরি কাউন্সিল (এন এচ ই আর সি) অসিনা ওইগনি। মসিনা ওজা ওইবগী মহৈ তম্বগী থবক (টিচর ইডুকেশন) য়াওনা, অদুগা হীদাক-লাংথক্কী অমসুং আইনগী ওইবা মহৈ তম্বগী থবক্তি (মেডিকেল এণ্ড লিগেল ইডুকেশনদি) য়াওদনা (অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী লম (হাইয়র ইডুকেশন সেক্টর) গী ময়ামগী ওইবা অমসুং অমত্তা ঙায়রবা চৎন-কাঙলোন ইলহন্নবা থবক তৌগনি, অসুম্না হৌজিক হৌজিকমক চথরিবা চৎন-কাঙলোন ইলহনবগী মওংশিংদা থবক হনজিন্না তৌবগী (ডুপ্লিকেশনগী) অমসুং অমগা অমগা ঈ-পাও ফাওনবা ৱাৎপগী থবকশিং অদু চৎন-কাঙলোন ইলহন্নবা লৈবা এজেন্সি (রিগুলেটরি এজেন্সি) ময়াম অসিনা মাঙহল্লগনি। মসিদা হৌজিক লৈরিবা এক্টশিং অসি অমুক হন্না য়েংশিনবা অমসুং চৎনহন্দবা মথৌ তাই অমসুং মসিগী পান্দম অমথক লৈবা চৎন-কাঙলোন (সিঙ্গল পোইন্ট রিগুলেশন) অসি চৎনহনবা ঙম্নবা হৌজিক লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা চৎন-কাঙলোন ইলহন্নবা লৈবা লূপ (রিগুলেটরি বোডি) শিং অসি নৌনা অমুক শেমদোকপা চঙই। 'ইয়াংদি য়াংবা অদুবু চেকশিন্না ইন্দবদি য়াদবা' অমসুং লায়থোকহনবা মওংদা চৎন-কাঙলোন ইলহনবগী থবক তৌনবগীদমক নেশনেল হাইয়র ইডুকেশন রিগুলেটরি কাউন্সিল (এন এচ ই আর সি) লিংথৎকনি, হায়বদি মরুওইবা ৱাফম থরা, মরুওইনা শেল-থুমগী চুম্না শীজিন্নবা, নীংথিনা য়েংশিন-খোৎচিন তৌবা অমসুং শেল-থুমগী ৱারোলশিং ওডিৎশিং (শেল থুমগী মরমদা য়েংশিনবগী থবকশিং), থৌরমশিং, চঙদবা য়াদবা শেমগৎ-শাগৎপগী মচাক-মথুমশিং (ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং), ওজাশিং/ওফিসকী থবক তৌরিবা মীশিং (ফেকল্টি/ষ্টাফ), তম্নবা কোর্সশিং অমসুং মহৈ-মশিং তম্বগী পোলোইগী মহৈ (ইডুকেশনেল আউটকম) শিং অদু মপূং ফানা ওনলাইন অমসুং ওফলাইনদা ফোঙদোকপগী থবক অসি নীংথিনা চৎন-কাঙলোন নাইনা তৌরগনি হায়বনি। মসিগী অকূপ্পা ৱারোলশিং অসি, এন এচ ই আর সি না থম্বা মীয়ামগী ৱেভসাইটশিংদা অমসুং মহৈকোলশিংগী ৱেভসাইটশিংদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মহৈকোল (হাইয়র ইডুকেশন ইন্সটিট্যুশন) থুদিংমক্লা ফংহনগদবনি অমসুং মতম মতমগী মতুং ইন্না শেমদোক্কদবনি অমসুং চপ চপ চানা থমগদবনি। মীয়ামদা থল্লিবা ঈ-পাওশিং অদুগা মরী লৈননা পোন্থারোয়শিং (ষ্টেকহোল্ডরশিং) না অমসুং অতৈনা থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎ নৎত্রগা পেন্দবশিং অদু এন এচ ই আর সি না

ৱায়েনগনি। চাং নাইনা থন্নবা ৱাফম (ইনপুৎ) শিং ফংনবগীদমক ঐ চ ই আই থুদিংদা, হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবশিং য়াওনা চোইনা খোল্লবা মহৈরোয়শিংদগী ওনলাইনদা ফিডবেক (হায়নীংবা ৱারোল) লৌগনি।

**18.4.** অসিগুম্বা চৎন-কাঙলোন ইলহনবগী থবক অসিগী মপূং ওইবা কাঙলমদি মশেক তাকপনা (এক্রিডিটেশনন‌া) ওইগনি। মরম অসিনা ঐ চ ই সি আই গী অনীশুবা য়ূম্বীদি ‘নেশনেল এক্রেডিটেশন কাউন্সিল (এন এ সি) ’ কৌবা ‘মেটা-এক্রিডেটিং বোডি ’ অমনা ওইগনি। মহৈকোলশিং মশেক তাকপগী (এক্রেডিটেশন তৌবগী) থবক অসি মপূং ওইনা তঙাইফদবা চৎন-পথাপ (বেসিক নোর্ম) শিং, মশানা মীয়ামদা ফোঙদোরকপা ৱারোল (পব্লিক সেল্ফ ডিসক্লোজর), নীংথিনা ঙাক-শেন্দুনা চলাইবা (গুড গভর্নান্স), অমসুং পোলোইগী মহৈ (আউটকম) শিংদা য়ুল্ফম ওইগনি, অমসুং মদু এন এ সি না য়েংশিন-খোৎশিন তৌবা মহৈকোলশিংবু মশেক তাক্লবগী (এক্রেডিৎ তৌনবগী) মনীংতম্বা হিংনশাইগোন (ইকোসিষ্টেম) অমনা তৌগনি। শকখঙলবা মশেক-তাক্লখূৎ (এক্রেডিটর) অমা ওইনা মথৌ তৌবগী থবক অসি এন এ সি না চপ চাবা মহৈকোল থরদা শিন্নগনি। অতেনবা মতমগী মনুংদা, ফংগে থন্না থমথিবা তীঙগী থাক অদু ফংনবা, মশানা মরোমদোম চলাইজবা ঙম্বা অমসুং মনীংতম্বা ফিভম ফংবা ঙম্নবা, ঐ চ ই আই পূম্নমক্কী তাঙ্কক তাঙ্কক্কী ওইবা খঙন-থাক (বেঞ্চমার্ক) শিং শেমদোক্তুনা থমগদবা থাক থাক নাইবা মশেক তাকপগী (এক্রেডিটেশন তৌবগী) মপাঙ্গল কল্লবা কাঙলোন অমা লিংখৎলগনি। মদুগী মতুং তারকপদা, ঐ চ ই আই পূম্নমক্না মথোয়গী মহৈকোল চাওখৎনবা থৌরাংশিং (ইন্সটিট্যুশনেল ডিভেলপমেন্ট প্লান্স, আই ডি পি শিং) গী খুত্থাংদা, মথংগী চহী ১৫ গী মনুংদা মশেক তাকপগী (এক্রেডিটেশনগী) থ্বাইদগী ৱাংবা থাক অদু ফংনবা পান্দম থমগনি অমসুং অদুম্না তৌদুনা মশা মতোমতা চলাইজবা ডিগ্রী পীবা ঙম্বা মহৈকোলশিং/ক্লষ্টরশিং ওইনা থবক তৌবা ঙম্নবা পান্দম থমগনি। মমৈথংদদি মশেক তাকপগী থবক অসি, মালেমগী ওইনা লৈরিবা চৎনবীশিংগী মতুং ইন্না মতম অমত্তদা মফম অনীদগী মশেক তাক্লবা/এক্রেডিটেশন ফংলবা (বাইনরি প্রোসেস) ওইগনি।

**18.5.** ঐ চ ই সি আই গী অহুমশুবা য়ূম্বী অদুদি মহৈকোলশিংনা শেমজবা মহৈকোল চাওখৎনবা থৌরাংশিং (ইন্সটিট্যুশনেল ডিভেলপমেন্ট প্লান্স, আই ডি পি শিং) য়াওবা অমসুং মথোয়বু থবক ওইনা পাঙথোকপগী থুমাং-চাওশিনবদু য়াওনা মনুং-মপান ফাওনা উবা ঙম্বা তূপ্নৱা (ট্রান্সপরেন্ট ক্রাইটরিয়া) দা য়ুল্ফম ওইদুনা হাইয়র ইডুকেশন গ্রান্টস কাউন্সিল (ঐ চ ই জি সি) অসিনা ওইগনি। ঐ চ ই জি সি দা স্কোলরশিপশিং পীবা অমসুং অনৌবা মীৎয়েং চঙগদবা মফম শেমগৎপা অমদি অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মহৈকোল (হাইয়র ইডুকেশন ইন্সটিট্যুশন, ঐ চ ই আই) শিংদা নৌনা মীৎয়েং থাদগদবা হীরমশিং হৌদোক্লবা অমসুং তীঙ অৱাংবা থবক-থৌরম (প্রোগ্রাম) শিং হেন্না তমহন্নবা চাওখৎ-থৌরাংগী ওইবা শেল থাদবগী থবক শিন্নগনি।

**18.6.** হাইয়র ইডুকেশন কম্মিশন ওফ ইন্দিয়া (ঐ চ ই সি আই) গী মরিশুবা য়ূম্বী অদুদি ‘গ্রেজুয়েৎ অমদা চেনগদবা মতীক-ময়াইশিং (গ্রেজুয়েৎ এট্রিব্যুটস) ’ হায়নসু হায়নবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্বগী থৌরমশিং (হাইয়র ইডুকেশন প্রোগ্রামশিং) গী ওইবা য়াই হায়না থনবা মহৈ তম্বা লোইরকপগী পোলোইগী ফলশিং অদুবু শেম-শাগদবা জেনরেল ইডুকেশন কাউন্সিল (জি ই সি) হায়বদুনি। জেনরেল ইডুকেশন কাউন্সিল (জি ই সি) না নেশনেল হাইয়র ইডুকেশন ক্বালিফিকেশন ফ্রেমৱার্ক (এন ঐ চ ই ক্যু এফ) অমা শেমগনি অমসুং মসিনা মশিনগী ওইবা মহৈ-মশিং (ভোকেশনেল ইডুকেশন) বু অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং (হাইয়র ইডুকেশন) গা পূনশিনবদা লায়থোকহন্নবগীদমক নেশনেল স্কিল্স ক্বালিফিকেশন ফ্রেমৱর্ক (এন এস ক্যু এফ কা পূন্না থবক তৌগনি। ডিগ্রী অমা/ডিপ্লোমা অমা/হৈতাকচে (সর্টিফিকেৎ) অমা ফংগদবা অৱাংবা থাক্কী মহৈগী থাক (ক্বালিফিকেশন) শিং অদুদি এন ঐ চ ই ক্যু এফ না অসিগুম্বা মহৈ তম্বা লোইরকপগী পোলোইগী মহৈশিং অদুগী মওং য়েংলগা মশক তাক্কনি। মদুগীসু মথক্তা ক্রেডিৎ ট্রাফর (মহৈরোয়শিংনা ফংলকপা মহৈ তম্বগী থাক অদু পুদুনা লাকপা), মান্নবা থাক য়েংথোকপা অসিনচিংবা ৱারু (ইশুশিং) বু মতেং পাংনবগীদমক এন ঐ চ ই ক্যু এফ কী খুত্থাংদা জি ই সি না ময়াম্না য়ানরবা কাঙলোন শেমগৎকনি। ২১ শুবা চহীচাগী হৈশিংবা কয়াগা লোয়নরবা হীরম খুদিংদা খঙ-হৈরবা মহৈরোয়শিং পুথোক্লবগী পান্দমগা লোয়ননা, মথোয়না মহৈ তম্লঙৈদা মহৈরোয়শিংনা হৈগদবা অকক্লবা হৈশিংবশিং অদু করি করিনো হায়বদু ময়েক শেংনা মশক খঙদোকপগী থবক জি ই সি দা শিন্নগনি।

**18.7.** ইন্দিয়ন কাউন্সিল ফোর এগ্রিকলচরেল রিসর্চ (আই সি এ আর), ভেটরিনরি কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (ভি সি আই), নেশনেল কাউন্সিল ফোর টিচর ইডুকেশন (এন সি টি ই), কাউন্সিল ওফ আর্কিটেকচর (সি ও এ), নেশনেল কাউন্সিল ফোর ভোকেশনেল ইডুকেশন এণ্ড ট্রেনিং (এন সি ভি ই টি) অসিনচিংবা শিনফমগী ওইবা কাউন্সিলশিং অসিনা প্রোফেশনেল ষ্টেণ্ডর্ড সেট্টিং বোডি (পি এস এস বি) শিং ওইনা থবক তৌগনি। মথোয়না অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী কাঙলোন (হাইয়র ইডুকেশন সিষ্টেম) দা মরু ওইবা থৌদাং অমা লৌগনি অমসুং জি সি ই দা মেম্বরশিং ওইবীনবা হায়দুনা হায়গনি। প্রোফেশনেল ষ্টেণ্ডর্ড সেট্টিং বোডিশিং ওইনা, তম্ন- হীরম (করিক্যুলম) শিং শেম্বদা, মহৈগী চৎন-থাকশিং (একাডেমিক ষ্টেণ্ডর্ডশিং) ইথোক্তুনা থম্বদা অমসুং মহৈ তম্বীবদা, থিজিন-হুমজিনবগী থবক তৌবদা অমসুং মথোয় মথোয়গী লম/হীরম অদু পাকথোক-চাউথোকপদা মতেং পীগনি। মতৌ অসুম্না, পি এস এস বি শিং অসিনসু মতৌ তম্বগী অমসুং থবক ওইনা তৌবগী অকক্লবা হীরম থরদা

য়ৌহন্নীংবা থাক নৎত্রগা ওইহন্নীংবা থরদি শেমদোক্তুনা থমগনি, অদুবু মথোয় চৎন-কাঙলোন ঙাক্না চৎহন্নবগী থৌদাংদি অমত্তা লৈরোই। ঐচ ই আই পূন্নমক্না, অতৈ ৱাফম কয়াগী মরক্তা, হায়রিবা থাকশিং অসিগা য়েংনবদা মথোয়গী মহৈ-মশিংগী থবক-থৌরম (ইডুকেশনেল প্রোগ্রাম) শিং অদুনা করম্না পাউথুম পীগদগে হায়বদু লেপচগনি অদুগা, মথৌ তারবদি, লৈরিবা ষ্টেণ্ডর্ড সেট্টিং বোডিশিং নৎত্রগা পি এস এস বি শিং অসিদগী মতেং লৌনবা হোৎনবসু ঙমগদবনি।

**18.8.** অসিগুম্বা কাঙলোন নাইবা আর্কিটেকচর অসিনা তোঙান-তোঙানবা থৌদাং লৌরিবশিংগী মরক্তা থোরকপা অপাম্বা থেন্নবদগী থোরকপা মূক্কবা (কনফ্লিক্ট ওফ ইন্টরেষ্ট) অদু মাঙহন্দুনা মথৌ থায়দোক্লবগী কাঙলোন অদু শোয়দনা পুরকপা ঙমহনগনি। মসিনা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদবা ৱাফম থরদা নীংথিনা পূক্লিং চঙবগা লোয়নননা, অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মহৈকোল (হাইয়র ইডুকেশন ইন্সটিট্যুশন) শিং অসিদা মঙল পীনবা পান্দমসু থমগনি। হাইয়র ইডুকেশন ইন্সটিট্যুশনশিং অসিদা হোয়াবা থৌদাং অমসুং মথৌদাং লৌহনবগী থবক (একাউন্টেবিলিটি) অসি মতম অমত্তদা শিন্নথোক্কনি। অসিগুম্বা থবক অসিদা মীয়ামগী অমসুং লন্নাইগী ঐচ ই আই শিংদা থেন্নবা অমত্তা থম্লোই।

**18.9.** অসিগুম্বা অওনবা অমা পুরকপদা হৌজিক লৈবা শাওঙ (ষ্ট্রকচর) শিং অমসুং মহৈকোলশিং অসি মথোয় মশানা পুন্নৌ নৌনা অমুক হোংদোকচবা অমসুং ইফৎ-ফত্রবা পোৎশকশিং অদু নৌনা ফগৎহল্লকপা চঙই| তৌগদবা থবক (ফঙ্কশন) শিং শেত্তোক-থাইদোক্লবা হায়বসিনা থঙনগদৌরিবসি ঐচ ই সি আই গী মনুংদা য়ূম্বী অমমম্না অনৌবা চৎন-কাঙলোন ইলহনবগী থৌরাং (রিগুলেটরি স্কিম) অসিদা মরী লৈনবা, ৱাহন্থোক লৈবা অমসুং মরুওইবা অনৌবা থৌদাং অমথক লৌগনি হায়বসিনি।

**18.10.** নীংতম্না চৎন-কাঙলোন ইলহন্নবগী (রিগুলেশনগী) লৈরিবা এন ঐচ ই আর সি, মশেক তাকপগী (এক্রিডিটেশনগী) লৈরিবা এন এ সি, শেল থাদবগী (ফণ্ডিংগী) লৈরিবা ঐচ ই জি সি অমসুং মহৈগী চৎনবা থাক অমা লেপথোক্লবগী (একাডেমিক ষ্টেণ্ডর্ড সেট্টিংগী) লৈরিবা জি ই সি হায়রিবা মনীংতম্বা য়ূম্বী মরি অসিনা, অমসুং পূন্নমকপু কোনশিল্লিবা মনীংতম্বা ময়ামগী অপূনবা লূপ (অম্ব্রেলা বোডি) ওইরিবা ঐচ ই সি আই মশামক্না থবক তৌবা অসি লৌথুপ-লৌকোই লৈতনা (মনুং-মপান ফাওনা উবা ঙম্বা মওংদা) মীয়ামদা ফোঙদোকপা অমসুং থবক থুমাং-চাওশিন্নবা অমসুং থবক তৌবদা লৌথুপ-লৌকোই লৈতনবা, মীওইবগী থূৎ য়াওবগী চাং য়াম্না হন্থনবা, শিনপাঙলোন (টেক্নোলোজি) শীজিন্নবা হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইগনি। অসিগী নুংদা লৈরিবা ৱাফমদি শিনপাঙলোন শীজিন্নদুনা মী য়াওদবা, মনুং-মপান ফাওনা উবা ঙম্বা (লৌথুপ-লৌকোই লৈতবা) মওংদা চৎন-কাঙলোন ইলহনবগী থবক্তা থূৎ থিংজিনবা/য়াওশিনবা (ইন্টরভেনশন তৌবা) হায়বসিনি। অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মহৈকোল (হাইয়র ইডুকেশন ইন্সটিট্যুশন) শিং অসিনা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদবা থ্বাইদগী য়ামদ্রবা ময়াম্না য়ানরবা চৎন-কাঙলোনশিং (নোর্মশিং) অমসুং চৎন-থাকশিং (ষ্টেণ্ডর্ডশিং) অদু ঙাক্তুনা থম্নবা, ফোঙদোক্তবা য়াদবা ঈ-পাওশিং লান্না ফোঙদোকপগী চৈরাক পীবা য়াওনা, চৎন-কাঙলোন ইলহন্নবা হকচিনবা থবক য়াওবা অচেৎপা থোঙথাং থরা শুংশোয়-শোয়দনা লৌথৎকনি। য়ূম্বী মরি অসিগী মরক্তা থৎন-চৈনবা মূক্কবা থোক্লকপদা ঐচ ই সি আই অসিমক্না তাইশিন্নদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনগনি। ঐচ ই সি আই গী য়ূম্বী মরি অসি মরী লৈনবা হীরমশিংদা য়াম্না থঙ-হৈবা, পূকচেল শেংবা অমসুং লমচৎ ফজবা, অচেৎপা ফিরেপ লৈবা, অমসুং মীয়ামগী থবক তৌরকপগী ময়াম্না থঙলবা ফজবা ট্রেক রেকোর্ড (তৌথিবা থবক্কী মীয়াম্না থঙলবা ৱারীশিং) লৈবা মীশকশিং য়াওবা মনীংতম্বা লূপ (বোডি) অমা ওইগনি। ঐচ ই সি আই মশামক অসি, ঐচ ই সি আই অদুগী পূকচেল শেংবা অমসুং চুম্না থবক তৌবা অমসুং মায়-পাক্না থবক তৌবা অদুবু কূপ্না শেন্ননবা অমসুং য়েংশিনগদবা, অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী লমদা মমীং চৎপা অমসুং মীনা ইকায়থুম্নবা (শক্নাইবা) মীয়ামগী থনবা থঙ-হৈরবা মীওইশিং য়াওবা অপীকপা মনীংতম্বা লূপ (বোডি) অমা ওইগনি। ঐচ ই সি আই গী মনুংমক্তদা, থৎন-চৈনবা থোকপদা ৱায়েনবগী থবক য়াওনা, মশাগী মথৌশিং পাঙথোক্লবা চান্নবা কাঙলম (মেকানিজম) শিং শেমগনি।

**18.11.** চৎন-কাঙলোন ইলহন্নবগী কাঙলোন (রিগুলেটরি রেজিম) অসিনা অনৌবা অফবা ঐচ ই আই শিং লিংথৎপসু য়াম্না হেন্না লায়থোকহল্লগনি, অদুগা মথোয়শিং অসি মীয়ামগী থবক তৌনবা ৱাথল্লোনদা লিংথৎপনি হায়বদু শুংশোয়-শোয়দনা ওইহনগনি অমসুং কুইনা চৎননবগীদমক লৈফম থোকপা শেল-থুমগী ঙাক্লৌদুসু লৈবা শোয়দনা ওইহনগনি। থোইদোক-হেন্দোক্না ফজনা থবক তৌবা ঐচ ই আই শিংদি ময়ায় (সেন্ট্রেল) অমসুং মনুং (ষ্টেট) লৈঙাকশিংনা মথোয়গী মহৈকোলশিং পাকথোক-চাউথোক্লবা মতেং পীগনি, অমসুং অদুম্না তৌদুনা মহৈরোয় মশীং অমসুং ওজা মশীংগা লোয়ননা লৌশিংশাশিং (ডিসিপ্লিনশিং) অমসুং থবক-থৌরমশিং (প্রোগ্রামশিং) মশীং য়াম্না হেনগৎপা ঙমগনি। য়াম্না মগুন লৈবা অৱাংবা তীঙগী মহৈ-মশিং তম্বা (হাই ক্বালিটি হাইয়র ইডুকেশন) হেন্না ফংনবা ঐচ ই আই শিংগীদমক মীয়ামগী অমসুং লৈত-লায়রশিংগী তেংবাঙগী থবক তৌরিবা কাঙবুঅনী পূনশিনবগী মওংশিং (পব্লিক ফিলানেথ্রাপিক পার্টনরশিপকী মোডেলশিং) সু হৌদোকপা য়াই।

### মহৈ-মশিং তম্ববু শেন্দান-লম্বী ওইনা ওন্থোকপা থিংবা

**18.12.** অমনা তৌবা থবকপু অমনা য়েংশিনবা অমসুং মীগী থবক্তা থূৎ থিংজিনবা (চেক্স এণ্ড বেলেন্স) হায়বসি য়াওবা লাংলোন ময়াম অমনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্ববু (হাইয়র ইডুকেশনবু) লল্লোন-ইতিক্কী থবক ওইনা ওন্থোকপদা মায়োক্নগনি অমসুং লেপহনগনি। মহৈ-মশিংগী মহৈকোল খুদিংমক মনীংতম্বা বোর্ডি অমনা শেল-থুমগী ৱারোল য়েংশিনবগী (ওডিৎ তৌবগী) অমসুং 'শেন্দোং তান্নবা লৈবা নত্তবা' মহৈকোল অমনি হায়না ফোঙদোকপগী চপ মান্নবা মীৎয়েং- থাক (ষ্টেণ্ডর্ড) অদুদা য়েংগনি। অরেম্বা (অহেনবা) শেনফম লৈরবদি মহৈ তম্বগী লমদা অমুক হন্না থাদগনি। থুদোংচাদবা কোকহন্নবা কাঙলমশিং/পান্থৈশিং (মেকানিজমশিং) মীয়ামদা ফংহনবগা লোয়ননা শেল-থুমগী ৱারোল থুদিংমক অসি মনুং-মপান ফাওনা উবা ঙম্বা মওংদা (লৌথুপ-লৌকোই লৈতনা) মীয়ামদা ফোঙদোক্কনি। এন এ সি না শেমগৎপা মশেক তাকপগী কাঙলোন (এক্রেডিটেশন সিষ্টেম) না, মসিগী কাঙলোন অসিদা মতেং পাংশিন্দুনা য়েংশিনবগী থবক তৌগনি অমসুং এন ঐ চ ই আর সি না মসিবু মশাগী চৎন-কাঙলোন ইলহন্নবগী পান্দম অদুগী য়াম্না মরু ওইবা শরুক অমনি হায়না থনগনি।

**18.13.** মসিগী চৎন-কাঙলোন ইলহনবগী কাঙলোন (রিগুলেটরি রেজিম) অসিনা ঐ চ ই আই পূন্নমক - মীয়ামগী অমসুং লন্নাইগী ওইবা - চপ মান্ননা লৌগনি/য়েংগনি। মসিগী চৎন-কাঙলোন ইলহনবগী কাঙলোন (রিগুলেটরি রেজিম) অসিনা মহৈ-মশিং তম্বগী লমদা লন্নাই ওইনা লৈত-লায়রশিংগী তেংবাঙগীদমক হোৎনরিবা পূন্নমক পূক্নিং থৌগৎকনি। ময়ামগী ওইনা লৈরিবা থ্বাইদগী য়ামদবা তৌগদবনি হায়দুনা লৈবা, ঙাক্তুনা চৎকদবনি হায়বা ৱাফমশিং অসিনা মরন্নাইগী ঐ চ ই আই শিং লিংথৎনবা লৈরিবা এক্টশিং পূন্নমকপু থবক তৌবা ঙমহল্লগনি, মতৌ অসুন্না লন্নাইগী অমসুং মীয়ামগী ঐ চ ই আই শিংগীদমক চপ মান্নবা থাক অমা থম্বা ঙমহল্লগনি। মসিগী মান্নবা ঙাক্তুনা চৎকদবনি হায়বা ৱাফমশিং অসিদা ফজবা ঙাক্লোন (গুড গর্ভনান্স), শেল-থুমগী মরা চেৎপা অমসুং অশোয়-অঙাম থোক্তবা ফিভম (ফাইনান্সিয়েল ষ্টেবিলিটি এণ্ড সিক্যুরিটি), মহৈ-মশিং তম্বগী পোলোইগী মহৈ (ইডুকেশনেল আউটকম) শিং অমসুং মনুং-মপান ফাওনা উবা ঙম্বা মওংদা/লৌথুপ-লৌকোই লৈতনা ফোঙদোকপা (ট্রান্সপরেন্সি ওফ ডিসক্লোজর) হায়বা ৱাফমশিং অসি য়াওগনি।

**18.14.** অতাকমল (ফী) লেপথোক্নবগী হেন্না ফগৎপা কাঙলোন অমগী থুথাংদা লৈত-লায়রশিংগী তেংবাঙগীদমক অমসুং মীয়ামগীদমক থনবা লন্নাইগী ঐ চ ই আইশিং পূক্নিং থৌগৎকনি। মহৈকোলশিংগী অৱাংবা/ফত্তবা ওইদনবা থকথৈ-পনথৈ অমা (অপ্পর লিমিৎ অমা) হায়বদি মসিদগী হেনবা য়ারোই হায়বা ঙমথৈ অমা থম্লগা, মথোয় মথোয়গী মশেক তাকপগী (এক্রেডিটেশনগী) মথা পোন্না তোঙান-তোঙানবা মহৈকোলশিংগী অতাকমল লেপথোক্নবগী মনুং-মপান ফাওনা উবা ঙম্বা/লৌথুপ-লৌকোই লৈতবা কাঙলম (মেকানিজম) অমা লৈগনি। মসিনা ঐ চ ই আই শিং অসিবু মথোয়গী থবক-থৌরমশিং (প্রোগ্রামশিং) মনীংতম্না পাঙথোকচবা ঙম্নবা, য়াথোক্তুনা থম্লবা চৎনবীশিং (নোর্মশিং) গী অমসুং চৎন-কাঙলোন ইলহন্নবগী চাউরাক্না চৎনবা য়াবা কাঙলমশিং অদুগী মনুংদা অতাকমল লৌবা ঙমহল্লগনি। লন্নাইগী ঐ চ ই আই শিং অসিনা শীংথানিংঙাই ওইবা মহৈরোয় মশীংদা লেম্না মহৈ তম্বা ফংহন্নবা অমসুং স্কোলরশিপশিং পীহন্নবা পূক্নিং থৌগৎকনি। লন্নাইগী ঐ চ ই আই শিংনা লৌরিবা অতাকমল অমসুং অতৈ শেনফমশিং মনুং-মপান ফাওনা উবা ঙম্বা/লৌথুপ-লৌকোই লৈতবা মওংদা ফোঙদোক্কদবনি অমসুং মহৈরোয় অমনা মীং চনবা মতমদা হায়রিবা অতাকমল/অতৈ শেনফমশিং অসি মথোয়না হেনগৎনীংবা মওংদা হেনগৎপা অমত্তা য়ারোই। অতাকমলগী চাং লেপ্পগী কাঙলম অসিনা ঐ চ ই আই শিং অসিবু মথোয়গী থুন্নাইগী ওইবা তৌফম থোকপা থবকশিং অদু শোয়দনা পাঙথোকহনবগা লোয়ননা, মথোয়গী চঙথিবা মমল/শেনফম অদু মরম চানা হনজিনবা ঙমহনগনি।

## 19. অৱাংবা থাক্কী মহৈকোলশিংগীদমক নীংথিনা মায়-পাক্না থৌপাঙবা অমসুং মতীক চানা লুচিংবা

**19.1.** অৱাংবা থাক্কী মহৈকোলশিংদা ময়ামদগী থোইদোক-হেন্দোক্নবা ফবা অমসুং অনৌবা পোৎ পুথোক্নবগী চৎনবী অমা শেমগৎপা ঙমহল্লিবসি মায়-পাক্না শীল্লাংবা ঙম্বা অমসুং মতীক চাবা লুচিংবা লৈবননি। ভারত য়াওনা মালেম পুম্বদা লৈরিবা মালেমগী থাক্কী মহৈকোলশিং (ৱর্ল্ড ক্লাস ইন্সটিট্যুশনশিং) অসিগী মান্নবা শক্তম অমদি মপাঙ্গল কল্লবা/অরিংবা মশানা মরোমদোম শীল্লাংবগী থবক ঙম্বা অমসুং থোইদোক-হেন্দোক্না ফরবা মতীক চাবা মী থল্লগা মহৈকোলশিংগী মকোক থোংবা ফম পুগদবা মীশক ওইনা থবক হাপ্পা অসিনি।

**19.2.** থাক থাক নাইনা মশেক তাকপগী (গ্রেডেদ এক্রেডিটেশনগী) অমসুং থাক নাইনা মনীংতম্বা পীবগী (গ্রেডেদ ওটোনোমিগী) চানবা কাঙলোন অমগী থুথাংদা অমসুং চহী ১৫ গী মনুংদা তাঙ্কক তাঙ্কক নাইনা, ভারত্তা লৈবা ঐ চ ই আই পূন্নমক অনৌবা পুথোকপা ঙম্বা অমসুং থোইদোক-হেন্দোক্না ফবা হায়বদু ওইনবা পান্দম থম্বা মনীংতম্বা, মশা মতোমতা

শীল্লাংবা ঙমজরবা মহৈকোলশিং ওইরক্নবা পান্দম থমগদবনি। থ্বাইদগী ফবা মতীক চাবা লুচিংবা (মকোক থোংবা ফম পুবা মী) শুংশোয়-শোয়দনা লৈহন্নবা অমসুং থোইদোক-হেন্দোক্লা ফবা মহৈকোলগী ওইবা চৎনবী অমা য়োকথৎনবা ঐচ ই আই পূন্নমক্তা থোঙথাং কয়া লৌথৎকনি। মশেক তাক্লবগীদমক্তা (এক্রেডিটেশন তৌনবগীদমক্তা) শেম-শারে হায়না থল্লবা মহৈকোল অদুনা, চানবা মথলগী গ্রেডেদ এক্রেডিটেশন ফংলবা তুংদা, থবক তৌবা ঙম্বগী মতীক-ময়াই মীয়াম্না থঙনরবা অমসুং মহৈকোল অদুদা কথোকপগী অচেৎপা ফিরেপ লৈবা, য়াম্না মতীক চারবা, থবক তৌবা ঙম্বা অমসুং কথোক্লবা মীওই কাঙলুপ/চবুন অমা য়াওবা বোর্ড ওফ গর্ভনর্স (বি ও জি) অমা লিংখৎকনি। মহৈকোল অমগী বোর্ড ওফ গর্ভনরস (বি ও জি) অদুদা, মপানগী ইথিল অমত্তা চঙহনদনা মহৈকোল অদুগী থবক থৌরম শীল্লাংবগী, মহৈকোল অদুগী মকোক অদুগী য়াওনা থবক থুদিংমক হাপ্লবগী অমসুং শীল্লাংবগী ৱারেপ পূন্নমক লৌবা ঙম্নবা মতীক-ময়াই/শক্তি শিন্নগনি | মমাংদা হান্ননা শেল্লম্লবা আইনশিংগা মান্নদবা শরুক য়াওরম্বা থোক্লবসু হান্নগী অদুবু নমহৎপা ঙম্বা, মফম থুদিংমক্তা চৎনগদবা অনৌবা আইন শেমগনি অমসুং মদুনা বি ও জি অদু শেম্নবগী, হাপ্লবগী, থবক তৌবগী মওং-মতৌশিং (মোডালিটিশিং), ঙাক্লা চৎকদবা চৎন-কাঙলোনশিং (রুল্স এণ্ড রিগুলেশন্স) অমসুং মথোয়না লৌগদবা থৌদাংশিং অমসুং তৌগদবা থবকশিং অদু পীগনি। বোর্ডকী অনৌবা মেম্বরশিং অদু বোর্ড অদুনা হাপ্পা থঙ-হৈরবা কাঙবু (এক্সপর্ট কম্মিটি) অমনা মশক থঙদোক্কনি; অমসুং অনৌবা মেম্বর থনবগী থবক বি ও জি অদুমক্লা পাঙথোক্কনি। মেম্বরশিং থনবদা চুম্না, ফজনা, মীচং-মীথায় নাইদনা থন্নবা চেকশিনগনি। অসুম্না তৌরিঙৈ মনুংদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মহৈকোল (হাইয়র ইডুকেশন ইন্সটিট্যুশন) পূন্নমকপু পূক্লিং থৌগৎকনি, তেংবাঙ পীগনি অমসুং লমজিং-লমতাকপীগনি, অমসুং ওটোনোমস (মনীংতম্বা/ মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা) ওইরক্নবা অমসুং ইং ২০৩৫ ফাওবগী মনুংদা অসিগুম্বা মতীক-ময়াই চেল্লবা বোর্ড ওফ গভর্নস (বি ও জি) অমা লৈনবা পান্দম থমগনি।

**19.3.** মরী লৈনবা লাচনশিং (রেকোর্ডশিং) লোয়নমক লৌথুপ-লৌকোই লৈতনা/মনুং-মপান ফাওনা থঙবা য়াবা মওংদা মশানা ফোঙদোকচদুনা পোন্থারোয় (ষ্টেকহোল্ডর) থুদিংমক্কী মফমদা মথৌদাং মশক থঙবা অমসুং পাউথুম পীফম থোকপা ওই। নেশনেল হাইয়র ইডুকেশন রিগুলেটরি কাউন্সিল (এন ঐচ ই আর সি) গী থুথাংদা ঐচ ই সি আই না পীরিবা ঙাক্তুনা চৎকদবনি হায়বা ৱাফমশিং (গাইডলাইনশিং) অদু ঙাক্লগা থম্বা হায়বসি বি ও জি অদুগী থৌদাংনি।

**19.4.** লুচিংবা মকোক-মরুগী ফমশিং অমসুং মহৈকোলশিংগী মকোক ওইবা ফমশিং পূন্নমক মহৈ-মশিংগী অৱাংবা থাক পায়রবা অমসুং অরু-অরুবা তাঞ্জাশিংবু লাকশিনবা ঙম্বগা লোয়ননা মীয়াম্না থঙলবা ৱায়েল-থৌদাগী অমসুং লুচিংবা ওইবগী মতীক-ময়াই চেনবা মীশকশিংদা ওইহনগনি। ঐচ ই আই অমগী মকোক-মরু ওইরিবশিংনা লৈঙাক-পথাপগী ওইবা মমল লৈবা ৱাফমশিং (কন্সটিট্যুশনেল ভেল্যুশিং) অমসুং মহৈকোল অদুগী ওইবা অপূনবা পান্দম অদুবু চেৎনা থাজবা উৎকদবনি, লোয়ননা থুন্নাইগী ওইবা অচেৎপা ফিরেপ, পূন্না থবক তৌবদা থাজবা, ময়াম পূন্না লৈমিন্নবগী ৱাখল চেনবা, তোঙান-তোঙানবা মীশিংগা থবক তৌমিন্নবা ঙম্বা, অমসুং অফবদা থনবা অসিগুম্বা মতীক-মগুন/মচৎশিং অসি য়াওবা ওইগদবনি। মখোয়বু থনবগী থবক অসি, বি ও জি না শেম্বা ইমিনেন্ট এক্সপর্ট কম্মিটি (ই ই সি) অমনা লুচিংলগা, য়াম্না চেকশিনবা, মীচং-মীথায় নাইদবা, অফবা/মতীক-চাবদা য়ুম্ফম ওইবা অমসুং মায়-পাক্লা থবক তৌবা ঙম্বা হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইবা থৌওং অমা চথরগা, বি ও জি না অদুম্মক পাঙথোক্কনি। থবক তৌবগী চূনবা ফিভম অমা শেমগৎনবগীদমক মী অমগী থবক তৌবগী/ফম পায়বগী মতম অসি ফিভম কায়হন্দনা থম্বা মরুওই, অদুবু মতম অদুমক্তদা মাগী মথংদা লুচিংবগী ফম পায়রক্কদবা মীশক অদুদা, লুচিংবা শিল্লকপদা মহৈকোল অদুবু মশক তাক্লম্বা অফবা থবকশিং লেপথিদনবা, ফম শিন্নবগী থবক অসি চেকশিন্না থৌরাং তৌগদবনি; ফম অনীদু নীংথিনা বেরা- চক্রি থাংনদনা ফম শিন্নবা য়ানবগীদমক, লুচিংবা শিনবা অসিদা, ফম শিন্নগদৌরিবা মীশক অনীদু পূন্না থবক তৌমীন্নবগী মতম মতীক চানা শাংনা লৈগনি অমসুং ফম হাঙহন্দুনা লৈরোই। ময়ামদগী থোইদোক-হেন্দোক্লা ফবা/মতীক-চাবা লুচিংবশিং ঙন্না মশক থঙদোক্কনি অমসুং লুচিংবা ওইবগী ফমশিং মথং মথং কাথৎনবা কৈরাক অমা থাবীদুনা মখোয়বু শেমগৎপীগনি।

**19.5.** ঐচ ই আই শিংদা কায়ন-শেন্থং, আইনগী ওইবা ঙাক্লৌ অমসুং তাঙ্কক তাঙ্কক নাইনা মনীংতম্বা (ওটোনোমি) পীগনি, অদুগা মখোয়না অমুক থোইদোক-হেন্দোক্লা ফবা মহৈকোল ওইনবগী অচেৎপা ফিরেপ, লমদম লমদমদুগী মীয়ামগা পূন্না থবক তৌমিন্নবা অমসুং শেল-থুম চুম্না শীজিন্নবগী থ্বাইদগী ৱাংবা থাক অমসুং মথৌদাং মশক থঙবা মতৌ অদু উথোরক্কনি। মহৈকোল থুদিংমক্লা য়াম্না চেকশিন্না মহৈকোল ফগৎনবা থৌরাং (ইন্সটিট্যুশনেল ডিভেলপমেন্ট প্লান) শেমগনি, মদুদা য়ুম্ফম ওইরগা মহৈকোলশিং অদুনা অনৌবা থোঙথাংশিং পায়থৎকনি, মখোয়গী থুমাং-চাওশিনবগী চাং ওনগনি অমসুং থমথিবা পান্দমশিং ফংগনি মদুনা অমুক মথা তানা মীয়ামগী শেল থাদবগী য়ুম্ফম ওইগনি। মহৈকোল ফগৎনবা থৌরাং অদু লূপকী (বোর্ডকী) মেম্বরশিং, মহৈকোলগী লুচিংবশিং, ওজাশিং, মহৈরোয়শিং অমসুং থবক তৌরিবা মীওইশিং য়াওরগা পূন্না শরুক য়ামিন্নদুনা শেমগনি।

# শরুক III: মীৎয়েং চঙগদবা অতোপ্পা মরুওইবা হীরমশিং

## 20. শিনফমগী ওইবা মহৈ-মশিং তম্বগী থবক

**20.1.** শিনফম অমা পায়গদবা মীওইশিং শেম-শাবা হায়বসিদা, লমচৎ-শাজৎকী ওইবা অমসুং মীয়ামগী ওইবা থবক্কী মরু ওইবদু তম্বা, হীরম অমদা খঙবা হেনবা তম্বা, অমসুং থবক ওইনা তৌবা তম্বা হায়বনচিংবা কয়া অসি য়াওগনি। মসিদা মপূং ওইনা য়াওগদৌরিবসি য়াম্না কূপথনা অমসুং হীরম কয়াগী ৱাখল থনবা, থন্ন-নৈনবা, মরৈ য়েৎনবা, থিজিন-হুমজিনবা অমসুং অনৌবা পুথোকপা অসিনি। মসি ফংনবগীদমক, শিনফমগী ওইবা মহৈ তম্বগী থবক অসি মী অমনা য়াম্না খঙবা/হৈনবা হীরমদুথক্তং তোঙান্না থাইদোক্লগা তৌরোইদবনি।

**20.2.** (হাইয়র ইডুকেশন সিষ্টেম) গী থাদোক্লবা য়াদ্রবা শরুক অমা ওই। নাইতোম লৈজবা লৌউ-শিংউগী তাইবং-হৈকোলশিং (এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিশিং) আইনগী তাইবং- মহৈকোলশিং (লিগেল য়ুনিভর্টিসিটিশিং) হকশেল-কাঙলোন নৈনবা তাইবং-মহৈকোলশিং (হেল্থ সাইন্স য়ুনিভর্সিটি), শিনপাংলোনগী তাইবং-মহৈকোলশিং (টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিশিং) অমসুং লৌশিংশা (ডিসিপ্লিন) অতৈ তক্ষম ওইবা মতোম-মতোমতা লৈবা মহৈকোলশিং (ষ্টেণ্ড এলোন ইন্সটিট্যুশনশিং) অসি মপূং ফাবা অমসুং লৌশিংশা কয়া তম্বীবা মহৈকোল (মল্টিডিসিপ্লিনরি ইন্সটিট্যুশন) ওইরক্লবা পান্দম থমগনি। শিনফমগী ওইবা মহৈ-মশিং (প্রোফেশনেল ইডুকেশন) নৎত্রগা ময়ামগী ওইবা মহৈ-মশিং (জেনরেল ইডুকেশন) থক্তা তম্বীরম্বা মহৈকোল পূম্নমক ইং ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা অনীমক চপ মান্ননা তম্বীবা মহৈকোল/ক্লষ্টরশিং ওইনা হোংলক্লবা অমসুং পূনশিন্নবা পান্দম থমগনি।

**20.3.** মরী লৈনবা হীরমশিংগা লোয়ননা লৌউ-শিংউগী মহৈ তম্বগী থবক হিংঙ্গৎহল্লগনি। লৈবাক অসিগী তাইবং-মহৈকোলশিংগী মনুংদা চাউরাক্লা ৯% গুম্বদি লৌউ-শিংউগী তাইবং-মহৈকোলশিং (এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিশিং) না ওইরবসু, অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্নবা মীং চল্লক্লিবা ময়াম অসিগী মনুংদা লৌউ-শিংউবা অমসুং মসিগা নক্লবা সাইন্সশিংদা (এগ্রিকলচর এণ্ড এল্লাইড সাইন্সতা) মীং চল্লকপগী চাংদি ১% য়ৌদে। হেন্না হৈ-শিংলবা গ্রেজুয়েৎশিং অমসুং টেক্নিশিয়নশিং, অনৌবা থিজিন-হুমজিনবা, লোয়ননা শিনশালোন (টেক্নোলোজিশিং) অমসুং থবকশিংনা শমজিন্নবা কৈথেলদা (মার্কেৎতা) য়ুম্ফম ওইরগা পাকথোক-চাউথোকপা অসিনচিংবগী খুথাংদা লৌউ-শিংউগী পোথোক হেনগৎহন্নবা লৌউ-শিংউ অমসুং মরী লৈনবা হীরমশিং অসিগী মঙম অমসুং মতীক-ময়াই ফগৎহনগদবনি। ময়ামগী ওইবা মহৈ-মশিং (জেনরেল ইডুকেশন) গা পূনশিল্লগা চথবা মহৈ তম্বগী থৌরমশিংগী (প্রোগ্রামশিংগী) খুথাংদা লৌউ-শিংউ অমসুং শা-ষনগী ওইবা (ভেটরিনরি) সাইন্সশিংগী শিনফমদা থবক তৌবদা মতীক চারবা মীওইশিং (প্রোফেশনেলশিং) পুথোক্লবা শেম-শাবা য়াম্না হেনগৎকনি। লৌউ-শিংউগী মহৈ তম্বগী শকলেপ (ডিজাইন) অসি, লম লমগী ওইবা লৌশিং, পারি-পুরি নাইনা চথরকপা চৎনবীগী লৌশিং অমসুং নৌনা থোরকপা শিনশালোন (টেক্নোলোজি) খঙবা অমসুং শীজিন্নবা ঙম্বা, অদুগা লৈবাক-লৈহাওগী পোথোক পুথোকপগী চাং হন্থরকপা, ঈশিং-নুংশিৎকী ফিভম হোংলকপা, ঐথোয়গী হেনগৎলক্লিবা মীশীংগী কোন্ননবা চীঞ্জাক পুথোকপা অসিনচিংবা অরুবা ৱাফমশিং মমুৎ তানা খঙবা প্রোফেশনেলশিং (শিনফম অমগীদমক মতীক চানা খঙহৈরবা মীওইশিং) শেমগৎনবগী মায়কৈরোমদা হোংলগনি। লৌউ-শিংউগী মহৈ-মশিং (এগ্রিকলচরেল ইডুকেশন) হাংদোক্লিবা মহৈকোলশিংনা লৈকায় লমদম অদুদা লৈরিবা মীয়ামদা হকথেংননা কান্নবা পীগদবনি; অসুম হায়না কান্নবা পীবগী মওং অমদি শিনশালোন শেমগৎপা অমসুং শন্দোকপপু য়োকখৎপা অমসুং কুইনা চৎকদবা মেথোডোলোজিশিংবু য়োকখৎনবা এগ্রিকলচরেল টেক্নোলোজি পার্কশিং লিংখৎকনি।

**20.4.** আইনগী মহৈ তম্বগী থবক অসি, হেন্না পাক-শন্না অমসুং মতম চানা অচূম্বা ৱায়েল (জষ্টিস) ফংহন্নবগীদমক থ্বাইদগী ফবা থবকশিং অমসুং অনৌবা শিনশালোন (টেক্নোলোজি) শিং লৌশিন্দুনা, মালেমগী থাক্তা চাংদম্নবা মথৌ তাই। অদুগা হায়রিবা মতম অদুমক্তদা, আইনগী ওইবা মহৈ-মশিং তম্বীবা (লিগেল ইডুকেশন) হায়বসিদা লৈঙাক-পথাপ্পা (কন্সটিট্যুশননা) পীরিবা অচূম্বা ৱায়েল (জষ্টিস) গী মশকশিং – থুন্নাইগী, শেন্মীৎলোনগী অমসুং লৈঙাক্লোনগী – অদু তম্বীগদবনি অমসুং খঙহনগদবনি অমসুং গনতন্ত্রগী পাম্বৈনা, আইন চৎনহন্দুনা অমসুং মীওইবগী হক কন্দুনা লৈবাকপু নৌনা শেমগৎপদা মায়ওন থমগদবনি। আইন তম্ন-হীরমশিং অদুদা, থূদম-চাংদমদা য়ুম্ফম ওইবা মওং অমদা, অমসুং মদুগা লোয়ননা আইনগী ৱাখল থনবগী পুৱারী, অচূম্বা ৱায়েলগী চৎন-কাঙলোনশিং, ৱায়েল-পথাপকী থবক অমসুং মরী লৈনবা মচাকশিং চপ চানা অমসুং মরাং কায়না হাপতুনা থুন্নাইগী অমসুং নাৎ-চৎনবীগী ওইবা থৌদোক-ৱাথোকশিংগী মমি তাগদবনি। আইন তম্নবা লৈরিবা ষ্টেটকী মহৈকোলশিং অদুদা তুংদা উকিলশিং অমসুং জজশিং ওইরক্কদবা মখোয়দা লোল অনীদা মহৈ তম্বীনবা থনগদবনি – অমনা ইংরাজীদা অদগা মহৈকোল অদু লৈরিবা ষ্টেট অদুগী লোলদা ওইগনি।

**20.5.** তম্নবা লৈরিবা থৌরমশিং (প্রোগ্রামশিং) অদুগা অচঙবা মতম, শাওঙ (ষ্ট্রকচর), শকলেপ (ডিজাইন) অদু তম্বা লোইরবশিংনা (গ্রেজুএৎশিংনা) পাঙথোক্কদৌরিবা মথৌশিং অদুগা চান্নবা হকশেলগী মহৈ তম্বগী থবক (হেল্থ কেয়র ইডুকেশন) অসি নৌনা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তাই। প্রাইমরি হেল্থ কেয়র অমসুং সেকেণ্ডরি হোস্পিটাল (অনা-লায়েংশঙ) শিংদা থবক তৌনবগী মথৌ তাবা, ময়েক শেংনা লৈরবা লেপ্পচলশিং (পেরামিটরশিংদা) য়ুক্ষম ওইদুনা মহৈরোয়শিংবু চাং নাইনা মতম কান্ন-কান্নদুনা চাংয়েং লৌগনি। হকশেলগী লমদা মীয়াম্না থন্নলম (ওপশনশিং) ময়াম অমা লৈবনিনা ঐথোয়গী হকশেলগী মহৈ-তম্বগী কাঙলোন অসি হীরম পূন্নমক পূনশিল্লবা কাঙলোন অমা ওইগদবনি, হায়বদি এল্লোপেথিগী হীদাক-লাংথক্কী মহৈ তল্লিবা মহৈরোয়শিংনা আয়ুর্বেদ, য়োগা অমসুং হীদাক-লাংথক থাদনা লায়েংবা (নেচরোপেথি), য়ুনানি, সিদ্ধা অমসুং হোমিওপেথি (আয়ুশ) কী তঙাইফদবা লৌশিং লৈগদবনি অমসুং ময়াম অসিবু তম্বা কাঙবূনসু এল্লোপেথিগী মরমদা থঙগদবনি। হকশেলগী মহৈ-তম্বগী (হেল্থ ইডুকেশনগী) মওং থূদিংমক্তা নাদ্রিঙৈদা হকশেলগী চেকশিনগদবা অমসুং কম্মুন্যিটি মেডিসিন (মীয়ামদা মরুওইনা শেন্থোক বাৎপা কাঙবূদা পীবা হকশেলগী কান্নবা) হায়বা অসিদসু হেন্না পূক্নিং চঙগদবনি।

**20.6.** শিনশাগী মহৈ-মশিং (টেক্নিকেল ইডুকেশন) হায়বসিদা য়াওরিবসি, ভারত অপূনবগী ওইনা চাওথৎনবগী য়াম্না মরুওইরিবা ইঞ্জিনিয়রিং, টেক্নোলোজি, মেনেজমেন্ট, আর্কিটেকচর, টাউন প্লানিং, ফার্মাসি, হোটেল মেনেজমেন্ট, কেটরিং টেক্নোলোজি অসিনচিংবদা ডিগ্রী অমসুং ডিপ্লোমাগী প্রোগ্রামশিংনি। হায়রিবা লমশিং অসিদা নীংথিনা মতীক চারবা মীওইশিং হেন্না পাম্নরকপদা নত্তনা লমশিং অসিদা অনৌ-অনৌবা পুথোক্লবা অমসুং থিজিন-হুমজিনবগী থবক তৌনবগীদমক শিনশঙ (ইণ্ডষ্ট্রি) অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মহৈকোলশিং অনীগী মরক্তা হেন্না নকশিন্ননা মতেং পাংনবসু মথৌ তারক্কনি। মথা তারকপদা, মীওইবগী থবক্তা শিনশালোন (টেক্নোলোজি) গী ইথিল চঙলকপা অসিনা শিনশাগী মহৈ-মশিং (টেক্নিকেল ইডুকেশন) অমসুং অতৈ লৌশিংশা (ডিসিপ্লিন) শিং অনীগী মরক্তা লৈরম্বা কাথল (সাইলোস) অদু মাঙহনগনি হায়না থল্লি। মতৌ অসুম্না শিনশাগী মহৈ-মশিং অসি লৌশিংশা য়াম্বা মহৈকোলশিং (মল্টিডিসিপ্লিনরি ইন্সটিট্যুশনশিং) দা অমসুং প্রোগ্রামশিংদা তমহন্নবা পান্দম থমগনি অমসুং হীরম অতৈগা য়াম্না মনুং হুনজিন্না থবক তৌমিন্ননবা থুদোংচাবশিং অদুদা নৌহৌনা মীৎয়েং থমগনি। অণ্ডরগ্রেজুএৎ থাক্কী মহৈ-মশিংদা (ইডুকেশনদা) হাপচিন্দুনা নহাশিংবু থবক ফংবদা হেন্না থুদোংচাহনহগদবা, হকশেল, অকোয়বগী ফিভম অমসুং তুং কোইনা হিংবদা ফজনা শীজিন্নবা য়াবা, জিনোমিক ষ্টডিজ, বাইওটেক্নোলোজি, নেনোটেক্নোলোজি অমসুং ন্যুরোসাইন্সকী মথক্তা আর্টিফিশল ইন্টলিজেন্স (এ আই), 3-D মেছিনিং, বিগ ডেটা এনালিসিস অমসুং মেছিন লর্নিংগুম্বা য়াম্না থুনা চাওথৎলক্লিবা থ্বাইদগী নৌবা লমশিং অসিদা নীংথিনা থঙ-হৈরবা মীশকশিং (প্রোফেশনেলশিং) পুথোক্লবা শেম-শাবদসু ভারতনা মাঙজিল থাবা থৌদাং অমা লৌগনি।

## 21. অহল ওইরবশিংবু মহৈ তম্বীবগী থবক অমসুং পুন্সি চূপ্পা মহৈ তম্বা

**21.1.** য়ুক্ষমগী ওইবা মহৈ (ইবা-পাবা ঙম্বা) তম্বা ফংবা; মহৈ-মশিং তম্বা ফংবা, অমসুং হিংনবগী লম্বী অমা ফংনবা হোৎনবা হায়বসি লৈবাকচা থুদিংমক্কী তঙাইফদনা ফংফম থোক্লবা হকশিংনি হায়না লৌগদবনি। ইবা-পাবা ঙম্বা অমসুং তঙাইফদবা য়ুক্ষমগী ওইবা মহৈ-মশিং তম্বা ফংবা হায়বসিনা মীশিংদা মশাগী অমসুং শিনফমগী ওইনা থুমাং-চাওশিনবা ঙম্নবা লন্নাইগী, মীয়ামগী, শেল-থুমগী অমসুং পুন্সি চূপ্পা মহৈ তম্নবগী থুদোংচাবা ময়াম অমা ফংহল্লি। থুন্নাইগী অমসুং লৈবাক্কী থাক্তা ইবা-পাবা হৈবা অমসুং তঙাইফদবা য়ুক্ষমগী ওইবা মহৈ-মশিং তম্বা ফংবা হায়বসি অতৈ চাওথৎ-থৌরাংগী হোৎনরিবা পূন্নমক্কী মায়-পাকপা হেনগৎহনবদা হেন্না মতেং পাংবা মপাঙ্গল কল্লবা পোৎশকশিংনি। মালেমগী লৈবাকশিংগীদগী ফংলকপা অথোম-ৱারোলশিং (ডেটাশিং) না লাইরিক হৈবগী চাংগা মীপূম থুদিংমক্কী জি ডি পি গা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ হায়বদু তাকই।

**21.2.** অমরোমদা, থুন্নাইসিদা ইবা-পাবা হৈতবা মী অমা ওইরবদি, তঙাইফদবা শেল থাদোক-থাজিন তৌবা ঙমদবা; লৌরিবা মমলগা নৎত্রগা লৈরিবা পোৎকী মগুন/চাং অনী চাংদম্নবা হৈতবা; থবক্কী, লোনগী, সর্ভিসশিং (ফংবা য়াবা থুদোংচাবশিং) অসিনচিংবা কয়াগী ফোর্ম মেনশিনবা ঙমদবা; মীয়ামগী থোক্লিবা চেরোলশিং অমসুং পাও-চেদা য়াওরিবা আর্টিকলশিং থঙবা ঙমদবা, মীগা ঈ-পাও ফাওননবা অমসুং লল্লোন-ইতিক তৌনবা চৎনবী ওইনা লৈরিবা চিঠি থাদোক-থাজিন অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মেইল শীজিন্নবা ঙমদবা; মশাগী পুন্সি অমসুং শিনফমগী থাক ফগৎনবা ইন্টরনেৎ শীজিন্নবা ঙমদবা; লম্বীদা থেৎলিবা/ইরিবা, হীদাক-লাংথক্নচিংবদা ইরিবা শোয়দ-ঙামদনবা থূদম-চাংদমশিং থঙবা ঙমদবা; মচাগী মহৈ-মশিং তম্বদা মতেং পাংবা ঙমদবা; ভারতকী লৈবাকচা অমা ওইনা মশাগী ফংফম থোকপা হকশিং অমসুং তৌফম থোকপা মথৌশিং থঙবা ঙমজদবা, থোরীরোলগী থবকশিংগী ফজবা থঙবা ঙমদবা অমসুং লাইরিক হৈবগী মথৌ তাবা ময়ায় ওইবা নৎত্রগা শেন্থোক ৱাংনা ফংগদবা মফমশিংদা থবক থিবা চঙবা ঙমদবা অসিগুম্বা অসি য়াওনা মশীং থীঙমদ্রবা থুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নৈ। মথক্তা পনখ্রিবশিং অসিদি অহলশিংবু মহৈ-মশিং তম্বীবগী (এডল্ট ইডুকেশনগী) অনৌবা থোঙথাং থরা পায়থৎপদা ফংবা ঙমগদবশিং অদু তাকপা থরনি।

**21.3.** লৈঙাক্লোনগী অচেৎপা ফিরেপ (পোলিটিকেল ৱিল), শীল্লাংবগী শেমগৎ-শাগৎপগী শাওঙ (ওর্গনাইজেশনেল ষ্ট্রকচর), নীংথিনা থৌরাং তৌবা (প্রোপর প্লানিং), শেল-থুমগী তেংবাঙ ফজনা পীবা, অফবা তীঙ ৱাংবা তাকপী-তম্বীরোয়শিং (ইডুকেটরশিং) অমসুং মশানা চোংথোক্তুনা থবক তৌরিবশিংবু শেমগৎপীবগা লোয়ননা, মীওই থরনা মশানা চোংথোক্তুনা থবক তৌবা, মীয়াম শরুক য়াবা অমসুং মীয়াম্বু ৱাথল তাহন্নবা থোমজিনবা হায়বসিনা অহলশিংবু মহৈ তম্বীবগী থৌরমশিং (এডল্ট লিটরেসি প্রোগ্রামশিং) গী মায়-পাক্লবগী মরুওইবা মরমশিংনি হায়বসি ভারতকী মনুংদা অমসুং মালেম শীনবা থুংনা মফম মফমদা চৎলগা থিজিল্লুবা (ফিল্ড ষ্টডি) অমসুং নৈনবদা ময়েক শেংনা উৎলে। মায়-পাক্লা ইবা-পাবা তম্বীবগী থৌরমশিং অসিনা অহলশিংদা ইবা-পাবা হৈবা হেনগৎহনবদা নত্তনা পূম্নমক মহৈ-মশিং তম্নবগী মীয়ামগী অপাম্বা হেনগৎলকই, লোয়ন-লোয়ননা থুন্নাইদা অফবা অহোংবা পুরক্লবগীদমক মীয়াম্না থুদোল তম্বা হেনগৎলকই| নেশনেল লিটরেসি মিশন অসি, ইং ১৯৮৮দা লিংখৎথিবা মতমদুদা, অয়াম্বনা মশা মতোমতা চোংথোকচরকপা মীশিং য়াওহনবা অমসুং মীয়ামগী মতেং হায়বসিদা য়ুক্ষম ওইথি, অমসুং মদুনা নুপীশিং য়াওনা ১৯৯১-২০১১ দা লৈবাক্কী মহৈ হৈবগী চাং য়াম্না হেনগৎহনথি, অমসুং মতম অদুগী থুন্নাইগী মরুওইবা ৱাফমশিংদা ৱারী-ৱাতায় শানবা কয়া অমা অমসুং থন্ন-নৈনবগী থবকশিং হৌদোকখি।

**21.4.** ১০০% ইবা-পাবা ঙমহনবা হায়বা য়াম্না মরুওইগ্রবা পান্দম অসি ফংবদা হেন্না য়াঙশিন্নবা, অহলশিংবু মহৈ-মশিং তম্বীবগীদমক (এডল্ট ইডুকেশনগীদমক) মপাঙ্গল কল্লবা অমসুং অনৌবা, লৈঙাক্কী থোঙথাং কয়া - মরুওইনা মীয়াম শরুক য়ানবা অমসুং নীংথিনা অমদি কান্নবা মওংদা শিনশালোন (টেক্নোলোজি) গা পূনশিন্নবা - য়ারিমথৈ থুনা পায়খৎলগনি।

**21.5.** হৈশিংবশিংগী অমসুং অতৈ কয়াদা থোইদোক-হেন্দোক্লা ফরবা তম্ন-হীরমশিং শেম্বগী এন সি ই আর টি গী হৌজিক হৌজিক লৈরিবা হৈশিংবা অসিগী চানবা অমসুং মদুগী মথক্তা শেমগৎনবা অহলশিংবু মহৈ-মশিং তম্বীবগীদমক্তা কথোক্লবা অনৌবা অমসুং নীংথিনা মতেং পীবিরবা এন সি ই আর টি গী শরুক ওইরিবা বোডি (লূপ) অমনা, থোইদোক-হেন্দোক্লা ফরবা অহলশিংবু মহৈ-মশিং তম্বীনবা তম্ন-হীরমগী থৌয়াৎৱা (এডল্ট ইডুকেশন করিক্যুলর ফ্রেমৱর্ক) অমা শেমগনি। অহলশিংবু মহৈ-মশিং তম্বীনবা তম্ন-হীরমগী থৌয়াৎৱা অদুদা, য়ামদ্রবদা ময়েক শেংলবা পান্দমশিং য়াওবা থৌরম (প্রোগ্রাম) মঙা য়াওগনি: (অ) য়ুক্ষমগী ওইনা ইবা-পাবা হৈহনবা অমসুং মশীং খঙহনবা; (আ) য়াম্না মরুওইবা পুন্সিসি হিংনবগী হৈশিংগদবশিং (ক্রিটিকেল লাইফ স্কিলস), শেল-থুমগী লৌশিং, ডিজিটেল লিটরেসি, লল্লোন-ইতিক্কী লৌশিং, হকশেলগী চেকশিনবা অমসুং খঙবা, অঙাংবা লুনা তৌবা অমসুং মহৈ তম্বীবা, অমসুং ঈমুং-মনুংগী নুংঙাই-য়াইফবা অসিনচিংবা য়াওনা (ই) মশিনগী মরমদা হৈশিংবা হেনগৎহনবা (মাগী মাগী লমদমদুদা থবক ফংনবগী মীৎয়েংগা লোয়ননা) (ঈ) বেসিক ইডুকেশন (শেম-শাবগী, ময়ায় ওইবা থাক্কী অমসুং সেকেণ্ডরি থাক্কা মান্নবা) অমসুং (উ) লেপ্তনা মথা তমথবা (আর্টস, সাইন্স, শিনশালোন, নাৎ-চৎনবী, শান্ন-খোৎনবা অমসুং পোথা-কূম্মৈ (রিক্রিয়েশন) গী লমদা লোয়ন-লোয়ননা য়াম্না মরুওইবা পুন্সি হিংনবগী হৈশিংগদবশিংগী (ক্রিটিকেল লাইফ স্কিলসকী) মরমদা থরা হেন্না থুমাং চাওশিল্লবা মচাকশিং) গুম্বা পামজবা অতৈ হীরমশিং নৎত্রগা লৈকায়গী মহৈরোয়শিংদা কান্নগদবা হীরমশিং য়াওনা মপূং ফাবা এডল্ট ইডুকেশন (কোর্সশিং তম্বা) | অহলশিংগীদি অয়াম্বনা টিচিং-লর্নিং মেথডশিং (তম্বীবগী-তম্বগী মওংশিং) অমসুং মচাকশিং অদু অঙাংশিংগী ওইনা শেম্লিবা অদুদগী য়াম্না খেন্নবা তাই হায়বদি থৌয়াৎৱা (ফ্রেমৱর্ক) অদুনা খঙজিনগনি।

**21.6.** অনীশুবদা, থৱায় য়াওবা অহলশিংনা অহলশিংবু মহৈ তম্বীবা অমসুং পুন্সি চূপ্পা তম্বা (এডল্ট ইডুকেশন অমসুং লাইফলোং লর্নিং) অসি য়াওবা ঙম্নবা চানবা মচাক-মথুমশিং (ইনফ্রাষ্ট্রকচর) শেমগৎকনি। মায়কৈ অসিদা মরুওইবা থোঙথাংদি, স্কুল মতম লোইরগা নৎত্রগা চয়োলগী লোইরকপদা স্কুল/স্কুল কমপ্লেক্সশিংবু শীজিন্ননবা অমসুং ওইথোকপা য়াবা মতমদা আই সি টি (ICT) গী থূৎশু-থূৎলাই হাপচিল্লক্কদবা মীয়ামগী লাইরিকশঙ (পব্লিক লাইব্রেরি) শিংবু এডল্ট ইডুকেশনগীদমক্তা শীজিন্নবা অমসুং মীয়ামগী অতৈ থবকশিং অমদি কান্নবা থবকসিদা শীজিন্নবা হায়বসিনি। স্কুলগী, অৱাংবা থাক্কী, অহলগী অমসুং মশিনগী মহৈ তম্নবগীদমক অমসুং মীয়ামগী অমদি লন্নাইগী থবকশিংগীদমক মচাক-মথুমশিং শরুক য়ামিন্নবা অসি ফিজিকেল অমসুং হ্যুমেন রিসোর্সশিং (পোৎশক ওইনা লৈবা অমসুং মথক্তা পনখ্রিবা মহৈ তম্বগী মথল মঙা) অদুবু পূনশিন্ননবগীদমক অমসুং অতৈ অতৈগীদমক য়াম্না মরুওইগনি। মরমশিং অসিনা এডল্ট ইডুকেশন সেন্টর (এ ই সি) শিং অসি ঐ চ ই আই গুম্বা, মশিন তাকপী-তম্বীফমশিং (ভোকেশনেল ট্রেনিং সেন্টরশিং) গুম্বা অতৈ মীয়ামগী মহৈকোলশিং পূনশিনবসু য়াই।

**21.7.** অহুমশুবদা, অহলশিংবু মহৈ-মশিং তম্বীনবা তম্ন-হীরমগী থৌয়াৎৱা (এডল্ট ইডুকেশন করিক্যুলম ফ্রেমৱর্ক) না পীরিবা অহলশিংবু মহৈ-মশিং তম্বীবগী (এডল্ট ইডুকেশনগী) মথল মঙা অদুগীদমক অহল ওইরবা মীশক/মহৈরোয়শিং অদুদা তম্নবা পীরিবা হীরমশিং অদু তম্বীনবা ইন্সট্রক্টরশিং/তম্বীরোয়শিং (ইডুকেটরশিং) চঙগনি। অহলশিংবু লাইরিক তাকপীবা মফম (এডল্ট ইডুকেশন সেন্টর) শিংদা তম্বীবগী থবকশিং শীল্লাংনবা অমসুং লমজীংনবা, লোয়ন-লোয়ননা মশানা

চোংথোকচরকপা ইন্সট্রক্টরশিংগী মতেং পাংননবা, ইন্সট্রক্টরশিং অদু লৈবাক্কী, ষ্টেট অমদি পানা (ডিষ্ট্রিক) থাক্কী মচাকথোক তেংবাঙবা মহৈকোলশিং (রিসোর্স সপ্পোর্ট ইন্সটিট্যুশন্স) না অথন-শিন্দম (ট্রেনিং) পীগনি। লৈকায় লমদমদুগী মীশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্নবা হায়বা ঐ চ ই আ ই শিংগী মীশন অদুগী শরুক অমা ওইনা ঐ চ ই আ ই শিংগী মতীক চাবা মেম্বরশিং য়াওনা মীয়াম মরক্তগী মতীক চারবা মীশকশিং অতেনবা মতমগী ট্রেনিং কোর্স অমা তম্বীগনি অমসুং অহলশিংবু লাইরিক তাকপীবা মী (এডল্ট লিটরেসি ইন্সট্রক্টর) শিং ওইনা, নৎত্রগসু মী অমমমতং তাকপীনবা ট্যুটর ওইনা মশানা থোকপীরক্তুনা থবক তৌনবা পুক্নিং থৌগৎকনি অমসুং তরাম্না ওক্কনি, অদুগা মথোয়না লৈবাক্কীদমক তৌরিবা লুরবা থবক অসিগীদমক শকথঙগনি। লাইরিক হৈহন্নবা অমসুং অহলশিংবু মহৈ তম্বীবগী মায়কৈদা হোৎনরিবা অসিবু হেন্না থুমাং-চাওশিন্নবা ষ্টেটশিংনা এন জি ও শিংগা অমসুং অতৈ মীয়ামগী লূপশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্নগনি।

**21.8.** মরিশুবদা, অহলশিংবু মহৈ-মশিং তম্বীবদা (এডল্ট ইডুকেশনদা) মীয়াম্না শরুক য়ানবা হোৎনবা য়াবা হোৎনগনি। স্কুলদা মীং চন্দবা, অমসুং তম্বা তোকখ্রবশিং থিদোক্নবা অমসুং অমসুং শরুক য়াহন্নবা, মীয়াম মরক্তা চৎলিবা সোশিয়ল ৱর্করশিং/কাউন্সেলরশিং অদুদা, মথোয়না চৎলিঙৈদা মমা-মপাশিংগী, ইনথৎলকপা নহাশিংগী অমসুং এডল্ট ইডুকেশনগী থুদোংচাবশিংদা তম্বদা অমসুং ওজা ওইনা/ট্যুটর ওইনা থবক তৌবদা থৱায় য়াওবা মী অতৈগী অথোম-ৱারোলশিং (ডেটা) থোমজিল্লক্নবসু হায়জগনি। মদুগী মতুংদা সোশিয়ল ৱর্করশিং/কাউন্সেলরশিং অদুনা মথোয়দুবু লৈকায়দুগী/লমদমদুগী অহলশিংবু মহৈ-মশিং তম্বীফমশিং (এডল্ট ইডুকেশন সেন্টরশিং) গা শমজিনগনি। এডভর্টিজমেন্টশিং অমসুং মীয়ামদা লাউথোকপা কয়াগী থুথাংদা অমসুং এন জি ওশিং অমসুং অতোপ্পা লোকেল ওর্গনাইজেশনশিং (লমদমদুগী লূপশিং) না শীনবা থৌরাংশিং অমসুং থোঙথাংশিংগী থুথাংদা অহলশিংবু মহৈ-মশিং তম্বীবগী থুদোংচাবশিং অদু পাক-শন্না মীয়ামদা থঙহনগনি।

**21.9.** মঙাশুবদা, ঐথোয়গী মীয়াম মরক্তা অমসুং মহৈকোলশিংদা পাবগী হৈনবী লৈহন্নবা লাইরিকশিং লৈহনবা অমসুং ফংহনবগী চাং হেনগৎহনবা হায়বসি তঙাইফদে। নাম্ম শোয়রবা অমসুং মীমান্নদ্রবশিং য়াওনা মহৈরোয়শিংগী মথৌ তাবা অমসুং অপাম্বশিং থুংহন্নবা মরাং কায়না লাইরিক ফংহন্নবগীদমক মীয়ামশিং অমসুং মহৈ-তম্ফম পুম্নমক্তা স্কুল, কলেজ, তাইবং-মহৈকোলশিং অমসুং মীয়ামগী লাইরিকশঙশিংবু মপাঙ্গল কনথৎহনগনি অমসুং মতমগা চাননা শেমদোক্লগনি হায়না থৌশিল অসিনা হায়রি। শেল-থুমগী লমদা শোথহৌরবা মফমশিং অমদি থুঙ্গংদা অমসুং অথাপ্পা মফমদা লৈরিবশিং য়াওনা, লৈবাক শীনবা থুংনা লাইরিক ফংহন্নবা অমসুং লৈবা ঙমহন্নবা ময়ায়-লৈঙাক অমদি মনুং-লৈঙাক (সেন্ট্রেল এণ্ড ষ্টেট গভর্নমেন্ট) শিংনা হোৎনগনি। ভারতকী লোল থুদিংমক্তা ফোঙলিবা লাইরিকশিং অদুগী মতীক-ময়াই হেনগৎনবা অমদি হেন্না শুমহৎনীংঙাই ওইনবা পাম্বৈশিংবু মীয়ামগী অমসুং লন্নাইগী লমশিং (পব্লিক এণ্ড প্রাইভেৎ সেক্টরশিং) দা লৈরিবা এজেন্সিশিংনা/মহৈকোলশিংনা হোৎনগনি। লাইরিকশঙ (লাইব্রেরি) গী লাইরিকশিংবু ওনলাইনদা হেন্না ফংহন্নবা অমসুং ডিজিটেল লাইব্রেরিশিংবু হেন্না পাকথোক-চাউথোকহন্নবা থোঙথাংশিং লৌথৎলগনি। মীয়ামগী অমসুং মহৈকোলশিংগী কন্না মথৌ তৌরিবা লাইরিকশঙশিং লৈহন্নবা মতীক চাবা লাইরিকশঙদা থবক তৌরিবা মীশিং লৈহনবা অমসুং চানবা মওংদা থবক্কী লম্বী অমসুং সি পি ডি শেম্বীবা অসি তৌদবা য়াদবা অমনি। অতৈ থোঙথাংশিংগী মনুংদা হৌজিক লৈরিবা লাইরিকশঙশিং মপাঙ্গল কনথৎহনবা, থুদোংচাদবা মফমশিংদা থুঙ্গংগী লাইরিকশঙশিং অমসুং লাইরিক পাফম কাশিং থম্বীবা ভারতকী লোলশিংদা পানবা মচাকশিং মরাং কায়না ফংহনবা, অঙাংশিংগী লাইরিকশঙ অমসুং মোবাইল লাইরিকশঙশিং (পানবা লাইরিকশিং য়াওবা অচৌবা গাড়ীশিং মরুওইনা থুঙ্গংগী লমদা কোয়না চৎপা) হাংদোকপা, ভারত শীনবা থুংনা হীরম থুদিংমক্কী সোশিয়ল বুক ক্লবশিং লিংথৎপা অমসুং মহৈ-তম্ফমশিংগা লাইরিকশঙশিংগা হেন্না মতেং পাংনবা অসি য়াওগনি।

**21.10.** অরোইবদা, মথক্কী থোঙথাংশিং অসি মপাঙ্গল কনথৎনবা অমসুং পাঙথোক্নবা শিনশালোন (টেক্নোলোজি) বু নমদুনা শীজিন্নগনি। অহলশিংনা মহৈ তম্নবগী মগুন লৈবা শিনশালোনদা য়ুম্ফম ওইবা থন্নলমশিং থূদম ওইনা, এপশিং, ওনলাইন কোর্সশিং/মোড্যুলশিং, সেটলাইটতা য়ুম্ফম ওইবা টিভি চেনেলশিং, ওনলাইনদা ফংবা লাইরিকশিং অমসুং আই টি টিগী মপোৎ-মচৈ য়াওরবা লাইব্রেরিশিং অমসুং অহলশিংবু মহৈ-মশিং তম্বীফমশিং (এডল্ট ইডুকেশন সেন্টরশিং) অসিনচিংবসি লৈঙাক্কী অমসুং লৈত-লায়রশিংগী তেংবাঙ পীনবা থোঙথাংশিং লোয়ন-লোয়ননা মীয়ামগী মতেংদগী অমসুং অথোই-অহেন চাংদম্নবশিংগী থুথাংদগী শেমগৎকনি। অয়াম্বা মফমদা মগুন লৈবা অহলশিংবু মহৈ-মশিং তম্বীবা (এডল্ট ইডুকেশন) অসি ওনলাইনদা নৎত্রগা অনী পূনশিনবা মওংদা চথগনি।

## 22. ভারতকী লোলশিং, ফিরেপলোনশিং (আর্টস) অমসুং নাৎ-চৎনবীবু য়োকখৎপা

**22.1.** ভারত অসি, চহী লীশিং কয়া চঙনা শেমগৎলকথিবা অমসুং ফিরেপলোনশিংগী (আর্টসকী) মওংদা, খোরীরোলগী থবকশিংদা, তোপ-তোপ্পা চৎনবীশিংদা, মীরোল কয়াদগী লৈরক্লবা চৎনবীশিংদা, লোনগী মফোঙদোকশিংদা, থূৎ-শা হৈবগী

পোথোকশিংদা, পুৱারীগা শাগোন্নবা অরিবা মফমশিংদা অমসুং অতৈ কয়াদা উথোক্লিবা তাঙলবা লনগৈনি। অকোয়বদা লৈরিবা মালেম মী ক্রোর ক্রোর কয়ানা মসিগী নাৎ-চৎনবীগী লম অসিদা নুমিৎ থুদিংগী শরুক য়ারি, নুংঙাইবা ফংলি অমসুং কান্নবা লৌরি, লমকোয়বগী ওইনা ভারত্তা লাক্কুনা, ভারতকী মীয়োক-মীচান ফবা মতৌবু থেংনজদুনা, ভারতকী থূৎনা শাবা পোৎশিং অমসুং থূৎনা শাবা ফি লৈদুনা, ভারতকী অরিবা খোরীরোল পাদুনা, য়োগা অমসুং ধ্যান তৌদুনা, ভারতকী ৱাংঙুরোলনা পূক্লিং থৌগৎলদুনা, ভারতকী তোপ-তোপ্পা কূম্মৈ-ফিয়োংশিংদা শরুক য়ারদুনা, ভারতকী মথল য়াম্লবা ঈশৈ-নোংমাই অমসুং ফিরেপলোনগী ফজববু থাগৎলদুনা, অমসুং ভারতকী ফিল্মশিং য়েংদুনা, মসিদা নত্তনা অতৈ কয়াসু তৌদুনা। মসিগী নাৎ-চৎনবী অমসুং মহৌশাগী লন অসিননি ভারতকী টুরিজমগী খোল্লাও ওইরিবা "থাজবা ঙমদবা, অঙকপা ভারত" ("ইনক্রেডিবল ইন্দিয়া") হায়বদু ওইহল্লিবসি। ভারতকী নাৎ-চৎনবীগী লন অসিবু ঙাক-শেন্দুনা থম্বা অমসুং য়োকথৎপা হায়বসি লৈবাক অসিগী য়াম্না মরুওইবা থবক্নি, মরমদি মসি লৈবাক অসিগী মশক তাক্নবগীদমক অমসুং শেল-থুমগী ফিভমগীদমক তশেংনা মরুওই।

**22.2.** ভারতকী ফিরেপলেন অমসুং নাৎ-চৎনবীবু য়োকথৎপা অসি লৈবাক অসিগীতা নত্তনা মীপুম থুদিংমক্কীসু মরুওই। নাৎ চৎনবী থঙহনবা অমসুং মসিবু ফোঙদোকপা ঙম্বা অসি অঙাংশিংদা শেমগৎপীগদবা মরুওইবা লৌশিং অমনি হায়না লৌনৈ; মসি মখোয় মশাদা মরৈবাক্কী মশক থঙজনবা, লৈবাক অদুদা লৈরিবনি হায়না থন্ননবা লোয়ন-লোয়ননা অতোপ্পগী নাৎ-চৎনবী অমসুং মশকবু ইকায়খুম্নবগীদমক্নি। মশাগী নাৎ-চৎনবীগী পুৱারী, ফিরেপলোন, লোলশিং অমসুং চৎনবীগী মরমদা চেৎনা থনবা অমসুং ফজনা থঙবা অসিনা অঙাংশিংদা অফবা নাৎ-চৎনবীগী মশক অমা শাগৎপা অমসুং মশানা মশাবু ইকায়খুম্নবা ঙমহল্লি। অসুম্না নাৎ-চৎনবী মশক থঙবা অমসুং ফোঙদোকপা হায়বসি লন্নাই মীওই অমগী অমসুং থুন্নাইগী নুংঙাই-য়াইফবদা মরুওইবা মতেং পাংলিবশিংনি।

**22.3.** ফিরেপলোনগী মশক-মওংশিং (আর্ট ফোর্মশিং) অসি নাৎ-চৎনবী থঙহন্নবা অচৌবা পাম্বৈ অমনি। ফিরেপলোনগী মথলশিং অসিনা নাৎ-চৎনবীবু মপাঙ্গল কনখৎহনবা, থঙহনবা অমসুং থুন্নাইবু ৱাংনা থাঙ্গৎপদা নত্তনা মী অমমমগী থঙবা ঙম্বগী অমসুং শেমগৎ-শাগৎনবা ৱাখল থোকপগী মঙম/থবক তৌবা ঙম্বগী মতীক-ময়াইশিং অদুমপাঙ্গল কনখৎহল্লি অমসুং লন্নাইগী ওইনা নুংঙাইবসু হেনগৎহল্লি। মী অমমমগী নুংঙাইবা/য়াইফবা, থঙবা ঙম্বগী শক্তি শেমগৎলকপা অমসুং নাৎ-চৎনবীগী শক্তম থঙহনবা হায়বশিং অসিনা মরম ওইরগা ঙন্না অঙাংশিংবু চেকশিনবা অমসুং মহৈ তম্বীবদগী হৌরগা মহৈ-মশিং তম্বগী থাক থুদিংমক্তা মথল থুদিংমক্কী ভারতকী ফিরেপলোনশিংবু মহৈরোয়শিংদা তম্বীগদবনি হায়রিবনি।

**22.4.** লোল হায়বসিগা ফিরেপলোন অমসুং নাৎ-চৎনবীগা থাদোক্কবা য়াদনা মরী লৈনৈ। তোঙান-তোঙানবা লোলশিংনা মালেম অসিবু তোঙানবা মওং অমদা উই, অমসুং লোল অমগী শাওঙ (ষ্ট্রকচর) দুগী মরমসিনা লোল অদুবু মমালোন ওইনা ঙাঙলিবা মী অমগী "করিগুম্বা অমবু করম্না থনবা/থঙবা" ("পর্সেপশন ওফ এক্সপরিয়েন্স") হায়বদু লেপ্পী। অকক্লনা, তোপ-তোপ্পা নাৎ-চৎনবী লৈবা মী কাঙবু অমনা ঈমুং-মনুংগী মীওইশিং, অঙম-অথৌশিং, মমান্নবশিং অমসুং শকথঙদবশিং য়াওনা মী অতৈগা ৱা ঙাঙনবগী মওং অসি লোল লোলশিংনা ইথিল পী অমসুং ৱারী-ৱাতায় শান্নবদা শীজিন্নরিবা ৱাঙাং-শাঙাং অমসুং ৱা-থুৎঙাং (টোন) অদুদসু ইথিল পী। লোল অমথক ঙাঙনরিবা মীওই কাঙলূপ অমগী মীশিংনা ৱারী-ৱাতায় শান্নবদা শীজিন্নরিবা ৱাঙাং-শাঙাং, করিগুম্বা অমবু থঙবগী মওং, অমসুং কোইনদবা মতৌ হায়বসি নাৎ-চৎনবী অমগী মমিনি অমসুং লাচন (রেকোর্ড) নি, মতৌ অসুম্না নাৎ-চৎনবী হায়বসি ঐখোয়নগী লোলশিংগী মনুংদা য়াওরি। খোরীরোলগী মওংদা, লীলা-ড্রামাগী মওংদা ঈশৈ-নোংমাইগী মওংদা ফিল্মগী মওংদা অমসুং অসিনচিংবা কয়াগী মওংদা লৈরিবা ফিরেপলোনকী ফজবসি লোল য়াওদ্রবদি ঐখোয়না মপূং ফানা থঙবা ঙম্লোই। নাৎ-চৎনবীবু কন্নবা অমসুং য়োকথৎনবগীদমক মী অমনা নাৎ-চৎনবীদুগী লোল অদু কনগদবনি অমসুং য়োকথৎকদবনি।

**22.5.** লাইবক থীবদি, হৌখিবা চহী ৫০ গী মনুংথক্তদা লোল ২২০ হেন্না মাঙজখ্রবা লৈবাক অসিদা, ভারতকী লোলশিং অসিদা ফংফম থোকপা মীৎয়েং চঙবগী চাং অমসুং চেকশিনবা অদু ফংদনা লাক্লে। য়ুনেস্কোনা ভারত্তা ঙাঙনরিবা লোল ১৯৭ দি থুদোংখিবা তারবা লোননি হায়না লাউথোকখ্রে। অথন্ননা মশাগী লৈজদবা লোলশিং মূৎথিবা য়াবগী অকিবা লৈরে। লোল অদুবু ঙাঙনরম্বা য়েলহৌমী (ট্রাইব) নৎত্রগা মীওই কাঙলূপ অদুগী অহল ওইরবা মীওইশিংনা লৈখিদবদা, লোলশিং অদুসু মখোয়গা লোয়ননা অদুম্মক মাঙখি; অয়াম্বা মতমদা ইনাক-খুল্লবা লোলশিং/নাৎ-চৎনবীগী ফোঙদোক্নবা পাম্বৈশিং অসিবু কন্ননবা নৎত্রগা লাচনশিন্দুনা (রেকোর্ড তৌদুনা) থম্ননবা ময়াম পূন্না থবক অমত্তা নৎত্রগা পাম্বৈ অমত্তা পায়থৎহৌদে।

**22.6.** মসিগীসু মথক্তা, মূৎথিবা য়াবগী থুদোংথীবা তারবা লোননি হায়রিবশিং অদুগী মরক্তা লোয়শঙগী (ওফিসিয়েল্লি) য়াওদ্রিবা লোলশিং, থূদম ওইনা, ভারতকী লৈঙাক-পথাপকী নিপানশুবা সেড্যুলদা চল্লিবা লোল ২২, অসি য়াওনা মায়কৈ কয়াদগী অরুবা মতাং কয়া মায়োক্নরি। ভারতকী লোলশিংবু তম্বীবা অমসুং হৈহনবা হায়বসিগা স্কুল অমসুং অৱাংবা থাক্কী

মহৈ-মশিংগা থাক থুদিংমক্তা পূনশিনগদবনি। লোল অমবু ঙাঙনদুনা অমসুং হিংহন্দুনা লৈহন্নবগীদমক লোলশিং অদুদা তম্ন-লাইরিক (টেক্সবুক) শিং, ৱর্কবুকশিং, ভিডিওশিং, লীলা-ড্রামাশিং, শৈরেংশিং, ৱারী-লীশাংশি (নোভেলশিং), চফোঙশিং (মেগাজিন) শিং অসিনচিংবগী অফবা মগুন লৈবা তম্নবা অমসুং নমথোক্লবা পোৎশিংগী লেপ্তনা চেন্থরিবা ঈচেল অমা লৈগদবনি। থ্বাইদগী নৌবা ৱাথোক অয়াম্বা অমসুং নুংলোন (কন্সেপ্ট) শিং) অদু লোলশিং অদুদা মায়-পাক্লা থন্ন-নৈনবা ঙম্নবা লোলশিং অদু মখোয়গী ৱাহৈ-পূক্কে (ভোকেব্যুলরি) অমসুং লোনগৈ (ডিক্সনরি) দা লেপ্তনা লোয়শঙগী (ওফিশিয়েল) ওইবা মওংদা মতম মতমগী ওইনা অনৌবা ৱাহৈ হাপচিনবা অমসুং পাক-শন্না থঙহনবা মথৌ তাই। অসিগুম্বা তম্ন-মচাকশিং, নমথোক্লবা মচাকশিং থম্বা ঙম্বা অমসুং মালেমগী লোল অতৈদগী মরুওইবা মচাকশিংবু ৱাহন পীবা অমসুং ৱাহৈ-পূক্কেদা লেপ্তনা অনৌ-অনৌবা হাপচিনবা হায়বশিং অসি ইংরাজী, ফ্রেঞ্চ, জর্মন, হিব্রু, কোরিয়ন অমসুং জপানিজগুম্বা মালেমগী লোল কয়ানা তৌরি। অদুমওইনমক, ভারত্তি লোলশিং অসিবু থম্মোয় শেংনা হিংহন্দুনা অমসুং ঙাঙনদুনা থম্বদা মতেং পাংনবগীদমক অসিগুম্বা তম্নবা অমসুং নমথোক্লবা মচাকশিং অমসুং লোনগৈ (ডিক্সনরি) শিং অসি পুথোকপদা থোঙজেল য়াম্না তপথরি।

**22.7.** অহেনবা অমনা, থোঙথাং কয়া পায়থৎলবসু, ভারত্তা হৈ-শিংলবা লোল তম্বীবা ঙম্বা ওজা মশীং য়াম্না ৱাৎলি। লোল অদুগী থোরীরোল, ৱাহৈ-পূক্কে অমসুং লোন্মীৎ (গ্রাম্মার) থক্তা নত্তনা লোল অদু হেন্না থঙ-হৈনবা, লোল অদুদা মীগা ৱারী-ৱাতায় শাবা অমসুং মী থেংনবা ঙম্নবা মঙমদা হেন্না পূক্লিং চঙনবা লোল তম্বীবগী থবক অসিসু ফগৎহল্লগনি। লোলশিং অসি ৱারী-ৱাতায় শান্নবদা অমসুং তম্বীবা-তম্বগী থবক্তা পাক-শন্না শীজিন্নগদবনি।

**22.8.** স্কুলগী অঙাংশিংদা লোলশিং, ফিরেপলোনশিং (আর্টস) অমসুং নাৎ-চৎনবী থঙহন্নবা পায়থৎকদবা থোঙথাং ময়াম অমা ৪শুবা পন্দুপতা থন্নরে, মদুদা স্কুলগী থাক পূম্নমক্তা ঈশৈ-নোংমাইদা, ফিরেপলোনশিংদা, থূৎ-শা হৈবগী পোৎ শেম-শাবদা হেন্না পূক্লিং চঙবা; লোল ময়াম অসিবু য়োকথৎনবা লোল অহুম তম্বগী শুপ্তাক (থ্রি-লেঙ্গুৱেজ ফার্ম্যুলা) ; য়ারিবমথৈ য়ুমদুগী/লৈকায়দুগী লোনদা তাকপী-তম্বীবা; লৈকায়-লমদমদুগা চানবা হীরমশিংদা মাষ্টর ইন্সট্রক্টর ওইনা লমদুগী/লৈকায়দুগী থোইদোক-হেন্দোক্লা ফরবা আটিষ্টশিং, অইবশিং, থূৎ-শা হৈবশিং অমসুং অতৈ অথঙ-অহৈশিংবু নেকপা; তাইবংলোন (হুমেনিটিজ), ফিরেপলোনশিং, থূৎ-শা হৈবা অমসুং শান্ন-থোৎনবগী তম্ন-হীরম (করিক্যুলম) দা, হেক মরী লৈনবা মফমদা, য়েলহৌমী (ট্রাইবেল) শিংগী অমসুং অতৈ লম লমগী লৌশিং য়াওবা পারি-পুরিদগী লৈরক্লবা ভারতকী লৌশিংবু চপ চানা হাপচিনবা; মহৈরোয়শিংনা মশাগী শেমগৎ শাগৎপগী ৱাথল থোকপগী, ফিরেপলোনগী ওইবা (আর্টিষ্টিক), নাৎ-চৎনবীগী অমসুং লাইরিক-লাইশু তম্বগী (একাডেমিক) লম্বী শেমগৎচনবা অপাম্বা কোর্স থনবা ঙম্নবা, তম্ন-হীরম (করিক্যুলম) দা য়াম্না কোমথোকপা/হোংদোক-হোংজিন য়াহনবা, মরুওইনা সেকেণ্ডরি স্কুলশিংদা অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংদা, হায়বশিংসি য়াওরি।

**22.9.** অকোনবগী মরুওইবা থোঙথাংশিং অসি থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্নবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং (হাইয়র ইদুকেশন) গী থাক্তা অমসুং মদুগীসু ৱাংমদা থবক ময়াম অমা পূন্না মতম অমত্তদা পায়থৎলগনি। ইহান হানবদা মথক্তা পনখ্রিবা কোর্স ময়াম অসি শেমগৎনবা অমসুং তম্বীনবা য়াম্না ফরবা ওজাশিংগী অমসুং ফেকল্টিগী কাঙলূপ অমা শেমগৎলগনি। ভারতকী লোলশিং, চাংদম্নবা থোরীরোল (কম্পরেটিভ লিটরেচর), ৱাথল থোক্লা শেমগৎ-শাগৎতুনা ইবা (ক্রিয়েটিভ রাইটিং), ফিরেপলোনশিং (আর্টস), ঈশৈ-নোংমাই, ৱাংঙুরোল (ফিলোসোফি) অসিনচিংবগী অরিংবা লোয়শঙশিং (ডিপার্টমেন্টশিং) অমসুং কোর্সশিং লৈবাক শীনবা থুংনা হৌদোক্লগনি অমসুং হীরমশিং অসিদা চহী-৪গী বি এড ডিগ্রী য়াওবা ড্যুএল ডিগ্রীশিং (ডিগ্রী অনী মতম অমত্তদা পীবা) শেমগৎলগনি। মসিগী লোয়শঙ (ডিপার্টমেন্ট) শিং অমসুং প্রোগ্রামশিং অসিনা অফবা মগুন লৈবা লোনগী — লোয়ন-লোয়ননা ফিরেপলোনগী, ঈশৈ-নোংমাইগী, ৱাংঙুরোলগী অমসুং ইবগী — ওজা ময়াম অমা শেম্বদা মরুওইনা মতেং পাংগনি। মসিগী লমশিং অসিদা অফবা মগুন লৈবা থিজিন-হুমজিনবগী থবক্তা এন আর এফনা শেল থাদগনি। লমদমদুগী/লৈকায়দুগী ঈশৈ-নোংমাই, ফিরেপলোন, লোল অমসুং থূৎ-শা হৈবগী থবকপু থঙহন্নবা অমসুং মখোয়না তল্লিবা লমদুগী নাৎ-চৎনবী অমদি লৌশিংবু মহৈরোয়শিংদা থঙহন্নবা লমদমদুগী থোইদোক-হেন্দোক্লা থঙ-হৈরবা আর্টিষ্ট (কলাকার) শিং অমসুং থূৎ-হৈবশিংবু মতেং পাংবীবা ওজা (গেষ্ট ফেকল্টি) ওইনা নেক্কনি/শীজিন্নগনি। মহৈরোয়শিং অদুদা ফিরেপলোন, ৱাথল থোক্লা শেমগৎ-শাগৎপা অমসুং লমদম অদুগী/ভারতকী ইনাকখুল্লবা লনগৈশিং মশক থঙহন্নবগীদমক অৱাংবা থাক্কী মহৈকোল (হাইয়র ইডুকেশন ইন্সটিট্যুশন) পূম্নমক অমসুং স্কুল নৎত্রগা স্কুল কমপ্লেক্স পূম্নমক্তা লেঙদনা লৈগদবা আটিষ্টশিং (আর্টিষ্ট (স) -ইন-রেসিডেন্স) লৈহন্নবা পান্দম থমগনি।

**22.10.** হেন্না শরুক য়াবা ফংনবা অমসুং জি ই আর (গ্রোস ইনরোলমেন্ট রেশিও) হেনগৎনবা, অমসুং ভারতকী লোল থুদিংগী মপাঙ্গল, শীজিন্নফম অমসুং হিংদুনা লৈবা ফিভম অসিসু য়োকথৎনবা, অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী লমদা অহেনবা ঐ চ ই আই শিংদা অমসুং প্রোগ্রামশিংদা তাকপী-তম্বীবগী লোল (মেডিয়ম ওফ ইন্সট্রক্সন) ওইনা মমালোন/লমদুগী লোল শীজিন্নগনি

অমসুং/নৎত্রগা লোল অনীগী প্রোগ্রামশিং তমহনগনি। লন্নাইগী ঐচ ই আই শিংবুসু ভারতকী লোলশিংনা তাকপী-তম্বীবগী লোল ওইনা শীজিন্নবা অমসুং/নৎত্রগা লোল অনীগী ওইবা প্রোগ্রামশিং তম্বীনবা থৌনা হাপ্পীগনি অমসুং পূক্নিং থৌগৎপীগনি। লোল অনীদা তম্বীরিবা চহী মরি চঙবা বি এড কী ডিগ্রী অনী পীবা প্রোগ্রামশিংনা লৈবাক শীনবা থুংনা লৈরিবা স্কুলশিংদা চুপ্লৌ (সাইন্স) অমসুং অঙ্ক তম্বীনবা ওজাশিংবু ট্রেনিং পীবা অসিনচিংবদা মতেং পাংগনি।

**22.11.** ভারতকী ফিরেপলোন অমসুং নাৎ-চৎনবীবু কন্নবা অমসুং য়োকখৎনবা, ভারতকী লোলশিংদা অৱাংবা থাক্কী মগুন লৈবা মচাকশিং শেমগৎনবা, থূৎ-শা হৈবগী পোথোকশিংবু য়োক্তুনা থম্নবা, ম্যুজিয়মশিং অমসুং পুৱারীগা শাগোন্নজরকপা নৎত্রগা লমকোয়বশিংনা লাক্কদবা মফমশিংবু পান্ননবা অমসুং শেন্ননবা লোয়ননা তুরিজম শিনশঙ (ইণ্ডষ্ট্রি) বু পাক-শন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা, অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী কাঙলোন (হাইয়র ইডুকেশন সিষ্টেম) দা হন্দোকপা অমসুং ৱাহন্থোক পীবা (ট্রান্সলেশন এণ্ড ইন্টরপ্রিটেশন), আর্ট এণ্ড ম্যুজিয়ম, এডমিনিষ্ট্রেশন, আর্কিওলোজি, আর্টিফেক্ট কঞ্জর্ভেশন, গ্রাফিক ডিজাইন অমসুং ৱেব ডিজাইনগী অৱাংবা থাক্কী মগুন লৈবা প্রোগ্রামশিং অমসুং ডিগ্রীশিং শেম্লগনি।

**22.12.** ভারতকী ইনাকখুল্লবা থেন্নবা মথল কয়া অসি মহৈরোয়শিংনা হকথেংননা শকখঙগদবনি হায়বসি থৌশিল অসিনা খঙই। মসি হায়বদি টুরিজমদা ইনোৎ পীবদা নত্তবা ভারতকী থেন্নবা ময়াম, নাৎ-চৎনবী, পারি-পুরিদগী চথরকপা চৎনবীশিং অমসুং ভারতকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংগী লৌশিংবু মমূৎ তানা খঙবা ঙম্নবা অমসুং মসিগী ফজবগী মমল লেপ্পা ঙম্নবা, মহৈরোয়শিংনা ভারতকী তোঙান-তোঙানবা লমশিংদা কোয়বা চৎপা হায়বগুম্বা ইচম-চম্বা থবক থরা য়াওগনি হায়বনি। মসিগীদমক্তা, “এক ভারত শ্রেস্থ ভারত” হায়বা থৌরাংগী মখাদা লৈবাক অসিগী লমকোয়বশিংগী পন্থুংফম ওইগদবা মফম ১০০ থন্দোক্লগনি, মফমশিং অদুদা মহৈ- তম্ফমশিংনা মখোয়গী মহৈরোয়শিং থাগনি — মসি মফমশিং অদুগী মরমদা মখোয়দা লৈরিবা লৌশিং অদু হেনগৎহন্নবগী শরুক অমা ওইনা মফমশিং অদু নৈননবা অমসুং মখোয়গী পুৱারী, চুপ্লৌশিংগী ওইবা মশরুক থাংদোকপা (সাইন্টিফিক কন্ট্রিব্যুশন), থায়নদগী লৈরক্লবা চৎনবীশিং, লমদমদুগী থোরীরোল অমসুং লৌশিং অসিনচিংবা নৈননবনি।

**22.13.** অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং (হাইয়র ইদুকেশন) দা লোলশিংগী অমসুং তাইবংলোন (হুমেনিটিজ) গী লমশিংদা অসিগুম্বা প্রোগ্রামশিং অমসুং ডিগ্রীশিং শেমগৎপা হায়বসি, হায়রিবা ক্বালিফিকেশনশিং অদু মায়-পাক্না শীজিন্নবা ঙম্নবা থবক ফংনবগী ময়াম অমা শেমগৎপগা লোয়ননা লাক্কনি। নীংথিনা থবক তৌনবগীদমক মতীক চারবা মীওইশিং য়াম্না ৱাৎলিবা একাডেমি, ম্যুজিয়ম, আর্ট গেলরি অমসু পুৱারীগা শাগোন্নবা মফম (হেরিটেজ সাইট) চা কয়া কয়া হান্ননা লৈরে। অহাঙবা ফমশিং অদু মতীক চাবা মীশিং থবক হাপতুনা মেনশিল্লবা তুংদা, মথা তানা থূৎ-শা হৈবগী পোথোকশিং লৈশিল্লবগী তুংদা, অমসুং ঙাক-শেন্দুনা থম্লবগী তুংদা, মালহনবা (ভর্চুয়েল) ম্যুজিয়মশিং/ই-ম্যুজিয়মশিং য়াওনা অহেনবা ম্যুজিয়ম কয়ানা, গেল্লরিশিংনা অমসুং পুৱারীগা শাগোন্নবা মফম কয়ানা ঐখোয়গী ইপা-ইপুনা থম্বিরম্বা অরিবা লন-থুমশিংবু কনবদা অমসুং লৌশিং অদু হেনগৎহন্নবা ভারতকী টুরিজম শিনশঙ (ইণ্ডষ্ট্রি) দা থূদোল তম্লকপা য়াই।

**22.14.** অৱাংবা থাক্কী মতীক-মগুন লৈবা তম্ন-মচাকশিং অমদি অইবা ওইনা লৈরিবা অমদি চিন্হাং ওইনা লৈরিবা অতোপ্পা মরুওইবা মচাকশিং অসি ভারতকী তোঙান-তোঙানবা লোলশিংদা অমসুং মীরমগী লোলশিংদা মীয়ামদা খঙহন্নবগীদমক ভারত্তা হন্দোকপগী অমসুং ৱাহন্থোক পীবগী (ট্রান্সলেশন অমসুং ইন্টরপ্রিটেশনগী) থবকশিং অসি য়াম্না থুনা পাকথোক-চাউথোকহল্লগনি। মসিগীদমক্তা ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুৎ ওফ ট্রান্সলেশন এণ্ড ইন্টরপ্রিটেশন (আই আই টি আই) অমা লিংখৎলগনি। অসিগুম্বা মহৈ-তম্ফমশঙ অসিনা লৈবাক অসিগীদমক তশেংনা মরুওইরবা থবক অমা তৌগনি, লোয়ন-লোয়ননা লোল ময়াম অমা হৈরবা লোনগী অমসুং হীরম অমদা নীংথিনা খঙ-হৈরবা মীওই (লেঙ্গুৱেজ এণ্ড সবজেক্ট এক্সপর্ট) ময়াম অমা থবক পীগনি অমসুং ভারতকী লোলশিংবু য়োকখৎপদা মতেং পাংগদবা হন্দোকপা অমসুং ৱাহন্থোক পীবদা হৈশিংলবা মী ময়াম অমসু থবক পীগনি। আই আই টি আই অদুনা হন্দোকপগী অমসুং ৱাহন্থোক পীবগী থবক্তা মতেং পাংনবগীদমক শিনশালোন (টেক্নোলোজি) পাক-শন্না শীজিন্নগনি, আ আই টি আই অদু মতমগী মতুং ইন্না হেন্না চাওখৎলক্কনি, অমসুং পাম্নবা হেনগৎলকপা অমদি মতীক চাবা মী মশীং হেনগৎলকপগী মতুং ইন্না অতৈ থিজিন-হুমজিনবগী থবক তৌরিবা লোয়শঙ (ডিপার্টমেন্ট) শিংগা মতেং পাংনবদা হেন্না খুদোং চানবগীদমক, ঐচ ই আই শিং য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পূন্না লৈবা য়াই।

**22.15.** সংস্কৃত লোনগী পাক-চাউরবা অমসুং শীংথানীংঙাই ওইবা থূদোল ময়াম অমসুং মথল থুদিংগী অমদি হীরম কয়াদা লৈরিবা থোরীরোল, নাৎ-চৎনবীগী ওইবা মাগী মরুওইবা, অমসুং মাগী চুপ্লৌ ওইবা মওং (সাইন্টিফিক নেচর) অসিনা মরম ওইরগা সংস্কৃত পাথশালাশিং অমসং তাইবং-মহৈকোলশিং অসিথক্তদা ফাজিন্দুনা থম্বগী মহৎতা, স্কুলদা থৱায় য়াওনা তম্নবা - লোন অহুমগী শুপ্তাক (থ্রি-লেঙ্গুৱেজ ফোর্ম্যুলা) অদুগী মনুংদা থনগদবা লোল অমা ওইনা য়াওহন্দুনা - লোয়ন-লোয়ননা

অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংদসু হাপচিন্দুনা লোল অসি ময়াম মরক্তা তিলহনগনি। লোল অসি মা মতোমতা তোঙান্না থাইদোক্লনা তম্বীরোই, মদুগী মহুৎতা নুংঙাইবা অমসুং অনৌবা মওংশিংদা তম্বীরগনি অমসুং অঙ্ক, এষ্ট্রোনোমি (নোংথক্কী ওইবা পোৎশিং অমসুং থৌদোকশিং নৈনবা), ৱাংঙুরোল, লোন্মীৎলোন (লিঙ্গুইষ্টিক্স), লীলা-ড্রামা নৈনবা (ড্রামাটিক্স), য়োগা অসিনচিংবা হৌজিক্কী মতমগী অমসুং মরী লৈনবা হীরম অতৈগা শমজিন্নগনি। মতৌ অসুম্না, থৌশিল অসিগী লেমহৌরিবা শরুকশিং অদুগা চাননা, সংস্কৃত তাইবং-মহৈকোলশিং অসিসু হেন্না ৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্নবা হীরম কয়া তম্নবা অচৌবা মহৈকোল ওইরক্কনি। তাকপী-তম্বীবগী থবক তৌবা অমদি সংস্কৃত অমসুং সংস্কৃতকী লৌশিং কাঙলোন (সংস্কৃত নোলেজ সিষ্টেম) দা তোপ-তোপ্পা মওংদা হীরম কয়াগী ওইবা থিজিন-হুমজিনবগী থবক তৌবা সংস্কৃতকী ডিপার্টমেন্ট (লোয়শঙ) কয়া অমা অনৌবা হীরম কয়া তম্নবা লৈরিবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী কাঙলোন অসিগী মথাদা লিংথৎলগনি/মপাঙ্গল কনথৎহল্লগনি। মহৈ অমনা পামদুনা থল্লবদি সংস্কৃত অসি মপূং ফাবা হীরম কয়াগী ওইবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী শরুক অমা ওইরগনি। চহী– ৪গী ওইবা পূনশিল্লবা হীরম কয়াগী ওইবা বি এড প্রোগ্রামগী মথাদা সংস্কৃতকী য়াওনা ডিগ্রী অনী অমুক্তদা ফংবা (ড্যুএল ডিগ্রী) কোর্স তমদুনা লৈবাক শীনবা থুংনা অকনবা থোঙজং (মিশন মোডতা) চঙশিন্দুনা সংস্কৃত ওজা ময়াম অমা শিনফম অসিগীদমক মতীক চাবা মী ওইনবা হোৎনগনি।

**22.16.** মরম চানা চঙফম থোকপা মীৎয়েং চঙদনা লৈরিবা থূৎই-লাইরিক (মেনুস্ক্রিপ্ট) লীশিং কয়া কয়া অসিবু থোমজিন্নবা, ঙাক-শেন্দুনা থম্নবা, হন্দোক্লবা অমসুং নৈননবা য়াম্না কন্না হোৎনবগা লোয়ননা অরিবা/লীশৈ লোলশিং (ক্লাসিকেল লেঙ্গুৱেজস) অমসুং থোরীরোল (লিটরেচর) পূম্নমকপু নৈনরিবা মহৈকোলশিং অমসুং তাইবং-মহেকোলশিং অসি ভারতনা চপ মান্নবা মওংদা পাকথোক-চাউথোক্কনি। লৈবাক্কী মফম শিনফম শীনবা থুংনা লৈরিবা সংস্কৃত অমসুং ভারতকী লোলশিং তম্নবা মহৈকোলশিং অমসুং অসুক য়ামথ্রবা থূৎই-লাইরিকশিং (মেনুস্ক্রিপ্টশিং) অসি নৈননবা অমসুং মথোয়গা অতৈ হীরমশিংগা লৈনরিবা মরী অদু অথন্ননা তম্নবা অনৌবা মহৈরোয় ময়াম অমদা মতীক চানা তাকপী-তম্বীদুনা, শীংথানীংঙাই ওইবা মওংদা মপাঙ্গল কনথৎহল্লগনি। অরিবা/লীশৈ লোল (ক্লাসিকেল লেঙ্গুৱেজ) তম্নবা মহৈকোলশিং, অসি, মপাঙ্গল কল্লবা অমসুং মপূং ফানা চেকশিল্লবা হীরম কয়া তম্নবা থৌরমগী প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা, ওজাশিংনা থবক শুনবা অমসুং মহৈরোয়শিংবুসু অথন্ননা তম্বীনবা (ট্রেন তৌনবা), মশাগী মনীংতম্বা মাঙহন্দনা, তাইবং-মহৈকোলশিংগা পূনশিন্নবা পান্দম থমগনি। লোনগীদমক, হীরম কয়া তম্নবা মহৈকোলশিং অসি, চপ মান্নবা পান্দম ফংনবগীদমক, হীরম কয়া তম্নবা মহৈকোল ওইরক্লগনি, অদুগা মরী লৈনবা মফমদনা, লোল অদু তম্বীনবা থোইদোক-হেন্দোক্লা ফরবা ওজা ওইনা শেমগৎলক্লবগীদমক, মহৈকোলশিং অদুদা অমনা বি এড অদুগা অমনা লোল অমদা, অমুক্তদা ডিগ্রী অনী পীনবা কোর্স হাংদোকপসু য়াই। মথা তানা লোনগীদমক অনৌবা মহৈকোলশিং হাংদোক্লবা ৱাফমসু হৌদোক্লি। তাইবং-মহৈকোল অদুগী লৈফমদুদা (কেম্পসতা) পালি, পর্সিয়ন অমসুং প্রাকৃট লোনগী নেশনেল ইন্সটিট্যুৎ (নৎত্রগা ইন্সটিট্যুৎশিং) সু লিংথৎলগনি। ভারতকী ফিরেপলোন (আর্ট), ফিরেপলোনগী পুৱারী অমসুং ইন্দোলোজি নৈনবা (ভারতকী পুৱারী, থোরীরোল, ৱাংঙুরোল অমসুং নাৎ-চৎনবী নৈনবা) মহৈকোলশিং অমসুং তাইবং-মহৈকোলশিংদা চপ মান্নবা থোঙথাংশিং লৌথৎকনি। হায়রিবা হীরমশিং অসিদা থিজিন-হুমজিনবা অমসুং থোইদোক-হেন্দোক্লা ফরবা থবক তৌবদা এন আর এফ না শেল থাদগনি।

**22.17.** অরিবা, য়েলহৌমী (ট্রাইবেল) শিংগী ওইবা অমসুং থুদোংথীবা তারবা লোলশিং য়াওনা ভারতকী লোল থুদিংমক কন্নবা অমসুং য়োকথৎনবা থবক কয়া অনৌবা থৌনাগা লোয়ননা পায়থৎকনি। শিনশালোন অমসুং মীয়ামগী মতেং লৌবা (টেক্নোলোজি এণ্ড আওটসোর্সিং) অদুনা, মীয়াম্না পাক-শন্না শরুক য়াবগা লোয়ননা, থবকশিং অসিদা মরু ওইবা থৌদাং অমসু লৌগনি।

**22.18.** ভারতকী লৈঙাক-পথাপকী নিপালশুবা সেড্যুলদা পল্লিবা লোল থুদিংমক্কী, থ্বাইদগী নৌবা ৱাথল্লোনশিংগী ইচমদি চম্বা অদুবু চপ চাবা ৱাহৈ-ৱাতা লেপথোক্লবা, অমসুং (মালেমগী অকোয়বদা লৈরিবা লোলশিংগীদমক মায়-পাক্লা হোৎনরিবশিং অদুগা মান্ননা) চাং নাইনা থ্বাইদগী নৌবা লোনগৈ (ডিক্সনরি) পুথোক্লবগীদমক, থ্বাইদগী অফাওবা অথঙ-অহৈশিং (স্কালরশিং) অমসুং লোল অদুবু ঙাঙনরিবা মীশিং য়াওবা একাডেমিশিং লিংথৎকনি। একাডেমিশিং অসিনা, হেক য়াবা মফমশিংদা মান্নবা ৱাহৈশিং শীজিন্নদুনা তৌগনি অমসুং মতাং থরদদি মীয়ামদগী থ্বাইদগী ফবা ৱাথল্লোন (মোৎ) শিং লৌগনি। মহৈ-মশিং তম্বগী লমদা, ঈ-পাওগী থবক্তা (জর্নেলিজমদা), ইবগী থবক্তা, ঙাঙনবা ৱা ইবদা/শেম্বদা (স্পিচ মেকিং) অমসুং অতৈ কয়াদা শীজিন্ননবা, লোনগৈ (ডিক্সনারি) শিং অসি পাক-শন্না শীজিন্নগনি অমসুং ৱেভতা লোয়ন-লোয়ননা লাইরিক ওইনসু ফংহনগনি। নিপানশুবা সেড্যুলগী লোলশিং অসিগী একাডেমিশিং অসি ময়ায়- লৈঙাক অমসুং মনুং-লৈঙাকশিং (সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টশিং) গা তান্নরগা নৎত্রগা মতেং পাংনরগা লিংথৎকনি। মীনা য়াম্না ঙাঙনবা অতোপ্পা লোলশিংগীসু চপ মান্নবা একাডেমিশিংবু ময়োল্লম (সেন্টর) না/মনুংলম (ষ্টেট) শিংনা হাংবা য়াই।

**22.19.** মৃৎথিবা য়াবগী খুদোংথীবা তারবা লোলশিং য়াওনা ভারতকী লোল খুদিংমক অমসুং মখোয়গা শাগোন্নরিবা লমদমদুগী ইনাকখুল্লবা ফিরেপলোন (আর্ট) শিং অমসুং নাৎ-চৎনবী কয়াবু য়োকখৎনবগীদমক, ভারতকী লোল খুদিংমক অমসুং মখোয়গা শাগোন্নরিবা ফিরেপলোনশিং অমসুং নাৎ-চৎনবীশিং অদু ৱেভতা য়ুম্ফম ওইবা প্লেটফোর্ম/পোর্টেল/ৱিকি অমদা নীংথিনা ইশিন্দুনা থমগনি। প্লেটফোর্ম অদুদা, মীয়াম্না (মরু ওইনা অহলশিংনা) লোল অদুবু ঙাঙবা, ৱারী লীবা, শৈরেং থীবা অমসুং লীলা শান্নবা, খুন্নুং ঈশৈ (ফোক শোং) অমসুং জগোয় অমসুং অহেনবা কয়া য়াওবা ভিডিওশিং, লোনগৈ (ডিক্সনরি) শিং, লাচন (রেকোর্ডিং) শিং অমসুং অতৈ-অতৈ য়াওগনি। লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্কী মীয়াম্না, প্লেটফোর্মশিং/পোর্টেলশিং/ৱিকিশিং অসিদা মরী লৈনবা মচাক হাপচিনবীরক্তুনা, থবকশিং অসিদা খুদোল তম্লক্লবা পাউজেল চৎকনি/বার্তন তৌগনি। অসিগুম্বা প্লেটফোর্মশিং অলিবু হেন্না ইনাকখুলহন্নবা তাইবং-মহৈকোলশিং অমসুং মখোয়গী থিজিল্লোয় কাঙবুশিংনা (রিসর্চ টিমশিংনা) মখোয় মশেল অমগা অমগা অমসুং মীয়ামগা পূল্লগা থবক তৌগনি। মসিগুম্বা, কন্নবা হোৎনরিবা থবকশিং অমসুং মরী লৈনবা থিজিনবগী প্রোজেক্টশিং, খূদম ওইনা, পুৱারী (হিষ্টরি), লৈবাক তৌথোক্তুনা অরিবা পোৎ থিবা (আর্কিওলোজি), লোন্মীৎলোন (লিঙ্গুইষ্টিক্স) অসিনচিংবা, অসিদা এন আর এফ না শেল থাদগনি।

**22.20.** তোঙান তোঙানবা চহী মতাংগী মীশিংনা ভারতকী লোলশিং, ফিরেপলোন (আর্ট) শিং অমসুং নাৎ-চৎনবীবু, লমদম লমদমদুগী অথঙবা মীশিংগা (মাষ্টরশিংগা) লোয়ননা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী কাঙলোনগা নৎত্রগা কাঙলোনগী মনুংদা নৈননবগী স্কোলরশিপশিং পীনবা হৌদোক্কনি। ভারতকী লোলশিংবু য়োকখৎপা হায়বসি করিগুম্বদা মখোয়বু চাং নাইনা শীজিন্নরবদি অমসুং মখোয়বু তাকপী-তম্বীবগী অমসুং তম্বগী মথক্তা শীজিন্নরবদি ওইথোক্কনি। ভারতকী লোল খুদিংমক্তা মতীং পানবা, মশা থীংবা শৈরেংশিং, ৱারী-লীশাংশিং (নোভেলশিং) ৱাথলনা শাগৎলগা ইবা নত্তবা লাইরিকশিং (নন-ফিক্সন বুকশিং) তম্ন-লাইরিকশিং (টেক্সবুকশিং), ঈ-পাওগী থবক (জর্নেলিজম) অমসুং অতৈ থবক কয়া লৈহন্নবগীদমক পূক্নিং থৌগৎ-মনাশিং (ইন্সেন্টিভস), খূদম ওইনা, তোঙান-তোঙানবা মথলশিংদা ভারতকী লোলশিংদা ইবা থোইদোক্লা ফজরবা শৈরেং অমসুং ৱারেংশিংনা মনা পীবা, পীগনি। ভারতকী লোলশিং শীজিন্নবদা হৈশিংবা হায়বসি থবক ফংনবগী খুদোংচাবশিংগীদমক লৈরিবা মহৈগী থাক্কী লেপ্পচলশিংগী (পেরামিটরশিংগী) শরুক অমা ওইনা য়াওহল্লগনি।

## 23. শিনশালোন (টেক্নোলোজি) শীজিন্নবা অমসুং অমত্তা ওইনা পূনশিনবা

**23.1.** ঈ-পাও অমসুং ঈ-পাও ফাওনবগী শিনশালোন (ইনফোর্মেশন এণ্ড কম্যুনিকেশন টেক্নোলোজি, আই সি টি) দা অমসুং অতোপ্পা খ্বাইদগী নৌবা লমশিংদা, খূদম ওইনা, তরং-মালং (স্পেস) থিজিনবদা ভারত অসি মালেমগী মাঙজিল থাবা লুচিংবনি। ডিজিটেল ইন্দিয়া কেম্পেইন্না অপূনবা লৈবাক অসিবু ডিজিটেলগী ওইবা মতীক-মঙম লৈরবা অমসুং লৌশিংদা য়ুম্ফম ওইবা শেল-থুমগী ফিভম অমদা হোংলকপদা মতেং পাংলি। অহোংবা অসি পুরকপদা মহৈ-মশিং তম্বনা মরু ওইবা থৌদাং অমা লৌগনি অদুগা শিনশালোন (টেক্নোলোজি) মশানা অমুক মহৈ-মশিং তম্বগী থবকশিং অমসুং তম্বা লোইরকপগী পোলোইগী মহৈ/ফলশিং ফগৎহনবদা মরু ওইবা থৌদাং অমা লৌগনি; অসুম্না থাক খুদিংমক্তা শিনশালোনগা মহৈ-মশিং তম্বগা অনীগী মরী অসি মায়কৈ অনী ফাংবনি।

**23.2.** খোঙজেল য়াঙনা চাওখৎলক্লিবা শিনশালোনগী (টেক্নোলোজিগী) অহোংবশিংনে, শিনশালোন শীজিন্নবদা হৈশিংলবা ওজাশিং অমসুং ওন্ট্রপ্রেন্যর ওইবা মহৈরোয়শিং য়াওনা ওন্ট্রপ্রেন্যরশিংগী মপূং ফাবা শেমগৎ-শাগৎপগী হৈশিংবনে অনীসি পূল্লগা, শিনশালোননা তোঙান-তোঙানবা মওং কয়াদা মহৈ- মশিং তম্বদা ইথিল পীগনি হায়বসিদি শোয়দ্রবনি, মদুগী শরুক খজিক্তনি হৌজিক হৌজিক উবা ঙম্লিবসিদি। খূৎশেমগী লৌশিং (আর্টিফিশল ইন্টলিজেন্স), মেছিনগী মতেংনা মহৈ তম্বা (মেছিন লর্নিং), ব্লোক চেনশিং, স্মার্ট বোর্ডশিং, খূৎনা পায়বা য়াবা মশা মথন্তা অঙ্ক হোৎনবা পোৎশক (কম্প্যুটিং ডিভাইস) শিং, মহৈরোয়শিংগী ফগৎনবা কম্প্যুটরগী মতেংনা চাংয়েং তৌবা অমসুং মহৈ-মশিং তম্বগী সোফ্টৱেয়র অমসুং হার্ডৱেয়র মথল কয়া য়াওনা অনৌবা শিনশালোনশিংনা মহৈরোয়শিংনা ক্লাসরুমদা মহৈ তম্বা হায়বদুখক্তা নত্তনা মখোয়না মতৌ করম্না তম্বা হায়বদু হোংহনগনি, অমসুং মতৌ অসুম্না হায়রিবা লম অনীসিদা অমসুং মদুগীসু ৱাংমদা — শিনশালোনগী লোয়ন-লোয়ননা মহৈ-মশিং তম্বগী লমশিংদা পাক-শন্না থিজিন-হুমজিনবগী মথৌ তাগনি।

**23.3.** মহৈ-মশিং তম্বগী তোঙান-তোঙানবা শরুকশিং ফগৎহন্নবগীদমক শিনশালোন (টেক্নোলোজি) বু শীজিন্নবা অমসুং মহৈ তম্বগা শিনশালোনগা পূনশিন্নবা হায়বসি শৌগৎকনি অমসুং চৎনগনি, তৌবতবু মসিগী থবকশিং অসি চেকশিন্না অমসুং মনুং-মপান ফাওনা থঙবা মওংদা চাংয়েং তৌহৌগদবনি। স্কুলগী থাক্কী অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী, অনীমক্কী ওইনা তম্বগী, চাংয়েং তৌবগী, থৌরাং তৌবগী, শীল্লাংবগী (মেনেজমেন্টকী) অমসুং অতৈ অতৈগী ফিভম ফগৎহন্নবা শিনশালোন শীজিন্নবগী ৱাথল্লোনশিং মনীং তম্না পীথোক-পীশিন তৌনবা ফম্বাক (প্লেটফোর্ম) অমা পীনবগীদমক নেশনেল ইডুকেশনেল টেক্নোলোজি ফোরম (এ ই এফ টি) কৌবা মনীংতম্বা লূপ (ওটোনোমস বোডি) অমা শেম্লগনি। এন ই এফ টি গী

পান্দমদি, মনুং অমসুং ময়ায় লৈঙাক্কী (ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী) মহৈ-লোইশঙশিংগী লুচিংবশিংদা অমসুং অতৈ মরী লৈনবশিংদা থ্বাইদগী নৌবা লৌশিং থঙহন্দুনা শিনশালোন হাপচিনবা, পুশিল্লকপা অমসুং শীজিন্নবগী ৱারেপ লৌবদা অমসুং থিজিন-হুমজিনবগী থবক্তা লোয়ন-লোয়ননা থ্বাইদগী ফবা থবক/চৎনবীশিংগী (প্রেক্তিসশিংগী) মরমদা তান্নবা অমসুং শরুক য়ামিন্নবদা লায়থোকহনবা (ফেসিলিতেৎ তৌবা) অসিনি। এন ই এফ টি না মথাগী থবকশিং অসি পাঙথোক্কনি:

(অ) শিনশালোনদা য়ুম্ফম ওইদুনা পায়থৎলকপা থবকশিং (টেক্নোলোজি বেজড ইন্টরভেনশনশিং) গী মরমদা ময়ায় অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্কী (সেন্ট্রেল অমসু ষ্টেট গভর্নমেন্টকী) এজেন্সিশিংদা থূদম- চাংদমদা য়ুম্ফম ওইবা (ইভিডেন্স বেজ ওইবা) মনীংতম্বা পাওতাক পীবা;

(আ) মহৈ-মশিং তম্বগী শিনশালোন (ইডুকেশনেল টেক্নোলোজি) দা লৌশিংগী অমসুং মহৈ-লোয়শঙগী মতীক-মঙমশিং (কেপাসিটিশিং) শাগৎপা;

(ই) লম অসিদা থ্বাইদগী মরু ওইবা পূক্লিং চঙগদবা শরুকশিং থঙদোকপা; অমসুং

(ঈ) থিজিন-হুমজিন্নবগী অমসুং অনৌবা পুথোকপগী অনৌবা মায়ওন তাকপা।

**23.4.** য়াম্না থুনা হোংলক্লিবা মহৈ-মশিং তম্বগী শিনশালোন (ইডুকেশনেল টেক্নোলোজি) গী লমদা মীগা মীমান্ননা লৈবা ঙম্নবা, মহৈ-মশিং তম্বগী শিনশালোনগী অনৌ-অনৌবা পোৎ পুথোক্লিবশিং অমসুং থবক্তা ওন্থোক্তুনা শীজিন্নরিবশিং য়াওনা তোঙান-তোঙানবা লীথুনশিংদগী (সোর্সশিংদগী) এ টি এফ ই না চাং নাইনা লেপ্তনা অশেংবা অচূম্বা অথোম-ৱারোল (ওথেন্টিক ডেটা) থোমজিন্দুনা থমগনি অমসুং অথোম-ৱারোল অদু কূপ্না নৈননবা (এনালিজ তৌনবা) তোঙান-তোঙানবা থিজিল্লোয় (রিসর্চর) কাঙবু অমা শীজিন্নগনি। লৌশিংগী অমসুং থবক্কী মতীং পানবা লূপ অমা শেম্বদা মতেং পাংনবগীদমক, এন ই টি এফ না নেশনেল অমসুং মালেমগী মহৈ-মশিং তম্বগী শিনশালোন থিজিল্লিবশিংদগী, ওন্নপ্রেন্যরশিংদগী অমসুং থবক তৌরিবশিংদগী মথোয়না পীরকপা ঈ-পাওশিং ফংনবা (ইনপুৎশিং ফংনবা), লমদমগী ওইবা (রিজনেল) অমসুং লৈবাক্কী থাক্কী নেশনেল কনফরেন্সশিং, ৱর্কশোপশিং অসিনচিংবা ময়াম অমা এন এফ টি ই না শীনগনি।

**23.5.** শিনশালোন শীজিন্নবদা হেন্না শাফূ পীশিনগদবা মফমদি তম্বীবগী-তমশিনবগী অমসুং চাংয়েং লৌবগী থবকশিং, ওজা ওইগদবশিং শেম-শাবা অমসুং শিনফমগী ওইনা ফগৎনবা শেমগৎপা, মহৈ-মশিং তম্বীববু মীয়াম্না শরুক য়াবা হেনগৎহনবা অমসুং মীং চনবা, স্কুলদা লাকপা অমসুং চাংয়েং তৌবগী থবকশিং য়াওনা মহৈ-মশিং তম্বগী থৌরাং তৌবা, শীল্লাংবা অমসুং থবক-থৌরমশিং য়েংশিন-খোৎচিন তৌবগী (এডমিনিষ্ট্রেশনগী) থবকশিংবু পরীং চুমহনবা (ষ্ট্রিমলাইনিং) অসিনি।

**23.6.** মথক্তা পনখ্রিবা থবকশিং অসিগীদমক, মহৈ-মশিংগী ওইবা সোফ্টৱেয়র মথল ময়াম অমা শেমগৎলগনি অমসুং থাক খুদিংমক্কী মহৈরোয়শিং অমসুং ওজাশিংদা ফংহনগনি। মসিগী সোফ্টৱেয়রশিং অসি ভারতকী মীশীং য়াম্না ঙাঙনবা মরুওইবা লোলশিংদা লোইনা ফংহনগনি অমসুং অথাপ্পা লমগী মহৈরোয়শিং অমদি “দিব্যাং” ওইরবা মহৈরোয়শিং য়াওনা মথোয়বু শীজিন্নবা মী ময়াম অমনা শীজিন্নবা য়াহনগনি। ষ্টেট পূম্নমক্না মথোয়গী লমগী লোলশিংদা (রিজনেল লেঙ্গুৱেজশিংদা) তম্বীনবগী অমসুং তম্নবগী ই-কন্টেন্ট লেপ্তনা শেমগৎকনি, লোয়ন-লোয়ননা এন সি এ আর টি, সি আই ই টি, সি বি এস ই, এন আই ও এস অমসুং অতৈ লূপশিং/মহৈকোলশিং (বোডিশিং/ইন্সটিট্যুশনশিং) নসু শেমগৎকনি অমসুং ডিকশা (DIKSHA) ফম্বাক্তা (প্লেটফোর্মদা) থাগৎকনি (অপলোড তৌগনি) | ই-কন্টেন্টকী থুথাংদা মসিগী ফম্বাক (প্লেটফোর্ম) অসি ওজাশিংগী শিনফমগী ওইবা ফগৎহনবদা শীজিন্নবা য়াগনি। ডিকশা অমসুং অতোপ্পা মহৈ-মশিং তম্বীবগী খোঙথাংশিংবু য়োকথৎনবা অমসুং পাকথোক-চাউথোক্নবগীদমক আই ই টি অসি মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি। ওজাশিংনা ই-কন্টেন্টশিং অদুবু তম্বীবগী-তম্নবগী থবকশিংদা চানবা মওংদা পূনশিনবা ঙম্নবা মতীক চাবা খূৎলাইশিং ওজাশিংদা স্কুলশিংদা ফংহনগনি | শিনশালোনদা তোংবা ফম্বাকশিং (টেক্নোলোজি-বেজড প্লেটফোর্মশিং), খূদম ওইনা, ডিকশা/স্বয়ম (DIKSHA/SWAYAM) অসিগুম্বা অসি স্কুল খুদিংমক্তা অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বীবগী থবকশিংদা পূনশিল্লগনি অমসুং মচাক (কন্টেন্ট) শেমগৎলিবশিংনা শীজিন্নবা নুংঙাইবা অমসুং মতীক-ময়াই চেনবা মচাক শেমগৎপা ঙম্নবা, শীজিন্নরিবা মীশিংনা লেপ্লকপা থাক/ য়েংশিল্লগা ফোঙদোকপা ৱাফমশিং (রেটিংস/রিভিউস) সু য়াওগনি।

**23.7.** মহৈ-মশিং তম্বগী কাঙলোনদা তঙাইফদনা অয়েৎপা পীরক্কদবা নৌনা থোরক্লিবা শিনশালোনশিং (ডিসরপ্টিভ টেক্নোলোজিশিং) অসিদা অথন্নবা মীৎয়েং চঙবা তাই। ১৯৮৫/১৯৯২ দা নেশনেল পোলিসি ওন ইডুকেশন শেম্লকপা মতমদা ইন্টরনেৎনা পীরক্কদবা চয়েৎনবা ইথিল অদু মাঙজৌননা হায়বা ঙমখিদে। ঐখোয়গী হৌজিক লৈরিবা মহৈ-মশিং তম্বগী কাঙলোন অসিনা অসিগুম্বা খোঙজেল য়াঙলবা অমসুং অয়েৎপা পীরিবা অহোংবশিং অসি মায়োক্নবা ঙমদবা অসিনা ঐখোয়বু হেন্না হেন্না হিদান্নবনা থল্লবা মালেম অসিদা লন্নাই মী অমা ওইনা অমসুং লৈবাক্কী ওইনা খুদোংথীবনা থল্লবা

খুদোংচাদবা ফিভম অমদা থল্লে। খূদম ওইনা, অচুম্বা ৱাফম অমসুং থবক পাঙথোকপগী লৌশিং (ফেকচুয়েল এণ্ড প্রোসিডুর‌্যাল নোলেজ) শীজিন্নবদা কম্প্যুটরসিনা মীওইবদগী য়াম্না হেল্লবসু থাক খুদিংমক্তা ঐথোয়গী মহৈ-মশিং তম্বীবগী থবক অসিনা মহৈরোয়শিংদা মথোয়গী অৱাংবা থাক্কী মতীক-মঙমশিং (কম্পিটেন্সিশিং) শেমগৎপগী মহুৎতা মথোয়দা অসিগুম্বা লৌশিং ময়াম অমগী পোৎলুম কা হেন্না ননশিনবিরি।

**23.8.** থৌশিল অসি শেল্লিবসি – আর্টফিশল ইন্টলিজেন্স (AI) 3D/7D ভর্চুএল রিএলিটি – হায়বা ৱাহং হংনীংঙাই লৈতনা অয়েৎপা পীবা শিনশালোন অমা থোরকল্লবা মতমদনি। এ আই (AI) দা য়ুম্ফম ওইবা প্রিডিক্সনগী (তুংদা থোক্কদবা ৱা মাঙজৌননা হায়বা) গী মমল হন্থরকপগা লোয়নননা এ আই (AI) অসি, শিনফম অমা পায়রিবা (প্রোফেশনেল) হৈশিংলবা ডোক্টরগুম্বা অমগা মান্নরকপসু য়াই, মঙোন্দগী হেন্না ফনা থবক তৌরকপসু য়াই অমসুং মরম অসিনা অকক্লবা মতাং থরদা তুংদা মসি থোক্কনি হায়বগুম্বা থবক্তা য়াম্না কান্নরবা মতেং ওইগনি। থবক শুফমদা এ আই (AI) না অয়েৎপা পীবা ঙম্বগী মঙম (পোটেন্সিএল) অসি ময়েক শেংলবনি অমসুং মহৈ-মশিং তম্বীবগী কাঙলোননা মসিদা য়াম্না থুনা পাউখুম পীনবা শেম-শাদুনা লৈগদবনি। এন ই এফ টি গী লেঙদ্রবা থবকশিংগী মনুংদা অমদি নৌনা থোরক্লিবা শিনশালোনশিং অসি মথোয়গী মঙম অমসুং মথোয়না অয়েৎ-অপন পীবগী ওইবা য়াবা মতমগী চাং (টাইমফ্রেম) অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা মথোয়গী মথল থায়দোকপা হায়বসিনি অমসুং মসিগী নৈনবা অসিগী পাউদম এম ঐচ আর ডি দা মতম মতমগী ওইনা পীবা হায়বসিনি। মসিগী ঈ- পাওশিং (ইনপুৎশিং) অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা এম ঐচ আর ডি না করম করম্বা শিনশালোন থোরকপদা মহৈ তম্বগী কাঙলোননা পাউখুম পীবা মথৌ তাবগে হায়বদু ময়েক শেংনা ফোংনা থঙদোক্কনি।

**23.9.** অয়েৎ-অপন পীবা অনৌবা শিনশালোন (ন্যু ডিসরপ্টিভ টেক্নোলোজি) অমা থোরকপদা এম ঐচ আর ডি না ফোংনা শকখঙবগী (ফোর্মেল রিকগনিশন) পাউখুম ওইনা, নেশনেল রিসর্চ ফাউণ্ডেশননা (এন আর এফ) শিনশালোন অদুদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক হৌগনি নৎত্রগা পাকথোক-চাউথোক্কনি। এন আর এফ না মায়কৈ অহুম ফাংবা থোঙথাং অমা চঙশিন্নবা থন্নবা য়াই: (অ) মপূং ওইবা এ আই (AI) গী মরমদা থিজিন-হুমজিনবা, (আ) এপ্লিকেশন বেজড রিসর্চ শেমগৎপা অমসুং থবক শীজিন্নবা, (ই) হকশেলগী, লৌউ-শিংউগী অমসুং ঈশিং-নুংশিৎ হোংলকপা অসিনচিংবা লমশিংদা শীংনবা কয়া অসি কোকহন্নবা আর্টিফিশল ইন্টলিজেন্স (এ আই) শীজিন্নদুনা মালেমগী ওইবা থিজিন-হুমজিনবগী থবকশিং খুমাং চাওশিনবা।

**23.10.** ঐচ ই আই শিং অসিনা, অয়েৎ-অপন পীবা শিনশালোনশিংগী (ডিসরপ্টিভ টেক্নোলোজিশিংগী) মরমদথক্তা নত্তনা খ্বাইদগী নৌবা লমশিংগী মরমদা ওনলাইনদা তম্নবা কোর্সশিং য়াওনা, তাকপী-তম্বীবগী মচাকশিং অমসুং কোর্সশিংগী অহৌবগী শরুকশিংদা (ইনিসিএল ভর্জনশিংদা) থিজিন-হুমজিনবা অমসুং শিনফমগী ওইবা মহৈ-মশিং তম্বা (প্রোফেশনেল ইডুকেশন) গুম্বা অকক্লবা লমশিংদা মথোয়না পীরিবা ইথিল অদু নৈনবা হায়বসিদা অকক্লবা থৌদাং (এক্টিভ রোল) অমা লৌগনি। শিনশালোন অদুনা মপুং-মরৈ ফাবগী থাক অমা য়ৌরবা মতমদা, থবক অমা ফংনবগী অথন্ননা তম্বীবা (ট্রেনিং পীবা) য়াওনা, তাকপী-তম্বীবগী অমসুং হৈশিংবা তম্বীনবা হোৎনরিবশিং অসি কাঙলোন নাইনা চৎনহন্নবগীদমক মহৈরোয় লীশিং কয়া লৈবা ঐচ ই আই শিং অসি মফম চানা চানা থম্লগনি। অয়েৎ-অপন পীবা শিনশালোনশিংনা থবক থরদি মথা তানা মথৌ তাল্লরোই (রিডন্দেন্ট ওইরগনি) অমসুং মরম অসিনা, হৈ-শিংবা হেনগৎহন্নবা অমসুং হৈ-শিংবা হন্থন্নবগী, কান্নরবা অমসুং মতীক-ময়াই চেল্লবা থৌওং খুদিংমক, থবক শেমগৎনবা অমসুং কুইনা লৈহন্নবগীদমক হেন্না হেন্না মরু ওইরক্কনি। অসুম্না তম্বীবগী থবক অসি তৌনবগীদমক, মহৈকোলশিং অসিদা মহৈকোলগী ওইবা অমসুং মহৈকোলগী ওইদবা থোঙবুশিং লৈবা য়ানবগী নীংতম্বা অদু লৈগনি; অদুগা হায়রিবা তম্বীবগী থবক অসি হৈ-শিংবা (স্কিল) অমসু অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বীবগী থৌয়াৎৱাশিং (ফ্রেমৱর্কশিং) গা অমত্তা ওইনা পূনশিল্লগনি।

**23.11.** তাইবং-মহৈকোলশিংদা, মেছিন লর্নিং, লোয়ন-লোয়ননা হীরম কয়াগী ওইবা লমশিং, “ (AI + X) ” অমসুং হকশেল, লৌউ-শিংউ অমসুং আইন অসিগুম্বা মরু ওইবা হীরমশিংদা পিঐচ ডি অমসুং মাষ্টর্স প্রোগ্রামশিং হাংদোক্লবা পান্দম থমগনি। মথোয়নসু স্বয়ম (SWAYAM) গুম্বা প্লেটফোর্মশিংগী খুথাংদা হায়রিবা লমশিং অসিদা তম্নবা কোর্সশিং শেমগৎপা অমসুং শন্দোকপা য়াই। য়াম্না থুনা লৌশিন্নবগীদমক ঐচ ই আই শিংনা মসিগী ওনলাইন কোর্সশিং অসিগী চৎনবী ওইনা লৈরক্লবা তাকপী-তম্বীবগী মওংগা অণ্ডরগ্রেজুয়েৎ অমসুং ভোকেশনেল প্রোগ্রামশিং পূনশিনবা য়াই। ঐচ ই আই শিংদা, আর্টিফিশল ইন্টলিজেন্সকী ভেল্যু চেনদা মতেং পাংনবগীদমক, হৈথোই-শিংথোইবা কয়া চঙদবা থবকশিং খূদম ওইনা, ডেটা এন্নোটেশন, ইমেজ ক্লাসিফিকেশন অমসুং স্পিচ ট্রান্সক্রিপশনগুম্বসিগী মরমদা পান্দম য়াওনা অথন্ননা তম্বীনবগী (টার্গেটেড ট্রেনিংগী) খুদোংচাবা পীবা য়াই। স্কুলগী মহৈরোয়শিংদা লোল তম্বীবা অসি ভারতকী তোঙান-তোঙানবা লোলশিংগী ওইনা লৈরিবা নেচরেল লেঙ্গুৱেজ প্রোসেসিংগী (মীওইবগী লোনগা কম্প্যুটরগা লৈনবা মরী শেমগৎপা) থবকপু হেন্না থুমাং-চাওশিন্নবা হোৎনরিবা থবকশিংগা অমত্তা ওইনা পূনশিল্লগনি।

**23.12.** অয়েৎ-অপন পীবা শিনশালোনশিং থোরকপনিনা, স্কুলদা মহৈ তম্বীবা অমসুং মথা চথনা মহৈ-মশিং তম্বীবগী থবক্কা মীচম মীয়ামদা হায়রিবা শিনশালোনশিং অসিনা পীরকপা য়াবা অয়েৎ-অপনশিং অদুগী মরমদা থঙহনবদা মতেং পাংগনি অমসুং মরী লৈনবা ৱাফমশিংসু কোকহন্নবা হোৎনগনি। হায়রিবা শিনশালোনশিং অসিগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংদা মীয়াম থঙনা মথোয়দগী অয়াবা লৌনবগীদমক অসুম হায়না মীয়ামদা থঙহনবা অসি তঙাইফদে। স্কুলদা, হৌজিক্কী মতমগী ওইবা ৱাফম অমসুং লমচৎ-শাজৎকী ওইবা ৱাফম থন্নবদা, অয়েৎ-অপন পীবা শিনশালোনশিং, থূদম ওইনা, এন ই টি এফ/এম ঐচ আর ডি না থন্দোক্লবশিং অদুগুম্বগী মরমদা থন্নবা য়াওগনি। মথা তানা মহৈ তম্নবগীদমক, তাকপী-তম্বীনবা অমসুং থন্ন-নৈননবগী চানবা মচাকশিংসু শেম-শাগনি।

**23.13.** অথোম-ৱারোল (ডেটা) হায়বসি আটিফিশল ইন্টলিজেন্সতা য়ুম্ফম ওইবা শিনশালোনশিং (টেক্নোলোজিশিং) গীদি তঙাইফদনা চঙদবা য়াদবা থাও (ফ্যুল) অদুনি, অমসুং মসি লন্নাইগী অরোনবা, আইনশিং অমসুং অথোম-ৱারোল (ডেটা) শীজিন্নবগী অমসুং অথোম-ৱারোল মাঙহন্দবগী থাক (ষ্টেণ্ডর্ড) অসিনচিংবা অরুবা ৱাফমশিং থঙহন্নবগীদমক য়াম্না মরুওই। আটিফিশল ইন্টলিজেন্সতা য়ুম্ফম ওইবা শিনশালোনশিং শেমগৎপা অমসুং শীজিন্নবগা ইরোয়নবা লমচৎ-শাজৎকী ওইবা অরুবা ৱাফমশিং থঙহনবদসু মসি তঙাইফদনা চঙই। অসিগুম্বা মীয়ামদা থঙহন্নবা হোৎনবগী থবকশিং অসিদা মহৈ-মশিং তম্বনা মরুওইবা থৌদাং অমা লৌগনি। ঐখোয়গী পুন্সি মহিংদা হোংহনগনি হায়না থন্নরিবা অমসুং মদুনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না মহৈরোয়শিংবু মহৈ-মশিং তম্বীবগী মওং হোংহনগদবা অয়েৎ-অপন পীবা শিনশালোনশিংগী মনুংদা তরু-তরুবা অমসুং অমুক নৌথোকহনবা য়াবা মতীক (ইনর্জি), ঈশিং য়োকশিনদুনা থম্বা, তুংকোইনা চৎনগদবা ফার্ম তৌবগী মওং, অকোয়বগী ফিভম য়োকথৎতুনা থম্বা অমসুং অতৈ অশংবা থোঙহৌশিং (গ্রীন ইনিসিএটিভস, মালেম অসিবু অশংবা উপাল-ৱাপাল থাজিন্দুনা কন্নবা হোৎনবগী থোঙথাংশিং) গী মরী লৈনবশিং য়াওরি; মহৈ-মশিং তম্বদা মথোয়শিং অসিসু থোইদোক-হেন্দোক্না মীৎয়েং চঙগনি।

## 24. ওনলাইন অমসুং ডিজিটেল ইডুকেশন: মীচং- মীথায় নাইদনা চপ মান্ননা শিনশালোন (টেক্নোলোজি) শীজিন্নবা ফংহনবা

**24.1.** অনৌবা ওইরক্লিবা তশেংবা ফিভমসিনা অনৌবা থোঙহৌশিংগী তঙাইফদবদু লৈহল্লে| ইকুই কুইদ্রিঙৈ মমাংদা থোকখিবা লায়না-লায়চৎ ময়াম অসিদগী ঐখোয়গী মহৌশাদগী হৈনদুনা লাক্লবা লাইরিক-লাইশু তম্বগী মওংসি চৎনবা য়ারক্তবা, মতমসিদা তোঙানবা মথলগী মগুন লৈবা মহৈ- মশিং তম্বীবগী মওং শীজিন্নবগী তঙাইফদবদু লাকই| মসিগা মরী লৈননা, ডি নেশনেল ইডুকেশন পোলিসি ২০২০ না শিনশালোন (টেক্নোলোজি) শীজিন্নবগী থুদোংচাবা অমসুং কান্নবগী মরুওইবদু থঙলকই লোয়নননা মসি শীজিন্নবগী থুদোংথীনীংঙাই ওইবা অমসুং মাঙলক্লীংঙাই ওইবদুসু থঙই| মসিমক্লা মরম ওইরদুনা চেকশিন্না অমসুং চূশন্ননা শেম্লবা মাঙজৌননা তৌথিবা নৈনবা অদুদা মতৌ করম্না ওনলাইন/ডিজিটেলগী মহৈ তম্বগী মওং অদুদগী হেন্না কান্নবদু লৌগদগে অদুগা লোয়ন-লোয়নননা অমাঙবদুনা করম্না হন্থহনগদগে হায়বদু থঙনবা হোৎনখি| মতাংসিদা লৈরিবা ডিজিটেলনা কল্লিবা মফমশিং অমসুং চথরিবা আই সি টি দা য়ুম্ফম ওইদুনা হৌদোক্লক্লিবা মহৈ-মশিং তম্বগী ইহৌসি হৌজিক মতমসিগী অমদি তুংদা থেংনগদবা শীংনবা কয়াদু মায়োক্লনবা পূম্নমক্কী ওইনা মতীক মগুন লৈবা মহৈ-মশিংলোন (ইডুকেশন) ওইহন্দুনা পাকথোক-চাউথোকহনবা তাবনি|

**24.2.** অদুমওইনমক, ময়াম পূন্না হোৎনমিন্নদুনা ডিজিটেল/ইন্টরনেৎ পাম্বা পামদবগী থেৎনবা লৈরিবা চাং অসি হান্না হন্থহন্দনদি ওনলাইন/ডিজিটেল ইডুকেশনগী কান্নবসি হেনগৎহনবা ঙম্লোই| থূদম ওইনা ডিজিটেল ইন্দিয়া ইহৌ শাগৎলিবসিগা লোয়নননা মতীক চাবা কম্প্যুটরগী মচাক- মথুমশিং মীয়ামদা অতাবা মমলদা ফংহন্দ্রবদি কান্নবা ফংহনবা ৱাগনি| ওনলাইন অমসুং ডিজিটেল ইডুকেশনগীদমক শীজিন্নগবা মপোৎ-মচৈ, মচাক-মথুমশিংদু মতীক চানা থেৎনবা লৈহন্দনা মীপুম থুদিংদা য়ৌহনবসি য়াম্না মরুওই|

**24.3.** ওজাশিংনা চান্নবা মওংদা শিন্দমদুনা নীংথিনা হোৎনদুনা মতীক চাবা ওনলাইন ওজাশিং ওইনবগীদমক হোৎনবা চঙলি| মহৌশাগী লাইরিক তম্বীবগী মওংদা মতীক চাবা অফবা ওজা ওইরিবা মহাক্তুনা শোয়দনা ওনলাইন ওজা ওইবদসু অফবা ওজা ওইগনি থনবদি লানবা ওইগনি| মহৈ তম্বীবা ওইবগী শিনফমদা অহোংবা পুরকপা তাবদুগুম, ওনলাইনদা মহৈরোয়শিংগী মহৈ-মশিংগী চাং লেপথোকপা হায়বসিদসু ইতোপ-তোপ্পা থৌওং অমা চথবা তাবনি| ওনলাইনদা মহৈরোয়শিংগী চাংয়েং পাক-চাউনা পাঙথোকপা হায়বসিদা থুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লগনি, মসিদা ওনলাইনগী ফিভমদুদা হংবা য়াবা ৱাহংগী অৱাৎপা, ইলেক্ট্রিক মৈ ফংদবা/মূথোকথিবা অমদি নেটৱর্ক ফংবা ফংদবগী অপনবা,

মহৈরোয়শিংনা তৌবা হৌনদবা থৌওংশিং থিংবনচিংবা য়াওরিবনি। নৈনচল (সবজেক্ট) /কোর্স মথল থরগী মরক্তা, থূদম ওইনা, থবক ওইনা পাঙথোক্কদবা (পর্ফোমিং আর্টস) অমসুং সাইন্স প্রেক্টিকেলনচিংবশিং ওনলাইন/ডিজিটেল ইডুকেশনদা পাঙথোকপদা থুদোংচাদবা মায়োক্নগনি, হায়রিবশিংসি অনৌবা থৌওং পুথোক্লগা থরমথৈদি হন্থহনবা ঙম্বা য়াই। মথা তানা, ওনলাইন ইডুকেশনসি হকথেংননা থবক তৌবদগী ফংলকপা লৌশিংগা পূনশিন্দ্রবদি, সুপ্লতংগী মীৎয়েং চঙদবা মহৈ তম্বীবগী মওং (স্কৃন-বেজড ইডুকেশন) ওইরক্তুনা থুন্নাইগী ওইবা, কান্নবা অমসুং সাইকোমোটোরগী মায়কৈরোমদা তম্বদা অকক্নবা পনথৈ লৈরবা য়াই।

**24.4.** স্কুলগী থাক্তগী অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী থাক (হাইয়র ইডুকেশনগী থাক) ফাওবদা মহৈ-মশিং তম্বীবা অমসুং তম্বদা চাওথৎলক্লিবা ডিজিটেল টেক্নোলোজি অমসুং টেক্নোলোজি অসিবু ফগৎহনবগী মরুওইবদু লৈরবদা, মসিগী থৌশিলসিনা মথাগী মরুওইবা থৌহৌশিংসি হৌদোক্লবা থঙহল্লি:

(ক) **ওনলাইন ইডুকেশনগীদমক মাঙজৌননা য়েংশিনবা:** মতীক-মপা চানা শরুক য়ারিবশিং এন ই টি এফ, সি আই ই টি, এন আই ও এস, ইগ্নৌ (আই জি এন ও য়ু), আই আই টি শিং, এন আই টি শিংনচিংবা কাঙবুশিংবু থন্দোক্লগা মাঙজৌননা মথং মথং নাইনা য়েংশিনহনগনি। হায়রিবসি মহৌশাগী মহৈ তম্বীবদুগা ওনলাইন ইডুকেশনগা পূনশিন্নরগা তম্বীবগী কান্নবদু য়েংশিনবা অমদি মদুনা পুরকপা য়াবা মাঙজবদু হন্থহন্নবা হোৎনবগী থিজিনবদুগা মতম অমত্তদা তৌমিন্নগদবনি অমসুং মরী লৈনবা লমশিং - হায়বদি মহৈরোয়শিংনা পোৎশকশিংসিদা লায়চুরকপা, থ্বাইদগী চানবা ই-কন্টেন্ট (ডিজিটেলগী মচাক) নচিংবশিং - নৈননবা য়েংশিনগনি। মসিগী মাঙজৌননা য়েংশিন-থিজিনবদগী ফংলকপা ফল অদু মীয়ামদা থঙহনগনি অমসুং মথা তানা ফগৎহন্নবা হোৎনগনি।

(খ) **ডিজিটেলগী মচাক-মথুমশিং (ইনফ্রাষ্ট্রকচর) :** লাইরিক-লাইশু তম্বীবগী লমসিদা পূন্না থবক তৌমিন্নবা য়াবা, হোংদোকহনবা য়াবা, ময়ামগী ওইবা অথিংবা লৈতবা ডিজিটেলগী মচাক মথুমশিং শেমগৎপদা শেনফম থাদবা চঙই। মসি ভারতকী পাক-চাউখ্রবা, খেৎনবা, চয়েৎনবা অমসুং উপায়শিংসিনা য়ৌশিনবা ঙমদবনচিংবদু হন্থহন্নবনি। তৌগদৌরিবসি য়াম্না য়াঙনা চাওথৎলক্লিবা শিনশালোন (টেক্নোলোজি) অসিগা য়েংনবদা শিনশালোনগী উপায়শিং অসি শীজিন্নদ্রবা পোৎ ওইহনদনবগীদমক হোৎনগনি।

(গ) **ওনলাইনদা মহৈ তম্বীবগী ফম্বাক (ওনলাইন প্লেটফোর্ম) অমসুং থূৎলাইশিং (টূলশিং) :** হৌজিক লৈরিবা স্বয়ম (SWAYAM), ডিকশা (DIKSHA) গুম্বা চান-চূনবা ই-লর্নিং প্লেটফোর্মশিং অসি হেন্না থাক ৱাংথৎহন্দুনা ওজাশিংগী থুদোংচানবা হেন্না মচা থায়না পীদুনা, শীজিন্নবদা থূৎলোয়নবা শেমগৎতুনা অমসুং মতেং ওইনবা মচাক কয়া হাপচিন্দুনা মহৈরোয়শিংবু য়েংশিনবা ঙম্নবা মওংদা শেম্লগনি। থূৎলাইশিং (টূলশিং) দুদি মায়কৈ অনীমক্কী ওইবা ভিডিও (টু-ৱে ভিডিও), মায়কৈ অনীমক্কী ওইবা ওডিও (টু-ৱে ওডিও) শীজিন্নদুনা মায় মায় ওনশিন্দুনা ওনলাইন ক্লাস লৌবসি মালেম শীনবা থুংনা হৌজিক্কী শন্দোরক্লিবা লায়না-লায়চৎ (পেন্দেমিক) মতমসিদা তঙাইফদবা ওইরে হায়বসি উৎলে।

(ঘ) **মচাক শেম্বা, ডিজিটেল মচাকশিং থম্ফম (ডিজিটেল রিপোজিটরি), অমসুং পাক-শন্না থঙহনবা:** তম্নবগী মচাক-মচলশিং শেমগৎপা, শান্নবা তম্বা অমসুং মতৌ তমদুনা শাশিন্নবা, ওগমেন্টেড রিএলিটি অমসুং ভর্চুএল রিএলিটিসু শেমগৎকনি, হায়রিবশিংসিবু শীজিন্নরিবশিংনা মখোয়শিংসিগী কান্নবা অমসুং মগুনশিংদুগী থাক উৎপা ঙম্নবা পব্লিক সিষ্টেম (মীয়ামগী মরী লৈনবা লোয়শঙশিং অমসুং মপোৎ-মচৈশিং) দা পুথোক্কনি। মহৈ তম্বদা নুংঙাইনবগীদমক মহৈরোয়শিংগা চান্নবা টূলশিং হায়বদি এপশিং পুথোকপা, ভারতকী কলা অমসুং নাৎ-চৎনবীবু লোল কয়ামরুমদা শান্নবা য়ানবা কম্প্যুটর গেম ওইনা শীজিন্নবগী মওং নীংথিজনা তাক্তুনসু শেমগৎকনি। মহৈরোয়শিংদা ই-কন্টেন্টশিংদু পাক-শন্না ফংহন্নবগীদমক থাজনীংঙাই ওইবা তেংবাঙ-কাঙলম (বেক-অপ মেকানিজম) অমা পীগনি।

(ঙ) **ডিজিটেল লর্নিং ফংবা অমসুং ফংদবশিংগী খেন্নবদু কোকহনবা:** হৌজিক শীজিন্নরিবা মাস মেডিয়াশিং হায়বদি টেলিভিজন, রেডিও, অমসুং কম্যুনিটি রেদিওশিংসি মহৈ-মশিংগা মরী লৈনবা থৌরমশিং শন্দোকপদা য়াম্না মরুওইনা শীজিন্নগনি। অদুবু, হৌজিক হৌজিকমক লৈবাকসিগী মীওই কয়া অমদি ডিজিটেলগী থুদোংচাবা ফংবসি য়াম্না ৱাৎলি হায়বসি অশেংবনি। মহৈ-মশিং তম্বীবগা মরী লৈনবা থৌরমশিংসি তোঙান-তোঙানবা লোলশিংদা পূং ২৪/৭ চূপ্পা

ফংহন্দুনা মহৈরোয়শিং থুন্নাইগী মথল মথা কয়াগী অৱাৎপশিংদু পীগদৌরিবনি। ভারতকী লোল পূন্নমক্তা শেন্লিবা মচাকশিং (হীরমশিং) দা অথন্ননা মরুওইবা মীৎয়েং থম্বদু হেন্না হকচিন্না অমসুং তঙাইফদবা ওইনা লৌগনি; হেক য়ারিবমথৈ ওজাশিংদা অমসুং মহৈরোয়শিংদা মথোয় মথোয়না তাকপী-তম্বীরিবা লোলদুমক্তদা ডিজিটেলগী মচাকশিংদু য়ৌহন্নবা হোৎনগনি।

(চ) **মতৌ মালহনবা লেবস (ভর্চুএল লেবস) :** ডিকশা, স্বয়ম অমসুং স্বয়মপ্রভা গুম্বা হৌজিক লৈরিবা ই-লর্নিংগী প্লেটফোর্মশিং অসিসু ভর্চুএল লেবশিং ওইনা শেমগৎনবগী পাম্বৈ ওইরগনি, মসি মহৈরোয় পূন্নমক্না চপ মান্নবা মওংদা তীঙ ৱাংনা থবক ওইনা মথূৎমক্না চাংয়েং তৌরগা হকথেংননা তম্বগী থুদোংচাবদু ফংবা ঙমহন্নবগীনি। মাঙজৌননা তমগদবা মচাকশিং হাপচিল্লবা টেব্লেটশিং গুম্বা চূনগদবা ডিজিটেলগী থূৎলাইশিংবু এস ই ডি জি মহৈরোয়শিংদা অমসুং ওজাশিংদা মরাং কায়না শীজিন্নবা ফংহনবা য়ানবগী ওইথোকপদু থন্নগনি অমসুং শেমগৎকনি।

(ছ) **ওজাশিংগী ওইনা অথন-শিন্দম (ট্রেনিং পীবা) অমসুং থৌগৎ-মনাশিং (ইন্সেন্টিভশিং) :** ওজাশিংসি য়াম্না হকচিনবা মওংগী মহৈরোয়গীদমক য়েংবা মথলগী তম্বীরোল (লর্নর-সেন্ট্রিক পেডাগোজি) দা অথন-শিন্দম (ট্রেনিং) লৌগনি অমসুং মতৌ করম্না ওনলাইনদা মথোয়না ফংলিবা থূৎলাইশিং (টূলশিং) দু শীজিন্নরগা য়াম্না মগুন লৈবা তম্বীবগী মচাক শেমগদগে হায়বদু মথোয় মশামক্না তমগনি। মহৈরোয়শিংবু তম্ন-মচাক্তুদা তীঙ ফূদোকপা হেনগৎহন্নবা অমসুং ওজা-মহৈরোয়গী মরী ফগৎহনবদা ওজাশিংগী লৌগদবা মথৌদাংদা মরু ওইনা লৌগনি।

(জ) ওনলাইনদা হৈলেপ্পা (এসেসমেন্ট) অমসুং কূপয়েংশিং (ইগজামিনেশনশিং) : নেশনেল এসেসমেন্ট সেন্টর নৎত্রগা পরখ, স্কুল বোর্ডশিং, এন টি এ গুম্বা চানবা থূৎপু (বোডিশিং), অমসুং অতৈ থনগৎলবা বোডিশিংনা হৈলেপ্পগী থৌয়াৱাশিং (এসেসমেন্ট ফ্রেমৱর্কশিং) শকলেপ পীগনি (ডিজাইন তৌগনি) অমসুং থবক্তা ওন্থোক্কনি, মদুদা থঙ-হৈবশিং, পোর্টফোলিও, লমজীং-লমতাক চবুন (রুব্রিক্স), চৎন-থাক ঙাক্লবা হৈরেপ্পা (ষ্টেণ্ডর্ডাইজড এসেসমেন্টস), অমসুং এসেসমেন্ট এনালাইটিক্স য়াওগনি। ২১শুবা চহীচাগী থঙ-হৈগদবশিংদা (স্কিলশিংদা) মীৎয়েং থম্বা মহৈ-মশিংগী শিনশালোন (ইডুকেশন টেক্নোলোজি) শিং শীজিন্নরগা হৈরেপ্পগী (এসেসমেন্টকী) অনৌবা লম্বীশিং পুথোক্লবা নৈনবগী থবকশিং পায়থৎকনি।

(ঝ) **পূনশিন্না মহৈ তম্বগী মওংশিং:** ডিজিটেল লর্নিং অমসুং মহৈ-মশিংলোন (ইডুকেশন) ফগৎহন্নবা হোৎনরিবা মতমসিদা মী মীগা মায়-মায় ওনশিন্নদুনা মহৈ তম্ববুসু মপূং ফানা শৌগৎলি। মসিগী মতুং ইন্না, তোঙান- তোঙানবা নৈনচল (সবজেক্ট) শিংগী মতৌ তমদুনা শীজিন্নবা লাইরিক তম্বীবগী তোঙান-তোঙানবা কান্নবা মথলগী পূনশিল্লবা মওংশিংদু মশক থঙদোক্কনি।

(ঞ) **চৎনবী থাক অমা থম্বা:** ওনলাইন/ডিজিটেল ইডুকেশনগী মরমদা থিজিন-হুমজিনবা হৌগৎলকপসিনা, এন ই টি এফ অমসুং অতোপ্পা চানবা বোডিশিংনা শীজিন্নগদবা মচাকশিং, শিনশালোন (টেক্নোলোজি), অমসুং ওনলাইন/ডিজিটেল টিচিং-লর্নিংগীদমক তম্বীরোলগী চৎনবী থাকশিং (ষ্টেণ্ডর্ডশিং) লেপকনি। মসিগী চৎনবী থাকশিং লেপথোকপসিনা ষ্টেটশিংনা, বোর্ডশিংনা, স্কুলশিং অমসুং স্কুল কমপ্লেক্সশিংনা, ঐচ ই আই শিং অসিনচিংবনা ই-লর্নিং শীজিন্নবগী ঙাক্লা চৎকদৌবা চৎন-কাঙলোনশিং শেম্বদা মতেং ওইনরগনি।

## 24.5. মালেম থাক্কী ডিজিটেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর, মহৈ-মশিংগী ডিজিটেল মচাকশিং অমসুং মচাউ শেমগৎনবা কথোক্লবা কাঙবু অমা শেম্বা

শিনশালোন (টেক্নোলোজি) হায়বসি মহৈ-মশিং তম্বগী থবক্তা থোঙচৎ অমা ওইরি, মসি পন্থুং নত্তে অমসুং থৌশিল অসিগী পান্দম অদু ফংননবা থবক্তা ওন্থোকপদা মান্নবা ফিভম অমদা লৈমিন্নরিবা তোঙান-তোঙানবা শরুক য়ারিবশিংনা পূনশিন্নদুনা হোৎনমিন্নবা চঙই। ডিজিটেলগী মচাক-মথুম (ইনফ্রাষ্ট্রকচর), ডিজিটেল মচাকশিং (কন্টেন্ট) অমসুং থবক তৌবা ঙম্বগী মতীক-ময়াই শেমগৎনবগীদমক ময়াম পূন্না তৌমিন্ননবগীদমক মসিগীদমক কথোক্লবা থূৎপু অমা পোংবশঙ (মিনিষ্ট্রি) গী মনুংদা শেমগনি। মথোয়সিনা স্কুলগী থাক্কী অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং (হাইয়র ইদুকেশন) অনীমক্কী ই-ইডুকেশনগী তঙাইফদবশিংদু য়েংশিনগনি। শিনশালোন (টেক্নোলোজি) না থোঙজেল য়াঙনা চাওখৎলকপসিনা মগুন য়াম্না লৈবা ই-লর্নিং পীবা ঙম্বা লমসিদা য়াম্না হৈথোই-শিংথোইরবা মীশকশিং চঙগনি। ভারতকী লৈরিবা শীংনবশিং পাক-চাউবা, খেৎনবা, মান্নদবা, অচান-মীরাই নাইবনচিংবশিং অসি লৈহন্দনবা উপায় পুথোক্তুনা য়াম্না ফরবা ফিভম অমা শোমগৎপদা

পূক্নিং থৌগৎপথক্তা নত্তনা খোঙজেল য়াঙনা হোংলক্লিবা শিনশালোনগা ইরোয়ননা চৎপা ঙম্নবা হোৎনবা চঙলি, মরমদি চহী ওল্লকপদা মখোয়গী মপুস্নিসি তংখায় অমদি হন্থরল্লবনি। মরম অদুনা, মসিগী সেন্টর অসিদা থবক-থৌরমশিং য়েংশিন-খোৎচিন তৌবা (এডমিনিষ্ট্রেশন), মহৈ-মশিং তম্বীবগী থবক তৌবা (ইডুকেশন), মহৈ-মশিং তম্বীবগী শিনশারোল (ইডুকেশন টেক্নোলোজি), ডিজিটেল টেক্নোলোজি, ডিজিটেল তম্বীরোল (পেডাগোজি) অমসুং হৈরেপ্পা (এসেসমেন্ট), ই-গভর্নান্স অসিনচিংবা লমশিংসিদগী থনগৎলকপা হৈ-শিংলবা মীওইশিং লৈগনি।

# শরুক IV: মসি ওইথোকহনবা

## 25. সেন্ট্রেল এডভাইজরি বোর্ড ওফ ইডুকেশনবু মপাঙ্গল কনথৎহনবা

**25.1.** মসিগী থৌশিল অসিবু মায়পাক্না থবক্তা ওন্থোক্নবা হোৎনবদা অশানবা মীৎয়েং য়াম্না তঙাইফদে, নীংথিজনা থঙ-হৈরবা মীওইশিং লৈতবা য়াদে, অমসুং লৈবাক্কী, ষ্টেটকী, মহৈকোলগী, অমদি লন্নাই মীওইশিংগী থাক থুদিংমক্তগী পূল্লা শরুক য়ামিন্নদুনা পূল্লা হোৎনমিন্নবা চঙই। মসিগী মতাংসিদা থৌশিলসিনা সেন্ট্রেল এডভাইজরি বোর্ড ওফ ইডুকেশন (সি এ বি ই) বু হেন্না মপাঙ্গল কলহনবা অমদি তৌবা ঙম্বা মঙম হেন্না পীনবা খঙহল্লি। অসুম্না তৌবসিনা মহৈ-মশিং অমদি নাৎ-চৎনবী য়োকথৎপগা মরী লৈনবা হীরমশিংবু মীয়াম মরক্তা পাক-শন্না থন্ন-নৈনহনবা অমসুং য়েংশিনহনবদা নত্তনা হেন্না চাউবা হক অমা ফংহনগনি। এম ঐচ আর ডি গা অমসুং ষ্টেটশিংগী মকোক থোংবা লূপশিং থূৎশন্নরগা সি এ বি ই বু নৌনা শেমদোকপা অমদি নৌহৌননা শেমগৎপনা লৈবাকসিদা মহৈ-মশিংবু শেমগৎপা, ময়েক শেংনা খঙহনবা, মনুং থিৎনা নৈনবা, মীৎয়েংদু অনৌবা মায়কৈরোমদা হোংদোকপদা তুং কোইগদবা মতৌদা মরুওইবা থৌদাং লৌগনি। পান্দমসি ফংননবা হোৎনবদা মসিনা মহৈকোলগী থৌয়াৎৱা (ইন্সটিট্যুশনেল ফ্রেমৱর্ক) শেমগনি অমদি মথা তানা নৈনগনি।

**25.2.** মহৈ-মশিং অমসুং মহৈ তম্বদা মরুওইবা মীৎয়েং থম্বগী মতৌদু হনজিন্না পুরকপদা মীওই-লৌশিংথোক চাওথৎহনবা পোংবশঙ (মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্স ডিভেলপমেন্ট) বু মহৈ-মশিংগী পোংবশঙ (মিনিষ্ট্রি ওফ ইডুকেশন, এম ও ই) হায়না নৌহৌননা ওন্থোকপা তঙাইফদে।

## 26. শেল-থুম থাদবা: পূম্নমক্কী ওইনা ঙমগদৌবা অমসুং মগুন লৈবা মহৈ-মশিং ফংবা

**26.1.** থৌশিল অসিনা মহৈ-মশিংগী থাদরিবা শেনফমসি মশক থোক্না হেনগৎহন্নবা ফিরেপ লৌরি, মরমদি তুংদা ওইরক্কদবা থুন্নাই অসিগীদমক ঐখোয়গী নহারোলশিংদা মগুন লৈবা মহৈ-মশিং পীবা হায়বসিদা শেনফম থাদবা হায়বসিদগী হেনবা ফবা অতোপ্পা শেনফম থাদনবা হীরম অমত্তা লৈতে। লাইবক থীবদি ভারত্তা মীয়াম্না মহৈ-মশিংদা থাদরিবা শেনফম অসি, ইং ১৯৬৮ গী থৌশিলদা মঙখিবা থাদফম থোকই হায়দুনা শেনফম, জি ডি পি গী ৬% অদু ফাওবা য়ৌহনবা নৎত্রি। হায়রিবা ইং ১৯৬৮ গী থৌশিল অদুবু নৌহৌননা য়েংশিল্লগা ইং ১৯৯২ দা অমুক হন্না অমদি হেন্না কনশিনবা ফিরেপ অমা লৌখিবনি। হৌজিক্কী মীয়ামগী ওইনা (লৈবাকী অমসুং ষ্টেটকী লৈঙাক) ভারত্তা মহৈ-মশিংদা থাদরিবা শেনফম অসি চাউরাক্না জি ডি পি ৪.৪৩% নি (২০১৭-১৮ গী বজেৎকী শেল-থুম শীজিন্নবগী চাং নৈনবা) লৈঙাক্কী ওইবা মহৈ-মশিংদা অপূনবা থাদরিবা শেনফম অসিনা চাউরাক্না ১০% থক ওইরি (ইকোনোমি সর্ভে ২০১৭-১৮)। হায়রিবা শেনফম অসদি চাওথৎলবা অমসুং চাওথৎলক্লিবা লৈবাক অয়াম্বদগীদি য়াম্না হন্থখ্রবনি।

**26.2.** থ্বাইদগী হেন্না ফবা মহৈ-মশিং ফংহনবগী পান্দমদু লৈবাকসিদা অমদি মসিগী শেল-থুমগী লমদা ফংনবগীদমক অমদি মরী লৈনবা কান্নবা কয়ামরুমদু ফংনবা, ময়ায়-লৈঙাক (সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট) অমদি মনুং-লৈঙাক (ষ্টেট গভর্নমেন্ট) শিংনা মহৈ-মশিংদা লৈবাক্কী শেল থাদবদু নীংথিজনা হেনগৎহন্দুনা থৌশিল অসিবু য়াম্না ময়েক শেংনা চপ মান্নানা শৌগৎতুনা হোৎনফম থোকই। য়াম্না থুনমক ময়ায়-লৈঙাক (সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট) অমদি মনুং-লৈঙাক (ষ্টেট গভর্নমেন্ট) শিংনা পূল্লা হোৎনমিন্নদুনা লৈবাক্কী শেনফম অসি মহৈ-মশিংলোনগী লমদা জি ডি পি ৬% য়ৌহন্নবা হোৎনবা তাই। মসিমক মগুন লৈবা অমসুং অশেংবা মহৈ-মশিংলোনগী মওং অমা ফংহন্নবা তশেংনা মথৌ তারি। হায়রিবসি ভারতকী তুংগী শেল-থুমগী ফিভম, থুন্নাইগী, নাৎকী, লৌশিংগী অমদি শিনশালোনগী (টেক্নোলোজিগী) থাক ৱাংথৎহন্নবা হোৎনবদা য়াম্না মরুওইবা অমনি হায়না লৌবা তাই।

**26.3.** মহৈ-মশিংলোন (ইডুকেশন) গী তোঙান-তোঙানবা মরুওইবা লমশিংদা অমদি মচাকশিং (কম্পোনেন্টশিং) দা শেল-থুমগী মতেংসি মরুওইনা পীগনি; মসিদা য়াওগদৌরিবশিংদি মালেম শীন-থুংবগী লৌশিং ফংবা ঙম্নবা, তম্নবা মচাকশিং, মচি ওইবা চীঞাক ফংহনবা, মহৈরোয়শিংগী অশোয়-অঙাম থোক্তনবা অমসুং য়াইফনবা শীনবগী থবকশিং, মরাং কায়না ওজা অমসুং থৌমী মশীং লৈবা, ওজাশিংগী চাওথৎ-থৌরাং, অমসুং থুদোংচাবা ফংজদ্রবা থুন্নাই অমদি মশাগী থুন্নাই-শেন্মীৎলোন থুদোংচাদবা কাঙলূপশিংগী মহৈরোয়শিংবু তীঙ ৱাংবা মগুন লৈবা মহৈ-মশিং ফংহন্নবগী মরুওইবা থৌরাং পূন্নমক্তা তেংবাঙবা অসিনচিংবনি।

**26.4.** মরুওইনা চঙগদৌবা মচাক-মথুম (ইনফ্রাষ্ট্রকচর) অমসুং অতৈ হীরমশিংগী ওইনা অমুথক্তংগী ওইবা শেল থাদবদুগী মথক্তা, মসিগী থৌশিলসিনা মহৈ-মশিংলোন (ইডুকেশন) গী ফিভম অমা হেন্না চাওথৎহন্নবা মথাগী মরুওইবা অশাংবা মতমগী অহেনবা ইনোৎ পীগদবা মচলশিংসু মশক থঙদোক্লে: (অ) পূন্নমক্কী ওইনা নৌরিবা অঙাংশিংগী ওইনা চেকশিন্না মগুন লৈবা মহৈ-মশিং ফংহনবা; (আ) শুংশোয়-শোয়দনা তঙাইফদবা ইবা-পাবা ঙমহনবা অমসুং মশীং চৎহনবা; (ই) স্কুল কমপ্লেক্স/ক্লষ্টরশিংদা মরাং কায়না চান-চূনবা মচাকশিং পীবা; (ঈ) মচি ওইদৌবা চাননবা চীঞাক পীবা (অয়ুক চরা ৱান্নবা অমসুং নুংথিল চাকলেন পীবা) ; (উ) ওজাশিং ওইগদৌবশিংগী মহৈ-মশিং তম্বীবদা অমসুং মথোয়গী শিনফমদু মথা তানা ফগৎহন্নবা থবক্তা শেনফম থাদবা; (ঊ) কলেজশিং অমসুং তাইবং-মহৈকোলশিংবু থ্বাইদগী হেন্না ফবা ওইহন্নবা হেন্না য়োকথৎপা; (ঋ) থিজিন-হুমজিনবগী থবক্তা হেন্না পূক্নিং থৌগৎপা; অমসুং (৯) শিনশালোন (টেক্নোলোজি) অমসুং ওনলাইন ইডুকেশন পাক-শন্না শীজিন্নবা।

**26.5.** ভারতকী ওইনা মহৈ-মশিংদা থাদরিবা য়ামথিদ্রবা শেনফম অসি ফাওবা য়াম্না তোয়না ডিষ্ট্রিক/মহৈকোলগী থাক্তা মতম চানা শীজিন্নদে, মসিনা মরম ওইরগা থাদরিবা শেনফমশিংদুনা ফংহন্নীংলিবা পান্দম অদু ফংবদা অপনবা ওইহল্লি। মরম অসিনা, চূনবা থৌশিল শেমদোক্তুনা থাদরিবা শেনফমদু নীংথিজনা শীজিন্নবসি তঙাইফদবনি। শেল-থুম নীংথিনা শীজিন্ননবা থৌশিলনা শেনফমদুবু নীংথিজনা, চেকশিন্না মতম চানা শীজিন্নবদা মীৎয়েং থমগনি, থৌশিল-থৌরাংসু চানবা মওংদা শেমদোক্কনি অমদি মদুমক্না শেল শীজিন্নথিবা মতৌদুনা চৎনদ্রিবা শেনফম য়াম্না লৈবদু হন্থহনগনি। জি এফ আর, পি এফ এম এস অমসুং ‘জষ্ট ইন টাইম’ মতম চানা থবক পাঙথোক্কদবশিংদা পীথোকপসিনা লৈঙাক্কী পান্বৈশিংদু নীংথিজনা শীজিন্নবা ঙমহনগনি অমদি থাদরকপা শেনফমশিংদু পন্দুনা লৈবদু থোকহল্লোই। ষ্টেটশিংদা/ঐ চ ই আই শিংদা থবক পাঙথোকপগী মতুং ইন্না শেন থাদবগী মওংদু শেমদোকপা য়ারে। মসিগা মান্ননা, এস ই ডি জি শিংগীদমক থাক্তুনা থম্বা শেনফমদু মতীক চাবা থৌওংনা হেন্না মরাং কায়না অমসুং নীংথিজনা শীজিন্নবা ঙম্লগনি। হৌদোকহন্নীংলিবা অনৌবা থৌওংসিগী মতৌসিনা, মঙম পীরবা অমসুং মনীংতম্বা মহৈ- তম্ফমশিংনা তোঙান-তোঙানবা মশক থোক্লা মশিন থায়দোক্তুনা অমদি মনুং-মপান ফাওনা উবা ঙম্বা মতৌদা অরোন-অথুপ থমদনা, মতীক-মগুন লৈরবা মতীক চারবা হৈশিংলবশিংবু লুচিংবা ওইনবগী থন্দুনা থাদরকপা শেনফমদু নীংথিজনা, থুনা অমসুং মনুং-মপান ফাওনা শীজিন্নবা ঙমগনি।

**26.6.** থৌশিল অসিনা মহৈ-মশিংলোন (ইডুকেশন) গী লমশিংদা লন্নাইগী ওইবা মীয়ামগী য়াইফনবা তৌবগী থবকশিংবু পূক্নিং থৌগৎতুনা নৌহৌননা মপূং ফানা চাওথৎহন্নবা হোৎনবগীসু হায়রি। অথন্ননা মীয়ামগী ওইবা শেনবাগী তেংবাঙ (পব্লিক বজেটরি সপোর্ট) হায়রিবসি মীয়ামদা ফংহনবগী মথক্তা, মহৈ-মশিং তম্বগী থবক-থৌরমশিংবু কনথৎহন্নবগী পান্দমদা মীয়ামগী মহৈকোল অমা হেক্তনা লন্নাই ওইনা মীয়ামগী অমসুং লৈত-লায়রশিংগী তেংবাঙ ফগুশিং (শেনফমশিং) থোমগৎনবা থবকশিং পায়থৎপা য়াই।

**26.7.** মহৈ-মশিংবু শেন্দান লম্বী ওন্থোকপগী থৌওং অসিগী মরমদা থৌশিল অসিনা মরী লৈনবা মায়কৈ কয়াদগী থন্নরি: মসিদা য়াওগদৌরিবশিংদি ‘ইয়াং য়াংনদি উবা তৌবতদি য়াম্নদি চেকশিনবা’ চৎন-পথাপ্পা শেল-থুমগী ৱারোলশিং মীয়াম থঙনা ফোঙদোকপা, থবক-থৌওংশিং, তমগদবা কোর্সশিং অমসুং প্রোগ্রামশিং, অমসুং মহৈ-মশিং তম্বা লোইরকপগী পোলোই; মীয়ামগী মহৈ-মশিং তম্বীবদা থাদরিবা মপূং ওইবা শেনফম; অমসুং মীয়ামগী অমসুং লন্নাইগী মহৈ-তম্ফমশঙশিংবু নীংথিনা শীল্লাংবগী কাঙলমশিং ফলশিং অদু মীয়াম থঙনা ফোঙদোকপা অসিনি। মসিগা মান্ননা, দরকার ওইবা নৎত্রগা ফংফম থোকপা কাঙলূপশিংদা অপনবা পীদবা হেন্না ৱাংবা মমল লৌথৎপগী থুদোংচাবশিং থিজিনগনি।

## 27. থবক্তা ওন্থোকপা

**27.1.** থৌশিল অমগী মায়-পাকপসি মদুনা থবক্তা ওন্থোকপগী মথা পোল্লি। অসুম্না থবক্তা ওন্থোকপা হায়বসিদা থৌহৌশিং (ইনিসিএটিভস) অমসুং থৌপাঙ কয়ামরুম চঙই, অমসুং মসিদা মতম অমত্তদা তোঙান-তোঙানবা থূৎপু (বোডি) শিংনা মওং-মরিল অমসুং কাঙলোন নাইবা মওংদা থবক পায়থৎমিন্নবা তাই। মরম অসিনা, মহৈ-মশিং তম্বদা শরুক য়ারিবা থূৎপূ (বোডি) পূম্নমক্কা পূন্না থৌরাংমিন্নবা অমসুং থৌদৌমিন্নরগা থৌশিল অসিগী নুংগী ৱাফম অমসুং অনীংবা অপাম্বদু ফংনবা শুংশোয় শোয়দনা থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্নবগীদমক, থবক অসিবু এম ঐচ আর ডি, সি এ বি ই, য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেট লৈঙাকশিং, ইডুকেশনগা মরী লৈনবা পোংবশঙশিং (মিনিষ্ট্রিশিং), ষ্টেটকী মহৈ-মশিংগী লোয়শঙ (ইডুকেশন ডিপার্টমেন্ট), বোর্ডশিং, এন টি এ, স্কুল অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী (হাইয়র ইডুকেশনগী) থৌশিল্লিবা কাঙবুশিং, এন সি ই আর টি, এস সি আর টিশিং, স্কুলশিং, অমদি ঐচ ই আই শিং অসিগুম্বা তোঙান-তোঙানবা থূৎপুশিংনা চঙগদৌবা মতম অমসুং রিভিউ তৌনবগী (অফ-ফত্ত লেপ্লবা য়েংশিন্নবগী) থৌরাং অমগা কোন্ননা লমজীংগনি।

**27.2.** মথাগী চৎন-কাঙলোনশিং অসিগী মতুং ইন্না থৌশিলসি থবক্তা ওন্থোক্কনি। অহানবদা, থৌশিলসিগী নুংগী ৱাফম অমসুং অনীংবা অপাম্বদু ফংনবা থবক্তা ওন্থোকপা হায়বসি খ্বাইদগী মরুওইবা থবক অমা ওইগনি। অনীশুবদা, থৌশিলগী থৌহৌশিংসি তাঙ্কক নাইনা হৌদোকপা মরু ওই মরমদি থৌশিল থূদিংগী থোঙথাং কয়ামরু লৈ অমসুং থোঙথাং থুদিংনা মমাঙগী থোঙোথাংদু মায় পাক্লা থবক্তা ওন্থোকপা তঙাইফদে। অহুমশুবদা, থৌশিলগী মরু ওইবা ৱাফমশিংদু নীংথিনা মথং-মনাও নাইনা শীন্দোক্লবা অহান-অকোন থন্দোকপসি মরু ওইগনি, অমসুং খ্বাইদগী হেন্না মরুওইবা অমসুং অথুবা থবকশিংদু হান্না পাঙথোক্কনি, অমসুং অসুম তৌবনা মপাঙ্গল কল্লবা য়ুম্ফম অমা শেম্বা ঙমহনগনি। মরিশুবদা, থৌশিল অসি অমগা অমগা মরী লৈনবা অমদি মপূং ওইবা মরম্না, মায়ওঙ শুনা থবক্তা ওন্থোকপসি য়াম্নমক মরু ওইগনি, মচেৎ-মকায় ওইনা নত্তবা মপূং ওইনা থবক্তা ওন্থোকপা অসিনা ফংনবা তাল্লিবা পান্দমশিংদু শোয়দনা ফংবা ঙমহনগনি। মঙাশুবদা, ইডুকেশনসি সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক অনীমক্কা পূন্না পায়থৎমিন্নগদবা হীরম (কনকরেন্ট সবজেক্ট) ওইবনা, সেন্টর অমসুং ষ্টেট অনী পূল্লগা চেকশিন্না থৌরাং তৌবা, পূল্লগা য়েংশিন-থোৎচিন তৌমিন্নবা, অমসুং মতেং পাংনদুনা থবক্তা ওন্থোকপা মথৌ তাগনি। তরুকশুবদা, থৌশিল অসি পেন্নীংঙাই ওইবা মওংদা পাঙথোক্লবগীদমক সেন্টর অমসুং ষ্টেটকী থাক্তগী চঙদ-য়াদবা মচাকশিং — মীওইবগী লৌশিংথোকশিং, তঙাইফদবা মচাক-মথুমশিং (ইনফ্রাষ্টকচর), অমসুং শেল-থুম — মতম চানা ফংহনবা অসি য়াম্না মরুওইগনি। অরোইবদা, থৌহৌ পূম্নমক মায়-পাক্লা চুংশিন্ননা থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্নবগীদমক থম্ব্রাংননা চথরিবা থবকশিংগী লৈনরিবা মরীশিংদু চেকশিন্না কূপ্না নৈনবা অমসুং অফ-ফত্ত য়েংবা (রিভিউ) তঙাইফদে। মথা তারকপা থৌরমশিং অমসুং থবকশিংগী অকনবা য়ুম্ফম অমা থম্নবা অমসুং থবকশিং অদু নীংথিনা চথবদা মথৌ তাবা অথন্নবা থবক থরা (অঙাং অপীকপশিং শেন্নবীবা অমসুং মহৈ-মশিং তমহন্নবগী মচাক-মথুম শেমগৎপগুম্বা) অসিদা ঙন্না শেন থাদবা অসিসু য়াওগনি। মাঙজৌননা শেল থাদবসু য়াওগনি, মসিনা থৌশিলসিগী অচেৎপা য়ুম্ফম অমা শেমগৎপদা অমদি মথা তারকপা থৌরমশিং অমসুং থবকশিং নীংথিজনা পাঙথোকপদা তঙাইফদবা ওইহনগনি।

**27.3.** থৌশিল অসিগী পান্দমশিং অসি ময়েক শেংনা অমসুং তাঙ্কক নাইবা ফংননবগীমদক মথক্কী পীখ্রিবা চৎন-কাঙলোনশিং (প্রিন্সিপলশিং) অসিগা চান্ননা থৌশিল অসিগী মায়ওন খুদিংমক্কী থবক্তা ওন্থোক্লবগী অকূপ্পা থৌরাংশিং শেমগৎনবা ময়োল্লমগী (সেন্টরগী) অমদি মনুংলমগী (ষ্টেটকী) থাক্তা নৈনচল খুদিংমক (সবজেক্ট-ৱাইজ) থবক্তা ওন্থোক্লনবা থঙ-হৈরবশিংগী কম্মিটিশিংসি মরী লৈনবা পোংবশঙশিং (মিনিষ্ট্রিশিং) গা পূন্না তান্নরগা অমসুং মতেং পাংনরগা শেমগৎকনি। চহী চহীগী ওইনা থৌশিলসিবু থবক্তা ওন্থোকপা য়েংশিনবসি, থবক থূদিংগী ফংগে তাল্লিবা পান্দমশিংদুগা চান্ননা, এম ঐচ আর ডি অমসুং ষ্টেটকী অথন্নবা মীওই কাঙবুশিংনা তৌগনি, অমসুং মদুগী ফংলকপা অফ-ফত্ত য়েংশিনবগী ৱারোল (রিভিউশিংদু) সি এ বি ই দা শীন্নগনি। ২০৩০-৪০গী ডিকেড (চহী ১০গী মতম) সিদা থৌশিল পূম্বা থবক পাঙথোকপা য়াবা মওং অমদা লৈরগনি, মদুগী মতুংদা অতোপ্পা মায়ওঙ শুরবা অফ-ফত্তা য়েংশিনবগী থবক (কমপ্রিহেন্সিভ রিভিউ) পায়থৎকনি।

## এব্রিভিএশনশিং

| | |
|---|---|
| এ বি সি | একাডেমিক বেঙ্ক ওফ ক্রেডিৎ |
| এ আই | আর্টিফিশল ইন্টলিজেন্স |
| এ সি | ওটোনোমস ডিগ্রী গ্রান্টিং |
| এ ই সি | এডল্ট ইডুকেশন সেন্টর |
| এ পি আই | এপ্লিকেশন প্রোগ্রামিং ইন্টরফেস |
| আয়ুশ | আয়ুর্ভেদা, য়োগা অমসুং নেচরোপেথি, য়ুনানি, সিদ্ধা অমসুং হোমিওপেথি |
| বি.এড | বেচলর ওফ ইডুকেশন |
| বি ই ও | ব্লোক ইডুকেশন ওফিসর |
| বা আই টি ই | ব্লোক ইন্সটিট্যুৎ ওফ টিচর ইডুকেশন |
| বি ও এ | বোর্ড ওফ এসেসমেন্ট |
| বি ও জি | বোর্ড ওফ গভনর্স |
| বি আর সি | ব্লোক রিসোর্স সেন্টর |
| বি.ভো. | বেচলর ওফ ভোকেশনেল ইডুকেশন |
| সি এ বি ই | সেন্ট্রেল এডভাইজরি বোর্ড ওফ ইডুকেশন |
| সি বি সি এস | চোইস বেজ ক্রেডিৎ সিষ্টেম |
| সি বি এস ই | সেন্ট্রেল বোর্ড ওফ সেকেণ্ডরি ইডুকেশন |
| সি আই ই টি | সেন্ট্রেল ইন্সটিট্যুৎ ওফ ইডুকেশনেল টেক্নোলোজি |
| সি এম পি | কেরিয়র মেনেজমেন্ট এণ্ড প্রোগ্রেশন |
| সি ও এ | কাউন্সিল ওফ আর্কিটেকচর |
| সি পি ডি | কন্টিন্যুয়স প্রোফেশনেল ডিভেলপমেন্ট |
| সি আর সি | ক্লষ্টর রিসোর্স সেন্টর |
| সি ডব্লিউ এস এন | চিল্ড্রেন ৱিথ স্পেশল নীডস |
| ডি এ ই | ডিপার্টমেন্ট ওফ এটোমিক ইনর্জি |
| ডি বি টি | ডিপার্টমেন্ট ওফ বাইওটেক্নোলোজি |
| ডি ই ও | ডিষ্ট্রিক্ট ইডুকেশন ওফিসর |
| ডি আই ই টি | ডিষ্ট্রিক্ট ইন্সটিট্যুৎ ওফ ইডুকেশন এণ্ড ট্রেনিং |
| ডিকশা | ডিজিটেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফোর নোলেজ শেয়রিং |
| ডি এস ই | ডাইরেক্টরেৎ ওফ স্কুল ইডুকেশন |
| ডি এস টি | ডিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এণ্ড টেক্নোলোজি |
| ই সি সি ই | আর্লি চাইল্ডহুড কেয়র এণ্ড ইডুকেশন |
| ই ই সি | ইমিনেন্ট এক্সপর্ট কমিটি |
| জি সি ই ডি | গ্লোবেল সিটিজেনশিপ ইডুকেশন |
| জি ডি পি | গ্রোস ইনরোলমেন্ট প্রোডক্ট |
| জি ই সি | জেনরেল ইডুকেশন কাউন্সিল |
| জি ই আর | গ্রোস ইনরোলমেন্ট রেশিও |
| জি এফ আর | জেনরেল ফাইনান্সিএল রুল |
| ঐচ ই সি আই | হাইয়র ইডুকেশন কমিশন ওফ ইন্দিয়া |
| ঐচ ই জি সি | হাইয়র ইজুকেশন গ্রান্টস কাউন্সিল |
| ঐচ ই আই | হাইয়র ইডুকেশন ইন্সটিট্যুশন্স |
| আইকার (আই সি এ আর) | ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ এগ্রিকলচরেল রিসর্চ |
| আই সি ঐচ আর | ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ হিষ্টরিকেল রিসর্চ |
| আই সি এম আর | ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেডিকেল রিসর্চ |
| আই সি টি | ইনফোর্মেশন এণ্ড কম্যুনিকেশন টেক্নোলোজি |
| আই ডি পি | ইন্সটিট্যুশনেল ডিভেলপমেন্ট প্লান |
| ইগনৌ (আই জি এন ও য়ু) | ইন্দিরা গান্ধি নেশনেল ওপন য়ুনিভর্সিটি |

| | |
|---|---|
| আই আই এম টি | ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুৎ ওফ মেনেজমেন্ট |
| আই আই টি | ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুৎ ওফ টেক্নোলোজি |
| আই আই টি আই | ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুৎ ওফ ট্রান্সলেশন এণ্ড ইন্টরপ্রিটেশন |
| আই এস এল | ইন্দিয়ন সাইন লেঙ্গ্বেজ |
| আই টি আই | ইণ্ডষ্ট্রিএল ট্রেনিং ইন্সটিট্যুৎ |
| এম.এড. | মাষ্টর ওফ ইডুকেশন |
| এম বি বি এস | বেচলর ওফ মেডিশিন এণ্ড বেচলর ওফ সর্জরি |
| এম ই আর য়ু | মল্টিডিসিপ্লিনরি ইডুকেশন এণ্ড রিসর্চ য়ুনিভর্সিটিজ |
| এম ঐচ এফ ডব্লিউ | মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এণ্ড ফেমিলি ৱেলফ্যের |
| এম ঐচ আর ডি | মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্স ডিভেলপমেন্ট |
| এম ও ই | মিনিষ্ট্রি ওফ ইডুকেশন |
| এম ও ও সি (মূক) | মেসিভ ওপন ওনলাইন কোর্স |
| এম ও য়ু | মেমোরেণ্ডম ওফ অণ্ডরষ্টেণ্ডিং |
| এম.ফিল | মাষ্টর ওফ ফিলোসোফি |
| এম ডব্লিউ সি ডি | মিনিষ্ট্রি ওফ ৱুমন এণ্ড চাইল্ড ডিভেলপমেন্ট |
| এন এ সি | নেশনেল এক্রেডিটেশন কাউন্সিল |
| এন এ এস | নেশনেল এচিভমেন্ট সর্ভে |
| এন সি সি | নেশনেল কেডেৎ কোর্প্স |
| এন সি ই আর টি | নেশনেল কাউন্সিল ওফ ইডুকেশনেল রিসর্চ এণ্ড ট্রেনিং |
| এন সি এফ | নেশনেল করিক্যুলম ফ্রেমৱর্ক |
| এন সি এফ এস সি | নেশনেল করিক্যুলম ফ্রেমৱর্ক ফোর স্কুল ইডুকেশন |
| এন সি এফ টি ই | নেশনেল করিক্যুলম ফ্রেমৱর্ক ফোর টিচর ইডুকেশন |
| এন সি আই ভি ই | নেশনেল কমিটি ফোর ডি ইন্টিগ্রেশন ওফ ভোকেশনেল ইডুকেশন |
| এন সি পি এফ ই সি সি ই | নেশনেল করিক্যুলর এণ্ড পেডাগোজিকেল ফ্রেমৱর্ক ফোর আর্লি চাইল্ডহুড ক্যেয়র এণ্ড ইডুকেশন |
| এন সি টি ই | নেশনেল কাউন্সিল ফোর টিচর ইডুকেশন |
| এন সি ভি ই টি | নেশনেল কাউন্সিল ফোর ভোকেশনেল ইডুকেশন এণ্ড ট্রেনিং |
| এন ই টি এফ | নেশনেল ইডুকেশনেল টেক্নোলোজি ফোরম |
| এন জি ও | নোন-গভর্নমেন্টেল ওর্গনাইজেশন |
| এন ঐচ ই ক্যু এফ | নেশনেল হাইয়র ইডুকেশন ক্বালিফিকেশন্স ফ্রেমৱর্ক |
| এন ঐচ ই আর সি | নেশনেল হাইয়র ইডুকেশন রিগুলেটরি কাউন্সিল |
| এন আই ও এস | নেশনেল ইন্সটিট্যুৎ ওফ ওপন স্কুলিং |
| এন আই টি | নেশনেল ইন্সটিট্যুৎ ওফ টেক্নোলোজি |
| এন আই টি আই | নেশনেল ইন্সটিট্যুশন ফোর ট্রান্সফোর্মিং ইন্দিয়া |
| এন পি ই | নেশনেল পোলিসি ওন ইডুকেশন |
| এন পি এস টি | নেশনেল প্রোফেশনেল ষ্টেণ্ডর্ডস ফোর টিচর্স |
| এন আর এফ | নেশনেল রিসর্চ ফাউণ্ডেশন |
| এন এস ক্যু এফ | নেশনেল স্কিল্স ক্বালিফিকেশন্স ফ্রেমৱর্ক |
| এন এস এস ও | নেশনেল সেম্পল সর্ভে ওফিস |
| এন টি এ | নেশনেল টেষ্টিং এজেন্সি |
| ও বি সি | আডর বেকৱর্ড ক্লাসেস |
| ও ডি এল | ওপন এণ্ড ডিষ্টেন্স লর্নিং |
| পরখ (পি এ আর এ কে ঐচ) | পরফোর্মেন্স, এসেসমেন্ট, রিভিউ এণ্ড এনালিসিস ওফ নোলেজ ফোর হোলিষ্টিক ডিভেলপমেন্ট |
| পি সি আই | ফার্মাসি কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া |
| পি এফ এম এস | পব্লিক ফাইনান্সিএল মেনেজমেন্ট সিষ্টেম |
| পিঐচ.ডি | ডোক্টর ওফ ফিলোসোফি |

| | |
|---|---|
| পি এস এস বি | প্রোফেশনেল ষ্টেণ্ডর্ড সেট্টিং বোডি |
| পি টি আর | পুপিল টিচর রেশিও |
| আর এণ্ড আই | রিসর্চ এণ্ড ইন্নোভেশন |
| আর সি আই | রিহেবিলিটেশন কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া |
| আর পি ডব্লিউ ডি | রাইটস ওফ পর্সন্স ৱিথ ডিসএবিলিটিজ |
| এস এ এস | ষ্টেট এচিভমেন্ট সর্ভে |
| এস সি | সেডুল্ড কাষ্ট (স) |
| এস সি ডি পি | স্কুল কমপ্লেক্স/ক্লষ্টর ডিভেলপমেন্ট প্লান্স |
| এস সি ই আর টি | ষ্টেট কাউন্সিল ওফ ইডুকেশনেল রিসর্চ এণ্ড ট্রেনিং |
| এস সি এফ | ষ্টেট করিকুল্যর ফ্রেমৱর্ক |
| এস সি এম সি | স্কুল কমপ্লেক্স মেনেজমেন্ট কম্মিটি |
| এস ডি জি | সষ্টেনেবল ডিভেলপমেন্ট গোল |
| এস ডি পি | স্কুল ডিভেলপমেন্ট প্লান |
| এস ই ডি জি | সোসিও-ইকোনোমিকেল্লি ডিসএডভান্টেজড গ্রুপ |
| এস ই জেড | স্পেশল ইডুকেশন জোন |
| এস আই ও এস | ষ্টেট ইন্সটিট্যুৎস ওফ ওপন স্কুলিং |
| এস এম সি | স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটি |
| এস ক্যু এ এ এফ | স্কুল ক্বালিটি এসেসমেন্ট এণ্ড এক্রেডিটেশন ফ্রেমৱর্ক |
| এস এস এ | সর্ভ শিক্সা অভিয়ান |
| এস এস এস | সিম্পল ষ্টেণ্ডর্ড সংস্কৃত |
| এস এস এস এ | ষ্টেট স্কুল ষ্টেণ্ডর্ডস ওথোরিটি |
| এস টি | সেডুল্ড ট্রাইব (স) |
| এস টি ই এম | সাইন্স, টেক্নোলোজি, ইঞ্জিনিয়রিং এণ্ড মেথমেটিক্স |
| এস টি এস | সংস্কৃত থ্রু সংস্কৃত |
| স্বয়ম (এস ডব্লিউ এ ৱাই এ এম) | ষ্টডি ৱেভস ওফ এক্টিভ লর্নিং ফোর য়ং এস্পাইরিং মাইণ্ডস |
| টি ই আই | টিচর ইডুকেশন ইন্সটিট্যুশন |
| টি ই টি | টিচর ইলিজিবিলিট টেষ্ট |
| য়ু-ডাইস (য়ু-ডি আই এস ই) | য়ুনিফাইড ডিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেশন সিষ্টেম ফোর ইডুকেশন |
| য়ু জি সি | য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিশন |
| য়ুনেস্কো | য়ুনাইটেড নেশন্স ইডুকেশনেল সাইন্টিফিক এণ্ড কলচরেল ওর্গনাইজেশন |
| য়ু টি | য়ুনিয়ন টেরিটোরি |
| ভি সি আই | ভেটরিনরি কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া |

*****